রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী

রাজর্ষি

রাজর্ষি

অহানবা তাক্তক

ভুবনেশ্বরী মন্দিরগী মুংনা-সিড়ি-চনবা হিদেন-তাকমহ্ গোমতী তুরেলগী খোংফুং তাম্না হাইথখি। ত্রিপুরাগী মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যনা নোংমা কালেন থাগী অয়ুক্তা ইরুজবা লাকই, মাগী মনাও নক্ষত্ররায়মহ্ লোয়ননরকই। তাজা অসিদা পিক্রিবী মুপীমচা অমা মোপ্না পিশক অম পুরহুনা হিদেন তাকম অহুদা লাক্রে। মহাক্না নিংথৌগী মীঙিদহ্ পাঙ্হুনা চিংলগা হংঙকই, “নহাক কনানো?”

নিংথৌনা মোমোন নোক্হুনা হায়রকই, “ইমা, ঐদি নগী মচানি।”

মুপীমচাহুনা হায়রকই, “পূজাগী লৈ খয় হেকপিয়ু।”

নিংথৌনা হায়রকই, “লৈ, হেকে চৎসি।”

মতৌহুদা থৌগল-লাকল পুরমক্তু মিপাইমরে। মথোইনা হায়রকই, “মহারাজ, মহারাজনা করিগী মাখোংলোংবিগদগে, মনাই মথোই হেক্চরগে।”

নিংথৌনা হায়রকই, “মহ্ মাদে, ঐজোম্না হায়রবনিনা [illegible] লোকনি।”

নিংথৌনা মুপীমচা অহুগী মাইথোং তম্না য়েংলকই মমিৎ অহুগী অমকপা পক্তুবা অয়ুক লাইরেম্বীগা মাগী শক্তমগা ওস্থোক্লা মান্নরম্মি। নিংথৌগী মখুৎ পায়রহুনা মহাক্না মন্দিরগা তাইনবা লৈকোলনুংদা অহুম কোয়রকপদা মাইকৈ মরিদা শাংলিবা ঙৌববা হৈখাগোক মপালগুম মাগী পোমশাংনরবা মাইথোংহুদগী ই না নুশিরবা মনমগুম্বা অমা শন্দোরক্তুনা অয়ুকী লৈকোল অহু শিন্থুংনা লেল্লম্মি। পিক্লবা মোপ্‌াহুম্হু মচেগী ফীজি পায়রহুনা মতুং কোয়ইন ইরম্মি। মহাক্না খংজরিবদি মচেবুতনি, নিংথৌগদি মহাক থোইনা লোনান্নরুবা লৈতে।

নিংথৌনা মুপীমচাহুদা হংলকই, "নমিং করি কৌই, ইমা ?'
মুপীমচাহুনা হায়রকই, ' হাসি ।"

নিংথৌনা নিপামচাহুদা হংলকই, "নংদি নমিং করি কৌই ?'
নিপামচা অহু কোইরাওনরবা মমিৎ অনিহু লাওনা পাংথোক্লহুনা মচেদা মুন্না য়েংলকই, খুম্বা-লাকপা তৌদে ।

হাসিনা মশাদা নানবিরহুনা হায়রকই, "খুম্মুদনা ইবুঙো, এগী ইমিং তাতা কৌই হায়দনা ।"

নিপা মচা অহুনা মাগী পিক্লবা মচিনবান অনিহু হাইফেত্তুং কাংথোক্লগা চীং-লেম্না মচেনা ঙাংলিবা অহুগী খোম্থাং তুংইনবগুম হায়রকই, "এগী ইমিং তাতা।" হায়রগা মচেগী ফীজি অহু অমুক্না হেন্না চেংনা পায়শিল্লক্লে ।

হাসিনা নিংথৌদা ওগাইনা তাক্লকই, "মহাক্তি নিপামচানিনা

ময়াম্না মহাকপু তাতা হায়না কৌই।" মৌপ্‌ারোমদা ওনশিল্লহুনা অমুক হায়রকই. "অহুক হায় তাসি মন্দির।"

নিপামচাহুনা মচেদা ওনশিল্লহুনা হায়রকই, "লদন্দ।"

হাসিনা হৌনা নোক্লহুনা হায়রকই, "তাতাদি মন্দির হায়বা থোক্তে, লদন্দ হেক্তা হায়।— ফরে অহুদি, হায়য়ু কড়াই।"

নিপামচাহুনা চীং-লেম্না হায়রকই, "বলাই।"

হাসিনা অমুক্কা হৌনা নোক্লহুনা হায়রকই, "ঐখোইগী তাতাদি কড়াই হাযবস্থ খোক্তে, বলাইদমক হায়!" অসি হায়রহুনা তাতাবু কোনশিল্লগা পংচুপ্তা চুপ্তুনা লৈফম-লাকফম খংহন্দ্রে।

তাতাদি মচেনা ইখং খংহৌদনা অস্থুক কন্না নোক্লিবা অহুগা লুনা-চান্না তৌরিবা অসিগী মরম শুকখং খংদে, মহাক্তি কোইরাওনবা মমিত্তু লাওনা পাংথোক্তুনা চুম্না অহুম্মক য়েংহুনা লৈ। থাঙ্গৈমকশেংনা মন্দির অনস্থং কড়াই হায়বা রাহৈসি হায়দোকপা তাতাদি শুকথোক থোক্তে, মহুমদি চূমদবা নত্তে। তাতাগী চহি মতাংসি য়ৌরকপদদি হাসিনা মন্দিরবু লদন্দ খক হায়দে, মহাক্তি মন্দিরবু পালু হায়; অহুগা মহাক কড়াইবু বলাই হায়ব্রা মহুদি খংদ্রে, অহুব কড়িবুদি ঘয়ি হায়; মরম অহুনা তাতাগী অওকপা খোম্থোকসি তাবদা মহাক য়াম্নমক নোক্লিংবা অমা পোক্কনি হায়বদা করি ওকউফম লৈবগে? মহাক্লা তাতাগী মরমদা থৌদোক কয়া কয়া নিংথৌদা তম্লক্লে। নোংমা হন্নবা অমথক কম্বল ইনশিল্লহুনা লাক্লম্মি, মহুদা তাতানা মাবু শওম্মি হায়, অস্থুক পওই তাতাদি। অহুগা অমুক্লা তাতাঁমা উদা পাল্লিখা হৈতুপশিং অঁহুবু উচেক ওইরবোই থন্দুনা তবং-তবংবা পিক্কন্না অনিহুনা খুবাক খুহুনা তাম্থোক্লবা হোৎনরম্মি। তাতাদি হাসিনা

য়েংনবদা য়াম্না পিক্লিবা অঙাংনি হায়বসি তাতাগী মচেম্না খুদম য়াম্না য়াম্না পিহ্নুনা মতিক চানা প্রমাণ তৌরক্রে। তাতানা মশাগী পঙব-শিংবগী মরমদা ঙাংনরিবা রাফমহু য়াম্না খোইজংনা তারম্মি, মহাক্না খংজবা রারোলশিংগী মনুংদদি শাওবা য়াবা রাফম খোইদোক্না য়াওরমদে। অসুম্না সুমিত্তুগী অয়ুক্কী লৈ হেকপাদি লোইরে। পিক্রবী সুপীমচাহুগী ফীগাও চোম্না লৈ হেকপিরবা মতমহুদা নিংথৌগী মপুক্লিংদা পূজা লোইরবগুম্না খল্লক্রে; চম্নবা থম্মোই অনি অসিগী সুংশিনবা মতৌ উবদা, অহুগা শেংলবা পুকচেল অসিগী মনিং থুংনা লৈ হেকপিখিবা অহুদা, মহাক্কী লাই-পূজা মতোল লোম্লবগুম্না নিংলক্রে।

অনিশুবা তাক্কক

অহুগী মতুংগী সুমিত্তগীদি মিপক থোকতুনা সুমিৎ থোরক্লবসু নিংথৌ অহু অয়ুক্নি খন্রে, পিক্লিবা মচিন মৌপাগী মশক উরগতা মহাক্কী অয়ুক ওই। সুমিৎ খুদিংগী মখোইগী লৈ হেকপিরবা তুংদা মহাক স্নান তৌই; মচিন মৌপা অনিনা হিদেন তাফমদা ফমহুনা মহাক্না ইরুজবহু য়েংই। মচিন মৌপাসিনা লাক্কবা অয়ুক্কুমদি মহাক্কী সন্ধ্যা-অহ্নিক মপুং ফাদবগুম্না থোকই।

হাসি অমসুং তাতাগী মপা মমা অমত্তা লৈত্রে। মখুড়া অমতং লৈ। মখুড়াগী মমিং কেদারেশ্বর কৌই। মচিন-মৌপা অনিসিজনা য়াগী পুক্লিংগী সুংঙাইজফম্নি অমসুং পাম্বৈনি।

চহি অমা হৌখ্রে। তাতা হৌজিক মন্দির হায়বা থোক্লে, অদুবু হৌজিক ফাওবা কড়াই হায়বদদি বলাই মহায়রি। মহাক ৱা থোইনা পাংঙাং-ঙাংদে। গোমতীগী তোর্ব্বান্দা নাগেশরগী উখাদা মখোং মখুৎ তিংথোক্লদুনা মচেনা হেক লিবিবা ৱারিদুমা মমিৎ-মনা তথক তথক্লা ঙক্লা তাদুনা অদুম্মক লৈ। ৱারিদুদি মরি মখোং করিমতা শন্নদে। অদুবু মহাক্না ক'রি মুংঙাইদুনা তাবিবা মদুদি মহাক্কুনা খংই; ৱাবি তানা-তানা উখাদুদা, মুমিৎকী মঙালদুদা, নিং-তম্নবা মুংশিং মরক্তুদা পিক্লবা নিপামচা অমগী পিক্লবা থম্মোইমুংদা ৱাফম কয়া শক্তম কযা ফাওবকপা মদুবু ঐখোইনা করম্না খংলুগনি। তাতাদি অতৈ মমান্নবশিংগা খক শান্নমিন্নদে, মচেগী মতুংদতা মমিগুম্না কোয়ইন ইন্নদুনা লৈ।

ইঙা থানি। অযুক্তগী হৌনা নোং কুঙনা মংলি। হৌজিক ফাওবদি নোং তাদ্রি, অদুবু অকনবা নোং-মুংশিং লাক্কদবগী মতৌদি উরক্লে। অবাপ্পা লমদগী নোংলিক পুরক্তুনা ইংলবা মুংশিং শিংকৎলক্লে। গোমতী তুরেলগী লাইজথক্তা অমসুং গোমতী তুরেলগী নাকল অনিমক্তী উমুংদা অমম্বা অতিয়াগী মমি তারি। ঙরাং অহিং অমাবস্যা থোকই, ঙরাং ভুবনেশ্বরীগী পূজা কৎখ্রে।

মতম চানা হাসি অমসুং তাতাগী মখুজেং পায়রদুনা নিংথৌনা ইরুক্তবা লাক্লে। ঈগী ঈচেল পরেং অম আঙৌবা মুংগী হিদেন তাফম সিড়ি থক্তুগী চেম্থখিদুনা ঈশিংদা অরোইবা ইতিনফম ওইরি। ঙরাং অহিং ইরোই চামগা অমথক বলি তৌখি, মদুগী ঈনি।

হাসিনা ঈগী পরেং অদু উবদা খংহৌদনা খংবোই-লাকপোই

হঙ্গোইনা হন্দোক্তুনা নিংথৌদা হংলকই, "মসিবু করিগী দাগনো, বাবা ?"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঈগীনি ইমা ।"

মহাক্না হায়রকই, "অস্থুক য়াম্বা ঈদি কৈদৌবদগীনো ?"

অস্থুক শাথীনা থম্মোই শোকখ্রবা খোনফমদা নুপীমচাহনা 'অস্থুক য়াম্বা ঈদি কৈদৌবদগীনো', হায়না হংলকই, মহু হেক তাবদা নিংথৌগী থম্মোয়নুংদা অতৎ অথম লৈতনা রাহং অহুত্তা হডুনা লৈখ্রে 'অস্থুক য়াম্বা ঈদি কৈদৌবদগীনো ।' মহাক খংহৌদনা কোকচাওবী কাখ্রে।

মতম যাম্না শাংনা চহি খুদিংগী ঈনা ঈখাং ওইনা চেনবা উরক্লবনি, অতবু পিক্লবী নুপীমচা অমগী রাহং তাবদা মহাক্কী মপুক্কি দা তত্তনা ফাওবক্লে 'অস্থুক য়াম্বা ঈদি কৈদৌবদগীনো ।' মহাক পাউথুম পিগনি হায়বা কাওখ্রে । রাখল অমদা লুপ্পা লুপ্পা ইরুজহনা রাহং অসিতা খনবা হৌবক্লে ।

হাসিনা ঈশিংদা মাগী ফীজি অহু লুপ্পুবগা সিড়িদা ফম্লহনা তপ্পা তপ্পা ঈগী পরেং অহু মুথৎপা হৌরকই, মহাক্কী মতৌ তম্লহনা পিক্লবা মখুং অনিহুনা তাতাস্থু মুথৎলকই । হাসিগী ফীজি অহু ঈনা পুমণ্ডাং ডাংখ্রে । নিংথৌনা ইরুজবা লোইরকপা মতমদদি মচিন মৌপ্পানা ঈগী মমি অহু মুথৎপা লোইরম্মে ।

অহুগী হুমিত্তা মমুমদা হনখ্রগা হাসিদি লাইহৌ কম্না হৌরে । তাতানা মনাক্তা ফম্লহনা পিক্লবা খুৎশা অনিনা মচেগী উইশিল্লিবা মিপাল অহু ফাকতোক্লবা কম্না হোৎনরহনা মরক মরক্তা কৌরি, "[illegible]।" মহুদা মচেহু থংবোই-লাকপোই হাইকেৎ মিকপ থোক্লকই।

"কল্পি হায়বগে তাতা" হায়রত্তুনা মহাকপু মনাক তাম্না চিংশিল্লি, অত্তুগা অমুক মমিং অত্তু তনউই-উইথখি। তাতানা মতম কুইনা তুমিন্না মচেগী মমাই অত্তু য়েংতুনা লৈ, রা মচেং অনতা ঙাংদে। মমৈথংদা কুইনা শাংনা লৈরবগী তুংদা তপ্না তপ্না মচেগী মঙকশমদা কোল্লতুনা মচেগী মচিনবান মযাদা মচিনবান অত্তু নকশিনজরত্তুনা শোন্থাংননা হায়রকই, "হচে, নংবু হৌগংলরোইদ্রা ?" হাসিনা থংপ্রেক খনা নিকপ থোক্তুনা তাতাবু মথান্থুদা চেংনা কোনশিল্লগা হায়রকই, "কবিগী হৌগংলোইদগে ইতাগী ইবুঙো !" অদুবু মচেদি হৌগংপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈত্রে। তাতাগী পিক্রবা থম্মোই অত্তু শুক্না মনশিল্লক্লে। তাতানা হুমিংতম্না অমা চেন-চোদুনা শান্নরগা হু ঙাইগনি থঞ্জরম্বত্তু মকু ফংনা মাঙখ্রে। অতিযা অত্তু শুক্না মগ্নি, য়ুনখক্তা অরেম্না লৈতনা নোং তারকপগী মখোল তারি, শুনাংদা হৌরিবা মঙ্গে পাম্বী নোংনা পুমচোৎ চোংখ্রে, লম্বী-লমখাদা মী চংত্রে। কেদারেশ্বরনা মাইবা অমা কৌকত্তুনা পুনক্লে। মাইবত্তুনা মিহুন পায়ত্তুনা ফীভম য়েংবদা ফগনি হায়বা উদ্রে।

মথংগী নুমিত্তা ইরুজবা লাকপদা নিংথৌনা উবে, মচিন মৌপা মন্দিরদা ফমত্তুনা মাবু ঙাইত্তুনা লৈরমদ্রে। মহাক্না খল্লি, নোং কন্না তাবনা মখোই লাকপা ঙম্মমদবা তাই। স্নান- তর্পণনচিংবা লোইরগা দোলাই তোংখত্তুনা দোলাইরেংশিংদা কেদারেশ্বরগী ময়ুম তান্না চংনবা য়াথং পিরক্লে। থৌগল-লাঙ্গল পুম্নমক্ত পুমঙক ঙরুখ্রে, অত্তুবু নিংথৌগী য়াথংনিনা ইন্দবদি ঙমদ্রে।

নিংথৌগী দোলাইনা শুমাং য়ৌরক্লবদা ইমুং অত্তু ইরাং লাংনরক্লে। লাংনবা অত্তুনা অনাবগী ফীভম ময়াম্মক কাওথোকখ্রে। মসিদা

গুরেং-লেংদবদি তাতাদনি, মহাক্তি জ্ঞান মাওলবী মচেগী মতম্বাক মন্নাদা ফম্লহুনা মচেগী ফীজিগী মতোন অমা য়ান্নুংদা উম্লহুনা তুমিন্না অহুম্বক লৈ ।

নিংথৌনা ইমুংদা চংঙকপহু উবদা তাতানা হংলকই, "করিনো তৌরিবসে ?"

চমন্নরবা নিংথৌ অহু করিমতা খুন্নক্তে । তাতানা মঙক হাইর-হাইরহুনা অমুকস্নু হংলকই, "ইচেসিবু শোক্লবরা ?"

মখুড়া কেদারেশ্বরনা হাইফেৎ মখোয়দৌ শাওগৎলহুনা খুন্নকই, "হোয়, শোক্লে ।"

মহু হেক তাবদা তাতানা মচেগী মনাক্তা চংশিন্দুনা মচেগী মমাই অহু থাঙ্গৎনবা হোৎনরগা মঙকশমদা কোল্লহুনা হংঙকই, "ইচে, নংনা শোক্লিববু কদাইদনো ?" মহাক্না খনজরিবদি, অশোকপা মকমহুদা ম্বরনা কামহুনা, খুৎনা নান্দুনা, মচেগী চৈনাখোল পুন্নমক কোকহনগে অসিনি । অহুবু মচেনদি পাউখুম অমতা পিরক্তবহুদা মহাক অমুক খাংবা ঙমশিল্লক্তরে — পিক্লবা মচিনবান অনিহু অন্নুম অন্নুম পোমথোরক্লে, ন্নারৌবগা লোইননা কপখৎলক্লে । ঙরাংদগী মনাক্তা ফম্লক্লিবনি, ন্না মচেৎ অমতা ঙাংক্রিবা করিগীনো ? তাতানা করি তৌরহুনা মাবু অম্বক য়াম্না মীরাইখ্রিবনো ? নিংথৌগী মমাংদা তাতানা চৎলিবা শাজহু, উবদা কেদারেশ্বর অহু খোইদৌ ন্নান্না শাওগৎলক্লে । মহাক খোইরাং-খোইশাওনরক্তুনা তাতাগী মখুজেং লাক্তুনা চিংজগা অতোপ্পা কা অমদা পুখ্রে । অহু ফাওবদা মচেদি ন্না অমতা ঙাংখিদ্রে ।

কোন্নুংগী মাইবা লাক্তুনা য়েংবদা ফীজম ফত্রে হান্নরম্মে । নিংথৌনা য়াঙ্গুম্বা মতমদা অমুক হন্না হাসিবু য়োবা লাক্কই । মতম

অতুদা মুপীমচাতুদি চোইরোল লোনখৎলক্লে। মহাক্না হায়রকই, "ইমাইপেম্মা, অসুক য়াম্বা ঈদি কৈদৌবদগীনো!"

নিংথৌনা হায়রকই, "ইমা, ঈগী ইচেল অসি ঐহাক থিংলগনি।"

মুপীমচাতুনা হায়রকই, "লাও ইচেগী তাতা, ঐখোয় অনি চংতুনা ঈ অসি তৈথোকসি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "লাকও ইমা, ঐসু য়াওনা তৈথোক্কে।"

য়াচংবা মতুং অতুরাইদা হাসি অতু মমিৎ অমুক্তং পাংথোক্লকই। অমুক্তং মাইকৈ মরি কোয়না য়েংতুনা কনাগুম্বা অমা থিরকপগুম তৌই। মতম অতুদা তাতাদি অতোপ্পা কা অমদা কপ্পা কপ্পা তুমথখ্রে। মহাক্না থিরকপতু উদবগুম তৌরতুনা হাসিগী মমিত্তু উইশিনখ্রে। অমুক হন্না পাংথোক্লক্ত্রে। অহিং য়ুথক অনি য়োরকপদা নিংথৌগী মতম্বাক্তা হাসি অরোয়বা য়াহিপ তানখ্রে।

হাসিবু মতম কুইনগী দমক খাংপোকশওতুদগী পুতুনা চৎখিবা মতমতুদা তাতাদি জ্ঞান য়াওদনা তূমতুনা লৈরি। মহাক খংলম্বা থোক্লবদি মাসু মচেগা লোয়ন-লোয়ননা পিক্লবা মমি অতুগুম্না চৎখিরম্বা য়াই।

অহমগুবা তান্নক

নিংথৌগী সভা ফম্লি। ভুবনেশ্বরী দেবী মন্দিরগী পুরোহিতনা থবক অমগী দমক নিংথৌ উনবা লাকই।

পুরোহিতকী মমিং রঘুপতি কৌই। লৈবাক অসিদা পুরোহিতপু চোন্তাই হায়না কৌনৈ। ভুবনেশ্বরী দেবীগী পূজা তৌথিবা মতুং হুমিৎ তরামরিনি কোন্থরগা থেংলবা অহিংদা চতুর্দ্দশ দেবতাগী পূজা অমা তৌই। পূজা অসি তৌরিঙৈদা মুংখিল অমগা অহিং অনিগা কনামতা ইমুংদগী মপাল থোকপা যাদে, নিংথৌস্থু অহমগাই। নিংথৌনা চৎথোকউবা থোক্লরদি, চোন্তাইদা মহাক শেল য়াকোংগদবনি। অম্মা হায়নবা অমা লৈ, পূজাগী অহিং অসিদা মন্দিরদা মী বলি তৌই। পূজা অসিগী দমক ইহান হান্না বলি তৌবা শাশিং অতু কোন্নুংদগী কৎপা ওইনা তৌনৈ। বলিগী শা অসি লৌননবগী দমক চোন্তাইনা নিংথৌ উনবা লাক্লিবনি। পূজা তৌগদবা হুমিৎ তরানিথোইনি য়াংলি।

নিংথৌনা হায়বকই, "কুমশিদগী হৌনা মন্দিরদা জীববলি অমুক তৌররোই।"

সভাগী মীপুম্বা ইঙক ঙক্লখ্রে। নিংথৌগী মনাও-ইবুঙো নক্ষত্ররায়দি মশম ফাওবা চপ চপ য়ুংখ্রে।

চোন্তাই রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐনা তারিবসিবু মঙলা!"

নিংথৌনা হায়রকই, "মঙ নত্তে ঠাকুর, অমুক কুইবসি ঐখোই অমা [illegible], ঙসিদি মিকপ থোক্লবনি। মুপীমচা অমগী শক্তম

লৌহুনা ইমানা ঐবু উহুনবিরে। মহাক্না তাকপিরম্মি, সুপি-চাওবী মমানবু মচাশিংগী ঈ য়েংবা ওম্বা হৌনজে।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "অহুদি ইমানা অসুক কুইবা জীবগী ঈ থক্লক্লিবসিদি করি মরমদগীনো ?"

নিংথৌনা হাযবকই, "নত্তে, থক থক্তে। নথোইনা ঈ তাহনবা মতমদা মহাক্তি মাই ওম্থোক্তুনা লৈ।"

রঘুপতিনা হাযবকই, "মহাবাজ, লৈবাক ওাকপগী থবক্তদি য়াম্না নিংথিজনা খবি হাযবদা চিনফম লৈতে, অহুগা পূজাগী মবমদদি করিমতা থংবিফম থোক্তে। দেবীনা হিরম অমতং হেক পেনবিদবদা ইহান হান্না খগদবসি ঐনি।"

নক্ষত্রবাযনা যাম্না শিংলবা মীগী মতৌগুম্না মঙক ৎাইবহুনা হাযবকই, "হেই, হায়বিবসি অচুম্বনি। দেবীনা হেক পেনবিদবা য়াওবদা ঠাকুর মহাশযনা হান্না হেক্তমক থংবিরিবনি।"

নিংথৌনা হাযবকই, 'থম্মোই কনশিনখ্রবা মীহুদি দেবীগী বা তাবা থক ফংদে।"

নক্ষত্ররায়না পুরোহিত লোমদা য়েংলকই— মহুগী ভাবক্তি, হায়রিবা রাসিগী পাওখুম অমা পিবা চুম্মি অসিনি।

রঘুপতিনা মৈ-থোক্না শাওরহুনা হায়রকই, "মহারাজ, নরাযন অহু পাষণ্ড নাস্তিক তৌনা তাকপিরে।"

নক্ষত্রবাযনা পিক্না খোম্থাং য়ৈবগুম হায়রকই, "হোই, নাস্তিক তৌনা তাকপিরে।"

গোবিন্দমাণিক্যনা মমাংই ওাংলবা পুরোহিতকী মাইথোংদা

য়েংলগা হায়রকই, "ঠাকুর, রাজসভাদা ফমদোক্তুনা অয়েৎদা মতম মাওহনবিরে। মন্দিরগী থবক হৌখিগদৌয়ে, মন্দিরদা লেংলো। লেংখিবা মতমদা লম্বীদা থরা লাওথোকপিরম্মু, ঐগী লৈপাক্তা কনাগুম্বা মীনা লাইগী মফমদা জীব বলি কংপা থোক্লবদি মহাকপু লৈপাক্তগী তাম্থোকনি হায়না।"

মতু তাবদা রঘুপতিনা মশা থক থক নিঙ্গা হৌগৎলক্তুনা লুগুন পায়রতুনা হায়রকই, "অতুদি নহাক তুম্না মাওবা ওইরো।" খুদক্তুদা মাইকৈ মরিমক্তগী ইয়াঃ ইয়াঃ হায়রতুনা অভম-অথৌপুম্বা পুরোহিত তম্না ফুজিল্লক্রে। নিংথৌনা ইঙ্গিত তৌতুনা ময়ামতুবু থাক্রে, ময়াম্মক হন্দোক্লখ্রে। রঘুপতিনা হায়রকই, "নহাক নিংথৌনি, নহাক্না পাম্লবদি প্রজাগী অরৈবাপুম্বা নমতুনা লৌবা য়াই, মতু ভক্সি হায়তুনা ইমাগী বলি ফাওবা নমতুনা মুল্লগেরা! য়েংসি! নতিক কয়া লৈবা! ইম'গী মনাই রঘুপতি ঐ লৈরিভৈদা নংনা করম্না পুজা থিংবগে হায়বতু য়েংগে।"

মন্ত্রী অতু নিংথৌগী মরমচৎ য়াম্না নিংথিজনা খংবা মীনি। মহাক্না খংই, লেপখিবা রাখলদগী নিংথৌবু পাক হেক হোংহনবা হায়বসি অক্নবা থবক্নি। মহাক্না তপ্না তপ্না কিনা হায়রকই, "মহারাজ, মহারাজগী নোংমাগ্রবা নবুথৌশিংগী হাক্তগী করিমতা কায়দনা দেবীদা বলি কংপা হায়বসি চৎনরক্লবনি। কৈদৌনুংদা নোংমতা ফাওবা চৎনবীতু কায়-হৎনবা বনি।"

মন্ত্রী না মখা তাত্রে। নিংথৌম্ তুমিম্না লৈখ্রে। মন্ত্রীনা অমুক হায়রকই, "ভসি মতম অমুক কুইরবগী তুলা ইপা ঈশুনা নিংথৎলবা

থাৱনগী পূজা অসি থিংবিবদা তারবদি লাইরৈবাক্তা মখোয়গী মথৱায়দা মুংঙায়তবা পোক্লগনি।"

মহারাজ অদু রাখল তৌবা হৌরকই। নক্ষত্ররায়না অথং-অহৈ শারদুনা হায়রকই, "হোই, লাইরৈবাক্তা মখোই মুংঙাইতবা পোক্লগনি।"

মন্ত্রীনা অমুকন্থ হায়রকই, "মহারাজ, থবক অমা তৌবিরো, লিশিং অমা বলি তৌবা মফমদুদা চামতমক বলি তৌনবা তাকপিরো।"

অঙম অথৌশিং অদু বক্র তাবগুম্না পুমঙক ঙরা লৈনখ্রে, গোবিন্দ-মাণিক্যন্থ ভুমিন্না ফম্নদুনা রাখল তৌরি। শাওবনা পাথংলবা পুরোহিত অদু অমুক ফাথবা ঙম্নক্ত্রুনা সভা অদুদগী চংলগে হায়দুনা হোগংলক্রে।

তাজা অসিমক্তদা থোঙশঙবাশিংগী মথুক্তগী করম হায়নবু নাঙ্গো-রকপনো মফী মরোল য়াঙদনা ইকোককোক্লা পিক্রবা নিপামচা অমথক সভা অদুদা চংলক্রে। রাজসভাগী ময়াই চবুকমক্তদা লেপ্লদুনা নিংথৌরোমদা কোইরাওনবা মমিংনা লাওনা য়েংখংলগা হংলকই, "ইচে কদাইদা লৈ?"

অদুক চাওরবা রাজসভাদু ইথং থংহৌদনা চেকমোক লাও[illegible]। শাংলবা য়ুমশাং অদুদা অঙাং পিশক অমগী থোঙ্গেলনা থোম্বাং য়ৈদুনা ঙংদুনা লৈবতা মঙাইরে, "ইচে কদাইদা লৈ?"

খুদক্তুমক্তদা নিংথৌনা সিংহাসনদগী কুমথরক্তুনা নিপামচাদুগী পম্থংলগা হক্লবা থোনফমনা মন্ত্রাদা হায়রকই, "ঙসিদগী হৌনা ঐগী লৈবাক্তা বলি তৌবা য়াররোই। মথা তাবা য়া অমুক [illegible]।"

মল্লানা হায়রকই, "নয়াথং ইল্লরে।"
তাতানা নিংথৌদা হংলকই, "ঐগী ইচেদি কদাই।"
নিংথৌনা হায়রকই, "ইমাগী মনাক্তা লৈ।"

তাতাহু মতম ফনা শাংনা মচিন্দা খুদোনবী চুপ্রতুনা তুমিল্লা লৈল্লে, মফম অমা খংবগুম মাগী মপুক্লিংদা নিংলক্কে। ঙসিদগী নিংথৌনা তাতাবু মাগী মনাক্তা থম্মে। মখুড়া কেদারেশ্বরস্থ কোম্বুংদা লৈজবা ফংলে।

অঙম অথৌশিং অহু মখোই মশেল চিবোন চিবোন ঙাংনরক্লে, "মসিদি মগকী লৈবাক্তা তারেদনা। ঐখোইনা খংবদি বৌদ্ধ মগশিংতনা জীব হাৎতবনি, অদুবু মমৈথংদা ঐখোই হিন্দুগী লৈপাক্তস্থ নিয়ম অহু চৎনবদা তারক্লবরা!"

নক্ষত্ররায়স্থ মখোয়গী রাহুদা মপুং ফানা য়ানিংবা উৎলহুনা হায়রকই, "হোই, মমৈথংদা হিন্দুশিংগী লৈপাক্তস্থ নিয়ম অহু চৎনবদা তারক্লবোইদনা!"

ময়াম্মকনা খন্নরকই, লৈখা তাবগী মরমদা মসিদগী হেন্না শাস্তিবু ফরি অমুক লৈরি! মগকা হিন্দুগা খেন্নবা করিবু লৈরিবগে!

মরিগুবা তাক্কক

ভুবনেশ্বরী দেবী মন্দিরগী মনাই ওইরিবা জয়সিংহ হায়বসি জাতনা রাজপুতনি, ক্ষত্রিনি। মহাকপু পোকপা সুচেতসিংহ হায়বহু

ত্রিপুরা কোম্নুংগী লিরবা মনাইনি। সুচেত সিংহনা লৈখিদবা মতমদা জয়সিংহদি য়াম্না পিক্লি। মপী-মপা লৈত্রবা অঙাংসিবু নিংথৌনা মন্দিরগী থবক ইংখাং শুনবা থম্বিরম্মি। জয়সিংহবু মন্দিরগী পুরোহিত রঘুপতিনা য়োকপিখি অমসুং মহৈ-মশিংনচিংবা তম্বিখি। পিক্লিঙৈ মতমদগী মন্দিরদা অহুম চাওরক্লবনা জয়সিংহনা মন্দিরবু মমুমগুম্না মুংশিখি; মন্দিরগী সিড়ি খুদিং, মুংপাক খুদিং মহাক্কা মুন্না শকথংনরবনি। মহাক্কী মমাসু লৈত্রে, ভুবনেশ্বরী মূর্ত্তিবু মানা মমাগুম্না নিংই। মূর্ত্তিদুগী মাংদা ফম্লতুনা মানা রা কয়া ঙাংই, মথন্তনি হায়বগী রাখল থক পোকলুদে। মাগী মকুপ অতৈ খরসু লৈ। মন্দিরগী লৈকোলদুগী উপাল অয়াম্বা মহাক মখুৎমক্তা হিংনবা হোৎনখিবনি— মাগী ইকোয় কোয়বদা নিতিগী মাগী উপালশিং অদু শারেপ তানখৎলক্লি, উরিশিং অদু মরী চৎখৎলক্লি, উশাদা লৈ শাৎলক্লি, উরুম লাংবা হেল্লক্লি, শংবান্নরবা উরিগী উনা চবুন চবুন্না মথোক-কারকপগী ময়াই কাবগা লোয়ননা নিকুঞ্জ শীন্না শন্দোক্লক্লি। অদুবু জয়সিংহগী অসিগুম্বা থম্মোইমুংগী রাফম মুংশি-চাওবগী রারম অসিদি কনানসু থোইনা খংবিদে; মপাঙ্গল কনবা অমসুং মথৌনা লৈবগী দমক্তা মাবু ময়াম্না শকথংনৈ।

মন্দিরগী থবক-ইংখাং নোম্বা লোইরদুনা জয়সিংহনা মাগী খাংপোক্কী থোংজিন্দা ফমদুনা লৈ। মমাংদনা মন্দিরগী লৈকোল লৈরি। মুমিৎ চায়শিল্লক্লে। শাখীনা শুক্লা মংলদুনা নোংমু ভারি। অহানবা ইপালথাগী ঈশিংদা জয়সিংহগী উপালশিং অদু ইরুজথোক্লি, নোংলিক্কী জগোইনা উনা খুদিং মথুম-মরাং হৌরি, ইপাল থাগী পিক্ল-পিক্লবা ইচেন চাম-চামনা পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্নদুনা জোল্লো-জোল্লো

হায়বা খোঙ্থাংগা লোয়ননা গোমতী তুরেলদা তিনখি— জয়সিংহনা মপুক্কিং য়াম্না হুংঙাইনা মাগী লৈকোললোমদা য়েংলহুনা তুমিন্না ফম্নি। মাইকৈ মরিদা নোংগী তবারবা অমম্বা, উমং-য়ামংগী মমি, কুণ্ডলবা উনাগী শংবান্নরবা শক্তম, হঙোইগী মখে-লাংবা খোঙ্থাং, নোংগী লেগুবা জিরি জিরি হায়বা মখোল— অসিনচিংবা লৈকোলমুংদা থোক্লিবা অহানবা ইপালথাগী কুম্মৈ ময়াম অসি উবদা মহাক্কী মপুক্কিং অহু পুমপেন-পেনখিরম্মি।

চোৎনা চোৎনা রঘুপতি লাক্কুনা থুংলরে। জয়সিংহনা তফিং তফিং হৌগত্তুনা খোং চামথোক্লুবা ইশিং অমম্বুং অকংবা ফী পুথোরক্কুনা লানশিল্লরে।

রঘুপতিনা মখোইদৌ শাওগৎনা হায়রকই, "নঙোন্দা ফী পুরকউ হায়রহুনা কনানা হায়!" অসি হায়রহুনা ফীশিং অহু লৌরগা ইমুংদা লংশিনখ্রে।

জয়সিংহনা খোং চামথোক্লুবা ইশিং পুরহুনা চংশিল্লকই। রঘুপতিনা খোইশাওনবা খোঙ্থাংদা হায়রকই, "চৎলো চৎলো, ইশিংহু পুথোকখো।" অসি হায়রহুনা মখোংনা ইশিং চফু অহু কাওথুরে।

জয়সিংহদি খংহৌদনা চৎলকইবা শাজৎ অহুগী মরম হেক খবরদি ওনম্রহুনা ইওক ঙকখ্রে— ফী অহু লৈবাক্কগী হৌখৎলগা মকম চানা থমগে তৌরকই, মহুদম্ব রঘুপতিনা শাওনা হায়রকই, "ঙাইখো থমখো, ফী অহু শোকউহু!" অসি হায়রহুনা মশানা ফী লৌরগা ক্লোমলোকলুরে। ইশিং লৌহুনা মখোং চামথোক্রে।

জয়সিংহনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "প্রভু, নন্নাই ঐবু করিগুম্বা ইবাক নওবশিনা লৈরব্রা?"

রঘুপতিনা খোল য়াক্লগা হায়রকই, “নহাক নমাল লৈ হারবদি কনানা হায়রিবা ?”

জয়সিংহহ মথরাই সুংঙাইতনা তুমিন্না ফমহনা লৈরে ।

রঘুপতিনা মপুক্লিং লাংতক্লনা থাংপোকশঙগী মাঙোলদা হঙ্গৎ-হন্দা চত্তুনা লৈরক্লে । অসুম্না অহিং অহু ফনা য়াম্না থেঙজিল্লক্লে ; নোংদি অতৎ অথম লৈতনা তারি । কাইনথংদা রঘুপতিনা জয়সিংহগী মনক্কগন্দা মথুৎনা নাল্লহনা অমেংবা খোনথোক্লা হায়রকই, “নিপামচা, তুমজক্লরো চংলো, অহিং অসি য়াম্না থেঙলে ।”

জয়সিংহনা রঘুপতিগী মুংশি রাঙাং অহু তাবদা মথর'ই হল্লাওরহনা হায়রকই, “প্রভু হাম্না চেপ্নিক্লরো, অহুদগী ঐস্থ তুমজক্লগে ।”

রঘুপতিনা হায়রকই, “ঐদি রাংলি । য়েংউ নিপামচা, নঙোন্দা ঙসি ঐহাক হৌনদবা শাজৎ থরা চংখ্রে, মহ নপুক্লিংদা রাজৌবা তৌগনু । ঐহাক্লা থরাই কযা সুংঙাইতবদগী থোকখ্রিবনি । রারি রাখোং পুম্বা ঐহাক হয়েং নোংঙাল্লগা নঙোন্দা তমগে । ঙসিদি নং ভুম্মুরো ।”

জয়সিংহনা হায়রকই, “য়াম্না ফনি ঐজা !” অসি হায়রহনা তুম্বা চংখ্রে । রঘুপতিদি অহিং-নোংশোইবা কোইচং চত্তুনা লৈরে ।

নোংঙাল্লকপদা জয়সিংহনা গুরুবু খুরুম্মগা মনাক্তা লেপ্তুনা লৈরে । রঘুপতিনা হায়রকই, “জয়সিং, ইমাগী বলি থিংখ্রে ।” জয়সিংহনা ঙক্লহনা হায়রকই, “করিনো ভাকপিরিবা রাহবো, প্রভু !”

রঘুপতি । নিংথৌনা তৌজবা রাথংনি ।

জয়সিংহ । করবা নিংথৌনা ?

রঘুপতিনা খোইশাওননা হায়রকই, "লৈপাকসিদবু নিংথৌ কয়া শুনা পাল্লিবগে ? মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যনা য়াথং তৌরে, মন্দিরদা জীব অমুক বলি তৌবা য়াররোই হায়না।"

জয়সিংহ। মী বলিবুরা ?

রঘুপতি। আঃ, ওল্লোকপনিদা ! ঐনা হায়রিবনা জীব বলিবুনি অদুদা নংনা মী বলি ওইনা লৌরে।

জয়সিংহ। করিগুম্বা জীব অমতা বলি তৌবা য়াররোইদবা ?

রঘুপতি। য়াররোই।

জয়সিংহ। মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যনা য়াথং অসিমক তৌরবা ?

রঘুপতি। হোয়নে, রা অমতদা কয়াবক হন্না হায়ৎিগদগে।

জয়সিংহদু ফনা কুইনা রা অমতা ভাংখিদ্রে, মথন্তা মপুক্লিংদা শোঞ্জরক্লে 'মহারাজ গোবিন্দমাণিক্য'। গোবিন্দমাণিক্যবু জয়সিংহনা পিক্লিভৈদগী লাইমক্লি হায়না খঞ্জবকই। অতিয়াগী পূর্ণিমা থাজবু অঙাংশিংনা মপুক্লিংদা খোইদাজবগুম, গোবিন্দমাণিক্যগী মফমদা জয়-সিংহগী পুকচেনসু খোইদাজে। গোবিন্দমাণিক্যগী মকা ফল্লবা ফজরবা মাইথোং উবদা জয়সিংহনা কৈদৌমুংদা মথন্নাই কংখাকপগী হালেংবা পোক্তে ;

রঘুপতিনা হায়রকই, "মসি কারুবা লদী অমদি থিবা তাইদনা ?"

জয়সিংহনা হায়রকই, "থিফম থোকই। ঐ মহারাজগী মফমদা চংলগে, মঙোন্দা নোল্লুক্না হঙ্গচ্চগে—"

রঘুপতি। মদোমদা হোৎনবনদি কায়রয়োই।

জয়সিংহ। অদুদি করি তৌবা তারি ?

রঘুপতিনা ওহাক থল্লগা হায়রকই, "মন্থ হয়েং হায়গে। নহাক হয়েং অয়ুক কুমার নক্ষত্ররায়গী মনাক্তা চৎলগা ঐহাক্না অমুক্তা চিন্না উননিংই হায়রুচো।"

মঙাশুবা তাঙ্কক

নোংভাল্লকপদা নক্ষত্ররায় লাক্লগা রঘুপত্তিবু খুরুম্মত্তুনা হংলৈ, "ঠাকুর, করিগুম্বা তাকপিগদবা লৈব্রা?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "নঙোন্দা ইমানা তাকপিবা য়াথং লৈ। অহানবদা ইমাবু খুরুম্মুখিসি চৎলো।"

মবানিমক মন্দির তান্না লাক্লে। জয়সিংহসু মখোয়গী মতুং ইল্লকই। নক্ষত্ররায়না ভুবনেশ্বরী মূর্ত্তিগী মমাংদা দণ্ডবৎ তৌনা খুরুম্লে।

রঘুপতিনা নক্ষত্ররায়দা হায়রকই, "কুমার, নং নিংথৌ ওইবা তারে।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "ঐবু নিংথৌ ওইরগদবা! ঠাকুরমশায়দি চোইরোল ভাক্তা লোনবিরেদনা।" অসি হায়রত্তুনা নক্ষত্ররায় অত্থু পংনোক্তা নোকপা হৌরক্লে।

- রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐনা হায়রিবসিনি, নহাক নিংথৌ ওইরগদবনি।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "অমুকসু হন্না ঠাকুরনা তাকপিরকা ঐন্না

নিংথৌ ওইরগনি হায়না!" অসি হায়রগা রঘুপতিনা মাইথোং তমা লেংহুনা লৈরে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐনবু ওইদবা রা ভাংগত্রা?"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "ঠাকুরনবু ওইদবা রা ভাংবা! মহুদি কৈদগী? য়েংবিয়ু ঠাকুরমশায়, ঐ ওরাং মণ্ডদা হণ্ডোই উই। হণ্ডোইগী মণ্ড মণ্ডলবদি করি করম তৌই অমুক্তা তাকপিয়ু।"

রঘুপতিনা নোকপা থিংলহুনা হায়রকই, "করম্বা মণ্ডংগী হণ্ডোইনো হায় তাসি। মকোক্তা খুদমকা লৈ-লাকপ্রা?"

নক্ষত্ররায়না ফল্লহুনা হায়বকই, "মকোক্তা খুদম নিংথিনা লৈ। খুদম য়াওদ্রবদি কদাইদগী।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "অওইবরা! অহুদি শোইদ্রে নহাক রাজটিকানা লৈতেংলবা তাবে।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "অহুদি ঐহাক রাজটিকানা লৈতেংলবা তারে। ঠাকুরনা তাকপিরে, ঐহাক রাজটিকানা লৈতেংলবা তারে। অহুবু করিগুম্বা শোয়বা থোক্লবদি?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐনা হায়বা রাবু শোইগদবা! করিনো নংনা হায়রিবদো!"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "নত্তে নত্তে, ঐনা হায়জরিবদি ঠাকুরনদি তাকপিরে, ঐহাক রাজটিকানা লৈতেংলগনি, অহুবু মখনবিয়ু করিগুম্বা শোয়বা থোক্লবদি। লাইগী মোংদগী করিগুম্বা অহুবা অমা—"

রঘুপতিনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে, হায়রিবসি হুকশোই শোইদ্র-[illegible]।"

নক্ষত্ররায়। হায়রিবসি শোইররোইদরা! ঠাকুরনা মুকশোই শোইররোই তাকপিরবা! অদুদি য়েংবিয় ঠাকুরমশায়, ঐনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা ঠাকুরবু মন্ত্রী হাপকনি।

রঘুপতি। মন্ত্রী ওইবকা ঐদি সুকপাম পামদে।

নক্ষত্ররায়না পুকচেল চাওবগী মওংদা হায়রকই, "ফরে অদুদি, জয়সিংহবু মন্ত্রী হাপকে।"

রঘুপতিনা হায়রকই. "মদুদি থোকপা থোকপা লাকনি। নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মমাংদা করি তৌগদগে হায়বদুদুম হান্না তাখো। ইমানা নিংথৌগী ঈ পাম্মি, মওদা ঐঙোন্দা য়াথ সি তাকপিরম্মবনি।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই. "ইমানা নিংথৌগী ঈ পাম্মি হায়না মওদা ঠাকুরদা তাকপিরম্লবা! অদুদি অফবা রানিনা!"

রঘুপতিনা হায়রকই, "নহাক গোবিন্দমাণিক্যগী ঈ পুরকপা তাই।"

নক্ষত্ররায়দু ওহাক চংওক্লনা লৈরে। হায়রিবা রাফমসিমদি অদুক য়াম্না 'অফবনি' হায়না মহাক খল্লে।

রঘুপতিনা য়াক্লবা খোল্লাংদা হায়রকই, "খংহৌদনা নয়াম্বা মুংশিবগী রাখল অমা খংপোক পোক্লক্লবরা!"

নক্ষত্ররায়না কংনোক নোক্লদুনা হায়রকই, "হাঃ হাঃ হাঃ, ইয়াম্বা মুংশিবা! ঠাকুর মশায়না কদাইদগীনো তাকপিরক্লি, ইয়াম্বা মুংশিবা!"

অমুক মুংঙাইবা, অমুক নোক্লিংবা রাদি লৈথিত্রে। ইয়াম্বা মুংশিবা! করাদা ইকাইফম থোকত্রবা রানো! অদুবু অন্তর্যামীভগবানদি খংবি, নক্ষত্ররায়গী থম্মোইমুংদাদি ময়াম্ববু মুংশিবা কাওরক্রে, নোকশিনদুনা মদু কোক হেক মাওহনখিবা য়াবা পোত্তি নত্রে।

রঘুপতিনা হায়রকই, “অদুদি করি তৌগনি হায়রো ।”

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, “করি তৌজোগে তাকপিয়ু ।”

রঘুপতি । ঐনা হায়রিবসি চংখোন্না তাও । নহাক গোবিন্দ-মাণিক্যগী ঈ ইমাদা কৎনবা পুরক্কদবনি ।

নক্ষত্ররায়না মন্ত্র শোনবগুম্না হায়রকই, “গোবিন্দমাণিক্যগী ঈ ইমাদা কৎনবা পুরক্কদবনি ।”

রঘুপতিনা য়াম্না তুক্কচবগা লোইননা হায়রকই, “কান্নদে, নং মী শুইগদবা মী নত্তে ।”

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, “করিগী ওইদদগে ? তাকপিবা অদুম্মক পাংথোক্কচগনি । ঠাকুরনবু য়াথং পিনবিরব্রা ?”

রঘুপতি । হোই, ঐনা য়াথং পিরবনি ।

নক্ষত্ররায় । করি য়াথং পিনবিরবা ?

রঘুপতিনা খোইরাং-খোইশা ওনরক্তুনা হায়রকই, “ইমানা পাম্মি, নিংথৌগী ঈ মিৎয়েং তাবিবা । নহাক গোবিন্দমাণিক্যগী ঈ উহন্দুনা মাগী অপাম্বদু থুংহনগদবনি, মসিনি ঐগী য়াথং ।”

নক্ষত্ররায় । ঐ ওসিমক চত্তুনা ফত্তেথাঁবু থবক অসি পাংথোক্নবা [illegible]গে ।

রঘুপতি । নত্তে নত্তে, মী অতৈ কনামতবু মসিগী নাশোল অমা [illegible] থংহনবা য়াদে । জয়সিংহদং নংগী নত্তেং পাংহনগনি । হয়েং [illegible] লাকউ, করম তৌরগা থবকসি পাংথোক্কদগে হায়বদু [illegible]

নক্ষত্ররায় অহু উটিম্না রঘুপতিগী মখুত্তগী নাম্বোকচহুনা হিংজরে। ভমজবমথৈ য়াংনা মপালদা থোকপ্রে।

তরুকশুবা তাঙ্কক

নক্ষত্ররায়না চৎখ্রবা তুংদা জয়সিংহনা হায়রকই, "গুরুদেব, অস্নক কিবা রাদি অমুক্তস্ন তাখিদ্রি। নহাক্না ইমাগী মমাংমক্তদা ইমাগী মিং পন্দুনা মনাওবু ময়াম্বা হাৎননবা ইনশিনবিরে, অহুগা ঐনা অস্নক লেপ্পুনা রাহু তাবদা তাপ্রবনি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "অতৈ করি উপায়দি লৈরি হায়ু।"

জয়সিংহনা হায়রকই, "উপায়! করিগী উপায়!"

রঘুপতি। নংস্ন নক্ষত্ররায়গা অন্না ওইরেদনা। ভসাইমথৈ করি তাহুনা লৈ?

জয়সিংহ। তাখিবহুদি তাবা য়াবা রাক্ম নত্তে, তাবদা পাপকী মশক্লি।

রঘুপতি। পাপপুণ্যগী মরমদা নং করি খংলদনা!

জয়সিংহ! অস্নক কুইনা নংগী ননাক্তা ইহৈ-ইশিং তমজরক্লে, অহুগা পাপপুণ্য মশক খংলরোইদবা!

রঘুপতি। অহুদি তাও নিপামচা, নঙোন্দা অতোপ্পা অমগা তম্বিগে। পাপপুণ্য হায়বা অমুক করিমতা লৈতে। কনানা ইপানো.

কনানা ইচিন-ইনাওনো, কনানা কনানো। হাৎপা হায়বসি পাপ ওইরবদি অহাৎপগী থবক পুম্নমক চপ মান্নে। অদুবু কনানা হাৎপবু পাপনি হায়নরবগে ? হাৎপা হায়বসিদি মুমিং খুদিংগী তৌরি। কনানা মকোক্তা মুংতুম অমা তারক্কুনা শিরি, কনানা ঈশিং ইচাওদা তাওথখিদুনা শিরি, কনানা অনাবা অচৌবা লাকপদা শিরি, কনানা মী অমনা ছুরিনা থিন্দুনা শিরি। ককচেং কয়া মুমিং খুদিংগী ঐখোইনা খোংনা নৈহত্তুনা চৎলি, ঐখোয়না মখোয়দগী করিদা হেল্লি। অসিগুম্বা পিক্লবা জীবশিংগীদি চংবা-শিবা হায়বসি শান্নবগুম্বনি, মহাশক্তিগী মায়া নত্তুনা অতৈ করিসু নত্তে। কালগী মশক ওইরবী মহামায়াগী মফমদা মুমিং খুদিংগী অসিগুম্বা মথরাই পানবা কোটি কয়া কয়াবু বলি কৎনরি— জগতকী মাইকৈ মরিদগী জীবগী ঈগী ঈচেলনা মহাকী চাওরবা ঈ-য়ানবা-পাত্রদুংদা তত্তনা চেনশিন্নরি— ঐনা ঈচেল অদুদা মরিক অমতং অদুক হাপচিল্লুবতনি। মহাকী বলিদি মহাক মশানা মতম চানা চানা অদুম্মক লৌশিনজবনি, ঐনা মরক্তা লৈদুনা থৌরম অদুক শীঙ্গরুবতনি।

মদু তাবদা জয়সিংহনা মূর্ত্তি লৈরিবা অদোমদা ওনশিল্লদুনা হায়রকই, "অসিগী দমক্তা নংবু ময়াম্মক্তা ইমা কৌনরিব্রা, ইমা ! নং অসি অম্নক য়ায়া থম্মোই কনখ্রবা ! হিংচাবী, জগৎ পুম্বগী ঈ অসি চিংশিল্লগা নবুক অদু থল্লনবগী দমক নংনা ভাংলবা নরৈ অদু শাংনা তিংখোক্লিব্রা ? মুংশিবা পাম্মুবা থৌজাল ফজবা ধর্ম্ম পুম্নমকসি মীনম্বা তারবা, অত্তগা অচুম্বনা নংগী পল্লেপফম লৈত্রবা ঈ থৌরাংবা অসিতনা ওইরবা ! নংগী নবুক থল্লনবগী দমক মীমা মীগী মখৌরিদা ছুরিনা [illegible] তারবা, [illegible] মসাও হাৎনবা তায়রবা, মপা মচা থাংনা [illegible]

তারবা ! তমথিবী, মসিমক নাগী অপাম্বা ওইরবদি করিগী মৌংনা ঈ ওইনা চুথরক্তি্রবনো ! থৌজালগী মশক ওইরবী ভুরেলনা ঈগী ইচেল পুন্থনা ঈগী সমুদ্রদা তাদ্রিবা করিগীনো ! নত্তে নত্তে ইমা, নং অমুক্তা শেংনা ফোংনা হায়—তম্বিরিবসিমু অরেম্বনি, শাস্ত্রসু অরেম্বনি— ঐগী ইমাবু ইমা কৌনদ্রে, মচাগী ঈ থক্লিংবী হিংচাবীনি হায়নরে, মসি ঐ তাহুনা লৈবা ওম্মোই ।”

জয়সিংহগী মমিত্তা পিগী ইরা মরি মরি শিন্থরক্লে— মহাক মশাগী রা মশা মথন্তা খন্থজরক্লে । মমাংঙৈদদি অসুক য়াম্বা রাফম মহাক কৈদৌন্নংদা খল্লুদে, রঘুপতিনা মঙোন্দা অনৌনা শাস্ত্র অমা অমুক তমথবিরমত্রবদি মহাক কৈদৌনুংদা অসুক য়াম্বা রাখলসি পোক্লম্মোইদবনি ।

রঘুপতিনা মোমোন তৌরহুনা হায়রকই, “অহু ওইরবদি বলি কংপগী থবকসি পুমমুৎ মুথৎপদা তাবেদনা ।”

জয়সিংহদি পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা মুমিৎ খুদিংগী বলি কংপসি উহুনা লাক্লবনি । মরম অসিনা মন্দিরদা বলি কংপসি করিগুম্বা মতম অমদা তোক্লবা য়াই নত্রগা তোকহনবনা চুম্মি হায়বসি মাগী রাখলদা সুকপোক পোকল্লুদে । করি অমুক হায়গনি, রাখল অসি তৌরুবতদা মাগী থম্মোইমুংদা মুংঙাইতবা পোকই । মরম অসিনা রঘুপতিনা হায়রকপা রা অহুদা জয়সিংহনা থুম্মকই, “মহুদি অতোপ্পা রাফম্নি । মহুগী অর্থনা তোঙানবনি । মহু তৌবদদি করিগুম্বা পাপ অমতা লৈতে । অহু হায় হায়রহুনমু মবাম্ববু মনাওনা হেক হাংলগত্রা ! মহুনি হায়রহুনমু মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যবু— প্রভু, নখোং পায়রহুনা নবাইশা হংজরি, ঐঙোন্দা মিনম্বা ভাকপিগমু, অপ্রইরমক ইমানা মঙদা

তাকপিরম্ব্রা নিংথৌগী ঈ নত্তনদি মহাক পেনবিররোই হায়দনা ?"

রঘুপতিনা ঙহাক তুমিন্না লৈরুরগা হায়রকই, "অঙইবা নত্তনবু ঐনা মিনম্বা য়া হায়গত্রা ? নহাক ঐবু নপুক্লিংদা থাজদত্রা ?"

জয়সিংহনা রঘুপতিগী খুয়া উফুল লৌরহুনা হায়রকই, "গুরুদেবগী মফমদা লৈজরিবা ঐগী থাজজবসি ময়েং খক তাদবা ওইসম্নু । অহুবু নক্ষত্ররায়সু নিংথৌগী শাগৈদা পোকপনি ।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "লাইশিংগী মঙতাক্তি ইঙ্গিততমক পিবিবনি; য়ারোল শুনা থক তাকপিদে, অয়াম্বদি খম্বরগা খংনবা হোৎনজগদবনি । তরং তরংনা উরেদনা, গোবিন্দমাণিক্যবু দেবীনা য়ারোরে, য়ারোনবগী মতিক চাবা মরমসু লৈরে । মরম অহুনা দেবীনা নিংথৌগী ঈ পাম্মি হায়রকপসিনদি ঐখোইনা তশেংনা খংবা তাই গোবিন্দমাণিক্যগী ঈবুনি হায়বসি ।"

জয়সিংহনা হায়রকই, "মহুনবু থাজৈমকশেংবা ওইরবদি ঐ ইশামক্কা নিংথৌগী ঈ পুরকনি—নক্ষত্ররায়বু পাপকী থবক তৌহল্লোই ।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "দেবীগী ময়াথং ঙাকপদা করিগুম্বা পাপ অমতা ফংফম লৈতে ।"

জয়সিংহ । পুণ্যদি ফংগনিদনা, প্রভু । অহুদি পুণ্য অহু ঐ ইশানা ফংনবা হোৎনজগে ।

রঘুপতিনা হায়রকই, "অহুদি ঐ অশেংবা য়া হায়গে তাও । ঐহাক্না নংবু পিশক পিক্লিঙৈদগী ইচাদগী হেন্না লুনা তৌহুনা থয়াইদগী য়েন্না মুংশিজহুনা য়োক্লরুবনি, ঐ নংবু কায়নবা ঙম্মোই । নক্ষত্ররায়না গোবিন্দমাণিক্যবু হাত্তুনা নিংথৌ ওইখিবা থোক্লবদি কনানম্নু মহোন্দা

রা মচেৎ অমা ফ:ওবা ঙাংলোই, অহুগা নংনা নিংথৌগী মশাদা খুৎ থারুবা থোক্লবদি নংবু ঐনা অমুক হন্না ফংবদি লৈররোই।"

জয়সিংহনা হায়রকই, "ঐবু মুংশিবদগী— ইপা ইবুঙো, ঐদি কান্নরবা মীরেম্নি— ঐবু মুংশিবদগী নহাক্না ককচেং অমা ফাওবা মাঙহনবা ঐ য়ারোই। ঐবু মুংশিবিবদগী নহাক্না পাপকী থবক তৌবদা তারবা অহু ওইরবদি নংগী মুংশিবহু ঐহাক মতম কুইনা ফংজবা ঙমরোই, মুংশিবা অহুগী মহৈদি কৈদৌমুংদহু অফবা খক ওইরোই।"

রঘুপতিনা তফিং তফিংনা হায়রকই, "ফরে, ফরে, মহুগী রাহু কোম্না খম্নরসি হয়েং নক্ষত্রবায লাক্লগা অমনি অমনি হাযবা অমা মরাইনা লেপচরগনি।"

জয়সিংহনা মপুক্লিংদা মথন্তা রাশকচরকই, 'ঐ ইশামক্না নিংথৌগী ঈ পুরকনি। ইমাগী মিংদা গুরুদেবগী মিংদা মচিন মনাও হাৎনবদি কৈদৌমুংদা থোকহল্লোই।'

তরেৎশুবা তাঙ্কক

জয়সিংহহু অহিং নোংশোইবা তুম্বা য়াদ্রে। গুরুগা লোযননা নৈনথিবা রাকম অহু উ-না উ-মা মশামরেং পংলোংদা লোংথংলক্রে। অয়াম্বা মতমদা অহৌবদি ঐখোইগী খুত্তা লৈ, অরোইবদি ঐখোয়গী খুত্তা লৈতে। রাখল খনবদহু হায়ম্নিবগী অক্লমক তৌই। জয়সিংহগী

মশুক্লিন্দা থিওঙমত্রবা শাফুগা লোইননা অসিগুম্বা রাখল কমা পোক্লক্রে মতুনা মাগী পিশক পিক্লিউন্দগী লৈজরক্লবা থাজবগী মরন্দা অরেম্বা লৈতনা ফুজিল্লকপা হৌরক্রে । জয়সিংহগী মশাপুম্বা পুমহিক হিকথক্রে নাওশোল্লখ্রে ।

অত্থুবু ফত্রবা-মঙগুম্লবা রাখলত্থুদি লেপ্ত হায়বা ঙমকয়া য়াক্রে । মতম অস্নুক কুইনা জয়সিংহনা ইমানি হায়না খংজরক্লবা দেবী অত্থুবু গুরুদেবনা ওসি করিগী দমক্তা মাগী মমা ওইবগী শক্তমতু মাঙহনবিগ্রি-বনো, করিগী দমক্তা মাবু থম্মোই য়াওদ্রবী শক্তিনি হায়না শন্দোক্লা তাকপিখ্রিবনো ? শক্তিগীবু পেনবা পেন্দবা হায়বা করি অমুক লৈ ? শক্তিগী গিৎনা কদাইনো নাকোংনা কদাইনো ? শক্তিদি মহারথগী মতৌগুম্লা মাগী চাকা লিশিংনা জগৎ অসিবু তকথাইত্থনা অকিবা ফংলবা খোনফমগা লোযননা চৎলিবনি ; মঙোন্দা নপচত্থনা কনা অমনা চৎলি, মাগী মথাদা ত্তাত্থনা কনা অননা উফুল ওনখ্রি, মাগী মথক্তা তোংত্থনা কনা অমনা হরাও-কুম্ম তৌরি, মঙোন্দগী ওন্থত্থনা কনা অমনা অরাবা খোল্লাও লাওবি, মহাক্লা মত্থবু করি খংলুফম লৈবগে ? মহাক্কী শাথোবদি কনামতা লৈত্রা ? পৃথিবীগী মরাল লৈজত্রবা পাম্ব লৈত্রবা কিগল্লবা জীবশিংগী ঈ থোকতল্লগা কালগী মশক [illegible] তমথীরবী শক্তিগী থোরাংবা কোক্লবা হোৎনগদবা, মসিনা [illegible] রতরা ? করিগী ওইরুগনি ? মহাক্তি মশাগী থবক মশানা [illegible] তৌরি— মহাক্কী চাক-তাঙবা লৈরি, ঈশিং ইচাও লৈরি, [illegible] লৈরি, শোথিল্লকপা অনাবা অচৌবা মৈচাকপা লৈরি, [illegible] [illegible]-থম্মোইসুংদা-লৈবা হিংসা লৈরি, পিক্লবা ঐবু মাগী [illegible] লৈ ?

মথং-মুমিংকী নোংঙাল্লকপা অত্তদি ওল্হোক্লা পুক্লিং হুনবগী মশক ওইরবা অয়ুক্কি। নোং তাবা লেপখ্রে। নোংপোক মাইকৈদা নোং পক্লে। মুমিংকী মঙাল অত্তু নোংগী ঈশিংনা চামথোকখিবগুম্বে, মেংলে। নোংলিক অমসুং মুংশাগী মঙালনা মাইকৈ তরা ইমুং লংলে। মক্তুবা মুংঙাইবগী মঙালনা অতিয়াদা লমহাংদা উমংদা ভুরেলগী ইচেলথক্তা শাকাইরবা অঙৌবা থম্বাল মপৈগুম ফুগাইনা শাংলক্লে। শংবাল্লরবা আতিয়াদা উমাইবীনা কোইতাও তাওরি। চুমথাংগী মথোঙ মথাদা উরোক পরেং পরেং পাইরি। থৈরোইশিংনা উপাল কথাদা কোইচেন-চেল্লি। কিগল্লবা থেবা অমা অনিনা মমিং-মনা তথক্ত তথক্তা মোংশোং মরক্তগী থোরক্লগা অমুক থুপফম কোইথি-থিরি। হামেং মচাশিংনা গুল্লবা চিংথক্তা কাবদুনা নাপি থংলহুনা চারি। ষনশিংনা ঙসিদি মথরাই হবাওনা লৌবুক শীন্না শন্দোক্তুনা লৈরি। ষনশেন-নহানা ইশৈ শক্লি। শনাবুল পুবিবী মমাগী ফীজি পায়রদুনা ঙসিদি অঙাংশিংনা মপান্দা থোক্লবক্লে। হসুবশিংনা পূজাগী দমক লৈ হেক্লি। ঙসিদি ভুরেলদা ইরুজবা মী য়াম্না তিল্লে, মথোই মশেল মুরুম মুরুম শোল্লদুনা রারি শারি— ভুবেলগী ক্রো ক্রো হায়বা খোঁ[illegible] অরেম্না লৈতে। ইঙা থাগী অয়ুক্তা অসিগুম্বী থরাই-পানবগী [illegible]বী মাইথোং মকা লাম্নবী মালেমগী শক্তম্ব য়েংলগা স্বর মপী শাংনা হোল্লদুনা জয়সিংহত্ত্ব মন্দির মতুংদা চংলক্লে।

জয়সিংহনা মূর্তিগী মাইকৈরোমদা ওনশিল্লদুনা মখুৎ লোল্লনা হায়রকই, "করিগীনো, ইমা, ঙসি অসুক য়াম্না মাইথোং লাংশিল্লিবনে? নোমজং মণী জীবগী ঐ উবা কত্থে হায়দুনবু অসুক শাথীনা পিতম তকপা? ঐথোয়গী থম্মোইদুদা অমুক্তা রেংশিন্নু, ভক্তি থাংগা কিরগুবা

থেংনরব্রা ? ভক্তগী থম্মোই ফংবতনা নহাক্কী অপেনবা ওইব্রা, মরাল লৈতবশিংগী ঈদরা নংনা পাম্লিবসে ? ফরে ইমা, থাঙ্গৈশেংনা অমুক্তা হায়ু পুণ্য চেল্লবা গোবিন্দমাণিক্যবু পৃথিবী অসিদগী মাঙহনখগা মফম অসিদা হিংচাবগী লৈপাক ওইনা শেমগংপসি নংগী অপাম্বরা ? নিংথৌগী ঈ অসি কল্লমক হেক্তা পাম্লবরা ? নংগী নচিনমক্তগী পাউখুম তাত্রবদি ঐহাক কৈদৌনুংদা নিংথৌ হাৎপগী থবকসি থোকহল্লোই, ঐনা থিংনবা হোৎনগনি । হায়ু, অচুম্বরা অরানবরা ।”

খংহৌদনা চিক্লবা মন্দির মনুংতুদা খোঞ্জেল অমা তারক্লে “অচুম্বনি” ।

জয়সিংহনা গুরুতুনা তুংহম্লা য়েংলকই, কনামতা উদে, মম্মিগুম্বা অমা থক থক নিকখিবগুম্মদি থল্লকই । খোঞ্জেলতু অহানবা হেক তাবদা মহাক মাগী গুরুগী খোঞ্জেল ওইরমাল্লে নিংই । অদুবু মতুংতুদা মানা, ইমানা মঙোন্দা মাগী গুরুগী খোঞ্জেল লৌতুনা য়াথং তাকপিরকপা ওইরম্বা তাই হায়না থল্লকই । মহাক্কী মশাপুম্বা তু খ্যাও চুংখ্রে । মহাক্না মূর্তিহবু মকোক লৈবাকশোল্লা খুরুম্নগা খুৎশাই পাম্নরতুনা মপাল থোক্লক্লে ।

নিপালশুবা তাঙ্কক

গোমতী তুরেলগী য়েংথংবা তোর্ব্বানগী শরুক অমদি য়াম্না রাংই। নোংজু থাগী নোংয়াম অমসুং পিক্ল-পিক্লবা ইচেল কয়ানা রাংলবা লমদম অসিবু লৈকুৎ লৈরাই কয়া শেমহনা তোঙান তোঙান তাহল্লে। মহুগী খরা লাপ্লপ্পা অচৌ অচৌবা চিংশু-উ অমসুং শৈজাক পাম্বীনা থা মচেং মান্না মশুং চাম থোক্না তাহল্লবা লমদম অসিবু কোয়শিন্দুনা লৈরি, অহুগা ময়াইগী লম মচেং অহুদি উপাল অচৌবা অমা ফাওবা হৌদে। করি করিগুম্বা লৈতোংশিংদা চিংশু উ পাম্বী মচা মচা চাওবা ইঙম-ঙমদ্রহনা কোম্বরগা মচুতমক মুশিন্দুনা হৌরি। মুং-য়াম্না পুমশন শন্না ত'রি। খুহুপ অমা নত্রগা অনিরোম পাকপা পিক্ল-পিক্লবা মীশিংগী ইচেলনা মথেক-মকোই কয়া থেক্না লৈ-না, তিম্নন, খাইদোক্না, তুরেলদা লাক্তুনা তিল্লরি। মফম অসিদি য়াম্না চিকই, মফম অসিগী আতিয়াদি উপালশিংনা কুপশিনবা তৌদে। মফম অসিদগী গোমতী তুরেল অমসুং মাগী তোর্ব্বান রাংমগী মচু কয়ানা তিল্লবা মনা-মশীংগী লৌবুকপুম্বা য়াম্না তাম্নবা ফাওবা উবা ফংলি। হুমিং খুদিংগী অয়ুক্তা রাজা গোবিন্দমাণিক্যনা মফমসিদা কোয়বা চৎথোরকই, মহাক [illegible] মপাং নত্রগা থৌগল-লাঙ্গল কনামতসু থক লোয়নরক্কে। ঙা ফাবা মীশিংনা করি করিগুম্বা মতমদা গোমতীদা ঙা ফাবা লাকপদা, মখোইগী ইংলবা শকফম্না-লৈতেংলবা নিংথৌনা যোগীগী মতৌগুম লেংদনা তুমিন্না মমিং উইশিন্নহনা কমহনা লৈবহ অরাপ্পদগী উবা ফংই, মাগী মাইথোংদা তালিবহ অয়ুক্তী মঙালা নত্রগা মাগী থম্মোইগী মঙালা হাম্রবহদি থংবা

ইত্তম-ওয়দে। হন্দক মরক নোংজুথা অসিদদি মুমিৎ খুদিং মক্তমসিদা লাকপা ওয়্ত্রে, অদুবু নোং হাংবা মুমিত্তা লাকপদদি পিক্লবা তাতাবু লোয়নরক্লে।

তাতাবু তাতা হায়না অমুক কৌনিংত্রে। মহাক্কী মচিন্তনা তাতা কৌবদা পকচবা মীশক্তুদি তেংবান্দা অমুক লৈত্রে। পাবিরিবশিংগী মক্তমদদি তাতা হায়বা রাহৈসিগী করিগুম্বা অর্থ অমতা লৈতে। অদুবু হাসিনা অমুক অঙনবদা চিংগু-উগী উনুংদা লঙনা-লঙননা চিংগু-উগী মরুমদা লোৎলদুনা মাগী থুম্নবা পিক্লবা খোনফম্না তাতা হায়না কৌরকপা অমসুং মতুগী পাওথুম ওইনা উপালশিংদগী চরোক্তনা খোংলকপা, অথাপ্পা উনুংদগী খোম্মাং য়ৈহুনা অমুক হল্লকপা, মতমচুদদি তাতা হায়বা রাহৈ অদো অথনা পুমথন থম্না উমং অহু শীন-থুংনা শন্দোক্লকই, মতম অতুদদি তাতা হায়বা মিঙ্গৌ অহু পিক্লিবী মুপীমচা অমগী পিক্লবা থম্মোইনুংগী য়াম্না খোৎলবা মুংশি-মকোল থাদোরক্তুনা চেক্লাগুম স্বর্গ তম্না পাইৎখলকই — মতম অতুদদি মুংশি ইরোয়নরবা থুম্নবা মিঙ্গৌ অহুমতনা অয়ুক্কী চেক্লাপুম্বগী শৈহেক পুম্বা ময়াই চমহল্লি, অমুক লাইরেম্বীগী পেনবা মাইত্রবা নিংথিজবতুগা পিক্লিবী মুপীমচা অমগী পেনবা লৈত্রবা মুংশিবগা শকফম অমতা ওইনা উহল্লকই। হৌজিক্তি মুপীমচাহু লৈত্রে— নিপামচাহুদি লৈরি, অদুবু তাতাদি লৈত্রে। নিপামচা অহুদি সংসার অসিগী মী লিশিং কয়াগীনি, হিয়ম লিশিং লিশিংগীনি, অহুগা তাতাদি মুপীমচা অহুসী মখক্তগীনি। মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যনা নিপামচা অসিবু এবা হায়রা কৌই, এপোইচু [illegible] [illegible] কৌরগে।

[illegible] মহারাজ [illegible] গোমতীগী তোর্বান্দা [illegible],

হৌজিক্তি ধ্রুববু হেক হেক পুন্নহুনা লাক্র। মহাক্কী শোন্নবা চম্নবা মাইথোংহুদা মহাক্কা লাইবৈবাক্কী মমি উবা ফংই। নুংখিলদা নিংথৌনা সংসারগী ইবৈন্নুংদা লুপ্পা মতমদনা অহল ওইরবা হৈ-শিংলবা মন্ত্রী-শিংনা মাবু কোইশিন্দুনা লেপলে, মঙোন্দা ন্না তান্নবদা তেংবাংলে — অহুগা অয়ুক্তনা অঙাং পিশক অমনা মাবু সংসারগী ন্নাংমদা পুথোক্লকই, মহাক্কী লাওর লাওরবা মরোল লোন্দবা মমিৎ অনিহুগী মমাংদা য়ুম্বাম্নোনগী অখোয়বা পুম্বহু খুইজিন্দুনা লৈখি— পিক্লবা অঙাং অসিগী মখুজেং পায়বহুনা মহারাজনা বিশ্বজগতকী মরক্তা লৈরিবা পম্ভংফম নাইড্রবা মাইকৈরোমদা শাংদোকখিব। লৈতেম মান্নরবা তিংলবা পাক্লবা শোরোক অমদা চংলহুনা লেপ্পুই। মফম অহুদদি মপাল নাইড্রবা শংবান্ননবা অাংিয়া থাকলগী মখাদা লৈবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ডগী মহাসভাহু উবা ফংই; ভূলোক ভূবলোক স্বলোকনচিংবা মরোল তরেৎকী ইশৈগী মখোল তাবা নই; মফম অহুদদি শ্চুপ্পা লম্বীদা পুম্নমক তিনা চন্না মজবতা ওইনা খল্লি, চশিন্নিংবগী ন্নাখলতমক পোকই — তমথীরবা লৈত লাইর অরা-অনাগী ন্নাখল পুম্বা অমতা পক্তে। মহারাজনা অশুক অহুদা, অচিকপদা, উনুংদা, তোর্ববান্দা, শেংলবা অতিয়াদা, পিক্লবা অঙাং অনগী নুংশি ন্নাখলদা স্নুপ্তুনা মপাল নাইড্রবা নুংশি-ইপাক্কী লম্বী উবা ফংই।

গোবিন্দমাণিক্যনা ধ্রুববু মতম্বাক্তা পন্নহুনা পুরানগী ধ্রুবগী ন্নারি লিখিরি, মহাক ভাব তানা খংগনি হায়বগী ন্না নত্তে— নিংথৌনা পাম্নিবদি ধ্রুবগী মচিন্দা মতেক মতেক ওইবা ন্নাঙাংনা ধ্রুবগী ন্নারিহু অমুক হন্না লিরকপহু তানিংবগী ন্নাতনি।

ন্নারি তানা তানা ধ্রুবনা হায়রকই, "ঐহাক বন্দা চৎকনি।"

নিংথৌনা হায়রকই "বন্দা কৈদৌবা চৎকদৌরিবা ?"

ধ্রুবনা হায়রকই, "হরিবু উনবা চৎকনি ।"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঐখোই হৌজিক বন্দা হরিবু উনবা লাক্লিবনি ।"

ধ্রুব । হয়িদি কদাই ?

নিংথৌ । মফম অসিদা অস্তুম্মক লৈ ।

ধ্রুবনা হায়রকই, "ইচেদি কদাই ?" অসি হায়রত্থনা হৌগৎলগা তুং হন্না য়েংলক্লে ; মহাক্না খনবদি, মচেনা মমাংঙৈগী মতৌগুম তুংলোমদগী খংহৌদনা মাগী মমিৎ খুম্নবা লাক্লমগনি অসিনি, অদুবু কনামতা উদবত্থদা মঙক নোম্থরক্লগা মমিৎ য়েংখৎলক্তুনা হংলকই, "ইচেদি কদাই ?"

নিংথৌনা হায়রকই, "হরিনা নংগী নচেত্থবু মনাক্তা থমখ্রে ।"

ধ্রুবনা হায়রকই, "হয়িদি কদাই ?"

নিংথৌনা হায়রকই, "মাবু কৌ, ইবুঙো ! ঐনা নঙোন্দা তম্বিবা শ্লোক অদু থীরগা কৌ ।"

ধ্রুবনা ঙক নোম্ন-নোম্নত্থনা থীথরকই—

হরি, নহাকপু কৌজবা, পিক্লবা ইথত্তা,
মম্নবা উম্নুংদা চেঞ্জরিনে ।
শুক্লা মম্বনে মিৎকী লাইজনে
লখী থিফম খংজন্রেনে ।
তত্তনা খাল্লি কৈদৌনি কৈজৌনি,

খংহৌরোই লাকপা অমম্বা অহিংদি
কিবনা নিক্লে, কৌজরি হরি হরি
হরি নত্তনা কনা লৈজদেনে ।

অরেম্বদা তাবোই মিৎকী পি
নংদি হায়নৈ ভক্তবু চানবি
মতুতবু খঙ্গরি ঐগী পাম্বৈনি
হিংজরিবসি ঐনা মতুননিনে ।

অমম্বদা পাঙলি নংগী মিৎ থরান্না
ভক্তনা কৈদৌনু দা চৎখিদনবা শেরান্না
ধ্রুবনা য়েংজরি নংবু ধ্রুব-তারা
অতৈ কনাবুসু য়েংজরুদেনে ।

'র'গা 'ল'গা 'ভ'গা 'দ'গা ইওন ওন্নবা, রাহৈ তংখাই অমনা পুক্লুংদা থম্নগা, তংখাই অমনা হাযদোরক্লুনা, ধ্রুবনা হাইহুন্নহুন। মুংশিরবা খোম্থাংদা গ্লোক অসি থীথরকই। মসি তাবদা নিংথৌগী মপুক্লিং অতু মুংঙাইবগী ইপাক্তা লুপখ্রে, অয়ুক অতু শরুক অনি হেন্না নিংখিরক্লে, মাইকৈ মবিমক্তা তুরেল লৈকোল উরি-রারি পুম্বা হরাও মিনোক নোক্লক্লে। শনাগী মচুনা লৈতেংলবা শংবান্নরবা অতি-য়াদা মহাক কনাগুম্বা অমগী পুক্লিংহুনা ফজরবা হরাও মিনোক্তা লোয়নরবা মাইথোং অমা উবা ফংলক্লে। ধ্রুবনা মাগী মতম্বাক্তা ফামহুনা লৈবগুম মহাকপুসু কনাগুম্বা অমনা মপাম্বোন অনিনা চেংনা কোনশিন্নহুনা মতম্বাক্তা পামথংশিবগুম থম্লক্লে। মহাক্না মহাক মশাবু, মাগী মাইকৈ মরিদা লৈরিবা পুন্নমকপু তেংবানগী লেংই

পাল্লিবা গুম্নমকপু, কনাগুম্বা অমগী তম্বাকথক্তা লৈবা উরক্লে। মহাক্কী মুংঙাইবা অমসুং মুংশিবনা মুমিৎকী মঙালগুম মাইকৈ তম্না শীম্না ঙাম্থোরক্কুনা আতিয়া অসি পুমথল থলহনখ্রে।

মতম অসিদা খুৎলাই পায়রবা জয়সিংহ লৈকুৎ খমদা লাক্কুনা ইথং খংহৌদনা নিংথৌগী মমাংদা ফাওরক্লে।

নিংথৌনা মাবু উবদা মখুৎ অনি তিংথোরক্লদুনা হরাও হরাও হায়রকই, "লাও জয়সিংহ, লাও।" নিংথৌদি মতম অদুদা অঙাংগা তিন্নদুনা অঙাং ওনখ্রে, মহাক্কী রাজমর্যাদা রাখল কৈদনো লৈগদবা!

জয়সিংহনা নিংথৌবু মকোক লৈপাক শোক্না খুরুম্মি। অদুগা হায়রকই, "মহারাজ হঙ্গচনিংবা অমতং লৈজে।"

নিংথৌনা হায়রকই, "করিনো হায়ু।"

জয়সিংহ। ইমানা মহারাজবু রারৌরে।

নিংথৌ। করিগীনো, ঐহাক মাগী মুংঙাইতনবা থবক করম্বা তৌখ্রবগে?

জয়সিংহ। মহারাজনা বলি থিংবিদুনা দেবী পূজাদা অকাইবা থোকহল্লে।

নিংথৌনা হায়রকই, "করিগীনো জয়সিংহ, করিগী হিংসাগী রাখল অসি পোক্লিবনো! ইমাগী মতম্বাক্তা মচাগী ঐ তাহল্লগা মহাক ইমাবু পেলহনবা পাম্ব্রা!

জয়সিংহনা তপ্পা তপ্না নিংথৌগী মখোং মনাক্তা ফমথরকই। এবনা মাগী থাংশাং অদু পায়রদুনা শাল্লরকই।

জয়সিংহনা হায়রকই, "অদুবু মহারাজ, শাস্ত্রদদি বলি তৌনবা য়াথোকপা হায়রি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "শাস্ত্রগী থরিক্লশংবা বিধিবু ওক্লা চংগা ওম্বা মী কনা লৈবা হৌনদে। মহাক মহাক্লা অনিংবা মতুংইন্না মী পুম্বনা শাস্ত্রগী ব্যাখ্যা তৌনবনি। দেবীগী মমাংদা লৈনাং ওইরবা বলিগী ঈনা মশা পুম্বা তৈশিল্লগা ময়াম্না অকিবা খোনফমদা লাওরগুনা মুংঙাইবনা ময়াই কাখিবদগী শুমাংদা জগোই শারিবগুবু মখোইনা ইমাগী পূজা তৌরিব্রা, নত্রগা, মাগী থম্মোইমুদা লৈরিবা হিংসা কৌবী হিংচাবী অদুবু পূজা তৌরিব্রা? হিংসাদা বলি কৎপদি শাস্ত্রগী বিধি নত্তে, হিংসাবু বলি তৌবনা শাস্ত্রগী বিধিনি।"

জয়সিংহদু মতম য়াম্না শাংনা মিন্না লৈপ্রে। ওরাং অহিংদগী মাগী মপুক্লিংদম্ভু অসিগুম্বা রাফম কয়া কয়া মওল মওল থল্লকুবনি।

মমৈথংদা হায়রকই, "ঐহাক ইমাগী মচিনমক্তগী তারবনি— মসিগী মরমদা অমুক করিস্তু চিনফম লৈত্রে। মহাক মশামক্লা, নিংথৌগী ঈ পাম্মি হায়রবনি।' অসি হায়রগুনা জয়সিংহনা অয়ুক্কা মন্দিরদা খোকখিবা খোদোক অদু নিখোদা তল্লে।

নিংথৌনা নোল্লগুনা হায়রকই, "মতুদি ইমাগী য়াথং নত্তে, রঘুপতিগী য়াথংনি। রঘপতি মশামক্লা মরুমদা লৈতুনা নংগী রা অদুগী পাওখুম পিরকপনি।"

নিংথৌগী মফমদগী রা অসি তাবদা জয়সিংহ ওকপাগী পন্দোল লোমখ্রে। মহাক্কী মপুক্লিংদম্ভু অসিগুম্বা চিংনবা অমা তু চুংবগুম থংকোও-কাওখি, অদুবু অমুক নোংথাংগুম থংমুৎ-মুৎখি। নিংথৌগী রাগুনা চিংনবা অদুদা অমুক চৈথেং পিরক্লে।

জয়সিংহনা মথৱাই য়াম্না রারগুনা হায়রকই, "নত্তে মহারাজ,

ঐহাকপু মথং মথং চিংনরকপদগী খমথেংনা চিংননবরোমদা লমজিং-
বিরগন্থু— ঐবু তোর্ব্বান্দগী ইস্থ বিহুনা সমুদ্রদা তাহনবিগন্থু—তাকপি-
রিবা রাকমহুনা ঐহাক্কী মাইকৈ মরিগী অমম্বা হেনগৎপা ওইমদা
থোক্লে। ঐগী হান্নগী থাজবা হান্নগী ভক্তিহু অহুম্মক লেংদনা লৈজসন্থু—
মহুগী মহুত্তা লৈচিন অসি ঐ অমুক পামজদ্রে। ইমাগী য়াথংবু
ওইরবসু গুরুগী য়াথংবু ওইরবসু অমহানি—ঐহাক্তি ঙাকপা তাই।”
অসি হায়রগা ফুক হৌগত্তুনা মাগী থাংশাং অহু শত্তোক্লে—থাংশাং
অহু মুংশা মঙান্দা নোংথাংগুম্বা ইরং লংবা হৌরক্লে। মহু উবদা
ধ্রুবনা খোঞ্জেল রাংনা কপখৎলক্লে, মহাক্কী পিক্লবা মথুং অনিহুনা
নিংথৌবু কোনশিল্লহুনা নিংথৌবু মথরাইমক য়াওনা খনজিন্দুনা থম্লক্লে—
নিংথৌনা জয়সিংহগী মাইকৈরোমদদি করিসু য়েংউবা তৌদনা ধ্রুববু
মথান্নুংদা চেৎনা কোনশিল্লক্লে।

জয়সিংহনা থা শাং অহু থাপ্পা লংথোকখ্রে। ধ্রুবগী মনমগন্দ
মথুৎনা নাল্লহুনা হায়রকই, “করিমতা কিরুগন্থু, ইবুঙো, করিমতা
কিরুগন্থু। ঐ চৎলবসিনি, নহাক নিংথিজরবা চংজফম অহুদা অহুম্মক
লৈয়ু, পাক্লবা থবাক্কুদা ঙাম্বোইয়ু—নহাকপু কনানসু ভোঙাম্বা তাহনবা
ওম্রোই।” অসি হায়রহুনা নিংথৌবু খুরুম্নগা চৎকদবগী থৌরাং তৌরক্লে।

অহুবু অমুক তফিং তফিংনা রাখল অমা লাক্কুনা ওনশিল্লক্লহুনা
হায়রকই, “মহারাজ খরদং চেকশিনবিনবা নিংশিংজরি, ননা ও ইবুঙো
[illegible]না মহারাজবু মাঙহম্নবা অরোনবা ঘা তাম্লখ্রে। ইঙাগী
[illegible] পানবা চতুর্দশ দেবতাগী পুজাগী অহিংদা খাম্না চেকশিন্না
[illegible]

নিংথৌনা নোক্লহুনা হায়রকই, "নক্ষত্রনা কৈদৌমুংদসু ঐবু হাৎপা ঙম্মোই, মহাক্না ঐবু মুংশি।"

জয়সিংহ বিদায় লৌহুনা চৎখ্রে।

নিংথৌনা ধ্রুবগী মাইকৈরোমদা য়েংলহুনা ভক্তিগা লোযননা হায়রকই, "নহাক্না ঙসি মালেমলৈমবু ঈ তৈহনখিদ্রে, মতুংগীদমক্তা নংগী নচেনা নংবু থনম্লিবনি।" অসি হায়রহুনা ধ্রুবগী পিগী ইরানা থল্লবা মথক্তাই অনিহু তৈথোকপিরে।

ধ্রুবনা শুকথনা হায়রকই, "ইচেদি কদায় ?"

তাঙ্গা অসিদা নোং পাইরক্তুনা মুমিৎপু থুমজিনখ্রে, তুরেলথক্তা অমুবা মমি তারক্রে। অথাপ্পদা লৈরিবা উমংগী চিদাই অহুস্ন নোংগুম্না পুংমম মমশিল্লক্রে। নোং তারকদবা মতৌ উরহুনা নিথৌ অহু কোম্নুং তান্না হল্লক্রে।

মাপলশুবা তাঙ্কক

মন্দির পংথাপ থাপ্না লৈবদি নত্তে। অহুবু জয়সিংহনা চিক্লবা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা কোই-না চৎলুরগা তপ্না তপ্না মন্দিরগী মাইকৈ পাংলক্রে। রাখল মথেল কয়া মাগী মপুক্লিংদা ফাওরক্রে। তোর্ব্বানগী মকম অমদা উথাদা মহাক ফমথরক্রে। মথুং অনিনা মমাই খুমজিল্লহুনা রাখল তৌবা হৌরকই, 'থবক অমদি পাংথোক্রে, অহুবু চিন্নুবদি কোক্রে।

ঙসিদগী কনানা ঐবু চিংনবসি কোকহনবিগদগে ? করক্কনা অথনবনো করম্বনা ফত্তবনো হায়বা ঙসিদগী কনানা ঐবু অমুক থংহনবিরগদগে ? সংসারগী কোটি কোটি লম্ফাংলবা লম্বেলগী লমজীন্দা লেপ্লগা কনাদা হংগনি কবম্বনা অচুম্বা লম্বীনো হায়বা ? লমহাংদা মিংতাংবা ঐহাক ইথত্তমক লেপ্তুনা লৈরে, ঙসিদি ঐহাক্কী চৈগু তেকখ্রে।'

জয়সিংহনা হৌগৎলকপা মতমদাদ নোং তাথরক্রে। নোংলক্কা চোৎনা চোৎনা মান্দর তম্না লাক্রে। মহাক্না উরক্রে, মী ময়াম লাও-খোংলহনা মন্দিবলোমদগী পুল্লপ ওইনা লাক্লি।

হন্নুবনা হায, "ইপা ইপ্প হাক্তক্কগী অস্তম্মক চৎনরক্রবনি, অহুবু হন্দক্কী নিংথৌ অসিনা মথাম্মক অহুদগী শিংবা পুমংেন হেনগ্রবরা।"

পাখংনা হায, "হৌজিক্তি মন্দিরদা লাকপু লাকনিংদ্রে, পুজারী মুংঙাইবা ইনিলবু অমতা লৈখিদ্রে।'

কনা অমনা হায 'মসিদি নবাবনা পানবগা অমহা ওইরে।" মহাক্কী ভাবতি অসিনি, বলি কৎপা পামদবদি মুসলমানগা খাখলতদা পোকপা যাই, অদুগা হিন্দু অমগী রাখলদা পোকপদি থেংোক্না ঙক্রবা মতৌনি।

মুপীশিংনা হায়রকই, 'লৈবাক অসি মুংওাই-য়াইফবা হায়বহুদি ওইররেহে।"

অমথক্না হায়রকই, "পুকত ঠাকুরনা তশেংনমক হায়রবনি, ইমানা [illegible] থা অহুমগী মন্নুংদা লৈবাক অসি অনা-চৌবনা উজার-মেলা [illegible] তাকপিরক্লে হায়বসি।"

[illegible] হায়রকই, "য়েংউদনা অসে, মোথোক্ত চহি অমা মথাক্কী,

চুপ্পা অক্নম-লাইহৌ তৌত্নুনা লৈববু অত্নুম্মক মহিংই ; অত্নুবু বদি হেক খিংখিবদা মহাক শিখ্রিবত্নুনি ।"

ক্ষান্তনা হায়রকই, "মহুত্তা কৈদগী ওইদগে, ঐগী ইতৈহনগী-মচানিপাত্নুবু শিনি হায়বা কনানা থাজবগে । হুমিৎ হুম্নিতনি লাইহৌ তৌরম্বা । মাইবগী গুলি হেক চাবগা মমিৎ ঙেৎাং ঙেৎ্রাং হেক্তা ওনখৎখি !" মতৈহনগী মচাগী রাবনে লৈবাক্তী ফত্তবা থোক্নকদবত্নু খনবনে ক্ষান্তগী মথরাইত্নু তনম্বা-রাখ্রে ।

ত্তিনর্দ্ভনা হায়রকই, "নহাক মথুরহাটিগী কৈথেন্দু মৈ চাকখ্রে, য়ুম অমা ফাওবা কনবা ওমহৌদ্রে ।"

লৌমী চিন্তামনিনা মাগী মরুপ লৌমী অনদা হায়রকই, "অতৈ হায়কদনবু বদি কান্নগদগে, যেংউদনা অসে, কুমশি হোংলিবা ফৌ অস্নুমা মনাংতৈদা কৈদৌম্নুংদস্ন হোংখিদ্রি । কুমশিদি লৌমীশিংগী মরাইবক্তা কনম তম্বিরিবা কনানা খংগনি ?"

বলিকৎপা থিংখ্রবা মত্নুংদা অমত্নুং মমাংদা ফত্তবা থৌদোক থোকখিবা পুথত্নু, ময়াম্মক্তা খন্নবদা বলি থিংখিবসিনা থোক্লিবা ওাক্তনি হায়না লেপ্লরে । লৈপাক অসি থাদোক্তুনা চৎপনা শাফরগনি হায়-বসি ময়াম্মক্তী মত ওইনরে । মত অসি করিস্নু হোংবদি লৈতে হায়ববু, ময়াম্মক লৈপাক্তুদা অত্নুম্মক লৈবদি লৈনরে ।

জয়সিংহদি রখল অমদা লুপ্তুনা অত্নুম্মক লৈরম্মি । মরাম অদোমদা থোইনা খোইজংলুবা তৌদনা মহাক মন্দির য়ৌনা লাক্লে, মকমত্নুদা মহাক্না পুজা লোইরত্নুনা রঘুপতিনা মন্দিরগী মপান্দা কমত্নুনা লৈরম্বত্নু খেংনরে ।

খোংথাং য়াংনা রঘুপতিগী মনাক তান্না চংলগা জয়সিংহনা থম্মোই শোক্লা অতুম্নদি ওইরগা য়াক্লবা খোম্থাংদা হংলকই, "গুরুদেব, ইমাগী য়াথং লৌজগে হায়রদুনা ওসি অয়ুক ঐনা ইমাদা হংজবা রাহুংগী পাওখুম্বু নহাক্না পিবিরক্লিবদি করিগীনো।"

রঘুপতিনা হাইফেৎ চংডরুবগা লোইননা হায়রকই, "ইমাদি মাগী ওইনা ঐহাকপু মাগী য়াথং হেক হেক শন্দোকহল্লি। মহাক মশানদি কৈদৌনুংদা রা অমতা ওাংদে।"

জয়সিংহনা হায়রকই, "নহাক ফোংনা থোক্লক্কুনা হায়রিবদি করিগীনো। মরুমদা লুম্নগা ঐঙোন্দা লৌনম্বিরিবদি করিগীনো।"

রঘুপতিনা শাওনা হায়রকই, "তুমিনলৈয়ু। ঐনা খন্দুনা তৌরিবা থবকপু নংনা খংবা ওম্বা নত্তিক্লা! অঙাওবগুম চিন্দা লাকপদা পংঙাং ওাংগনু। ঐনা হেক তৌরকপা য়াথং অতুতা নহাক ওাকদবনি, রাহং অমতা হংফরোই।"

জয়সিংহদু তুমিন্না লৈখ্রে। মহাক্কী চিংনবা হেনগংপ নত্তনা মরোং তাবদি তৌত্রে। ওহাক লৈরগা হায়রকই, "ওাস অয়ুক ঐনা ইমাগী মফমদা হায়রম্মি, মহাক মচিনমক্লা য়াথং পিবিত্রবদি ঐহাক কৈদৌনুংদা নিংথৌ হাৎপসি থোকহল্লোই, ঐনা থিংনবা হোৎনগনি। রাকমসি ইমানা তাকপিবা নত্তে হায়বা তশেংনা খংলবা মতমতুদদি মহারাজদা নক্ষত্ররায়গী রাশক তাকথোকপদা তারদুনা, ঐহাক যাবু চেকশিন্নবা হায়রুরে।"

রঘুপতিদু ওহাক তুমিন্না ফমদুনা লৈখ্রে। ফাওমত্রবা অশাওবদু [illegible] য়াক্লবা খোঞ্জেলদা হায়রকই, "মন্দির মনুংদা চংউ।"

মখানিমক মন্দিরদা চংলে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "ইমাগী মখোং পারদুনা রাশকউ, হায়, ইঙাগী ২৯ নি পানবা ফাওবগী মনুংদা ঐহাক নিংথৌগী ঈ পুরক্কুনা খুয়া থম্বালসিদা কৎচরগনি।"

জয়সিংহহু মঙক নোম্থরহুনা ঙহাক তুমিন্না লৈরে। অহুদগী অমুক গুরুগী মাইথোং তন্না অমুক দেবী মূর্ত্তিগী মাইথোং তন্না য়েংলক্লে। মূর্ত্তি অহু শোক্লগা তপ্না তপ্না হায়রক্লে, "ইঙাগী ২৯ নি পানবা ফাওবগী মনুংদা ঐহাক নিংথৌগী ঈ পুরক্কুনা খুয়া থম্বালসিদা কচ্চরগনি।"

তরাশুবা তাঙ্কক

কোমুংদা হল্লক্লগা মহারাজনা হুমিৎ খুদিংগী তৌগদবা নিংথৌগী থবক পুম্বা তৌখোক্লে। অমুক্কী হুমিৎ-মঙাল অহু খুমজিনখ্রে। নোংমী মমিনা হুংখিলগী মতমহু অমুক মমশিল্লক্লে। মহারাজগী পুক্নিংহু ওম্মোক্লা হুংঙাইরে। অতৈ হুমিহুদি রাজসভাদা নক্ষত্ররায় তক্কুনা য়াওই, ঙসিদি মহাক লাক্কে। নিংথৌনা মাবু পাও থাহুনা কৌহল্লুরে; মহাক্না মরাল কোকুবা হায়হুনা মশা ঙমদহুনা লৈরে হায়না পাও হল্লক্লে। নিংথৌ মশামক নক্ষত্ররায়গী ময়ুমদা লাক্লে। নক্ষত্রনা মমাই থাজহুনা নিংথৌগী মমাইদা য়েংবা ঙমদ্রে। অইবা চে অমগী মরমদা মপুক্লিং য়াম্না লাংতক্কবগী মতৌ তৌশিন্নরহুনা লৈরে। নিংথৌনা হায়রকই, "নক্ষত্র, নংখু করি ওইনা ঙমদ্রবগে ?"

নক্ষত্রনা চে অতু মথক মথা ওল্ল-ওল্লহুনা, মথুওগী খুদোপ অতু য়েংলহুনা হায়রকই, "ঙমদবা ? নত্তে, ঙমদবা থোইনা লৈত্তে— থবক মচা অমং লৈবননি— হোই হোই, ঙম্মুদ্রে— হক্চাংসি ইঙম ঙমদনগুম্বা অমা তৌবননি।"

নক্ষত্ররায় অতু মপুক্কিং য়াম্না লৈতাদ্রে। গোবিন্দমাণিক্যনা মাইথোং য়াম্না লাংশিন্না নক্ষত্রগী মশক অতু য়েংহুনা লৈরক্লে। মহাক্না রাখল তৌবা হৌরকই— 'ওস্তোক্না অরাবনি, হুংশিবগী মকোলম্বুংদসু হিংসা ফাওজিল্লক্লে, মহাক্না লীলদোনা লোত্তুনা লৈনিংই, মশক উৎপদি পামদে। ঐখোইগী উমংদা হিংসা পাম্লবা শা অসিবু ংোইনা লৈত্রবরা, মমৈথংদা মীনম্ব মীবু কিবদা তারল্লবরা, মচিন মনাও অমগা অমগা নকশিন্নহুনা চিংনবা লৈতনা ফম্মিন্নবা ফংলক্রোহত্রা ! সংসার অসিদা হিংনাগা মিংহৌবগনা অস্তকী মতিক চাওখংলকপনা হুংশিবা চান্নবগী লৈফম অমুক লৈরক্তুবা ! ঐগা হেক পোকমিন্নবা ইনাও মাগা নুমিৎ খুদিংগী যুম অমতদা লৈমিন্নরবা, ফমফম অমতদা ফমিন্নরবা, নোক্না নোক্না রাংি শামিন্নরবা— মহাক 'আসিনরুম্ব ইনাক্তা ফম্লগা মপুক্নদনা ছুবি চীংলবা !' মসি ঙবদা গোবিন্দমাণিক্যগী মপুক্কিংদা সংসার অসি শাহিং-চাবা-শানা-থল্লবা উমং অমওম্না থল্লক্লে। ওক্না মম্লবা মরক্তা মাংকৈ মরিদা য়া অমম্মুং খুজিংগী অরংবা অচুত্তা [illegible]। হুংশাম্বর-মপী হোল্লহুনা মহারাজনা রাখল তৌরকই, [illegible]ওম্বা চাম্লবা হুংশিনবা থংদ্রবা হাৎন-শুনবগী লৈবাক্তা হিংহুনা [illegible] ঐহাক ইজাতিগী, ইনাওশিংগী মপুক্কিংদা হিংসা, মিহৌবা [illegible]কপগী মৈ চুখংপা ওইনতা থোক্লে — ঐগী সিংহাসনগী মাইকৈ [illegible] থরাইদগী হেক্লবা শাগৈ নাতৈশিংনা ঐত্তোন্দা য়েংলহুনা

মপুক মপুক্তা মচিনবান ওক্লি, ময়া ক্রক ক্রক চিক্লি, য়োংছিং চন্নবা তমথীরবা হুইগুম মাইকৈ মরিদগী ঐগী ইথক্তা চোংশিল্লরুবা তাক্তা ঙাইহ্ননা লৈরি। মসিগী শরুকপুদি মখোইগী থৌরবা মথুজিন্না শলাক শানা শেগাইরগা, মখোইগী ঈ থৌরাংবহু কোকহল্লগা মফম অসিদগী চৎথোকখিবনহুম হেন্না ফে।' অয়ুক্তী অতিয়াদা গোবিন্দমাণিক্যনা উথিবা মুংশি-শক্তম অহু হৌজিক মফম-মরাং খণ্ডনা মাঙখ্রে।

লেপখৎলগা মহারাজনা চীং-লেম্লবা খোনফম্না হায়রকই, "নক্ষত্র, ঙসি মুমিদাংরাই গোমতী তোর্ব্বানগী অচিকপা উমংদা ঐখোই অনি কোইখোকনিন্নরুসি।"

নিংথৌগী অসিগুম্বা চীংলেম্লবা য়াথং-রাঙাংদা নক্ষত্র অহু রা কারল চনবা ভমদ্রে, অহুবু চিংনবু্া অমমুং অথুকপনা মাগী মপুক্লিং অহু তপথবদি ভমদ্রে। মহাক্না খল্লকই, মহারাজনা ঙসাইমথৈ তুম্নিন্না মমিৎ অনিহু মহাক্তী থম্মোইমুং তন্না কুপ্না য়েংহ্ননা লৈরকপহুদা— মফম অহুগী মন্নবা কুহা মমুংদা মাগী রাখলশিংনা তিলগুম মরেং মরেং চত্তুনা লৈরম্বহু খংহৌদনা মঙাল উরক্তহুনা লৈফম খংত্রহ্ননা মপাল থোরক্লমাল্লে। কিনা কিনা নক্ষত্ররায়না নিংথৌগী মাইথোং অম্না অমুক্তং য়েংলকই; মহুনা মানা উই, মাইথোংহুদা হক্কচিন্না মুংঙাইতবগী ইংলবা মতৌতমক লৈ, অশাওবগী অমি অমা ফাওবা তাদে। তাইবং মীগী থম্মোইগী তমথীনা মুংশিহৈত্তবহু উবদা থরাই শোক্লা মুংঙাইতবতনা মাগী থম্মোইমুংহুদা লৈতেংলম্মি।

'মুম্মিং চারশিল্লক্কে। নোংদি অহুম্বক মংলি। নক্ষত্ররায়বু পুন্নহুবা মহারাজনা খোংনা উমংগী মাইকৈ অরক্কে। হৌজিকহুস্নাচৎবা মঙম

য়োগদবা ম্বাংলি, অদুবু নোংনা মমশিল্লকপনা য়াচংবগী মতমগুমখ্রে— ক্লাকশিংনা উমংদা অমুক হঞ্জিল্লক্ল্‌না লেপ্পা লৈতনা খোংলি, অদুবু উমাইবী ক্ষমা অনিদি হৌজিক ফাওবা আতিয়াদা ইরোইহ্রনা লৈরি। মচিন মনাও অনিনা চিক্লবা উমুংহ্রদা হেক খোংদারকপা মতমদা নক্ষত্ররায়গী মশাহু খ্বাই খ্বাই পাখংলক্লে। অচৌ-অচৌবা লিরবা উপালনা কুণ্ডনা হৌবি—মখোইহ্রু ম্রা মচেং অমতা ঙাংবদি তোদে, অদুবু তুমিন্না লৈহনা তীন্না চংপা ফাওবা মুন্না তারিবগুম্না তৌই; মখোইহ্রু মশাগী মমিতম্না, মখাদা লৈবিবা অমম্বা অদোমদা মিং কুপ্তনা য়েংহনা লৈরি। উমংগী অহ্গুম্নবা অঙকপা থৌরমশিং অসিগী মন্নুংদা খোং থাংবহু নক্ষত্ররায অমুক ঙমশিল্লক্লরে—মাহৈকে মরিমক্তা খমথেংনা ইচিক হুনবগী শুক্লবা পিশুমহু উবদা মনিংদোল পিং পিং চোংলক্লে; নক্ষত্ররাযগী মপুক্লিংদা য়াম্না চিংনবা অমম্বুং অকিবা পোক্লক্লে; তমথীরবা নোংদম্বগুম ম্র' ঙাংদ্রবা নিংথৌনা য়াচংবা মতমসিদা পৃথিবী অসিবু উহন্দনা মাবু কন্দাই তান্না পুরিবা মহাক করিমতা খংবা ঙমদ্রে। মপুক্লিংদা শোইদবনি হায়না খনবদি, নিংথৌনা মাগী থবক্ত খংলহনা অকনবা দণ্ড পিনবগীদমক্তা মাবু উমং অসি তান্না পুরকপনি, অসিনি। নক্ষত্ররায়না ঙমজবা মখৈ য়াংনা চেনাখবা ঙম্নবদি হিংলগনি খঙ্গে, অদুবু কনাগুম্বা অমনা মখোং মখুৎ পুনশিল্লহনা চিংহনা পুরগুম তৌখ্রে! লিংফম করিমতা লৈখিদ্রে।

উমংগী ময়াইদা অকোকপা লম মচেং অমা লৈ। মহৌশা লৈজরম্বা ওইনা পুখ্রিগুম্বা অমম্বু লৈ, নোংজু থাদদি মহু ইশিংনা পিক খল্লি। পুখ্রিহ্পী মপান্দা খংহৌদনা মমাই ওস্থোরক্ল্‌না লেপ্রগা নিংথৌনা হায়রকই, "লেপ্পো।"

নক্ষত্ররায় খংবোই-লাকপোই লেপ্লে। মপুক্লিংদা, নিংথৌগী য়াথংন্থু তাবা খুদক্তুমক্তদা মতমগী ইচেল লেপখ্রবগুম্না থম্লকই—খুক্তুমক্তদা উমংগী উপালশিং অহু মানা মানা লৈরিবা মফমতুদগী লুকথরকপগুম তৌরে—মথারোমদগী মালেম অমসুং মথকলোমদগী আতিয়া অনিমক শ্বর থিঙ্গৎতুনা চমম্লনা য়েংহুনা লৈবগুম তৌখ্রে। কাকশিংনা-নিল খোংবা লেপখ্র, উমুংহুদা খোঞ্জেলনি হায়বা মচেৎ অমা ফাওবা তাখিদ্রে। 'লেপ্লো' হায়বা রাহৈহুতমক মতম শাংনা ঙংলহুনা লৈরক্লে—'লেপ্লো' হায়বা রাহৈহু নোংথাংগী ইচেলগুম্না উপাল অমদগী উপাল অমদা, ম-শা অমদগী ম-শা মরেং শীম্না চেনবা হৌরক্লে, উমংগী উনা খুদিংমক রাহৈ অহুনা য়ৈবদা শ্রো শ্রো হায়বা খোঞ্জেল অমা থোক্লকপগুম তৌরক্লে। নক্ষত্ররায়সু উপালগী মতৌগুম্না চঙক্লনা লেপ্লে।

নিংথৌনা মতম অহুদা নক্ষত্ররায়গী মাইথোং তম্না থবাই শোক্লবা অরাবগী মিৎয়েংনা য়েংলক্লগা য়াম্না চীং-লেম্লবা খোম্থাংনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "নক্ষত্র, নং ঐবু হাৎনিংব্রা?"

নক্ষত্রহু বক্তনা পাল্লবা মীগুম লেপ্তুনা লৈরে, পাওখুম পিনবা হোৎনবফাওব্রা ঙমদ্রে।

নিংথৌনা হায়রকই, "করিগী হাৎনিংলিবনো ইবুঙো? লৈপাক পামহুনরা? নহাক, লৈপাক অসিবু সনাগী সিংহাসন, হীরাগী লুহুপ অহুগা নিংথৌগী শেকপিন অসিতনি হায়না খনব্রা? আসগুম্বা লুহুপ, অসিগুম্বা শেকপিন, অসিগুম্বা রাজদণ্ড অসি কয়া য়াম্না লুম্বা পোৎনো হায়বা নহাক খংলব্রা? মী লিশিং কয়াগী অরাবা রাখল হীরাগী লুহুপ অসিনা উপশিন্দুনা থম্লিবনি। লৈপাক পাম্লবদি, মী লিশিং

য়ৌগদবা বাংলি, অদুবু নোংনা মমশিল্লকপনা য়াচংবগী মতমগুমখ্রে— কাকশিংনা উমংদা অমুক হঞ্জিল্লক্কুনা লেপ্পা লৈতনা খোংলি, অদুবু উমাইবী অমা অনিদি হৌজিক ফাওবা আতিয়াদা ইবোইদুনা লৈরি। মচিন মনাও অনিনা চিক্লবা উমুংদুদা হেক খেংদারকপা মতমদা নক্ষত্রবায়গী মশাদু খাই খাই পাখৎলক্লে। অচৌ-অচৌবা লিরবা উপালনা কুণ্ডনা হৌবি—মখোইদু রা মচেং অমতা ঙাংবদি তোদে, অদুবু তুমিন্না লৈদুনা তীন্না চৎপা ফাওবা মুন্না তারিবগুম্না তৌই, মখোইদু মশাগী মনিতম্না, মথাদা লৈবিবা অমম্বা অদোমদা মিৎ কুপ্পুনা যেংদুনা লৈবি। উমংগী অদুগুম্লবা অঙকপা যৌরমশিং অসিগী মনুংদা খোং থা বদু নক্ষত্রবায অমুক ঙমশিল্লক্কবে—মাংকৈ মরিমক্তা খমখেনা ইচিক হুনবগী শুক্রবা পিশুমদু উবদা মনি দোল পিং পিং চোংলক্লে; নক্ষত্রবাযগী মপুক্লিংদা য়ান্না চিংনবা অনসুং অকিবা পোক্লক্লে; তমথীরবা নোংদম্বগুম র ঙাংদ্রবা নিংথৌনা য়াচ বা মতমসিদা পৃথিবী অসিবু উহন্দনা মাবু কদাই তান্না পুবিবা মহাক করিমতা খ বা ঙমদ্রে। মপুক্লিংদা শোইদবনি হায়না খনবদি, নিংথৌনা মাগী থবক্তু খংলদুনা অকনবা দগু পিনবগীদমক্তা মাবু উমং অসি তান্না পুরকপনি, অসিনি। নক্ষত্ররাযনা ঙমজবা মখৈ য়াংনা চেনাখবা ঙম্লবদি হিংলগনি খঞ্জে, অদুবু কনাগুম্বা অমনা মখোং মখুৎ পুনশিল্লদুনা চিংদুনা পুবগুম তৌখ্রে! লিৎফম করিমতা লৈখিদ্রে।

উমংগী ময়াইদা অকোকপা লম মচেং অমা লৈ। মহৌশা লৈজরম্বা ওইনা পুখ্রিগুম্বা অমম্বু লৈ, নোংজু থাদদি মদু ইশিংনা পিক থল্লি। পুখ্রিদুগী মপান্দা খংহৌদনা মমাই ওঙ্গোরক্কুনা লেপ্লগা নিংথৌনা হায়রকই, "লেপ্লো।"

নক্ষত্ররায় খংবোই-লাকপোই লেপ্লে। মপুক্লিংদা, নিংথৌগী য়াথংত্থু তাবা খুদক্কুমক্কদা মতমগী ইচেল লেপখ্রবগুম্না থল্লকই—খুক্কুমক্কদা উমংগী উপালশিং অত্থু মানা মানা লৈরিবা মফমত্থুদগী লুকথরকপগুম তৌরে—মখারোমদগী মালেম অমস্থুং মথকলোমদগী আতিয়া অনিমক শ্বর থিঙ্গৎতুনা চমন্নবা য়েংত্থুনা লৈবগুম তৌখ্রে। কাকশিংনা-নিল খোংবা লেপখ্র, উন্নুংত্থুদা খোঙ্গেলনি হায়বা মচেৎ অমা ফাওবা তাখিদ্রে। 'লেপ্লো' হায়বা রাহৈত্থুতমক মতম শাংনা ঙংলত্থুনা লৈরক্লে—'লেপ্লো' হায়বা রাহৈত্থু নোংথাংগী ইচেলগুম্না উপাল অমদগী উপাল অমদা, ম-শা অমদগী ম-শা মরেং শীল্লা চেনবা হৌরক্লে, উমংগী উনা খুদিংমক রাহৈ অত্থুনা য়ৈবদা শ্রো শ্রো হায়বা খোঙ্গেল অমা থোক্লকপগুম তৌরক্লে। নক্ষত্ররায়স্থু উপালগী মতৌগুম্না চৎরুনা লেপ্লে।

নিংথৌনা মতম অত্থুদা নক্ষত্ররায়গী মাইথোং তম্না থল্লাই শোক্লবা অরাবগী মিৎয়েংনা য়েংলক্লুগা য়াম্না চীং-লেম্লবা খোম্থাংনা তপ্না তপ্না হায়রকই, "নক্ষত্র, নং ঐবু হাৎনিংব্রা?"

নক্ষত্রত্থু বজ্রনা পাল্লবা মীগুম লেপ্তুনা লৈরে, পাওখুম পিনবা হোৎনবফাওবা ঙমদ্রে।

নিংথৌনা হায়রকই, "করিনো হীংথর্নিংলিবনো ইবুঙো? লৈপাক পামত্থুনরা? নহাক, লৈপাক অসিবু সনাগী সিংহাসন, হীরাগী লুত্থুপ অত্থুগা নিংথৌগী শেকপিন অসিতনি হায়না থনব্রা? আসগুম্বা লুত্থুপ, অসিগুম্বা শেকপিন, অসিগুম্বা রাজদণ্ড অসি কয়া য়াম্না লুম্বা পোৎনো হায়বা নহাক খংলব্রা? মী লিশিং কয়াগী অরাবা রাখল হীরাগী লুত্থুপ অসিনা উপশিন্দুনা থল্লিবনি। লৈপাক পাম্নবদি, মী লিশিং

লিশিংগী অরাবতু নশামক্কী অরাবনি হায়না খনগদবনি, মী লিশিং কয়াগী খুদোংথীবতু নশাগীনি হাযনা লৌগদবনি, মী লিশিং কয়াগী লাইরবতু নশানা লাইরবনি হায়তুনা নকোকথোংনা পুগদবনি—মসিপুম্বা তৌবা মীতুতনা উনাগী খাংপোক্তবু লৈরবস্তু দলানদবু লৈববস্নু নিংথৌনি। মী পুম্ববু মহাক্কী ওইনা খনবা ওম্বা মী অতুদি মী পুম্নমক মহাক্কীনি। পৃথিবীগী অরাবা কোকহনবা মীতুতনা পৃথিবীগী নিংথৌনি। পৃথিবীগী ঈ অমস্তুং ললবু চপ্পা মী অতুদি হুরানবা ডাকুনি—মরাইবক থাববা লিশিং লিশিংগী মিৎকী পিনা মাগী নকোক্তা অহিং মুংথিল নাইদনা তাতুনা লৈরবনি, অতুওম্বা শাপকী চেস্থরক্লিব। মরী অতুদগী করিগুম্বা নিংথৌগী শেকপিন অমতনা মাবু বনবা ওয়োই। মাগী মথেল মকোই য়াম্লবা রাজভোগ অতুগী মতুংদা চংশাক্লবা চাম চামগী অরাম্বতু লোওুনা লৈরবনি, পাম্বৈ লৈত্রবশিংগী অরা-অনং শৌদোক্লগা মহাক্না শনাগী লিক-কোল শারতুনা শিদিবনি, মাগী লৈমাই-চিংলবা নিংথৌগী ফীজোন মরক্তা নিংথম্বনা নিক্লবা চাম চামগী মোৎলবা শেগাইরবা মফী য়াওববনি। নিংথৌবু হাৎলগা নি থৌ খুভম হেক ফংবা নত্তে ইবুঙো, পৃথিবীবু য়াহল্লগা নিংথৌ ওইগদবনি।”

গোবিন্দমানিক্যনা .রা মথা অমুক তাদ্রে। মাইকৈ মরিমক তমথীনা ইচিক হুনখ্রে।

নক্ষত্ররায় অতু মরু লুকথরদুনা তুমিন্না লৈখ্রে।

মহারাজনা থাংখুমদগী থাংশাং শত্তোক্লে। নক্ষত্ররায়গী মমাংদা পাররতুনা হায়রকই, “ইয়াম্বগী ইবুঙো, মফম অসি মী তাদে, সাক্ষি ওইবিনবা লৈতে, কনাগুম্বা অমতা লৈতে— ঙয়াম্বগী মথবাক্তা মনাওনা

ফরিগুম্বা ছুরিনা থিন্নিংলবদি মফম অসিমক্কি তাঞ্জা অসিমক্কি— মফম অসিদদি কনামতনা নংবু থাম্নরোই, কনানগু নংবু থীনা ভাংনররোই। নংগী শিংলিদগু ঐগী শিংলিদম্মু ঈ অমতনা চেল্লি— ইপা অমতগী, ইবুধো অমতগী ঈনি— নহাক্না ঈ অহু তাহন্নিংলবাদি তাঞ্জা সদা তাহল্লো, অহুগা মী লৈব মফমদদি থক তাহংনন্নু। মরমদি, মসিগী ঈ মরিক অমতং তাখিবা মফমহুদি কনা অমতম্মু খংন-ভুনদনা মচিন মনাও মুংশিনবগী শেংলবা লিপুন অহু কোমথোকখিগনি। পাপকী ভুমথৈবু কদাই ফাওবনো হায়বা কনা খংবা লৈ ! পাপকী মক অমতং তাখিবা মফমহুদদি উ-না উ-না তুমিন্না মপাম্বী লিশিং লিশিং মফম মরাং খংদনা চোংখৎলক্কুন খব-খরদং ওইনা নিংথিরবা মীওইবগী সমাজবু উমং রামং ওইহল্লকই হায়বসি কনানম্মু খংনদে। অহুনা সহরদা থুঙ্গংদা চিংনবা পোক্কনা মাম্না মুংশিননা লেঙ্গোন্নহুনা লৈজরিবা মচিন মনাওশিং অহুগী মকোলনুংদা মচিল মনাওগী ঈ তাহনগন্নু। মহুগী দমক্কা নংবু ভুসি উমং তাম্না পুহুনা লাক্লিবনি।”

অসি হাযরহুনা নিংথৌনা নক্ষত্ররায়গী মথুক্তা থাং পিরে। নক্ষত্র-রায়গী মথুক্তগী থাং অহু লৈপাক্তা তাখ্রে। নক্ষত্ররায়না মখুৎ অনিনা মমাই থুমজিল্লগা কপ্পনা স্বর ফুনগৎলহুনা হায়বকই, ‘য়াম্মুং, ঐহাক্কী ইরাল নচ্চদে— রাফম অসি ঐগী পুক্লিংদা কৈদৌভৈদম্মু খঞ্জরুবা লৈতে— ”

নিংথৌনা মাবু চেৎনা কোনশিনবিরগা হায়রকই, “ঐহাক মহু খংই। নংনবু ঐভোন্দা কৈদৌমুংদা থুং থাবা ভবা হৌনজ্রা—নঙোন্দা মী থরনা কৈরেংবনা ইনশীনবা রাওবনানি।”

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "ঐডোন্দা মসিগী মরমদা রঘুপতিদনা ইনশীনবনি ।"

নিখৌনা হায়রকই, "রঘুপতিগী মনাক্তগী থাপতোক্না লৈখু ।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "কদাইদা চৎলুগে তাকপিয়ু । ঐ মফমসিদা লৈজনিংদ্রে । ঐ মফমসিদগী— রঘুপতিগী মনাক্তগী— চেনভখিবা পাম্লে ।"

নিখৌনা হায়রকই, "না ঐগী ইনাক্তা লেপনা অয়ুক্ষক লৈয়ু, মফম কৈদস্থ চৎলুগানু— রঘুপতিনা নডোন্দা কনি তৌররা চমগনি !"

নক্ষত্ররায অতু রঘুপতিনা মাবু নমতুনা নিদনা পুখিপদে গুম নুংশা থীবগা লোয়ননা নিংথৌগী খুজেঙদা চেংনা পায়াশল্লক্লে ।

তরামাথোইশুবা তাঙ্কক

নক্ষত্ররায়না নিংথৌগী মথুজেং পায়রতুনা উমং ফাওতনা মখুম তান্না হল্লকপা মতম অতু ফাওবা আতিয়াদগী মঙাল খজিক খজিক ফাওরক্লি, অতবু উমংগী মথাদদি যাম্না শাথীনা মন্নে । অমস্থগী ইচাও [illegible] লাকপগুম্নে, উপা[illegible] [illegible] মথক্তা [illegible] [illegible] থক্ত [illegible] অমত্না পুমথন থনখিতুনা আতিয়াগা, পৃথিবীগা [illegible] ।

কোমুংগী লম্বেললোমদদি চত্তুনা নিংথৌনা মন্দিরগী মাইকৈ পাংলক্লে। মন্দিরগী সন্ধ্যা-আরতি লোইরবুনা রঘুপতিগা জয়সিংহগা খাংপোক মনুংদা থাওমৈ অমা থাল্লদুনা ফম্মি। মবানিমক তুমিন্ন তুমিন্না মশা মশাগী রাখলদা তাওরি। থাওমৈগী পিক্লবা মঙালদুদা মবানিগী মাইথোংগী অমম্বা অদুতমক উরি। নক্ষত্ররায়ননা রঘুপতিবু উবদা মনাহৈ হুংগৎপা ওনদ্রে; নিংথৌগী মরুমদা লেপ্লদুনা মমাই লৈখাতল্লা লৈরে— নিংথৌনা মাবু মনাক্ত। চিংশিল্লগা মথুদাং চেৎনা পাংথনা লেপহল্লে অমম্মুং মিৎফম হোৎদনা রঘুপতিগী মাইথোং তম্না যেংলক্লে; রঘুপতিনা খারবা নিংয়েংনা। নক্ষত্ররায়গী মকমদা [illegible] লকই। [illegible] অদুদা নিংথৌনা রঘুপতিবু হুবত্রে, নক্ষত্ররায়মু [illegible] [illegible]। রঘুপতিনা থুং বদু ওব্রগা চা-লেপ্লবা খোম্লাংনা হা[illegible] 'অ[illegible]— [illegible] য়াইফ[illegible]না ?"

নিংথৌনা [illegible] তুমিনা লৈকবগা হা[illegible]কই, "ঠাকুর, আশীর্ব্বাদ তৌবিয়ু, লৈবাক্কী ফ[illegible]বা [illegible]। লৈবাক অসিদা ইমাগী মচাপুম্না পুবগে-থাইজেল তিন্ননা মু শিনা লৈমিন্নসনু, লৈবাক অসিদা মযাম্বগী মনাক্তগী মন [illegible]বু কনানসু মুন্দুনা পোদবা ওইসনু, মুংশিনবা লৈবা মফ[illegible]দুদা কনানসু হিংসা লিংখৎপা তৌদসনু। অদুবু লৈবাক্কী ফত্তবা থোক্লমদ্রা হায়রবসিগী চিংনজদুনা লাকচরিবনি। ফত্তবা রাশল্লা তক্লবকপদা লাম্ম হৌরকপা যাই— মদু মুথৎপিয়ু, শান্তিগী ইশিং থিকথবিয়ু, মালেম অসিবু ইংহনবিয়ু।।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "লাইগী অশাওবা মৈনা চাকখৎলক্লবদা কনানা থিংলুবা ওমগনি ! অরানবা অমগী দমক্তা লানজদবা লিশিং লিশিং মৈচুংদুনা চাকথেকই।"

নিংথৌনা হায়রকই, "মহুনি কিরিবা, মহুগীদমক্তনি রারিবসি। রা অসি খংন-খংন খংনজ্রিবসি করিগীনো ! ঠাকুর খংবিদ্রা, লৈবাক অসিদা লাইগীনি হায়জিন্দুনা লাইগী নিয়ম থুগাইরে হায়বসি ? মহুগী দমক্তা ফত্তবা থোক্লরগনি কিজহুনা ওসি য়াচংবা মতমসিদা মফমসিদা ল্যাকচরিবনি— মফম অসিদা পাপকী উপাল থাবিহুনা ঐগী মহৈ-মরোং চূল্লবা নুংঙাই-য়াইফরবা লৈবাকসিদা লাইগী বজ্র কৌথবিরক্নু। ঠাকুরদা রাফমসি তশেংনা খংহনজরম্লবসিনি, মসি হায়গে হায়বগী দমক ঐ মফমসিদা লাকচবনি।" অসি হায়রগা মহারাজনা রঘুপতিগী মমাইরোমদা থম্মোইশোক্লবা মিৎয়েংনা য়েংলক্লে। নিংথৌগী য়াম্না চীং-লেম্লবা হক্লবা খোংম্বাং অহু ফাজিল্লবা নোংলৈগুম খাংপোক মনুংহুদা থক থক নিঙুনা লৈরক্লে। রঘুপতিদি খুম্বা-লাকপা অমতা ত্তৌদ্রে লৃগুণ পায়রগা শিত্তুনা লৈরে। নিংথৌনা মুরুম্লগা নক্ষত্ররায়গী মখুদাং পায়রহুনা মপান্দা থোরক্লে, মতুংদা জয়সিংহনু ইম্লরক্লে। ইমুং অহুদা থাওমৈ অহুমনে, রঘুপতিনে অহুগা রঘুপতিগী চাওরবা মমিনে অহুতা মঙাইহৌরে।

মতম অহু আতিয়াগী মঙাল মুৎখ্রে। নোংলক্তা থরান লুপখ্রে। আতিয়াগী কাচিন খুদিং মমশিনখ্রে। নোংপোক পাংবা নুংশিৎনা শুক্রা মম্লবা মরক্তুদা কদাইদগীনো কদমগী লৈনম পুরক্লি অহুগা উম্নুংগী শ্রো শ্রো মখোলসু তারি। রাখলদা লুপ্লহুনা অখওবা লম্বী তুংইম্না নিংথৌনা অহুম লাকপদা, থংহৌদনা তুংলোমদগী কনানো অমনা কৌবা তারক্লে, "মহারাজ।"

নিংথৌনা মমাই লৈথোরক্লগা হংলকই, "কনানো ?"

অথওবা খোনফম অমনা খুল্লকই, "ঐহাক মহারাজগী তোল্লবা ননাই জয়সিংহনি। মহারাজ, মহারাজনা ঐগী গুরুন্নু ইবুঙোন্নু গুপ্লবনি। মহারাজ নত্তনা ঐগী কনা অমা অমুক লৈজদ্রে। মহারাজনা ননাও ইবুঙোবু খুৎ শমত্নুনা অমম্বা মরক্তা পুবিবগুম ঐবুন্নু খুৎ শম্বিয়ু, লোযননা পুবিয়ু; ঐহাক হায়কম খংদনা ময়্লবা মবক্তা তাবে। ঐহাক কদাইনা অফবনো, কদাইনা ফত্তবনো হায়বত্নু করিমতা খংজদ্রে। ঐহাক্ ওইরোমদা অমুক যেৎলোমদা অমুক কোইচৎ চত্তুনা লৈরে, লমজীদবগী কনামতা লৈত্রে।"

অমম্বা মরক্তুদা মপি শিন্থবি, মত্নুদি কনানম্নু ঊবিদ্রে, গুপ্পগী লাংতক্লবনা হিক্লবা জয়সিংহগী খোনফম অত্নুতমক তনিক তনিক্লা নিংথৌগী মনাকোংদা য়োরক্লি। মোং-হাদ্রবা তপ্লবা অমম্বত্নু মুংশিংকী ইপোম্না ইহৌহল্লবা সমুদ্রগী মতৌগুম তনিক-তনিক্লক্লে। নিংথৌনা জয়সিংহগী মথুদাং পায়রগা হায়রকই, "চৎলু, ঐগা লোয়ননা কোন্নুংদা চৎসি।"

তারানিংথোই গুবা তাঁকক

মতুংগী নুমিত্তা জয়সিংহনা মন্দিরদা হল্লকপা মতমত্নুদদি পুজারী মতম হোৎখ্রে। রঘুপতি মথন্তমক মাইথোং লাংশিল্লা কমত্নুনা লৈরি। মমাংগৌগী মতমদা অম্নুমা মতম নাইদবসি অমুত্নু থোক্লখিদ্রি।

জয়সিংহ লাক্লগা গুরুগী মমাক্তদি চঞ্জনা মাগী লৈকোল মনুংলোমদা চংখে। মাগী উপাল-রাপালশিং অদুগী মরক্তা চংদুনা যমনুরে। মখোল [illegible] [illegible]দুনা মাগী মাইকৈ মনিদা তানক তনিকলে, [illegible] মমিশিংবু জগোই শাহল্লে। মাগী মাইকৈ মনিদা লৈ[illegible] হুৎলবা [illegible] চবুন, [illegible] চবুন [illegible] চবুন করা, [illegible] থল্লবা [illegible]। [illegible] [illegible], [illegible], মহৌশা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], লৈনৈ —[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]ন্দ, যে [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] তৌবা সেনাগী মরক্তা, মহৌশাগী অতিগুম্বা কোন্নং মনুংদা [illegible] [illegible] হনা রাখ। খনবা হৌবকই নিংথৌনা মতোন্দা তাক্লকপা পাওতাকশিং অদু মপুক্লিংদা মথন্তা লৈনজবা হৌবকই।

তাঞ্জা অসিদা তপ্না তপ্না রঘুপতি লাক্লুনা মাগী মনমগন্দা পাবররে। জয়সিংহদু খংদ্রেক খংই। রঘুপতিনা মনাক্তা ফম্লরে। জয়সিংহগী মাইথোং তম্না যেংলগা মখোল তনিক তনিক্লা হায়রকই, "নিপামচা, নহাক্লা তৌরিবা মতৌসি করিনো? ঐহাক্লা করি তৌরদুনা মহাক অসুম অসুম ঐগী ইনাক্তগী লাপথোক্লবা হোৎনবিবনো?"

জয়সিংহনা করিনো অমা হায়গে তৌরকপদা রঘুপতিনা খংথং থৎলদুনা হায়থরকই, "মিকুপ অমা ফানা ঐনা নংবু লুনা-চান্না তৌদবা [illegible]? ঐহাক নংগী নকমদা করিগুম্বা অকায়বা চংখিবা য়াওরবরা, জয়সিংহ? করিগুম্বা চংখিবা লৈরবদি—ঐহাক নংগী [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]. ঐনা [illegible] [illegible] হায়[illegible]নি. [illegible] [illegible]?"

জয়সিংহত্থ বক্রনা পাল্লবা মীগুম খ্বাই লাওখ্রে, গুরুগী মথোং পায়বত্থনা কপ্পা হৌবক্রে, অত্থগা হায়রকই, "ইপা ইবুঙো, ঐ ককরিমতা খংজদ্রে, কবিনতা ভাব তাঙ্জদ্রে, ঐনা চৎলিবসি কদাইদনো হায়বা লেপ্পা ঙম্জদ্রে।"

রঘুপতিনা জয়সিংহগী মথুং পায়দত্থনা হায়রম্মি, "ইবুঙো ঐহাক নংবু পিশক পিরবদগী হৌনা অপাকপী ননাগুম লনা লাম্না য়োকল্লবনি, অপোকপা নপানা হেন্না চেকশিন্না শান্দ তানবা কানা চেংলবা থাজবা। পোযনবা মকপক। ঐগী অনোনবা নংবু। নাখো লোক্ট ওনসিল্লকবনি ঙসি ননানা নংবু ঐগী ইনাক্তগী চিংথোকপিরেনো— মতম অস্থক শানা লৈবক্রবা হু শিনবগী লিংলনবু থদংলাবিবনো ? নগী নফমদ ঐগী সাইনা-পিনবগী হক সৈজ্জরবরবু কনানা শেংলবা হক্তুদা থুং খিজিল্লবিবনো ? হায়ু ইবুঙো, মহাপাপী অত্থগী মমিং হায়ু।"

জয়সিংহনা হায়রকই, "প্রভু, নংগী নফমদগী কনানম্থা ঐবু লাপথোকহনবা তৌদে—মহাক্তনা ঐবু তাম্থোকপিবনি। ঐহাক ইমুংদা লেংদনা লৈজবম্বনি, অত্থবু মহাক্না খংহৌদনা ঐবু লমজাও শোয়োক্তা লেপহনবিবনি। মহাক্না তাকপিখিবদাই, কনানা ইপানো, কনানা ইমানো, কনানা ইচিন-ইনাওনো। মহাক্না হায়বিখিবদাই, পৃথিবীদা করিগুম্বা লিপুন অমতা লৈত্তে, চায়বা মুংশিবগী শেংলবা হক লৈতে। ইমানি হায়না খঙবগী মহাক্তবু মহাক্না শক্তিনি হায়না তাকপিরে। হিলোংগী মকম খুদিংমক্তা, ইমু-মাইমু তানবা মকম শুম্বমক্তা, খচিন মনাক্তাইবা অকমবা, মী অনিম্মা শাল হেক্ শোয়বা মানমফ্রা,

থৌরাংলবী শক্তি অসিনা ঐ থক্কবগীদমক ঐ মানবা পাম্ন পাম্নমছুনা ঙাইহুনা লৈ তাকপিম্নে। নহাক্না ইমাগী [illegible] ঐবু থাংথবিম্নগা করিগী দমক্তনো হিংচাবীগী লৈবাক্তা তাম্বোকপিম্নিবা !"

রঘুপতিহু মতম ক্না শাংনা ফুংম্বংননা কমছুনা লৈখ্রে। কাইনথংদা স্বর-মপী হোল্লছুনা হায়রকই, "[illegible] ওইরবদি নহাক নিং-তম্নে, অকা-অপুন লৈত্রে, নংগী নথক্তা লৈরম্বা ঐগী হক গুম্বা ঐহাক লোথোক্রে, মছুনা নংগী অপাম্বা ওইববদি মছুম্না তৌরো।" অসি হায়রছুনা হৌগত্রুনা চৎনবা থৌরাং তৌরক্রে।

জয়সিংহনা মখোংদা কোল্লছুনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে, প্রভু, নহাক্না ঐবু থাদোকপিরবসু ঐনা নংবু থাদোকপদি ঙমজরোই। ঐহাক লেংদনা লৈজরবনি—নখোং খুয়াদা লৈজরবনি, নংনা অপাম্বা চা তৌবিয়ু। নতুং ইপ্পবা নত্তনা ঐগী অতৈ লম্বী লৈজদে।"

মছু তাবদা রঘুপতিনা জয়সিংহবু কোনশিল্লক্রে, মমিৎতগী চেম্নকপা। জয়সিংহগী মরেংবান্দু চোৎলক্রে।

অম্নাহুমদোইত্তবা তাক্‌

[illegible] মী য়াম্না তিম্নবে। য়াম্না [illegible] [illegible]। [illegible]না [illegible] [illegible]না হন্দকই, "[illegible] [illegible] [illegible]!"

মখোইনা তৌভান তোভানবা খোঙ্গেল কয়াদা লাওরকই, "ঐখোই ইমা লাইরেন্বী থুরুবা লাক্লিবনি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "ইমাদি কদায়! ইমাদি লৈপাক অসিদগী লেংখ্রে। নখোই ইমা লাইরেম্বীবু থিংবদি ঙমস্ত ঙমদনা। মহাক্তি লেংখ্রে।"

য়াম্না লাও-খোংবা হোৌরক্রে—মাইকৈ কয়াদগী য়াঙাং কয়া তারক্রে।

"তাকপিরিবা য়াত্থবু করিনো, ঠাকুর?"

"ঐখোইনা করি ইয়াল লংজখ্রবগে, ঠাকুর?"

"ইমা ঐখোইবু করিমতা থৌজানবিররোইদ্রা?"

"ঐগী ইনাও নিপাছু মশা ঙমদছুনা লৈবদগী ঐহাক হুমিং কয়ানিমুক পুজা কৎলবা ঙম্মুদ্রে।"—মহাক্না মপুক্লিংদা কয়া চিংনরিবনি, মহাক্না মীরাইনা তৌবছুদা দেবীনা শাওরছুনা লৈবাক থাদোকখ্রবনি, অসিনি।

"ঐগী হামেং অনিথক ইমা লাইরেম্বীদা কৎকে হায়না লেপখি, অছুবু লম থাপমন্দুনা লাকপা ঙমখিদ্রে।"—হামেং অনিছু [illegible] খেঙবদগী লৈবাকী অসিগুম্বা ফত্তবসি খোক্লবনি হায়বসি [illegible]। মহাক মপুক্লিংদা অরাবা অমা ওইরে।

"গোবর্ধননা লেপখিবছু ইমাদা কৎপদি তৌখিদ্রে, অছুবু ইমানা [illegible] মঙোন্দা মঙ্গী মতিক চাবা দম্ভিদি [illegible] পিরে। মাগী [illegible] অছু অমুন চাওখৎলকুনা পুনখন য়নখ্রে, থা তরুকলোয় [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈখ্রে।—গোবর্ধন অছু মাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইমাদি লেবেনা [illegible] [illegible] [illegible]

মহাক্না মপুক্কিন্দা খুকমজরিবা। ময়াম্মক মরাইবক থীরবা গোবর্ধনগী ফিবাক অদু হায়ফম খংদনা চাওখৎলকুবা লাই নিঙ্ঙমদক্রে।

মযামতুগী মৎক্তা রাংলবা নিপা অমা যাওবনি, মহাক্না মথ নতুব্বু [illegible] রা ঙাইহনদে, অদুগী [illegible]। [illegible] মথুং লোৎলগনা হায়রকই, "ঠাকুর, [illegible] থিবনো, ঐখোয়গী [illegible] লৈগনবগে?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "নং ইদি [illegible] কাওবা কৎপা ঙমদে, মসিনা নখোয়গী [illegible]।"

ময়াম পুন্নক [illegible] তুমিন লৈনখে। অদুগী কাইনথংদা রা অমুক ঙাইরক্লে। মবোল শেংলন শেংযাওনা কনাং কনাওথনা হায়রক্লে, "নিংথৌনা থিংখিবনি, ঐখোইনা কবি তৌবা ঙম্মুনি।"

জয়সিংহদু হুংগী মূর্ত্তিগুম তুমিন্না কয়থুনা লৈরম্মি। 'ইমানা থিংখিবনি' হায়বা রাইহসি কৎ লাওনা মাগী লৈতোন থান্না পাইখো-রক্লম্মি— অদু, মপুক্কিদু মথন্তা ফাখত্রবে, রা অমতা কাংখোরক্লে।

রঘুপতিনা য়াক্লবা খোনযাম্না হায়রকই, "নিংথৌ হায়ববু কনানো! ইমাগী সিংহাসন অসিবু নিংথৌগী সিংহাসনগী মথাদরা। অদু ওইরবদি ইমা লৈত্রবা লৈপাকসিদা নখোইগী নিংথৌ অসি কোন্দুনা নখোই অচুম্বক লৈয়ু। য়েংসি নখোইবু কনানা কনবিবগে হায়বা।"

[illegible] অদু ঙুং ঙুং অমুক নিংরক্লে। ময়াম্মক চেকশিন-চেকশিনা রা ঙাওরকই।

রঘুপতি [illegible] হায়রকই, "নিংথৌনা [illegible] মথাবু [illegible] লৈপাকগী [illegible] নিংথৌ [illegible]

মহুনদি মুংঙাইনা পানগনি হায়রবা থক খল্লুম্ব । চহি অহুমগী মতুংদদি অসুক চাংখ্রবা লৈপাকসিদা নখোইগী যুম্ফমগী মমি কাওবা তাররোই-দবনি । নখোইগী [illegible] মৈহুম পাগনিনবা ফাওবা লৈবরোইদবনি ।”

মীয়ামা [illegible] নাইদ্রবা ঙুং ঙুং লাওবা খোম্লেলনা [illegible] [illegible] হংলক্লে । মীশীসু যাম্নহংলক্লে । অল্লাংবা নিপাকুন [illegible] রঘুপতিদা হায়রকই, “মচাশিনা লানবা লৈবা [illegible] অহুম্মক দত্তি পিসন্ত অহেৎপা মমানা মচাবু পুমথা [illegible] চংখি হায়রবসিবু [illegible] রাযম্লা ! প্রভু [illegible] কনি [illegible] ইমানা অমুক হন্না [illegible] ।”

রঘুপতিনা হায়রবই, “নখোইগী নিংথৌ অসিনা লৈপাকসি থাদোক্কনা হেক চংখ্রবা মতমদতা ইমানা অমুকহন্না লৈপাকসিদা খোংদাবিরক্কনি ।”

রা অসি তাবদা মীয়াম্না ঙুং ঙুং ওংলম্বহু খংলেপ লেপখ্রে । খংহৌদনা মাইকৈ মবিমক পুমচিক চিকখ্রে, অহুদগী মখোই মশেল অমগা অমগা য়েংনরক্লে ; কনানসু ইচংথোনা রা ঙাংবা ঙম্লদ্রে ।

রঘুপতিনা নোং থাকপগুম ওংলহুনা হায়রকই, “অহুদি নখোই য়েংনিংবরা ? লাও, ঐগী ইতুং ইল্লকউ লাও । থাগ্ন-থাগ্নবা লম্মদগী নথল্লাই য়াওনা ইমা লাইরেম্বীবু খুরুম্বা লাক্লিবা ঙাক্কনি— চংসি চংলো মন্দিরদা ।”

[illegible] কিনা কিনা মন্দিরগী [illegible] লাক্কুনা তিল্লরে । মন্দিরগী [illegible] [illegible] ; রঘুপতিনা [illegible] [illegible] থোঙ [illegible] ।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] রা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।

লাইরেম্বীগী শতম অহু উত্রে, ময়ামলোমদা তুং ওল্হোক্ত্না লৈত্রে। ইমানা য়ারোৌবিথ্রে। খংহৌদনা ময়াম মরক্তগী কপ্পগী খোজেল তানরক্রে, "অমুক্তা মায় ওল্হোকপিরকউ, ইমা। ঐখোইনা করম্বা ইরাল লাক্তখিবা লৈরবগে ?" মাইকৈ মরিমক্তা "ইমাদি কদায়" "ইমাদি কদায়" হায়না লাওনরক্রে। মুর্ত্তি অহুদি তুং ওইখিবনা লৈখোরক্তে। মী অয়াম্বা য়াম্লনখ্রে। অঙাংশিংনা মরমদি খংদনা কপ্পরক্রে। হনুবশিংনা মমা কাইনরবা পিক্রবা অঙাংগুম কোৌবা হৌরক্রে, "ইমা, হো ইমা!" তুপীশিংগী মাইখুম হাংদোক্লরক্রে, ফীজি নাম্থনা তাথ্রে, মথবাক্তা খুত্নমা শুক্ষবা হৌরক্রে। নহারোলশিংনা তনিক তনিক্রবা য়াংলবা খোঞ্জানা লাওনরক্রে, "ইমা, নংবু ঐখোইনা অমুক হন্না পুরক্কনি, নংবু ঐখোইনা থাদোকপা তৌজরোই।" অঙাওবা নিপা অমনা ইশৈ শরক্রে—

"চিংগী মমোয়োই ঐগী ইমানা
য়েংবিত্রে অমুক মচাবু হন্না।"

মন্দিরগী থোঙজিন্দা লেপ্লহনা লৈপাকপুম্বনা "ইমা ইমা" হায়না কেখানরক্রে, অহুবু মুর্ত্তিদি মায় ওল্হোকপিরক্তরে। য়ুংলমদাই মুরিংকী মৈশা য়াকশিন্নক্রে, অহুবু শুমাংদা চরা হেল্লবা মীয়ামগী কেখাবহুদি লোনা লৈত্রে।

মতম অহুদা জয়সিংহনা কিনা কিনা চংলক্তুনা রঘুপতিদা হায়রকই, "বাবু, ননাই ঐবু য়া অমা কাওবা ঙাম্লবা য়াম্লরোইদ্রা?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঙম্লা য়ারোই।"

জয়সিংহনা হায়রকই, "চিংবগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

রঘুপতিনা রাজবা খোমাংদা হায়রকই, "খোক্তে।"

জয়সিংহনা খুতুম পারশিল্লদুনা খোল কল্লপ হায়রকই, "পুন্নমকসি হেক্তা থাজবদা তায়বরা ?"

রঘুপতিনা জয়সিংহবু য়াম্না খারবা মিৎয়েংনা চাগদৌবগুম য়েংলদুনা হায়রকই, "থাজগদৌবনি।"

জয়সিংহনা মথবাক্তা খুৎ থম্লগা হায়রকই, "ঐহাকী খশ্মোইসি কাইথিগদৌরে।" অসি হায়রগা মহাক মীয়াম মরক্তুদগী চেখোকখ্রে।

তরামরিগুবা তাকক

মথংগী মুমিত্তুনা ইঙাগী ২৯ নি পানবনি। ঙসি অহিং চতুর্দশ দেবতাগী পূজা তৌগদবনি। ঙসি অয়ুক কোনা পাম্বীগী উমং [illegible] মুখিং থোরকপদা নোংপোক মাইকৈদা নোং পক্তে। শনাগী [illegible] থুমহৎলবা মুংঙাইবগী ইহৈদা লুপবা নৈকোনদুদা জয়সিং[illegible] [illegible] কয়বা মতমদা মমাংঙৈগী রা পূম্নমক মাগী খশ্মোইদুদা [illegible]। উমং অসিগী মনুংদা, মুংগী মন্দিরসিগী মুংচনবা সিড়ি পরেংদা, গোমতী-সিগী তোর্বানদা, চাওরবা কঠ পাম্বীদুগী [illegible], উমংগী [illegible] লাংলবা পুক্রি [illegible], [illegible] অঙাং [illegible] পুন্সি [illegible] [illegible]. [illegible] [illegible]। [illegible] অঙাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

নোক্লক্রে, মাবু হুম্না অমুক কৌরক্রে, অদুবু মাগী থম্মোইদাদি হায়রি, 'ঐহাক যাত্রা তৌদুনা থোক্লক্রবনি, ঐনা বিদায় সিরি, ঐ অমুক হুন্নক্লরোই।' অদোবা হুংগী মন্দির মথক্তা হুমিংকী মঙাল য়েরি অমদুং মাগী ওইরোম থংবা মুক্ষমথক্তা বকুল ম-শাগী অনিক তনিকপা মরুম ত্যুরি। অদাং ওইরিবৈদা হুংগী মন্দির অসিবু মথরাই পানবা অমগুম্না থনবা, সিড়িথক্তা মথক্তা ফম্লদুনা শান্নবা মতমদা সিড়িশিং অসিবু মমান্নবগুম উবা মতৌ অদুগুম্না ভসি অবুক্কী হুংশা মঙালনা য়েবদা মন্দিরবু মথরাই পানবগুম্না, অদুগা মাগী সিড়িশিং অদুবুনা অদাং ওইরিবৈগী রাথল অদুগুম্না উবা হৌরক্রে; মন্দির মহুংদা লৈরিবী মমাবু ভসিদি ইমানি হায়না খল্লক্রে। অদুবু ওইন-পুকচেম্না মাগী থম্মোইদু থনখ্রে, মমিৎ অনি পাযোক্লা পিগী ইরা শিন্দুরক্রে।

রঘুপতি লাকপা উবদা জয়সিংহনা মমিত্তগী মপি অদু তৈথোক্রে। ভরুখু থুরুম্নগা লেপ্পুনা লৈরে। রঘুপতিনা হায়রকই, "ভসিদি পুজাগী ভুমিংনি। ইমাগী চরন শোক্লদুনা করি রাশকথি হায়বা নহাক্ল নিংশিংজিব্রা?"

জয়সিংহনা হায়রকই, "নিংশিংজরি।"

রঘুপতি। রাশক ভাকনিদনা?

জয়সিংহ। ভাকচগনি।

রঘুপতি। য়েংউ, নিপান্নচা, রাজা চেক্লশিনগদবনি। খুদোং চিবা থোকম রাজা লৈ। ঐহাক মথু [illegible] রাজাশিংবু [illegible] মথক্তা হৌহল্লবনি।

জয়সিংহনা তুমিন্না রঘুপতি [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]। রঘুপতিনা [illegible]

"ঐগী অশীর্ব্বাদতগী নহাক দ্বৈখাই-থিনগাই লৈতনা নথৌ পাংথোকপা ওইয়ু, ইমাগী য়াথং ভাকপা ওমজো।" অসি হায়রম্লগা চৎখ্রে।

মু থিল ওইরক্লবদা কা অমদা ফম্লদুনা নিংথৌনা ধ্রুবগা শান্নমিন্নরি। ধ্রুবগী য়াথং মতুংইন্না মকোক্তগী লুহুপ অমুক লৌথোক্লি অমুক উপশিল্লি, মহারাজনা রারিবা মতৌদু উবদা ধ্রুবনা শীথনা নোক্লি। নিংথৌনা মোমোন তৌরদুনা হায়রকই, "ঐহাক তখা লাক্লরিবনি। মাগী য়াথংনা লুহুপ অসি ইরাই লাইনা উপ্পা ওমাংখবগুম মাগী য়াথংনা লুহুপ অসি কোম্না লৌথোকপা ওয়বনি। লুহুপ উপ্পা হাযবসি অরুবা অমনি, অদুবু লুহুপ লৌথোকপনা অমুক মহুদগী হেন্না শাথীনা লুই।"

ধ্রুবগী মপুংক্লিংদা রাখল অমা খংপোক পোক্লক্লে—ওহাক্তং নিংথৌদা য়েংলগা মচিন্দা থুদোনবী চুপ্লদুনা হায়রকই, "নহাক আজানি!" রাজা হাযবা রাহৈদগী 'র' হাযবা ময়েকসি পু মুৎ মুথংখ্রবমু ধ্রুবগী মপুক্লিংদা করিনতা মুংঙাইতবা পোক্তে। নিংথৌগী মমাংমক্তদা রাজাবু আজা হায়রবদুদা মহাকী মথরাংদু পোগ্লবা অমা ওইখ্রে।

নিংথৌনা ধ্রুবগী অসিগুম্বা মচোং-মপাক নাইদবদুদা থাংবা ওমল্লদুনা হায়রকই, "নহাক্লি আজাদি!"

ধ্রুবনা হায়রকই, "নহাক্লি আজা।"

মসিগী মরমদা য়েংনবগী লোইহবা লৈত্রে। মাইকৈ অমতদু থ্রমান য়াওনদে, পাক্লল মুদোক্লদুনা য়েংনবা মরৈনি। মমৈথংদা নিংথৌনা [illegible] লুহুপ অদু লৌথোক্তুনা ধ্রুবগী মকোক্তা উপশিন্নরিরে। [illegible] ধ্রুব্বা [illegible] অমুক লৈত্রে মপুং [illegible] মাইথীবা হায়বদু [illegible] চৎখ্রে।

লুহুপ-কোম্নরবা চাওরবা মকোক্ত হাইরদুনা ধ্রুবনা লুহুপ রাওব্রবা নিংথৌদা রাথং তৌরকই, "রারি অমা লিয়ু।"

নিংথৌনা হায়রকই, "করি রারি লিয়ুগে ?"

ধ্রুবনা হায়রকই, "ইচেগী রারি লিয়ু।" রারিতবু হায়রবদি ধ্রুবনা মচেগী রারিদুবু খংই ! মহাক্না খল্লি, মচেনা লিবিখিবা রারিশিংদু নত্তুনা পৃথিবীসিদা রারি অতৈ অমুক লৈতে।

নিংথৌনা মতমদুদা শাংলবা পৌরানিকী রারি অমা লিখৎলক্লে। মহাক্না হৌরকই, "হিরণ্যকশিপু কৌবা নিংথৌ অমা লৈরম্মি।"

নিংথৌ পল্লকপদু তাবদা ধ্রুবনা হায়রকই, "ঐনি আজাদি।" কোম্নবা লুহুপ অদু উপ্পুবদগী মহাক হিরণ্যকশিপুগী নিংথৌ খুভমদুবু করিমতা থৌশারুবা তৌখিদ্রে।

রাঙাং হৈরবা অঙম-অথৌগুম গোবিন্দমাণিক্যনা লুহুপ উপ্লিবা অঙাংমচা অদুবু পেলহম্নবগী দমক হায়রকই, "নংসু আজানি, মাসু আজানি।"

মতুদসু ধ্রুবনা মপুক্লিংদা য়ানিংদবা তশেংনা উৎলদুনা হায়রকই, "নত্তে, ঐনি আজা।"

মতুং অদুদা মহারাজনা, "হিরণ্যকশিপুদি আজা নত্তে, মহাক্তি আকসনি" হায়রক্লবদা ধ্রুবদু থোইনা য়েৎনিংঙাই অমুক লৈত্রে।

আজা অসিদা নক্ষত্ররায় কা অদুদা চংলকই ; অদুগা হায়রকই, "নিংথৌগী থবকী দমক ঐবু মহারাজনা নিংশিংবি হায়না ভাজে। মরাথং ভাকপিনবা ঙাইজরি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঙহাক্তং ঙাইখো, ৱারিসি অমুক্তা লোই-থোকখিগে।" অসি হায়রদুনা ৱারিদু পুম্নোই লোইনা লীরে। "আক্কসতি ফত্তে"— হায়না ৱারিদু তাবদা তেন্না ধ্রুবনা মাগী মত পিরক্লে।

ধ্রুবগী মকোক্তগী লুহুপ্তু উবদা নক্ষত্ররায়গী মথৱাই নুংঙাইত্রে। ধ্রুব অদু নক্ষত্ররায়না মঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা লৈরে হায়বসি উরদুনা নক্ষত্ররায়দা য়াম্না চীং-লেংবগা লোয়ননা থংহল্লকই, "ঐহাক আজানি।"

নক্ষত্রনা হায়রকই, "তুমিন লৈয়ু, মহুন্না হাম্লহৈদে।" অসি হায়রদুনা ধ্রুবগী মকোক্তগী লুহুপ অদু লৈথোক্লগা নিংথৌগী মখুত্তা লানশিন্নবা তৌরক্লে। ধ্রুবনা লুহুপ হুরানখিগদবগী মতৌদু উবদা থাঙ্গৈহেকশেংবা নিংথৌশিংগী মতে গুন্না খাঙোও-লাংঙবা হৌরক্লে। গোবিন্দমাণিক্যনা খুদক্তা তারিবা অৱাবক্তুগী মাদু কনবিরে, নক্ষত্রবু থাম্লে।

মতুগী মতুংদা গোবিন্দমাণিক্যনা নক্ষত্ররায়দা হায়রকই, "ঐনা অস্তুম তাবদা, রঘুপতি ঠাকুরনা নত্তবা হাযজিন্দুনা প্রজাশিংবু মথৱাই নুংঙাইতবা পোকহন্নে হায়। নহাক নশামক সহরদা কোইচৎ-চত্তুনা মসিগী মরম কুপ্না থিজিল্লু অদুগা অচুম্বনি অরানবনি হায়বদু অরেপ্পা খংলগা ঐঙোন্দা খংহল্লু।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "তাকপিবা য়াথং ইংগনি।" অসি হায়রগা চৎখ্রে— অদুবু ধ্রুবগী মকোক্তা লুহুপ উবদু উবদা মাগী মথৱাইদা ইন্নুং-নুংঙাইখিদ্রে।

থোঙশঙবনা লাক্তুনা হঙ্গংলরে, "পুরোহিত ঠাকুরগী মনাই জয়সিংহনা খুরুমজনিন্দুনা থোঙদা ঙাইজরি।"

নিংথৌনা মাবু চংহল্লকউ হায়না য়াথং পিল্লে ।

জয়সিংহনা মহারাজবু খুকুম্লগা মখুৎ লোম্নরদুনা হায়রকই, "মহারাজ, ঐহাক যাম্না থাগ্নবা লমদমদা চৎচখ্রগে । নহাক্কি ঐগী ইনিংথৌনি, ঐগী গুরুনি, ঐবু আশীর্ব্বাদ পিনবিনবা লাকচরি ।"

নিংথৌনা হংলকই, "করি লমদমদো চৎকদৌরিববো, জয়সিংহ ?"

জয়সিংহনা হায়রকই, "মতুদি থাজদ্রে, মহারাজ । কদাইদনো হায়বা লেপ্পা ঙমজদে ।" নিংথৌনা ৱা হায়বক্কে তৌবদু উবদা জয়সিংহনা হায়রকই, "ঐবু থাম্বিবগনু, মহারাজ । নহাক্না থাম্বিববদি ঐগী খোংচৎ অসি অফবা থোক্লরোই । আশীর্ব্বাদ তৌবিযু, মফম ওসিদা ঐনা চিনজবা লৈবা পূন্নমক্তু মযম অতুদদি কবিমতা অমুক লৈজদবা । মযম আসনা নোংমা অমা মফম অতুদা অমুক মংবিদবা । নহাক্কুম্বা নিংথৌগী লৈবাক্তা লৈজববা, পুরি দা অহংবা ফংজবা ।"

নিংথৌনা হংলকই, "কদৌদৈ চংকদৌরিবা ?"

জয়সিংহনা হায়রকই, "ওসি যাচবা মতমদা । মতম থোইনা অমুক লৈত্রে, মহারাজ । ঐহাক অহুম্মক বিদায় লৌজবগে ।" অসি হায়রদুনা নিংথৌবু খুমল্লগা খুযাগী উফূল লৌবে, নিংথৌগী খোংথক্তা পিমবিক অনিথকসু তাথোকখ্রে ।

জয়সিংহনা হৌগংলদুনা চংলগে হায়না তৌবকপা মতমদুদা ধ্রুবনা তপ্পা তপ্পা চংশিল্লকুনা মাগী ফীজি পাযবগা হায়রকই, "নহাক চংখিনু ।"

জয়সিংহনা নোংরদুনা মমাই ওনশিল্লক্লে, ধ্রুববু পনখৎলগা চুপ্লদুনা হায়রকই, "কনাগী মনাক্তা লৈগদগে ইবুংঙো ? ঐগী কনা অমুক লৈবি ?"

ধ্রুবনা হায়রকই, "ঐহাক আজানি ।"

জয়সিংহনা হায়রকই, “নহাক্তি নিংথৌগী নিংথৌনি, নখোইনা ময়াম্মকপু বন্দী তৌত্রনা থম্লিবনি।” অসি হায়রদুনা ধ্রুববু পম্বদগী থাথরম্লগা জয়সিংহ ইমুংদগী নপাল থোকখে। মহারাজনা শুকখনা মতম শাংনা রাখল তৌহনা লৈখ্রে।

তরামিঙাশুবা তাঙ্কক

[illegible] [illegible] মঙ্গিংনি। [illegible] নংলি, থাস্সু থোকলি। অত্তিরগী ম[illegible] [illegible] [illegible], নবম [illegible] [illegible]। করিগুম্বদা থাগী মশক হেক [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible] নপালগী উন[illegible] [illegible] খোইগী শক্তা [illegible] [illegible] কনা [illegible] [illegible]রক্কুনা ম[illegible] ন ত্তা [illegible] [illegible] শাস্বক মনা হোল্লি।

ঙসি অহি[illegible] লবা[illegible] চৎপা [illegible]। অহি দদি লম্বী লমখা দা [illegible] কয়া মচংনদে। অহনকপু [illegible] হ[illegible] ঙসিদি লম্বীদা চিংপাহ থোইনা অমুক হেনগ্রবগুম্না খল্লে। সহরগী মীপুম্বা ইমুংগী থাঙ্গৈ [illegible] [illegible] ওয়া লে নশিল্লখ্রে। লম্বীদা শল্লী অমত্তসু লৈত্রে। তুরানবা ফাওবা ঙসিদি নপাল থোক্তে। মোংফমদা অশাবা সংস্কার তৌরুগদবা মাশি, অহুস ঙসিদি অশাবহ থমজিন্দুনা নোংঙাল্লকপা ঙাইহনা লৈনখ্রে। ইমুংদা মচা শিগদোরবা মীশি, অহুস

মাইবা কৌবা চৎনদ্রে। লম্বেল ময়াদা উখাদদা লেকপা চাক্লিব-শিং অদুস্থ ঙসিদি মীগী শঙ্গোলদা চংদুনা লৈনখ্রে।

অহিং অসিদা হুই লমহুইনা সহরগী লম্বী খুদিংদা কোইচং চংলক্লে, কৈশাল অমা অনিস্থ মীগী থোঙজিন তান্না লাক্কুনা মোং-লবা যাওরক্লে। মীনি হায়বগী মনুংদা অমথক্ক দদি ঙসি মপালদা থোকতুনা লৈ—অতৌদ কনামতা লৈতে। মহাক ছুরি তনা পাযব-দুনা তুবেল মপালগী নুংপাক্তা মযা থা লি, অনস্থ নু বঙনবা দনি গুরা রাখল অমদা লুপলি। ছুরিগী ময়া অদু মতিক চনা থৌবিবনি, অদুবু মহাক্না ছুরি অদুগা লোয়ন-লোযননা রাখলবুস্থ কে বগুম তৌবি, অদুনা মযা থাবগী লোইবা থম্বা অগ্নক লৈখিদ্রে। নুগা তরবদুদা থৌববা ছুরি অদু হিস্ হিস্ হায়বদুনা হিনা পাযগী রাখলদু শ.গং-হল্লম্মী। অমম্বগী মবক্তা মমলবা তুবেলনা চেংবি। জগতকী নাক্তা অমম্বা অহিংগী মুথক্রা অবেপ্পা লৈতনা চেল্লি। অতিয়া থকতনা শুক্লা মুববা নোংগী মপৈনা কোইতাও তাগুবি।

মমৈথংদা নোংখো যুইনা নোং চুশবক্রবদা জংসিহ জ্ঞান তাবক্লে। শাববা ছুবি অদু মখুমদা হাপচিল্লগা লেপখংলকলে। পুজাগী মতম য়ৌশিল্লক্লে। মানা রাশকথিবদু নিংশি লক্লে। মিকুপ অমা পম্থদুনা লৈথোকপা যাবা মতম নত্রে।

মন্দিরদু ঙসিদি থাওমৈ লিশিং লিশিংনা পুমঙাল ঙান্না থাল্লি। ত্রয়োদশ দেবতাগী ময়াইদা কালীনা লেপলদুনা মীগী ঈ থল্লবা মরৈ শাংনা তিংথোক্লদুনা লৈরি। মন্দিরগী সেবক পুম্নমকপু বিদায় তৌখ্রগা চতুর্দশ দেবতাগী মমাংদা রঘুপতি মথস্তা মন্দির মমুংদা যল্লি। মাগী মমাংদা শাংলবা পুজাগী থাং অমা লৈ। মথুম য়াওদ্রবা লংলবা

থাংশাংহু মৈতান্দা ইরং-লংলহুনা লেংত্রবা বজ্রগুম দেবীগী য়াথং ঙাইরহুনা লৈরি।

নোংয়াইগী মতমদা পুজানি। মতম য়োশিল্লক্লে। রঘুপতিনা য়াম্না খোযরাংবগা লোয়ননা জয়সিংহবু ঙাইহুনা লৈরি। খংহৌদনা কল্লবা নোং নুংশিং শিল্লকহুনা নোংখোং ফুইনা নোং তাথরকলে। নুংশিং নবকহুদা মন্দিরগী থাওমৈ মযামহু তনিক তনিক্লা খাংলক্লে, মখুম য়াওত্রবা থাংশা থক্তা নোংথাংগী মন্ডাল তারক্লে। চতুর্দশ দেবতাগী অমস্তু রঘুপতিগী মমিশিং অহুনা মথরাই ফংজরবগুম থাওমৈ মন্ডালগী জগোইগা তাঞ্জা চানা চানা মন্দিরগী লৈমাই শীন্না জগোই শাগৎলক্লে। শক ঙাক্না ঙাইরবা মী মকোক অমা কল্লবা নুংশিংনা হুমহুনা ইযুং থুংনা থবো থবো ওল্লি। মন্দিরগী মনুংদা শেকপী মচা অনি পাইশিল্লকহুনা অকংবা উনাগুম মথং মথং কোইপাই পাইরহুনা লৈরি--ফক্লাংদা মখোইগী মমিস্তু পাইরি।

য়ুথক অনি য়ৌরে। অহানবদা অনকপদা, অহুদগী অস্তুম অস্তুম থাপতোকখিহুনা, লনলুই খোংবা হৌরক্লে। নোং-নুংশিংস্তু মখোইগা তিন্নরহুনা হু হু হায়না কপ্পা হৌরক্লে। পুজাগী পুংফম য়ৌরকলে। রঘুপতি অহু ফত্তবা থোক্লগত্রা চিংনবদগী মপুক্লিং য়াম্না লাংতক্লরক্লে।

তাঞ্জা অসিদা অহিংবা নোং-নুংশিং নোংথাংগী মতৌগুম জয়সিংহনা অহিংগী অমম্বা মরক্তগী খংহৌদনা মন্দিরগী মৈঙাল মরক্তা ফাওরক্লে। ফীজাও অমনা মশাহু কুপশিল্লি, মশাপুস্বদগী নোংগী ঈশিং মরী মরী শিস্থরি, নুংশাস্বর ফুইনা ফুইনা হোল্লি; মিৎ-নহাদা মৈরিক থোরাক্লি।

রঘুপতিনা মাবু ফারগা মনাকোং মযাদা লোল্লপা হায়রকই, "নিংথৌগী ঈ পুবরক্রবা ?"

জয়সিংহনা মাগী মথুৎ অদ ইপ্লোক্লগা খোঞ্জেল ৱানা হায়-রকই, "পুবক্লে ! নিংথৌগী ঈ পুবক্লে ! নহাক থাপ্পা হন্দোকপিখ্রো, ঐহাক দেবীবু খুকমজগে" মাগী খোন্থাংনা মন্দিবত্থ থক থক নিক্লক্লে ।

কালী মূর্ত্তিগী মমাংদা লেপ্লহুনা মহাক্না হায়বকই, "থাঔমক শেংনা নহাক নচাগী ঈসি পামলবরা ইমা ! নিংথৌগী ঈ নত্রবদি নংগী খৌবাংবা কোক্লবোইদ্রা ! হেক পোকপদগী হৌনা ঐহাক নংবু ইমা হায়না কৌজরক্লবনি. ঐহাক নংগী সেবা কায়দনা তৌ-জরক্লবনি, ঐ কনাবুস্থ হন্না য়েংজরুবা লৈত্রবনি, ঐগী পুন্সিদা অনিংবা অমস্থ লৈজদ্রবনি । ঐহাক রাজপুতনি, ঐহাক ক্ষত্রিনি, ঐগী ইপা পোকপা ইবুংগী ইবুধো অত্থদি নিংথৌ ওইরম্মী. ঐগী ইমা পোকপী ইবেনগী শাগৈশি দি হৌজিক ফাওবা নিংথৌ ওইবি । অসে লৌরো অত্থদি নংগী নচাগী ঈ, নংগী নিংথৌগী ঈ হায়বদো লৌরোসে ।" মশাদগী ফী তাখ্রে । মখাংদগী ছূরি শত্তোবক্লে—নোংথাং কুপ্লক্লে—মিৎন কুপ্পগী মনুংদা ছূরি অত্থ থুম্না মাগী মথবাক্তা থিংজিনখরে, অশিবগী তুমলবা মরৈনা মহাক্কী মথবাক্তা লেংখ্রে । মুর্ত্তিগী মখোংদা তুথরক্লে ; মুংগী মুর্ত্তিত্থদি করিমত্তা নিংঙাইদনা লৈংখ্রে ।

রঘুপতিত্থ মাইকৈ-শলাই খংদনা কন্না লাওরক্লে—জয়সিংহবু কোনখৎকে হোৎনরকই, কোনখৎপা ঙমদ্রে । অশিবা হকচাংথকতুদা তুথখরে । ঈ চেস্থবকতুনা মন্দিরগী ঙৌরবা মুংথক্তা ইচেল নাইনা চেল্লক্লে । অত্থদগী থাওমৈশিং অত্থস্থ মথং মথং ঙম্না মুংখ্রে । অমম্বা

মরকতুদা অহিং নোংশোইবা থরাই পানবা অমতংগী স্বর হোনবদমক তারে। অহিং য়ুথক অতম শু[illegible] [illegible] নোংন্নুংশিং লেপখিদুনা মাইকৈ মরি পুমচিক চিকখরে। য়ুথক মার [illegible]পদা নোংগী অহোবা মরক্তা থা মঙাল লাকতুনা মন্দিরগী মন্নুংদা ফাওজিল্লকলে। থা মঙালদু জয়সিংহগী তাইফেৎ তাইরবা মমাইদা তাররে, চতুর্দশ দেবতানা লুখুমদা লেপলদুনা মহুবু য়েংদুনা লৈরি। অয়ুক্তা উমংদগী উচেক্না খোংলক্লবা মতমদা রঘুপতিনা অশিবা হকচাংদু থাদোক্লম্লগা হৌগত্তুনা চৎখরে।

তরাতরুকশুবা তাঙ্কক

নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না প্রজাশিংনা নুংঙাইতবা পোক্লিবগী মরম থিননবা নক্ষত্ররায় মশামক অয়ুক্তা চৎথোক্লক্লে। মহাক্না রাখল তৌরকই 'মন্দিরদা করম চংসিগে।' রঘুপতিগবু উনবা থোকলবদি মহাক্কী মপুক্লিংদু ইবাং লাংই, মশা মথন্তবু ফাথবা ঙমজদে। রঘুপতিগা মাইয়োক্নগা মহাক স্নুকপাম পামদে। মরম অসিনা মহাক্না, রঘুপতি উহন্দনা তুমিন্না জয়সিংহগী লৈফমদা চংলগা মঙোন্দগী মরোল পুন্বা শুগাইনা খংদোক্লবা হোৎনগে হায়না মপুকনিংদা লেপলে।

নক্ষত্ররায়না তপ্পা তপ্পা জয়সিংহগী ইমুংদা চংলক্লে। হেক চংবগা মহাক্না অমুক তনথোক— থোকচখিবা ঙম্লবদি ওস্থোক্না ফঙ্গনি হায়না খল্লকই।

মফমতুদা মহাক্না উরে, জয়সিংহগী লাইরিক, ফী-রোল, ইমুংগী পোৎচৈ, মাইকৈ শীন্না ইচাই চাইতুনা লৈরি ; মতুগী ময়াইদনা রঘুপতি ফম্লি। জয়সিংহদি লৈতে। রঘুপতিগী ঙাংলবা মমিত্তু মৈতাল অরাবগুম লংলি, মশম-মনাম্নু ইফা-ফাই। মহাক্না নক্ষত্ররায়বু উবমক্তদা খুতুম চেৎনা মাগী খুদাংতু ফারে। নমতুনা লৈবাক্তা ফমথহল্লে। নক্ষত্ররায় কিবনা মিহুন শুদ্রে। রঘুপতিনা মাগী অচাকপা-মৈতাল-গুম্নবা মমিৎ অতুনা নক্ষত্ররায়গী থম্মোই ফাওনা চাকথেহল্লগা অঙাওবগী পান্দমগুম হায়বকই, "ঈ কদাই ?" নক্ষত্ররায়গী থম্মোইমুংদা ঈগী ঈথক অমা কাখ্রে, রা ঙাংবা থোকখিদ্রে।

রঘুপতিনা খোঞ্জেল রাংনা লাওরকই, "নংগী রাশক কদাই ? ঈ কদাই ?"

নক্ষত্ররায় অতু মখোং মখুৎ কোইরেং-লেংলক্লে, ওইরোমদা থৈদোক্তুনা ফম্লে, কীজি মতোল পাযবতুনা চিংলক্লে, হুমাংনা পুমচোৎ চোৎখ্রে, মহাক মিপাইবগা লোযননা হায়রকই, "ঠাকুর"—

রঘুপতিনা হায়রকই, "হন্দক্তি ইমামক্না থাং থাঙ্গৎলবনি, মাইকৈ মরিমক ঈনা লৌখোং ওইনা চেল্লরগদবনি—হন্দক্তি নখোইগী শাগৈদা ঈ মরিক অমা ফাওবা লেমহৌররোইদবনি। মতমতুদা খংগনি নক্ষত্র-রায়না ময়াম্বা কম্না নুংশিবা।"

"ময়াম্বা নুংশিবা! হাঃ হাঃ হাঃ! ঠাকুর" — নক্ষত্ররায়না নোকপতু মখা অমুক তাবা ঙমদ্রে, মখনাও কংখ্রে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐহাক গোবিন্দমণিক্যগী ঈ পামদে। পৃথিবীসিদা গোবিন্দমাণিক্যনা মথম্বাইদগী হেন্না নুনা খঞ্জবা মী অতুতবু পাম্মি। মাগী ঈ লৌরগা ঐহাক গোবিন্দমাণিক্যগী মশাদা তৈগে

—মহাক্কী মথবাক অদু ঈনা পুমঙাং ঙাংহনগে—অদুগুম্বা ঈগী খুদমদুদি কৈদৌন্নুংদসু মুৎপা লৈররোইদবনি। য়েংউ অসে—য়েংউ।" অসি হায়রদুনা ইল্লিবা ফী অদু লৌথোরক্লে; মশা পুম্বদু ঈনা পুমতে তৈরয়ে, মথবাক্কী মচি মচিদা ঈ নঙশিন্দুনা লৈরয়ে।

নক্ষত্ররায কোকচাওবী কাখ্রে। মশা অদু থক-থক নিক্লক্লে। রঘুপতিনা নক্ষত্ররায়গী মখুজেং অদু কন্না চেৎনা পায়শিল্লগা হায়রকই, "কনানো অদুগুম্বা মীশক্কো? কনানো গোবিন্দমাণিক্যনা মথরাইদগী হেন্না লুনা খনবা? কনাবু মাঙহনখ্রবদি গোবিন্দমাণিক্যগী মম্তিত্তা পৃথিবী অসিবু মোংযম ওইনা উগনি, মাগী পুন্সিগী নিংবা পুম্বা কায়গনি? অয়ুক্তা ফমুংদগী হেক হৌগৎলকপদা কনাগী মশকপু মহাক হৃম্না নিংশিংই, কনাগী মবমদা খন্দুনা মহাকা অহিংদা তুমথখি, মহাক্কী থম্মোইন্তুং শীনথুনা কনানা ঙানথোইদুনা লৈ? মীশক্, কনানো? নহাক্লা?" অসি হায়রদুনা, কৈনা চোংশিন্দ্রিডৈগী মমাংদা কিবনা নিক্লবা শজী মচা তম্না মিৎয়েং অমতদা শংত্রিক্লা য়েংবগুম, মহাক্লা নক্ষত্ররায় তম্না য়েংলক্লে।

নক্ষত্ররায়না তফিং তফিংনা হায়রকই, "নত্তে, ঐ নত্তে।" অদুবু রঘুপতিগী খুদুম অদুদি নানথোকহনবা ঙমদ্রে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "অদুদি হায়যু কনানো মীশক্কো?"

নক্ষত্ররায়না হায়দোরক্লে, "হায়রিবা মীশকতুদি ধ্রুবনি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "ধ্রুবা হায়বদি কনানো?"

নক্ষত্ররায়। পিক্লিবা অঙাং অমনি—

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐহাক খংলে হায়রিবা মীশক্কো। নিথৌদি মচা পোক্তে, অঙাং অদুবু মচাগুম্না য়োক্লি। অপোকপা

মচাবু মীনা কযামুক নুংশিবগে হায়বদ্রি খংদে, অতুগা অয়োকপা মচাবু খবাইদগী হেন্না নুংশি হায়বসিদি খংই। মশাগী লৈজরিবা মরল মথুম পুন্নমক্তগী মহাক্কী নুংঙাইনবা হোৎনবনা নিংথৌনা হেন্না মপুক্কি চই। মশানা লুহুপ উপ্পদগী মাগী মকোক্তা লুহুপ উপ্পা উরগনা নিংথৌগী মথরাইদা হেন্না নুংঙাইজৈ।"

নক্ষত্ররায়না ঙকপগা লোয়ননা হায়রকই, "অচুম্বমক্কি।"

রঘুপতিনা হায়রকই. "অচুম্বা নত্রবদি করি ওইগনি? নিংথৌনা মাবু কয়ামুক নুংশিবগে হায়বা ঐ করিগী খংদনি? করিগী ভাব তারোই? ঐহাক মহাকতুমক পাম্মি।"

নক্ষত্ররায়না ময়া কারদুনা রঘুপতি তম্না য়েংদুনা লৈরে। মথন্তা মপুক্কিংদা শোঞ্জরকই, "মহাকতুমক পাম্মি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "মহাকপু শোইদনমক পুরক্কদবনি—ঙসিমক পুরক্কদবনি—ঙসি অহিংমক পাম্মি।"

নক্ষত্ররায়না খোনথাং যৈবগুম্না হায়রকই, "ঙসি অহিংমক পাম্মি!"

নক্ষত্ররায়গী মাইথোংলোমদা ঙহাক য়েংলগা খোল শোনগনা রঘুপতিনা হায়রকই, "হায়রিবা অঙাং অসি নংগী য়েক্লবনি, মদু নং খংব্রা? নহাক নিংথৌ শাগৈদা পোকপনি—অতুগা কদাইরাই-দগীনো মশক মচুম্ব খংদবা অঙাং অমনা নংগী কোকথক্তগী লুহুপ মুনগে লাক্কি হায়বসিদি নহাক খংলব্রা? নহাক্কীদমক্তা ঙাইহুনা লৈরবা সিংহাসন অদো মহাক্কী ওইনা ফমফম লাওহুনা থমখ্রে. মসিবু মিৎ অনিহু পান্না পান্না উবা ফংব্রবরা?"

নক্ষত্ররায়গী মফমদা হায়রিবশিং অসি নৌহৌবা রাফম অমুক নত্তে। মমাকম্ হাম্মনা অশুম্না খল্লবনি। মহাক্তা নাপলগা লোয়ননা

হায়রকই, "মতুনু অমুক তাক্লখিবা নাইগদ্রা, ঠাকুর। মতু ঐ করিগী দমক্তা উবোইদৌরিবনো!"

রঘুপতিনা হায়রকই, "অতুদি করি অমুক তৌরি। ঐভোন্দা পুরকভুনা পিবো, নংগী সিংহাসনগী অপনবতু মাঙহনখ্রসি। মথক কয়ামুক্তি হৌহনখবা তুঙদা নহাক করম্বা মতমদা পুরক্কনি?"

নক্ষত্ররায়। ঙসি য়াচংবগী মতমদা—মমথরক্লগা।

লুগুন পানরতুনা রঘুপতিনা হায়রকই, "করিগুম্বা পুরক্পা ঙমদবা পোক্লবদি ব্রাহ্মনগী শাপ ফংগদবনি অতুম তৌরবদি, নচিন অতুনা ব্রাশকথোকখ্রগা ঙাকপা ঙমদবগী দমক অহিং অতুম লেন্দনা লংজানা শেং-শেংতুনা নচিন অতু চারগদবনি

অসি তাবদা নক্ষত্ররায় অতু শাই পাখংখিতুনা মচিনবান্দা খুৎনা নাল্লক্লে—থোংলবা উনশাতুদা লংজাগী মচিন্না থিনগদবতু থল্লুবদা মহাক থাংফম খংদবগুম্বা অমা তৌরক্লে। রঘুপতিবু খুরুম্লগা মহাক থুনমক বিদায় লৌরতুনা চংখ্রে। ইমুং অতুদগী নুংশিৎ-নুংশা অমসুং মীয়াম মরক্তা খোল্লকপা ফংবতুদা নক্ষত্ররায় অতু মথরাই নৌনা ফংবগুম্না থোকখে

তারাতরেৎশুবা তাঙ্কক

নুমিৎ অতুগী য়াচংবা মতমদা নক্ষত্ররায়বু উবদা ক্রবমা "কাকা" হায়রতুনা মনাক্তা চেনশিল্লক্লে, শিল্লবা মখুৎ অমিতুনা মাগী মক্ত

কোল্লহুনা মখজাইদা মখজাইনা পকশিল্লহুনা চিনবাননাক্ত চিন অহু থম্লরে। লোল্লপ হাযবকই, "কাকা।"

নক্ষত্রনা হাযরকই, "তুমিন লৈয়্ অহুম্না হাযগন্নু, ঐ নংগী কাকা নত্তে।"

ধ্রুবনা মাবু মতম অস্থক কুইবসি তত্তনা কাকা হাযনা কৌবক্লবনি, অহুবু ঙসিদি খাগং থি খিবহু তাবদা মহাক ঙকপগী পন্দোল লোমখ্রে। শুকথনা চহাক তুমিন্না যমহুনা লৈরে; অহুদগী নক্ষত্র তম্না কোইবাও-নবা মমিৎ অনিহু যেংখৎলহুনা হংলকই, "নং কনানো?"

নক্ষত্রবাযনা হাযবকই, "ঐ নংগী কাকা নত্তে।"

মসি তাবদা খংহৈদনা ধ্রুবহু যাম্না নোক্লিংবা অমা পোক্লক্লে; অস্থক যাম্না ওইথোক্লবা রাদি মহাক কৈদৌনুংদস্থ ত্তাখিদ্রি, মহাক্না নোক্লহুনা হাযবকই, "নহাক কাকানি।" নক্ষত্রনা থিংল-থিংলগা মহাক্না হাযবা অস্থম হেনগলক্লে, "নহাক কাকানি।" মহাক থোইনা-থোইনা নোকপস্থ হেনগৎলক্লে, মহাক্না নক্ষত্ররাযবু কাকা কৌরহুনা অঙাওবা শেম্লক্লে। নক্ষত্রনা হাযরকই, "ধ্রুব, নহাক নংগী নচে উনিংব্রা?

ধ্রুবনা তফিং-তফিংনা নক্ষত্রগী মঙক কোনবহু থাদোক্লগা লেপ-খৎলহুনা হাযবকই, "ইচে কদাইদা লৈ?"

নক্ষত্রনা হায়রকই, "ইমাগী মনাক্তা।"

ধ্রুবনা হায়রকই, "ইমাদি কদাইদা?"

নক্ষত্র। ইমাদি আদা লৈ। ঐহাক নংবু মফমহু তাম্না পুক্লিবা ঙমগনি।

ধ্রুবনা খুবাক খুবহুনা হংলকই, "কৈদৌঙৈ পুরিগনি, কাকা?"

নক্ষত্র। হৌজিকমক।

ধ্রুবদু মথরাই হরাওখিবনা কপ্পা লাওরতুনা ফুক হৌগৎলগা নক্ষত্রগী মঙকশমদা চেৎনা কোনশিল্লক্লে ; নক্ষত্রনা মাবু পমখৎলগা ফীনা পুনখুন খুনজিন্দুনা অরোনবা লশ্বীরোমদা মপাল তান্না পুথোকখ্রে।

ঙসি অহিংদু লশ্বীদা মী চৎপা থিংই। মরম অতুনা লশ্বীদা শশ্বীনচিংবা অমতা লৈতে। আতিয়াদদি পুর্ণিমা থাজনা ঙাল্লি।

মন্দিব তান্না লাক্লগা নক্ষত্ররায়না ধ্রুববু রঘুপতিগী মখুত্তা শিন্নগে তৌরক্লে। রঘুপতিবু উবদা ধ্রুবনা নক্ষত্ররায়দা য়াম্না চেৎনা কোনশিল্লক্লে, থাদোকউ হায়বা শুকপ্পা য়াদ্রে। রঘুপতিনা মাবু নমতুনা মুল্লে। ধ্রুবনা "কাকা" হায়না কৌরতুনা কপ্পা হৌরক্লে। নক্ষত্রবায়গী মনিংদা শি তবং তবং চেল্লক্লে, অতুবু রঘুপতিগী মমাংদা থম্মোই শোনবা উৎপদু মহাক য়াম্না ইকাইবা অমা ওইরে। মহাক মতাং তৌতুনা মুংগুম্বনি হায়বা মতৌ উৎলক্লে। মতম অতদা ধ্রুবনা কপ্প কপ্লতুনা "ইচে" "ইচে" হায়না কৌবক্লে, অতুবু মচেদি লাক্তে। রঘুপতিনা বজ্রগা মান্নববা খোস্থাংনা কিনবা ধমকা তৌবকই। মতু তাবদা কিবনা ধ্রুব কপ্পা তোকখ্রে। স্বর থিঙ্গং-থিঙ্গংনা খাঙবগী হিক হিক লাওবা খোঙেল খোক্লকপদা মঙাইরে। চতুর্দশ দেব মুর্ত্তিনা মতু য়েংতুনা লৈরি।

গোবিন্দমাণিক্যনা থেংলবা অহিংদা মমঙদা কপ্পা তারক্লতুনা মিকপ থোক্লকই। খুদক্তু মক্তুদা মহাক্না তারক্লে, মাগী মিহুৎথোঙ মখাদা কনানো অমনা ৱারবা খোনফম্না কৌরি, "মহারাজ! "মহারাজ!"

নিংথৌনা তফিং তফিং হৌগৎতুনা য়েংবদা থাবল মঙালদা ধ্রুবগী মখুড়া কেদারেশ্বরবু উরক্লে। মহাক্না হংই "কৈদৌরে ?"

কেদারেশ্বরনা হায়রকই, “মহারাজ, ঐগী ধ্রুব কদাইদা লৈবগে ?”

নিংথৌনা হায়রকই, “কৈনো, মাগী ফমুংদা লৈত্রনে ?”

“লৈতে।”—কেদারেশ্বরনা মখা তাথরকই, “ঙমিদাং ব্রাইবমদগী ধ্রুববু খিবা ফংদ্রেত্না অসুম হংনরকপদা যুবরাজ নক্ষত্ররায়গী মনাই অমনা হায়, ‘ধ্রুবদি কোন্নুংমনুংদা রাজগী মনাক্তা লৈ।’ মতু তাবদা ঐহাক মুংশা থীবা পোকলুদ্রে। অদুবু অহিং অসুম থেংজিল্লক-লবত্নদদি চিংনরক্লত্না কোইহং হংলুবদা যুবরাজ নক্ষত্ররায়দ কোন্নুংদা লৈতে হায়বা পাও ফংলে। ঐহাক মহারাজগা অমুক্তা উনজনবা ফনা কন্না হোৎনজরবনি, অদুবু শন্ত্রীশিংনা ঐগী রা তাবিবা কৌবা লৈখিদ্রে। অদুনা মিহুৎথোগু মখাদগী মহারাজবু কৌজত্না চেপ্পা থুগাইজরবনি, ঐগী ইরাল ঙাকপিয়ু।”

নিংথৌগী মপুক্কিংদা রাখল অমা তনফাও ফাওরক্লে। মহাক্না শন্ত্রী মরিখক কৌরে ; অদুগা হায়রকই, “খুৎলাইগা লোয়ননা ঐগী ইভুং ইল্লকউ।”

শন্ত্রী অমথক্না হায়রকই. “মহারাজ, ঙসি অহিংদি মপাল থোকপা য়াদবা নুমিৎনি।’

নিংথৌনা হায়রকই, “ঐনা য়াথং পিরিবসিনি।”

কেদারেশ্বরসু তুং ইনগে হোৎনজৈ, অদুবু নিংথৌনা লৈহৌবো হায়না থাম্লে। চিক্রবা লম্বেলদা থাবল মণ্ডালদা নিংথৌ অদু মন্দিরগী মাইকৈ পাংলক্লে।

মন্দিরগী থোঙ অদু খংহাং হেক হাংদোকপদা উরক্লে, থাংশাং মাংদা থম্মত্না নক্ষত্রগা রঘুপতিগা য়ু থক্লি। মৈ থোইনা ঙান্দে, থাওমৈ অমতমক থাল্লি। ধ্রুবদি কদাই ? ধ্রুবদি কালী মুর্ত্তিগী মখোং

ময়াদা হিপথরদুনা তুম্লি। মহাক্কী মখজাইদগী পিগী ইরা অতু কংখ্রে, মচিনবান অনিদ কারপ তৌরি, মমাইদা অকিবগী মতৌ উদে, রাখল পক্তে ; হিপ্লিহুদুগী ফমুং নত্তবদৌনা মচেগী তম্বাকথক্তা হিপ্পগুম্না খল্লি। মচেনা চুম্লপ-চুম্লহুনা মাগী মমিত্তগী মপি হৈথোকপিখিবগুম্না তৌরি।

য়ুমবন্দগী নক্ষত্রগী অরোল ওথুপ অমুক লৈখিদ্রে ; অতুগা রঘুপতিদি তুমিন্না ফম্লহুনা পূজাগী পুংফম চাইতুনা লৈরি, নক্ষত্রনা চোইরোল লোল্লিবহুদা না-ওইনা থোইনা তারুবা তৌদে। নক্ষত্রনা হাযবি, "ঠাকুর, নহাক নপুক্লিংদা অকিবা অমা পোক্লে। নহাক্না ঐবুস্থ কিরমগনি খল্লি। থোইনা কিরুন্থু, ঠাকুর। করিগী কিদৌ-রিবনো? কনাবুনো কিদৌরিবা? ঐনা নংবু কনগনি। নহাক ঐবু নিংথৌ কিরমগনি খনব্রা? ঐহাক শাহুজাবুস্থ কিদে, শাজাহানবুস্থ কিদে। ঠাকুর, নংনা হায়দ্রিবা করিগীনো, ঐহাক নিংথৌবু ফাহুনা পুরক্লমগদবনি, মহুতদা দেবীবু পেলহনবা ওল্লমগদবানি। অঙাং পিশক অসিনবু ঈ কয়া য়াম্না থোক্কদগে।"

তাঙা অসিমক্তদা খংহৌদনা মন্দিরগী লৈমাইথক্তা মমি অমা তারক্লে। নক্ষত্ররায়না তুংহন্না যেংলকপদা উরে, নিংথৌনি। মিকুপ অতুমক্তদা নেশাপুম্বা পুম্ম ওমাংখ্রে। মশাগী মমিবুদি হেন্না মহাক খকমক মকশিনখ্রে। হৌনা য়াম্না তুম্লিবা ধ্রুববু পমখৎলগা গোবিন্দ-মাণিক্যনা শন্ত্রীশিংদুদা হায়রকই, "মখোই অনিসিবু বন্দি তৌ।"

শন্ত্রী মরিহুনা রঘুপতি অমসুং নক্ষত্রবাগী মখুৎ তানিমক ফাখ্রে। ধ্রুববু মথান্নুংদা চেৎনা কোল্লগা চিক্রবা লম্বীদা খাবল মঙালদা নিংথৌনা কোন্নুং তাম্না হল্লক্লে। রঘুপতিগা নক্ষত্রবাগাদি অহিং অতুমা কৈস্থম-শঙদা লৈখ্রে।

তরানিপালশুবা তাঙ্কক

মথংগী মুমিত্তা বিচার থোকই। বিচার তৌফম শঙতু মীনা পুমথন থনখে। বিচারপতিগী ফমফমদা নিংথৌ ফম্লি, অঙম অথৌশিংনা মাইকৈ মরিমক্তা কোম্না ফম্লি। মাংদনা বন্দী অনি। কনামতসু মখুত্তা য়োম্লিং চনদে, খুৎলাই পায়বা শন্ত্রীতনা মখোইবু কোইশিন্দুনা থম্লি ; রঘুপতিদি মুংগী মুর্ত্তিগুম লেপ্লি নক্ষত্ররায়না মমাই লুকথরি।

রঘুপতিগী মবাল প্রমানগা লোয়ননা পিরগা নিংথৌনা মঙোন্দা হায়রকই, "নহাক হায়নিংবা করি লৈ ?

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐগী বিচার তৌনবা মহারাজগী হক লৈতে।"

নিংথৌনা হায়রকই, "অদুদি নহাক্কী বিচারদি কনানা তৌগনি ?"

রঘুপতি। ঐহাক ব্রাহ্মননি, লাইগী সেবা চৎলিবনি, লাইনা ঐগী বিচার তৌগদবনি।

নিংথৌ। পাপকীনা চৈরাক অদুগা পুণ্যগীনা মনা পিনবা জগৎসিদা লাইগী মনাই য়াম্না লৈ। ঐখোইস্সু মখোইদুগী মরক্তা অমনি। রাকমসিদা ঐহাক নংগা লোয়ননা বিচার তৌনবা পামদে ; ঐনা হংলিবসিনি, ঙরাং য়াচংবা মতমদা বলি তৌনবগী দমক নহাক অঙাং অমা হুরানব্রা হুরান্দব্রা।

রঘুপতিনা হায়রকই, "হুরাল্লি।"

নিংথৌনা বাল্লি। "নহাক নশাগী নরাল য়াজরেদনা ?"

রঘুপতি । ইরাল ! করিগী ইরাল ? ঐদি ইমাগী য়াথং ঙাকপনি, ইমাগী থবক তৌবনি, মহুদা নংনা য়েথাইরবনি—মরাল লৈরিবদি নহাক্কি। ঐহাক ইমাগী মফমদা নংবু নরাল লৈ হায়না রাকৎলবনি, মহাক্না নংগী বিচার তৌরক্কনি ।

নিংথৌনা মাগী রাহুগী পাওখুম অমতা পিবা তৌদনা হায়রকই, "ঐগী লৈপাক্কী নিয়মদি— কনাগুম্বনা লাইগী দমক্কি হায়হুনা জীববলি তৌরবা নত্রগা মহুগী দমক হোৎনরম্লবা অহু ওইরবদি মাবু লৈবাক্কগী তাম্থোকপা অসিনি । দণ্ডি অসি ঐহাক নঙোন্দা পিরবনি । চহি নিপালখক নহাক লৈপাকসিদা লৈবা য়ারোই । শন্ত্রীশিংনা নহাকপু ঐগী লৈপাক্কী রাংমা তান্না থিনগনি ।"

শন্ত্রীশিংনা রঘুপতিবু বিচারশঙ অহুদগী পুথোক্কুনা চংনবা তৌরক্লে । রঘুপতিনা মখোইশিংহুদা হায়রকই, "ঙাইখো ।" অহুদগী নিংথৌরোমদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "নংগী বিচারদি লোইবে - হৌজিক্তি ঐহাক নংগী বিচার তৌরগে, নপুক্লিং চংনা তাও । চতুর্দশ দেবতাগী পূজাগী অহিং অনি অহুদা কনাগুম্বনা লম্বী-লমখাংদা চৎথোক্লকপা য়াওরবদি মহাক অহু পুরোহিতকী মফমদা দণ্ডি ফংগনি, মসি ঐখোইগী মন্দিরগী নিয়মনি । থাইনদগী চংনরক্লবা নিয়ম অসিগী মতুং ইন্না মহাক ঐগী ইফমদগী দণ্ডি ফংফম থোক্লে ।"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঐহাক নংগী দাণ্ড অহু লৌগে হায়না ইশানা য়ারে ।"

অঙম-অথৌশিংনা হায়রকই, "মরাল অসিগীদি শেলতমক রাকোংগদবনি ।"

পুরোহিতনা হায়রকই, "ঐহাক নংবু লুপা লাখ অনি রাকোংলবনি। হৌজিকমক পিগদবনি।"

নিংথৌসু ঙহাক রাখল তৌই; অদুদগী হায়রকই, "তথাস্তু।" চুম-শো পায়ববু কৌরগা লুপা লাখ অনি পিখিনবা য়াথং তৌরে। শস্ত্রীশিংনা রঘুপতিবু মপান্দা পুথোকখ্রে।

রঘুপতি চৎখ্রবা তুংদা নক্ষত্ররায়রোমদা ওনশিল্লক্লতুনা নিংথৌনা হল্লবা খোনফম্না হায়রকই, "নক্ষত্ররায়, নংগী নরাল অসি নশানা য়ারব্রা য়াদ্রিবরা?"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "মহারাজ, ঐহাক লাঙ্গরবনি, ঐবু ঙাকপিয়ু।" অসি হায়রতুনা চেনশিল্লক্তুনা নিংথৌগী মখোংদা কোল্লরে।

মহারাজ জ্ঞান মমখ্রে, ঙহাক রা ঙাংবা থোকখিদ্রে। মমৈথংদা মপুক্লিং ফাথরগা হায়রকই, "নক্ষত্ররায়, হৌগৎলু, ঐগী রা তাও। ঐনবু ঙাকপিবা ঙস্রা? ঐদি ঐগী লৈবাক রায়েলনা ইশাবুসু পুঞ্জরবা মীনি। বন্দীবু পুনবগুম্না বিচার তৌবা মীবুসু পুল্লিবনি। মরাল অমতদা ঐনা মী অমবু দণ্ড পিরগা অমবুনা ঙাকপিবা, মসিবু হৌনবা থবক্রা? নং নশানা অদুম্মক বিচার তৌ।"

অঙম-অথৌপুম্বনা হায়রকই, "মহারাজ, নক্ষত্ররায়দি মহারাজগী মনাওনি, ননাও ইবুঙোবু ঙাকপিয়ু।"

নিংথৌনা হল্লবা খোনফমদা হায়রকই, "নখোই ময়াম্মক তুমিন লৈয়ু। ঐহাক ফনফম অসিদা ফল্লিবা মতম অদুপকী মখৈ কনাগীসু ময়াম্বা নত্তে, কনাগীসু মরুপ নত্তে।"

মাইকৈ মরিমক্তা অঙম অথৌ পুম্নমক তুমিন্না লৈনখ্রে। সভা অদু পুমচিক চিকখ্রে। নিংথৌনা চীং-লেম্নবা খোন্থাংদা অমুক হায়রকই, "নখোই পুম্নমক্না তারে— ঐগী লৈপাক্কী নিয়মদি, কনাগুম্বনা লাইগী দমক্তা জীববলি তৌরবা নত্রগা মদুগী দমক হোৎনরম্নবা, অদু ওইরবদি মাবু লৈপাকসিদগী তাম্থোকপা অসিনি। ওরাং য়াচংবা মতমদা নক্ষত্ররায়না পুরোহিতকা লৌতুনদুনা বলি তৌনবগী দমক পিক্লবা অঙাং অমবু হুরাল্লম্লে। হায়রিবা মরাল অসি মতিক চানা প্রমাণ তৌরবনা ঐহাক মাবু চহি নিপাল লৈবাকসিদগী তাম্থোকপগী দণ্ডি পিরবনি।"

শন্ত্রীশিংনা নক্ষত্ররায়বু পুদুনা চৎলগে তৌরক্লবা মতমদা নিংথৌনা ফমফমদগী কুমথরক্লগা নক্ষত্ররায়বু কোল্লরে; অদুগা হিক্লবা খোনফম্না হায়রকই, "ইবুঙো, নংবুতা দণ্ডি তৌবা নত্তে, ঐবুম্বু দণ্ডি তৌবনি। খংদ্রে নহালমুক্কী মপোক্তা করম্বা ইরাল লওজরক্লবনো। মরুপ-মপাংশিংগা কায়নদুনা নংনা লৈবিবা মতম অদুপকী মখৈ ঈশ্বরনা ননাক্তা লেংদনা লৈবিবা ওইসনু, নংগী য়াইফবা পিনবিসনু।"

পাও অসি থিন্দনা মাইকৈ শীল্লক্লে! কোনুং মনুংদা কপ্পবা হোরক্লে। নিংথৌ অদু চিক্লবা কা অমদা থোঙ লোনশিল্লগা ফমদুনা লৈখ্রে। মহাক্না মখুৎ লোন্নরদুনা হায়জরকই, "প্রভু, ঐনা করিগুম্বা ইরাল লওজবা লৈরবদি ঐহাকপু ঙাকপিবা তৌগনু, থৌজাল মচেৎ অমা ফাওবা যংহনবিগনু। ঐগী পাপকী মতিক চাবা শাস্তি অদুম্মক পিনবিয়ু। পাপ তৌরুরগা শাস্তি ফংবদি খাঙবা মঙম্মি, অদুগা ঙাকপিবগা পোৎলুমদি পুবদা য়ানা থোকই, প্রভু।"

নক্ষত্ররায়বু নুংশিবদু নিংথৌগী মথক্কাইদা শরুক অনি হেনগৎলক্লে।

নক্ষত্ররায়গী অঙাং ওইরিবৈগী শক্তমতু মহাক নিংশিংলক্লে। মহাক্না শান্নখিবা মশান্নশিং, ঙাংখিবা রাঙাং কয়া তৌখিবা থবক পুম্বা, অমমন ওইনা মহাক্কী থম্মোইনুংদা ফাওরক্লে। মুংথিল অমমম অহিং অমমন্না মাগী নুংশা মঙালদা, মাগী থরান্মিচাক্না লৈতেংলবা আতিযাদা, পিক্লিবৈগী নক্ষত্ররায়বু পুবক্ত্রুনা মাগী মমাংদা ফাওরক্লে। নিংথৌগী মমিৎ অনিদা পিগী ইরা তত্তনা শিন্থবক্লে।

তরামাপলশুবা তাঙ্কক

লৈবাক্তগী তান্থোবক্লবা রঘুপতিদা শন্ত্রাশিনা হংলকই, "ঠাকুর, মাইকৈ কদোমদা লেংগদগে," মতুদা রঘুপতিনা খুল্লকই, "নোংচুপলোমদা চৎকনি।"

মুমিৎ মাপলনি নোংচুপ পাংনা চৎলক্লবা মতুংদা বন্দীগা শন্ত্রীশিং অদুগা ঢাকা শহরগী মনাক যৌশিল্লক্লে। মতম অদুদা শন্ত্রীশিং অদুনা রঘুপতিবু থাদোক্লম্লগা কোনুংলোমদা অমুক হনখ্রে।

রঘুপতিনা মথন্তা মপুক্লিংদা হাযজরকই, 'কলিদদি ব্রহ্মশাপ পান্দ্রে। অদুবু য়েংসি, ব্রাহ্মনগী মরৌশিংনা কদাই ফাওবা ওম্বা। য়েংসি, গোবিন্দমাণিক্যনা করম্বা নিংথৌনো, অদুগা ঐসিনা করম্বা পুরোহিত ঠাকুরনো হায়বা।'

ত্রিপুরাগী লমদোন্দা মন্দিরগী কাচিন্দদি মোগল লৈবাক্কী ঈ-পাও কয়া থোইদোক্লা তাবা ফংদে। মরম অসিনা রঘুপতিনা ঢাকা শহরদা চত্তুনা মোগোলশিংগী চৎনবী মওং অমসুং লৈবাক্কী ফীভম খংনিংবা অমা য়াম্না কন্না পোক্লে।

মতম অদু মোগল সম্রাট শাজাহাননা পাল্লিবা মতম্নি। মতম অদুদা মহাক্কী অহুমশুবা মচা ঔরংজীবনা দক্ষিনাপথদা বিজাপুর লৌশিন্নবা হোংনরি। মহাক্কী অনিশুবা মচা সুজানা বাংলাগী মপু ওইরি; রাজমহলদা মাগী কোন্নুংনি। ইতোন ভোনবা মচা কুমার মুরাদনা গুজরাটকী ডাক-শেনবা মপুনি। মচা অহল যুবরাজ দারাদি দিল্লী কোন্নুংদা অদুম্মক লৈ। সম্রাটকী চহি ৬৭ শুরে। মহাক্কী মশা অদু কয়া ফংলক্তবদগী দারাগী মথক্তা চাওরবা লৈপাক্তু ডাকপগী থৌরম পুম্নমক নল্লে।

রঘুপতিনা মতম খরা ঢাকাদা লৈত্বনা উরত্বলোল তমলে অমসুং মমৈথংদা রাজমহল লোমদা লাক্লে।

রাজমহলদা য়ৌরকপা মতমদুদদি ভারতবর্ষ অসি য়াম্না কাং-খোং চাইবা মতম অমা থোক্লে। লৈবাকশীন্না পাও তানরক্লে, শাজাহান নোঙ্গাগদোরে হাযবসি। পাও হেক তাবগা সুজানা লান্মী পুরত্বনা দিল্লী তম্না চেল্লক্লে। সম্রাটকী মচা মরিমক্লা শিরমদাই য়ৌরবা শাজাহানগী মকোক্তগী লুহুপ্তু, লুমহুনা লা-ক্লবা থৌরাং তৌনরক্লে।

ব্রাহ্মন অত্বনা খুদক্তু মক্তদা মপু পান্নবা রাজমহল থাদোক্তুনা সুজাগী মতুং ইন্নবা হৌরক্লে। মহাক্কী খোংলোই পুম্নমক বিদায় তৌখ্রে। মশাদা লুপা লাক্ষ অনি য়াওরিবত্ব রাজমহলগী মনাক নকপা মী তাদবা

লমহাং অমদা ফুমজিল্লম্মে। মতুগী মথক্তা থংনবা খুদম অমা থনম্মি। লুপা খজিক্তমক মশাগা কোন্নরে। মৈ চাকখ্রবা খাংপোক, মী তাদ্রবা খুল, নৈহৎলম্লবা মনা-মশীংগী লৌবুক পুম্নমকসি উনা উনা রঘুপতিনা পোখাবা লৈতনা চৎপা হৌরক্লে। রঘুপতি হৌজিক সন্ন্যাসীগী ফীজেৎ শেৎলে। সন্ন্যাসীগী ফীজেৎ শেৎলবা ফাওবদস্থু অতিথি ওইনা চংফমদি য়াম্না রানা থোক্লে। মরমদি কৌজেং-মপৈগুম লাম্মাশিংনা চৎখিবা লম্বেল অতুমদি নাকল অনিমক্তা চাক-তাঙবা হায়বতু শোইদনা ওইহৌরে। লাম্নীশিংনা শগোল শামু ময়ামগী দমক শংলিবা মহৈ-মরোং পুম্বা খাওতুনা পুখ্রে। লৌমীশিংগী কোত্তা মরু অমা ফাওবা তাহৌদ্রে। মাইকৈ মরিমক্তা লুঠ তৌখিবগী অরেন-অপানা ইচাই চাইনা লৈরি। মী অয়াম্বা খুল থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। লাইগী নোংদমদগী মী অমা অনিদং অতুক থেংনবতুস্থু মাইথোং মকশিল্লবা ঙাক্তনি। মখোইতু তথক-তথক্লবা শজীগুম খুকউ শেন্দুনতা লৈ ; কনাবুস্থু মখোইনা থাজবা লৈতে, থৌজাল্লুবস্থু তৌদে। চিক্লবা লম্বেল মপান্দা উখাদা মথুত্তা চৈতুপ পায়রতুনা মী অতুম মরি ফমতুনা লৈবস্থু মউই; মখোইতু লম্বী চৎপা মীদগী পোৎচৈ মুন্নবা হুমিৎ চুপ্পা ঙাইরিবনি। ধুমকেতুগী তাথরকপা অরংবা মমৈগুম ডাকুশিং অসিনা লাম্নীশিংগী মতুং ইন্নতুনা লুঠ তৌখিবগী লেমহৌবশিং অতু অমুক লুঠ তৌথহৌই। অমুক কনি হায়গনি, অশিবা মশা অমবু হুইগা লমহুইগা কোইরাক লাক্লবগুম মরক মরক্তা লাম্নীশিংগা ডাকুশিং-গা খুৎ হেক খোক্লরকপস্থু য়াওই। মুংশি হৈতবনা লাম্নীশিংগী শান্নবা ওইখ্রে — মনাক্তা চৎপা মরাল লৈত্রবা লংফৈ চৎপগী মবুক্তা থাংদোম্না চক্ হেক খিনবা, নত্রগা মহাক্কী মকোক্তু কোইয়েৎকা কোন্ননা শরুক

খরা হেক কোৎথোকপা হায়বসি মখোইদা ইচম চম্বা লংনবগুম্বা অমা ওইনা খল্লি। খুলগী মীশিংনা মখোইবু উরগা মিপাইনবহু উবদা মখোইদা য়াম্না নুংঙাইরবা [illegible] থোকই। লুঠ তৌরবা মতুংদা মখোইনা খুলগী মীশিংহুবু অমুক শুৎ-পি নৈবিরগা হরাওবা ওই। ইকাই খুম্নফম ওইরবা ব্রাহ্মণ অনিবু নঙ্গনগা নঙ্গনগা পুনশিল্লগা শিখা অনিহু কিশিন্নহুনা মবানিমক্কী মনাতোন্দা নাসিক হাপচিনবি। শগোল অনিগী মথক্তা মী অমবু তোংহল্লগা শগোল অনিহু শাক্তৈ থাই, শগোল অনিহু ওন্ন-তেনবা মাইকৈরোমদা চেলহল্লি—কারক্তদা মী অহু লৈবাক্তা তাহুনা মখোং-মখুৎ তেকই— অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী অনৌ-অনৌবা মশাম্ন কয়া মখোইনা পুথোকই। মরম ইরৈ লৈতনা খুল পুম্বা মৈ হেক থাদোকই। অহুগা হায়, বাদশাহবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মৈগী কুম্মৈ তৌরিবনি। লাম্মীশিংনা লম্বীদা অসুম্না ওৎ-নৈরম্বগী খুদম চাম-চাম উবা ফংই। অসিদবু রঘুপতিনা অতিথি ওইফম ফংলুগদবা কৈদনো! করিগুম্বা নুমিত্তনা চারা হেন্দুনা করিগুম্বা নুমিত্তনা খজিক্তং ফংহুনা মহাক লেনবা হৌরক্লে। অহিংদা অমম্বদা তেক্লবা মী লৈত্রবা খাংপোক অমদা চোকথরবা মশা অহু অহুক তিংথোকই; অমুক য়াহৌরকপদা মকোক য়াওদ্রবা অশিবা অমদা অহিং নোংশোইবা মোন ওইনা খাংহুনা লৈরম্বসু থেংনৈ। নোংমা নুমিৎ য়ুংবা মতমদা রঘুপতিনা চাক লাম্নহুনা খাংপোক অমগী মনুংদা চংলকপদা, নিপা অমথক মাগী অকাইবা য়োৎকী উপু মথক্তা উপ্রাক্লা তুথরহুনা লৈরম্মি, মাগী লুঠ তৌবিখ্রবা মরল মথুমগীদমক্তা মথরাই শোক্লহুনা লৈরিমাল্লে হায়না নিংই। মনাক্তা চংহুনা নোম্মুবদদি

মহাক থরো থরো ওন্থখ্রে। অশিবা ওইরম্নে—মহাকী মথরাই লানখিবদি কুইরবনি।

নোংমা রঘুপতিনা খাংপোক অমদা তুম্মি। অহিং লোইখ্রি, নোংঙানগদবা ঙহাক রাংলি। তাঙ্গা অসিদা তপ্পা তপ্পা থোঙ অহু হাংদোরক্লে। শরতকী থাবলগা ইরোয়ননা মমি কয়ামুকস্থ ইমুং অহুদা তারক্লে। মুরুম মুরুম শোনবা মখোলস্থ তারক্লে। রঘুপতিহু কিবোই-খংবোই হৌগত্তুনা ফম্লে। মহাক্না হেক হৌগৎপদা মুপী খোঙ্গেল খরা কিনা কিনা লাওরকই, "এঃ ইমাইপেমা!"

নিপা অমনা চংশিল্লক্তুনা হায়রকই, "কনানো হায়?"

রঘুপতিনা হায়, "ঐহাক ব্রাহ্মননি, লংফৈ চৎপনি। নখোইদি কনা কনানো?"

"ঐখোইগী যুম্নি মসি। ঐখোই য়ুম থাদোকতুনা চেল্লুরবনি। মোগলগী লান্মা চৎখ্রে তারহুনা অমুক হল্লক্লিবনি।"

রঘুপতিনা হংলকই, "মোগল লান্মীদি কদোমদা চৎখ্রে?"

মখোইনা হায়রকই, "বিজয়গড়গী মাইকৈরোমদা। হৌজিকাদি বিজয়গড়গী উমং য়োরম্লগনি।"

রঘুপতিনা রা মখা অমুক তারমদনা খুদক্কুমক্তদা খোংশাল্লক্লে।

কুনগুবা তাঙ্কক

বিজয়গড়গী পাক-চাওরবা উমং অতু ঠগশিংগী তুঙফমনি। উমং ফাওতুনা চংখ্রিবা লম্বেল অতুগী নাফল অনিদা মীগী শরু কয়া কয়া তারি, মখোইতুগী মথক্তা লমলক্কী লৈতমক শাংলি. অতৈ খুদমগি খোইনা লৈতে। উমং মনুংতুদা বট হৌরি, কবুলিয়া হৌরি, নিম হৌরি, মখল মখা কয়াগী উরি অমস্তুং পাম্বী মচা হৌরি। করি করিগুম্বা মফমদা পাথবী নত্রগা পৃথ্রীগুম্বস্তু লৈ ; অতৎ-অথম লৈতনা উ-নাশিং অস্তুম অস্তুম পুমথরকপনা মতুদা লৈবা ইশিং অতু পুমশং শংজিনখ্রে। পিক্ল পিক্লবা খুরবা লম্বীনা মাইকৈ অমরোমদা অমুক অমরোমদা অমুক থেক্ল থেক্লতুনা লীলগুম মম্লবা উনুংদা চংখ্রি। উগী উশা খুদিংদা য়োং শঙ্গু শঙ্গু তোংলি। বট পাম্বীগী উশাদগী মরাগা য়োংগী মমৈগা মশীং থিঙমদনা য়াম্থরক্লি। অতেকপা মন্দিরগী শুমাংতু শোগিদাক পাম্বীগী অঙৌ অঙৌবা মপালগা য়োংনা খিগৎলকপগী ময়া অঙৌবগনা পুমথন থনখ্রে। য়াচংলকপা মতমদা চাওর-চাওরবা মনা পুঙবা উপালথক্তা তেনন্না শঙ্গু শঙ্গুনা নিল-খোংলকপদা উমংগী শুক্লা মম্বতু মচেৎ মচেৎ খোক্লা থুগাইবগুম তৌখ্রে। ঙসিদি অসিগুম্বা চাওরবা উমংসিগী মনুংদা লাম্মী লিশিং কুনমুক চংলক্রে। অসিগুম্লবা উশাগা ন্নাশাগা, উনাগা ন্নানাগা উরিগা-ন্নারিগনা পুময়েৎ য়েৎশিন্নতুনা লৈখ্রবা পাকচাওরবা কোইরক কোইবা উমংসি, তুম্লবা খুজিন-খুয়া-মচিন্না লৈতেংলবা লাম্মা-লাংজা লিশিং কুনগী পুম্লপ পুম্লবা মহুম অমগুম্না উখ্রে। লাম্মা পৈরবতু উবদা মশীং লাকঙমত্রবা কাক্লা কাক কাক খোংলহনা শঙ্গু

শঙ্গু ওইনা আতিয়াদা কোইপাই পাইরি ; ইচং থৌনা উশাদা চংঙক্কুনা তোংলবা ঙমদ্রে। করিগুম্বা নিল-খোংবা অমতা তৌবা য়াদে হায়না সেনাপতিনা থিংই। লান্মীশিং অহু মুংযিল চুপ্পা অমা চৎলক্লবগী মতুংদা যাচংবা মতমদা উমংদা থুংলহুনা অকংবা উশা খুল্লগা চাক থোংলি অমস্তুং অমগা অমগা তুমিন তুমিন্না রারি শারি ; মখোইগী অহুগুম্বা মুকুম মুকুম শোনবগী মখোলনা উমং পুম্বহু ঙোং ঙোং লাওরি, য়াচংবদা হরি-নোংনাং খোংবগী মখোলহু তাবা ফংথিদ্রে। উরূদা পুল্লিবা শগোলশিংনা মরক মরক্তা মখুজিন্না লৈবাক হোগাইরি অমস্তুং খেক্লা খেক্লা খোংলক্লি, মহুনা উমং পুম্বহু অখংবা অমুক অমুক পোক্লি। অতেকপা মন্দিরগী মনাক্তা অকোকপা লমদা শান্তুজাগী লানশঙ শারে। অতৈ ওম্নমক ঙসিদি উখাদা অহুম লেনবা তারে।

মুমিৎ চুপ্পা লেপ্পা তৌদনা চৎলক্লবা মতুংদা রঘুপতি উমং অহুদা চংলক্লে, মতম অহু অহিং ওইশিনখ্রে। লান্মী অয়াম্বা ইচিক হুন্না তুমথনখ্রে, লান্মী খরদংতা তুমিন্না শক্ত্রী তৌরি। মরক মরক্তা মফম অমমমদা মৈ হৌরি ; অমম্বনা য়াম্না রানা তুমনিংবনা ঙাংলবা মমিৎ পাংথোকপগুন্না তৌরি। রঘুপতিনা উমং মমুংদা খোং হেক থাংজিল্লকপগা লান্মী লিশিং কুনগী স্বর হোন্দোক্চ হোঙিন মখোল তারকপগুম তৌরে। উমগী উশা লিশিং লিশিংনা শন্দোক্লহুনা ঙাক-শেল্লি। মকুনা পোকপা কুইদ্রিবা মচাগী মথক্তা মশা ফন্দোক্কুনা ফমহুনা লৈবগুম উমং মপালগী মমুবা অহিংনা উমং মমুংগী হেন্না মমুবা অহিংগী মথক্তা নল্লগা মশা ফন্দোক্লহুনা তুমিন্না ফমহুনা লৈব্লি ; উমং মমুংদা অহিং অমনা মমাই খুমজিল্লহুনা তুম্লি, উমং মপান্দনা অহিং অমনা

মণ্ডক থাঙ্গৎলদুনা মিশেল খাংলি। রঘুপতিদি অহিং অদু উমংগী চিদাইদা অদুম্মক ভুমদুনা লৈরে।

অয়ুক্তা মশাদা চৈদোন্না অহুম মরিরক থিল্লকপদগী ঙাওফিং ঙাওফিংনা হৌগৎলক্লে। মতুদা মানা উরে, কোইয়েৎ অচৌবা য়েৎপা মকোই মরাং য়াম্না চোম্লবা তুরানি লান্মী খরা মরোল লোল্লদুনা মাবু করি করিনো হায়রি; মতু তাবদা মহাক্না ভাবনা শোইদবনি খংলে চৈরিবনি হায়বা। মহাকসু বাংলা লোন্দা মখোইবু চৈবা য়াবা য়াহৈ কয়ানা চৈরে। মখোইনা মাবু কোইচিং চিংনবা হৌরক্লে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "করেম্নরিত্রা ?" অদুবু মখোইগী শাক্তংতা করেম্নবগী মতৌদি কস্নিমতা উদে। উমং মনুংলোমদা মখোইনা মাবু হৈকোম কোম্না চিংদুনা পুরক্লে।

মহাক্না মথরাই য়াম্না নুংঙাইতবা উৎলদুনা হায়রকই, "কোইচিং চিংলিবসিবু করিগীনো ? ঐ ইশানা অদুম্মক চৎচগে। ঐনা অসুক য়াম্না শাংলবা লম্বেল লাক্লিবসিবু কৈদৌনবনো।"

লান্মীশিং অদু পংন্নোক্তা নোক্লক্লে অমসুং মানা লোল্লিবা বাংলা লোলদুগী মতৌ তম্বা হৌরক্লে। মথং মথং মাগী মাইকৈ মরিদা লান্মী য়াম্না তিনখৎলক্লে, মাবু কোইরং লঙনবা হৌরক্লে। ওৎ-নৈবগীসু ঙমখৈ লৈত্রে। লান্মী অমখক্না খৈরোই অমখক মমৈ পায়রক্লুনা পুরক্লগা মহাক্কী অকোকপা মকোক্তুদা থাদোক্লরে; উহৈ ওইরবোই নিংতুনা চাত্রা চাদত্রা য়েংনিংতুনা তৌরিবনি। লান্মী অমখক্না মাগী মনাতোন ময়াদা লিংলবা য়াইরি অমা কোনশিন্দুনা পায়রগা মাগা লোয়ননা অগুম চৎলক্লে, মতু হেক থাদোকপদা রঘুপতিগী মমাই

অহুদগী নাতোনগী লৈতেংপুম্বা অহুম্মক পুম্নাং মাংখিবা য়ানা লৈ। লাম্মীশিংগী নোকপগী মখোলনা উমং অহু পুমনিন নিনখ্রে। ওসি মুমিং য়ুংবা মতমদা লাল শোক্লরগদবনি, অহুনা অয়ুক্কুদা রঘুপতিবু লওনবনা মখোইগী মুংঙাইরবা মশাম্ন অমা ওইখ্রে। মখোইনা লওনবহু পেল্লবা মতুংদা ব্রাহ্মন অহুবু সুজাগী লানশঙদা পুরক্লে।

সুজাবু উবদা রঘুপতিনা সেলাম তৌদে। মহাক্কি লাই অমস্থং মাগী জাৎ মশেল নত্তনা কনাগুম্বগী মফমদা কৈদৌন্নুংদা মওক খক নোন্দে। মওক হাইগৎলহুনা লেপ্তুনা লৈরে, অহুগা মখুৎ থাঙ্গৎলগা হায়রকই, "শাহেন-শাগী জয় ওইসনু।"

সুজাদি য়ুগী তেঙ্গোৎ পায়রহুনা অঙম-অথৌশিংগা ফমহুনা লৈরম্মি; তনজানরবা খোনফম্না য়াম্না থৌওইদনা হায়রকই, "কৈনো, কৈদৌরে ?"

লাম্মীশিংনা হায়রকই, "জনাব, য়েক্লবগী লানজাবনা তুমিন্না ঐখোইগী ফীভম ৼংগে লাকই; মহুদা ঐখোইনা মাবু ফাহুনা ইবুঙোগী নাক্তা পুজরক্লিবনি।"

সুজানা হায়রকই, "ফরে, ফরে। তোল্লবহু য়েংনিংহুনা লাকচরিবনি, নিংথিজনা কোইয়েং য়েংহল্লগা থাদোকপিখো। মরৈবাক্তা হনখ্রগা য়ারি তৌজরুসনু।"

রঘুপতিনা শেংলম-শেংফাত্তবা হিন্দুস্থানি লোলদা হায়রকই, "অচৌবা মপুগী মফমদা ঐহাক থবক অমতং নিজরি।"

সুজানা য়াম্না তন্না মখুত্তু হাইরহুনা মাবু থুনমক চৎথোকখিনবা ইঙ্গিত তৌরক্লে। অহুগা হায়রকই, "য়াম্না ওলাংঙে।" হুমাই হুন্নিবা

মীতুনা হান্নদগী শরুক অনি হেন্না কন্না হুমাই হুন্নক্রে। দারানা মাগী মচানিপা সুলেমানবু রাজা জয়সিংহগী মখাদা সুজানা লান্দারকপা থিংনবা থারকই। মখোইগী চাওরবা লান্মী মপৈ অতু নকশিল্লক্রে হান্নবা পাও তারে। মরম অতুনা বিজয়গড়গী কেল্লা লৌশিল্লগা মফম অতুদা লান্মী খোমজিন্দুনা থন্নবগী দমক সুজা য়ান্না মথৌ-চিনবা অমা ওইরম্মি। সুজাগী মখুণ্ডা কেল্লাগা লৈবাক্কুগী অথোকপা থাজনাগা লান্থোরক্নবগী রা ভাংনবা বিজয়গড়গী মপু বিক্রমসিংহগী মনাক্তা হুত চৎলুরবনি। বিক্রমসিংহনা হুত অতুদা পাও খংহল্লক্রে, "ঐহাক্তি দিল্লীশ্বর শাজাহানগা জগদীশ্বর ভবানীপতিগা অনিসিতবু মশক খংই। সুজা কনানো ? ঐহাক মাবু মশক খংদে।"

সুজানা ফাইরবা মরোলদা হায়রকই, "ওন্থোক্না হৌনবা খংদবা মীশক্কি। কান্নদবদা অমুক লাল শোক্নবা তারে। খুরৌ ওন্থোক্না চেনখে।"

রঘুপতিহু হায়রিবা পুন্নমকসি নিংথিজনা তাহৌরে। লান্মীশিংগী মখুত্তগী হেক লিংথোকপগা বিজয়গড়গী মাইকৈ পাংলক্রে।

কুনমাথোইশুবা তান্থক

চিংথক্তনি বিজয়গড়না লৈরিবা। বিজয়গড়গী উমং অতু চিংগী কেল্লা য়ৌনিং-য়ৌমাং তৌনা শন্দোক্লকই। উমংদগী থোক্লকপদা রঘুপতিনা ইথং-খংহৌদনা উরক্রে, শাংলবু হুংগী লানবল অতু অশংবা আতিয়াদা

ঙাথরভ্রনা লেপ্পগুন লৈরি। উমংনা মাগী উপাল লিশিং লিশিংগী লাংলক্তা লোৎপগুম লানবল অসিস্থ মাগী নুংলক্তা থুপ্লভ্রনা লৈরি। উমংনা মশা চেকশিল্লি, কেল্লানা মীরৎ-নারৎ খংই। উমংনা কৈগুম পাকথরভ্রনা মমৈ কোনশিল্লভ্রনা লৈ, লানবলনা নোংশাগুম মশোং ষন্দোক্লভ্রনা ঙকচাও থেক্লভ্রনা লৈ। উমংনা লৈমায়দা মনা পকশিন্দুনা তাল্ল, লানবলনা আতিয়াদা মরাই লোংনা য়েংই।

রঘুপতিনা উমুংদগী হেক থোক্লকপদা লানবলগী চেকপলথক্তা লৈরিবা লাম্মীশিং অহু মমিৎ-মনা তথক-তথক্লরক্লে। শিঙ্গা খোংগৎলক্রে। লানবল অহু খংহৌদনা নোংশাগী খোল্লাও লাওরভ্রনা মখুজিন ময়া চীংলভ্রনা পিশুম শুক্লা লেপখৎলকপগুম তৌরে। রঘুপতিনা লুগুণ উৎলভ্রনা মখুৎ থাঙ্গৎলভ্রনা ইঙ্গিত তৌবা হৌরকই। লাম্মাশিং অহু খুভম শেম্লভ্রনা লেপ্লুনা লৈরে। রঘুপতিনা লানবলগী চেকপল য়ৌনিং-য়ৌমাং তৌনা চংশিল্লক্লবদা লাম্মীশিংনা হংলকই, "কনানো নহাক ?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐহাক ব্রাহ্মননি, অতিথিনি।"

লানবলগী মপু বিক্রমসিংহদি ধম্ম বু লুনা তৌবা মীনি। লাই ব্রাহ্মন অমস্থং অতিথিগী সেবাতা তৌভ্রনা লৈ। লুগুনবু থাংলবদি লানবল মমুং চংবদা মীশক-মীমাই থোইনা তাক্ল ফম লৈতে। অহুবু হৌজিক লালগী মতমসিদদি করম তৌগদবনো হায়বা লাম্মীশিংহু খনফম থোক্লে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "নখোইনা চংজফম পিদ্রবদি মুসলমানশিংগী মখুত্তা ঐহাক থরাই থাবা তাই।"

বিক্রমসিংহগী মফমদা পাওসি খন্থক্লবদা মহাক্লা ব্রাহ্মন অহুবু

লানবল মন্নুংদা চংজফম পিয়ু হায়না য়াথং পিরক্লে। চেকপলথক্তগী কৈরাক অমা খাদরক্লে,, মতুদা রঘুপতি লানবল মন্নুং য়ৌখ্রে।

লানবল মন্নুংদদি লালগী শেম-শাবদা ম্যপুম্বা য়াম্না থো-চিন্নরাম্ম। অহল ওইরবা খুড়া সাহেব মশামক্তা ব্রাহ্মন গুকপগী থৌরমতু তৌরে। মহাক্কী থাঙ্গেহেক শেংবা মিংদি খড়্গাসিংহ হায়বনি, অতুবু কনা অমনা মাবু খুড়াসাহেব কৌই, কনা অমনা সুবাদার-সাহেব হায়,—কৈদৌবদগী কৌরিবনো হায়বতুদি মরম শুকখং খংনদে। পৃথিবীসিদা মাগী মচিন মনাওনা পোকপা মচা অমতসু লৈতে, মচিন-মনাওসু লৈতে, মহাক্না খুড়া ওইবগী করিগুম্বা হক অমদি কাইনথংদা ওইরকপা য়াবগী ফীভম করিমতা লৈতে, অতুগা মহাক্কী মচিন মনাওগী মচানা লৈরিবা মশীং অতুদগী মাগী লৈজবা লম-মশীংনা করিমতা হেনবসু নত্তে। অতুবু ঙাস ফাওবা কনামতনা মহাক্কী মিংথোলসিগী মরমদা করিগুম্বা য়েংপা অমদি চিংনবগী খাফম অমতা পুথোরকপা লৈতে। মচিন মনাওগী মচা লৈতনা খুড়া ওইবা, লম লৈতনা সুবাদার কাবা. সংসারসিদা অরেপ্পা লৈত্রবা অমসুং লক্ষ্মীগী হুৎ-যেৎ চংদ্রবা মীশক্তদি মফম তাগনি হায়বগী করিমতা চিংনফম লৈতে।

খুড়াসাহেবনা চংশিল্লক্তুনা হায়রৈ, "বাবাঃ, অসিনিদনা ব্রাহ্মন হায়বদে!" অসি হায়রতুনা ভক্তি তৌনা খুরুম্নকই। রঘুপতিগী মৈচাক ফরবা থাওমৈ মৈরিগুম্বা মতৌ অমথক লৈ, মতু উবদা খংহৌদনা মৈরানবীশিংগী থম্মোই হেক্তা শুমহৎলি।

খুড়াসাহেবনা জগৎকী হৌজিক ওইরিবা ফত্রবা ফীভম অসিগী

মরমদা মথরাই মুংঙাইতনা হায়রকই, "ঠাকুর, থাইনগী ব্রাহ্মন অদুগুম্বদুবু হৌজিক কদাইদনো লৈরিবা।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "য়াম্না তাঙলে!"

খুড়াসাহেবনা হায়রকই, "থাইনদি ব্রাহ্মনগী মচিন্দা মৈ হৌরম্মি, হৌজক্তি মৈ পুম্বদু পুক্নুংদা তুঙতুনা লৈখ্রে।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "মদুমকত্থু থাইনগী য়ৌবা শুমদ্রে।"

খুড়াসাহেবনা মঙক হাইরদুনা হায়রকই, "অচুম্বনি। অগস্ত্য মুনিনা থকচিনবা ওম্বা অদুক চাবরোমদত্থু ওম্নবদি খন্দুনা অদুক য়েংবিয়ু।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "অতৈত্থু খুদম লৈবি।"

খুড়াসাহেব। লৈ, কবিগী লৈতনি। জহ্নু মুনিগী ঈশিং মখোয়াংগী মরমদত্থু থারি তাই। মহাক্না চাক লাম্বগী মরমদদি থোইনা ইরম্বা লৈতে, অদুবু ভাবনা লাকশিনবদি মওম্মি। হৰিতকি চারগা চাক থোইনা লামদ হায়বদু চুমদে, হবিতকি কয়া য়াম্না মখোই হুমিৎ খুদিংগী চাবগে হায়বদু খংবা থোক্লবদি ভাব তানগদবনি।"

রঘুপতিনা ব্রাহ্মণগী মতিক মগুনগী রা নিংশিংলদুনা চীং-লেম্না হায়রকই, 'নত্তে সাহেব, চাবা-থকপা বোমদা মখোই থোইনা পুক্নিং পংচং-চংবদি তৌদে।"

খুড়াসাহেবনা মরৈ তম্লদুদা হায়রকই, "রাম রাম, করিনো হায়বিরিবদুবো ঠাকুর! মখোইগী পুক্নুংগী মৈদু মৈচাক য়াম্না ফরম্মি হায়বগী তশেংবা প্রমাণ লৈ। য়েংবিয়ুদনসে, মতমগী মতুং ইন্না অতৈ মৈ পুম্নমক মুৎখ্রে, হোমগী মৈত্থু চাক্তে, অদুগা—"

রঘুপতিনা হাইফেৎ মথরাই মুংঙাইতনা হায়রকই, "হোমগী

মৈদি করম তৌনা চাক্কদগে ? লৈবাকসিদা ঘি হায়বত্তুবু কদাইনো লৈরিবা ? পাষণ্ডশিংনা যন পুম্বা লোইনা লানবিখ্রে— হৌজিক হোমগী ঘি কদাইদনো ফংগদবা ? হোমগী মৈনবু চাক্ত্রবদা ব্রহ্মতেজনা কয়া কুইনা লৈগনি !" অসি হায়রদুনা রঘুপতিহু মশাগী থুপ্পুনা থম্লিবা চাকথেকহন্নিংবগী রাখল কন্না ফাওরক্লে।

খুড়াসাহেবনা হায়রকই, "তাকপিরিবত্ত অচম্বনি ঠাকুর, যনশিংনা শিরগা হৌজিক মীওইবগী মপোক্তা পোকপা হৌরক্লে। অদুবু মখোইদুদগী ঘি ফংগনি হায়বদি ওইথোক্ত্রবা রাফার। মশৌশি করিনতা লৈতে। ঠাকুরবু কদাইদগী লেবিবকপনো ?"

রঘূপতিনা হায়রকই, "ত্রিপুরাগী কোনুদগী।"

বিজয়গড়গী রাম-লাম্থোকথবা ভারতবর্ষগী ভুগোল অমদি ইতিহাসকী মরমদা খুড়াসাহেবতি মমিতা ওইনা খংবতুম তৌই। বিজয়গড় নওনা ভারতবর্ষদা খবর মতিক চাবা অতৈ অতোপ্পা অমা লৈ হায়বসিদু মহাক থাজবা লৈতে। মতম কয়া ভাবনা পুনশানা বদুনা হায়রকই, "হোই হোই ত্রিপুরাগী নিংথৌদি যাম্না চাওবা লিংথৌনি।"

রঘুপতিনা হায়রিবা বাফমত্ত পুচুম-চম্বা না হায়না যাবে।

খুড়াসাহেব। ঠাকুরদি মফমদুদা করি ওবক তৌবিবগে ?

রঘুপতি। ঐহাক ত্রিপুরাগী রাজপুরোহিতনি।

খুড়াসাহেবনা মমিৎ উইশিল্লদুনা মওক হাইরগা হায়রকই, "ইস অদুদি !" রঘুপতিগী মফমদা মহাকী ভক্তিহু যাম্না হেনগৎলক্লে।

"করি থবক্কী লেবিরক্লিবনো ?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "তীর্থ থুরুম্বা লাকপনি।"

ছুঁও হায়বা মখোল অমা তারকই। য়েরুবনা লানবলদা লন্দীরক্লে। খুড়াসাহেবনা নোক্লহুনা, মমিৎ খৎলহুনা হায়রকই, "থোইদোকপা করিঙ্গু নত্তে, লৈতুম লংইবনি।" বিজয়গড়গী মফমদা খুড়াসাহেবনা য়ৌনা থাজবা অহুক বিজয়গড়গী মুংনা থাজজবা ওমদে। লম্নানবা কনাগুম্বা লংফে চৎপনা লানবল মনুংহুদবু চংলক্লবদি খুড়াসাহেবনা মীহুবু কোন্নহুনা অহুম্মক লৈখি অহুগা বিজয়গড়গী মতিক মগুন পুম্বা মীহুগী থম্মোইমুংদা কন্না থাজবা পোকহল্লি। ত্রিপুরাগী কোম্নুংদগী রঘুপতি লাকপনি, অসিগুম্বা অতিথিদি পওনা থেংনদে—খুড়াসাহেব হরাওবনা লুতোন কাবে। অতিথিগা লোয়ননা বিজয়গড়গী থাইনগী রারি-রাখোং নৈনবা হৌংক্লে। মহাক্না হায়বকই, ব্রহ্মাগী য়েরুমগা বিজয়গড়গী লানবলগা মতম অমতদা হৌনিন্নবকপনি অমসুং মহুগী হেক মতুংদগী মহারাজ বিক্রমসিংহগী মপা মপুশিংনা লানবল অসিদা পান্দুনা লাক্লবনি, মাসিদা করিমতা চিংনফম লৈতে। লানবল অসিদা শিবগী করি বর লৈবা অহুগা লানবল অসিদা কার্তবীর্যার্জুন করম্না বন্দী ওংখিবা মহুগী মরমদসু রঘুপতিনা থংদবা অমুক লৈত্রে।

য়াচংলকপা মতমদা, থেক্লবশিংনা লানবলহু করিমতা শোকহন-পলহনবা ওমদ্রে হায়রা পাও লাক্লে। মখোইনা তোপ শিজিন্নরম্মি, অহুবু তোপকী মরুহু লানবল যৌহল্লকপা ওমদ্রে। খুড়াসাহেবনা নোক্লহুনা রঘুপতিরোমদা য়েংলকই। মহুগী মহুংগী ভাবতি, লানবল অহুগী মশাদা শিবগী অমাং ওতালৈত্রবা বর লৈ হায়বসিগী অম্রুক শেংলবা প্রমানবু অতে অমুক করি লৈরি! নন্দী মশামক লাক্কুনা তোপ মরুশিং অহু ওক্লগা কৈলাসতা গণপতিগা কার্তিকক্না থুলোকপী শাম্নবা পুখ্রমাম্লে।

কুন্নিথোইশুবা তাঙ্কক

শাস্ত্রজাবু করিগুম্বা অমা তৌডুনা মখুৎ চনবনি রঘুপতিনা তাল্লিবা। সুজানা লানবলদা লান্দানবা হোৎনবি হায়বা পাও হেক তাবদা মহাক্লা খল্লকই, মরুপ শাতুনা লানবল মন্নুংদা চংলগা করিগুম্বা মওং অমদা সুজানা লান্দারকপতুগী মতেং পাংগে। অদুবু ব্রাহ্মণনিনা শা-লালগী মরমদদি করিস্সু খংলুবা লৈতে, করি তৌরগা সুজাগী মতেং ওইগনি হায়বতু খনকম খংদ্রে।

নোংগাল্লকপদা অমুক লাল হৌরে। য়েক্লবগী কাংবুনা নোংমৈ হিদাক চন্দুনা লানবলগী চেকপল অতু মচেৎ খরা কাপখাইখ্রে, অদুবু কুণ্ডনা নোংমৈ কাপ্লকপনা লানবল মন্নুংদদি চংবা ঙমদ্রে। অকায়বা মফমতু উ না উ-না অমুক তনশেম শেমগৎখ্রে। ঙসিদি মরক মরক্তা লানবল মন্নুংদা নোংমৈ তেপকী মরু পাইশিল্লক্লে, লানবল মন্নুংগী লাম্নী অতন-মরি অহুম-মরি শিবা শোকপস্সু য়াওরক্লে।

"ঠাকুর, থেইনা কিবিরকনু, অতুক শান্নরিবা হায়বতুনি" অসি হায়রতুনা খুড়াসাহেবনা রঘুপতিবু লানবলগী মাইকৈ মরিদা কোইপু-পুরতুনা য়েংহল্লক্লে। কদাইদা খুৎস্সু-খুৎলাই থম্বা, কদাইদা চানবা থম্বা, কদাইদা অশোক অপানগী লাইয়েংকম ওইবা, কদাইদা কৈশুমশঙ লৈবা, কদাইদনা দরবার ফম্বা, পুম্নমক মচা খায়না খায়না উইহল্লক্লে অতুগা ইতৎ তত্তনা রঘুপতি তম্না অমুক অমুক য়েংলকই। রঘুপতিনা হায়রকই, "অঙকপগী কারখানানি। ত্রিপুরাগী কেল্লানা মসিদা শোকপা-লাকপা য়াবা পোৎ নত্তে। অদুবু সাহেব লোম্না

চেন্নবগী দমক্তা ত্রিপুরাগী কেল্লাদা ওক্লবা স্থরুং লম্বী অমা লৈ, মফমসিদদি অদুগুম্বদু অমতা উদেনা।"

খুড়াসাহেবনা করিগুম্বা অমা হায়গে হায়না তৌরম্বদগী হেক খংফা-ফাথরদুনা হাযরকই, "হুঁম, লানবলসিদদি অদুগুম্বদু করিমতা লৈতে।"

রঘুপতিনা য়াম্না ওকপগী মতৌ উৎলদুনা হাযরকই, "অস্থক চাওখ্রবা লানবলদবু স্থরুংলম্বী অমতা লৈতবা, করি রানো হাযবিবসিবো!"

খুড়াসাহেবনা হাইফেৎ মথরাই নুংশাইতনা হাযবকই, "লৈতবা, মদুদি কদাইদগীনো? শোইদনদি লৈ, অদুবু এখোইদি কনামতা খংনবা য়াওদে।"

রঘুপতিনা নোক্লদুনা হায়বকই, "মদুদি লৈতবগুম্বনি। নহাক-মক্না খংদ্রবদা অতৈ কনানবুদ খংলমগবনো?"

খুড়াসাহেব অদু য়াম্না চীং-লেম্না ওহাক ভুনিন্না লৈখ্রে, অদুদগী খংহৌদনা "রাম রাম" শোল্লদুনা খুকাপ্পী কপ্লদুনা হাকাম চল্লক্রে, অদুগী তুংদা মমাই মমিৎ মকোইশিং অদু খুবাক্না অমুক অনিরক নাল্লগা খংহায় হায়রকই, "ঠাকুর, ঠাকুরখোইদি পূজা-নু জাতা তৌদুনা লৈরবনি, নংঙোন্দা হায়বদি করিস্থু দোষ লৈতে—লানবলদা চংনবা অদুগা লানবলদগী থোকখিনবা অবোনবা লম্বেল অনি লৈ। অদুবু মপালগী কনাগুম্বা মীদা মদু উহনবদি যাদে।"

রঘুপতিনা হাইফেৎ চিংনরপ তৌনা হায়রকই, "ওঃ লৈবোইরে! শোইদনা লৈফম থোকইনে।"

খুড়াসাহেবনা খল্লক্রে মহাক লাল্লে, অমুক 'লৈতে' হায়রগা অমুক 'লৈ' হায়রবদি মীনা মহৌশানা চিংনফম থোকই। মীরৈপাক

মচাগী মমাংদা ত্রিপুরাগী কেল্লাদগী বিজয়গড়গীনা করিগুম্বা ফীভমদা তোম্থে হায়না উৎপসি খুড়াসাহেবকী মফমদা খাংভমদবা অরাবা অমা ওইনা থোকই।

মহাক্না হায়রকই, "ঠাকুর, ঠাকুরখোইগী ত্রিপুরা হায়বহু ফনা য়াম্না থাপমাল্লে, অহুগা নহাক নশাস্থ ব্রাহ্মণনি, লাইসেবা তৌবতনা থৌ ওইনা লৈরবনি, নহাকমক্না হেক তাকথোক-খোতোক্কনি হায়বাসিদি খোইনা থাজফম লৈতে।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "করিবু তৌগবনো সাহেব, পুক্লিংদা চিংনবা লৈরবদি মসিগী রাসি তোক্লসি। ঐদি ব্রাহ্মণ মচানি, ঐনবু লানবলগী পাওখৎলুরগা করি কান্নগবনো?"

খুড়াসাহেবনা মরৈ তয়হুনা হায়রকই, "ইস রাম রাম, ঠাকুরবু ঐনা চিংনগদোরিবাসিবু করিগীনো? লেংঙউ, অমুক্তবু উবু উহনগে।"

অসোমদদি খহৌদনা লানবল রাংমদা সুজাগী লান্মীশিং অহু মচোই মচোই তাবা অমা তৌখ্রে। উন্নুংদা সুজাগী লানশঙ লৈ; সুলেমানগা জয়সিংহগী লান্মী লাক্তুনা খংহৌদনা মাবু বন্দী তৌখ্রে অমসুং তুমিন্না লানবলদা লান্দারিবা কাংবুহুগী মথক্তা তকশিল্লক্লে। সুজাগী লান্মীশিংনা লান শুকতৌ তৌদনা তোপ কুনথক হুন্দোক্লম্লগা কায়হুনা চেনখ্রে।

লানবল মন্নুদা নুংঙাইরবা ইরাং অমা হৌগৎলক্লে। বিক্রম-সিংহগী মনাক্তা সুলেমানগী হুত হেক থুংলবগা লানবলগী থোঙ হাংদোক্লে, মহাক মশামক থোক্তুনা সুলেমানগা রাজা জয়সিংহগবু তরাম তরাম ওকলুরে। দিল্লীশ্বরগী লান্মী অমসুং শগোল শামুনা লানবল অহু পিক থনখ্রে। ফীরাল রাংনা চিংখৎলক্লে, মোইকুং

অমসুং লানগী পুং-শেল থিনগৎলক্লে অদুগা খুড়াসাহেবকী অঙৌবা কোইগী মরক্তা মখা ইলং লংনা নোকপদু মকা লান্না ফোংদোবক্লে।

কুনহুমদোইশুবা তাঙ্কক

খুড়াসাহেবকী কথাদা নুংঙাইখ্রবা নুমিৎনো। ঙসি দিল্লীশ্বরগী রাজপুত লান্মীশিংনা বিজয়গড়গী অতিথি ওইববে, মতিক মগুন চাওরবা শাস্ত্রজাস্থ ঙসিদি বিজয়গড়দা বন্দী লৈবে। কার্তবীর্যাজুর্নগী মতুংদা বিজয়গড়দা অসিগুম্বা বন্দীদি অমুক্তস্থ লৈখিদ্রি। কার্তবীর্যা-জুর্নবু পুনবা হোৎনবদা ৱাথিবদু নিংশিংলুবদা স্বব ফুইনা হোল্লহুনা খুড়া সাহেবনা বাজপুত সুচেতসিংহদা হাযবকই, "খন্দুনা য়েংউ, মখুৎ লিশিং অমদু যোৎঙ্গলং চন্নবা হোৎনবদা থৌ কয়া চাওনা লাঙবদা তাখ্রবনো। কলিযুগ চংলকপদগী থৌযামসি ওন্থোক্লা ককথ-খ্রবনি। হৌজিক্তি নিংথৌগী মচাবু ওইরবস্থ বাদশাহগী মচাবু ওইরবস্থ খুৎ অনি পানবদগী হেনবসি কৈথেন্দা থিবা ফংলবোইদবনি। পুল্লুবগী মুংঙাইফম থোইনা লৈত্রে।"

সুচেতসিংহনা নোক্লহুনা মাগী মখুত্তু যেংলগা হায়রকই, "খুৎ অনিসিমকস্ত যাস্থু যাম্মল্লে।"

খুড়াসাহেবনা হাইফেৎ খল্লগা হায়রকই, "মহুবুদি অচুম্বনি মতম অতুদনা থবকসি য়াম্না লৈরম্মি। হৌজিকী মতমদদি থবকসি কম্মুক

য়াম্না লৈত্রবগে হায়ববু, খুৎ অনিমক্সিগী ওক্কবা থবক পিফম্মু লৈত্রে। খুৎ হেন্নবু পাল্লম্লবদি কোই নানবা ফনা য়াম্না হেনগৎলমগনি।"

ঙসিদি খুড়াসাহেবকী ফিজেৎ লেংেগা অৱাৎপা করিমতা লৈত্রে। খদাং মখাদগী অঙৌবা কৌই অদু অনি থোক্না খায়দোক্লগা মনা অনিদা য়েৎশিনখ্রে। নাতোন ময়াগী কোইদুনা হুরু হুরু লৈশিন্দুনা ন্নাক্তোং মখুল য়ৌনিং য়ৌমাং শাংদোকহনখ্রে। কোক্তা পৈবপ তৌবা কোইয়েৎ, খাংদা অকোনবা থাংশাং। অরংবা লোল্লবা খোংউপকী মতোন্দু শা-মচীগুম কোনখত্তুনা থেকৎখ্রে। ঙসি খুড়াসাহেবনা চৎলিবা শাথেক মতাদুদি, বিজয়গড়গী লৈজবা মগুনপুম্বনা মাগী মশাদা ইথক-ইপোম হৌবগুম তৌবি। ঙসি জ্ঞান তারবা মীশিং অসিগী মফমদা বিজয়গড়গী মতিক মগুণ তশেংনা উৎপা ঙম্লগনি হায়বসিগী রাখন্দা মুংঙাইমুনখিবনা মহাক তূম্বা চ'বা খংখিদে।

সুচেতসিংহবু পুরদুনা নুমিৎ চুপ্পা অদুমা লানবল কোইয়েং য়েংমিন্নরে। সুচেতসিংহদা থোইনা পংঙক ঙকপা ওইনা থোক্তবা মফমশিং অদুদা খুড়াসাহেব মশামক্না "বাবাঃ বাবাঃ" হায়বদুনা মাগী পুক্লিংগী ইপোম অদু রাজপুত অথৌবদুগী থম্মোইদা পান্নবা হোৎনরকই। মরুওইনা লানবলগী চেকপল্লদু চনখৎপগী মরমদা মহাক য়াম্না শাংনা ঙাংলম্মি। মদুদা চেকপলদুনা করিসু থৌ-রা শাদবগুম সুচেতসিংহসু থোইনা শাখিদ্রে—মাগী মচিন্দগী করিগুম্বা মওংগী রা অমতা ফোং-দোরক্পা লৈখিদ্রে। খুড়াসাহেবনা কোইরৈ-লৈদুনা মাবু চেকপলগী খুইরোমদা অমুক যেৎসোমদা অমুক, মথক্তা অমুক মখাদা অমুক, কোইপু পুদুনা চৎলক্রে—অদুগা অচৎপা মফম খুদিংমক্তা হায়রুকই, "কয়াদা ঙকখ্রবনো!" অদুবু সুচেতসিংহগী থম্মোই-লানবল্লবুদি

লাকশিনবা ওম্বা শুক্লৈ-লৈখিদ্রে। মমৈথংদা য়াচংবা মতম য়ৌরক্লবদা চোকথরদুনা সুচেতসিংহনা হায়রকই, "ঐহাক ভরতপুরগী কেল্লা উরুবদগী অতৈ অতোপ্পা কেল্লা অমতা মিৎ-থুকপা লৈখিদ্রে।"

খুড়াসাহেবতি কনাগুম্বা অমতগম্ভ কৈদৌনুংদা খৎনদে ; য়াম্না শুকথনা হায়রকই, "অচুম্বনি অচুম্বনি। মদুমক হাযবা য়াই।"

স্বর মপী হোল্লদুনা লানবলগী মরমদা নৈনবা তোক্লে। বিক্রম-সিংহগী মবুধৌ দুর্গাসিংহগী রা হৌদোক্লক্লে। মহাক্না হায়রকই, "দুর্গাসিংহগী মচানিপা অহুম পোকই। ইতোন তোনবা মচা চিত্রসিংহগী অঙকপা শাজৎ অমা লৈ। মহাক নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক্তা চানা সের মখাইমুক শঙ্গোমদা তিঙলদুনা চাই। মশাম্ভ মদুগী মতিক চানা অদুম্মক কল্লি। অদুগা ওসাই নংনা হায়খিবা, ভরতপুরগী কেল্লা হায়বদু য়াম্না চাওখ্রবা কেল্লাদি শে'ইদনা মওইরমগনি—অদুবু কদাই, ব্রহ্মবৈবর্তপুরাণদদি মদুগী রা পল্লম্বা থেংনদেনা?"

সুচেতসিংহনা নোক্লদুনা হায়রকই, "পল্লমদ্রবম্ভ থোইনা অকায়বদি লৈতে।"

খুড়াসাহেবনা কংনোক নোক্লদুনা হায়রকই, "হোই হোই, মদুবুদি অচুম্বনি, অদুবু য়েংউ, ত্রিপুরাগী কেল্লাম্ভ থোইনা পংহন-হম্বদি নত্তে, অদুবু বিজয়গড়গা—"

সুচেতসিংহ। ত্রিপুরা হায়ববু করি লমদনোনে?

খুড়াসাহেব। য়াম্না চাওখ্রবা লম্নি। থোইনা হায়রুদনবু করি কান্নদগে. মফম্ অদুগী রাজপুরোহিত ঠাকুরদু হৌজিক ঐখোইগী লানবলদা অতিথি ওইনা লৈরি, মহাক মাগী মচিন্দগী লোইনমক তাবা ফংগনি।

অদুবু ব্রাহ্মণ অদু ঙসিদি শুকথি থিবা ফংখিদ্রে। খুড়াসাহেবকী মপুক্নিংদু ব্রাহ্মণ অদুগী দমক্তা ওম্থোক্না ৱারে। মহাক্না মথন্তা শোঞ্জরকই, 'রাজপুত লরাইমচাশিং অসিদগীদি ব্রাহ্মণ অদুনা য়াম্না কৈ।' সুচেতসিংহগী মফমদা রঘুপতিবু মশীংলাকঙমদনা থাগৎলক্নে অদুগা বিজয়গড়গী মরমদা রঘুপতিনা করি ৱা হায়খিবা মদুসু তমথরক্নে।

কুনমরিশুবা তাঙ্কক

খুড়াসাহেবকী মখুত্তগী নাম্থোকপদা সুচেতসিংহদু থোইনা অরুবা থবক ওইনা থোক্নে। হয়েং অয়ুক বন্দী পুদুনা সম্রাটকী লান্মীশিং খোংশাল্লগনি হায়না লেপ্লে, মদুগী দমক লান্মীপুম্বা শীল-লাঙনখ্রে। কৈশুমশঙদা শাসুজানা য়াম্না মখোইদো শাওগৎনা নথন্তা ঙাংজরি, "মখোইসি কয়াদা হৌনবা থংখিদ্রবনো। লানশঙদগী ঐগী হিদাকফু পুরক্কনি হায়বা ফাওবা খনখিদ্রে।"

বিজয়গড়গী চিংখোংদা লুরবা থাঙ্গপাৎ অমা লৈ। থাঙ্গপাৎ অদুগী মপান্দা মফম অমদা বজ্রনা চাকথেকখ্রবা খোংনাং পাম্বী অমগী মউতমক হৌরি। হায়রিবা মউ অসিগী মনাক মক্তদা রঘুপতিনা থেংলবা অহিংদা ইরুপখ্রে, অদুদগী মশক অদুম্মক উখিদ্রে।

লোম্না লানবল মন্নুংদা চংনবা স্নরুংলম্বী লৈবত্থু থাজপাৎ অসিগী মখা খমথেংবা লৈমাইদা মচিন লৈ। লম্বী অসিদা অস্নম চৎখ্রগা স্নরুংগী অরোইবত্থু যৌরকপদা মখারোমদগী কম্না ইনখৎলক্লবদি ন্নুংপাক অমা হাইগৎখি, মথকলোমদগীদি মত্থু ইন্থোকপা শুকঙম ঙমদে। মরম অসিনা লানবলগী মন্নুংদা লৈবশিং অত্থুদি লম্বী অসোমদা থক থোক্লকপা ঙমদে।

কৈশুমশঙগী ফম্নুংদা স্নজা তূম্লি। ফম্নুংত্থু নত্তনা কাত্থুদা অতৈ পোৎ অমতা লৈতে। থাওমৈ অমা থাম্লি। খংহৌদনা ইম্নুংত্থুদা অহোবা অমা ফাওরক্লে। তপ্না তপ্না মঙক লিংখৎলক্কুনা লৈন্নুংদগী রঘুপতি কারক্লে মশা পুম্বা পুমচোৎ চোৎলি। অচোৎপা ফীত্থুদগী ঈশিং মরী মবী চেম্থরি। রঘুপতিনা তপ্না তপ্না স্নজাগী মশা পায়ররে।

স্নজানা খংপ্রেক খংনা হৌগৎলক্কুনা মমিৎ নোইরত্থুনা ঙহাক ফমত্থুনা লৈরে, অত্থুদগী তঞ্জানরবা খোন্থাংনা হায়রকই, "ওন্থোক্লা ন্নুংঙাইত্থিদ্রেদা! মখোইসি ঐবু অহিং ফাওবা তুমহল্লরোইদৌরিব্রা? নখোইগী শাজৎসিদি ঐ পুমঙক ঙক্লে।"

রঘুপতিনা লোল্লপ হাযরকই, "শাহাজাদা, লেংখৎপিরো। ঐ মমাংঙৈদা উনখিবা ব্রাহ্মণ অত্থুনি। ঐবু শক খবিরিব্রা য়েংবিয়ু। মতুংদস্থু ঐবু থক কাওবিরোইদবনি।"

মতুংগী নোংঙাল্লকপদা সম্রাটকী লাম্মীপুম্বা খোংশাম্নবা থৌরাং তৌনরক্লে। স্নজাবু তূম্বা হৌদোকলুনবা রাজা জয়সিংহ মশামক কৈশুমশঙদা চংলক্লে। স্নজাদি ম্নতমত্থু ফাওবা হৌগৎত্রি হায়বা ম্নহাক উরে। মনাক্লা চংশিন্দুনা ম্নশা নোম্মুরে। মতমত্থুদা খংলক্লে, মত্থু স্নজা নত্তে, মাম্ণী মূসাইতলি। স্নজা লৈত্রে। ইম্নুংগী লৈমাইগী

সুরুং অমা ফাওরি, মতু খুম্লম্বা মুংপাক অতুনা হাংদোক্নুনা লৈরি।

বন্দী চেনখিবগী পাও অসি লানবল শীন-থুংনা তানরক্লে। থিরুনবা মাইকৈ মরিদা মী চেন্নরক্লে। রাজা বিক্রমসিংহ মরাই লৈদা লুকথখ্রে। বন্দী করম্না চেনখিবনো হায়বসি বিচার তৌনবা সভা ফম্লে।

খুড়াসাহেবকী নাপলগা লোয়নরবা মপুক্লিং হরাওবগী মতৌ অতু কদাইদনো মাওখ্রে। মহাক অঙাওবগুম 'কদাইদনো ব্রাহ্মণ' 'কদাইদনো ব্রাহ্মণ' হায়না লাওরতুনা রঘুপতিবু কোইথি থিবা হোৎনরক্লে। মফম কৈদসু ব্রাহ্মণ থেংনদ্রে। কোইয়েৎ লৌথোক্লতুনা খুড়া সাহেব অতু মতম খরা মকোক্তা মখুৎ হাপ্লতুনা ফমতুনা লৈখ্রে। সুচেতসিংহনা মনাক্তা চংলক্নুনা ফম্লরে, অতুগা হায়রকই, "খুড়াসাহেব, কয়াদা ঙকখ্রবা কারখানানো! মসি পুম্নমকসিবু ভুতনা তৌরিবা ঙাক্তরা?"

খুড়াসাহেবনা মাইথোং লাংশিন্না মঙক হায়রতুনা হায়রকই, "নত্তে, ভুতনা তৌবা নত্তে, সুচেতসিংহ। মসিদি য়াম্না পঙলবা অহল অমগী থৌশীন্দগী নমথাক চাওরবা পাপী অমনা থোকহনবা থবক্নি।"

সুচেতসিংহনা ঙক্লতুনা হায়রকই, "নহাক মীশকশিং অতু তশেংনা খংলবদি মখোইবু ফাদ্রিবা করিগীনো?"

খুড়াসাহেবনা হায়রকই, "মখোইতুগী মনুংদা অমদি চেনখ্রে। অতুগা অমদি ফারতুনা রাজসভাদা পুতুনা চৎকদৌরিবনি।" অসি হায়রতুনা কোইয়েৎ য়েৎশিল্লে অমসুং রাজসভাগী ফীজোন শেৎচিল্লে।

মতম অতুদদি সভাদা শত্রুশিংগী মচিন হুংবা হোৎনরম্মি। খুড়াসাহেবনা মঙক নোল্লতুনা সভাদা চংল্লক্লে। বিক্রমসিংহগী খো

ময়াদা থাংশাং অদু শত্তোক্তুনা থম্লগা হায়রকই, "ঐবু বন্দী তৌনবা পিনবিয়ু, ঐহাক ইরাল লৈরবা মীনি।"

নিংথৌনা ঙক্লদুনা হায়রকই, "খুড়াসাহেব, করি তৌরবগে?"

খুড়াসাহেবনা হায়রকই, "ব্রাহ্মণ অদুননি। পুম্নমকসি বাঙালি ব্রাহ্মণ অদুনা থোকহল্লিবনি।"

রাজা জয়সিংহনা হংলকই, "নহাক্তি কনানো?"

খুড়াসাহেবনা হায়রকই, "ঐহাক বিজয়গড়গী অহল ওইরবা খুড়াসাহেবনি।"

জয়সিংহ। নহাক্না করি তৌরুরে?

খুড়াসাহেব। ঐহাক বিজয়গড় চংনবা অরোনবা রাফম তাকথোক্তুনা লৌনম শাজং চৎলে। ঐহাক্না য়াম্না চন্নবা মীগুম থাজরুদুনা বাঙালি ব্রাহ্মন অদুদা সুকং লম্বীগী রা হায়দোকলুবে—"

বিক্রমসিংহনা খাহৌদনা শাওগৎলক্তুনা হায়রকই, "খড়গসিং!"

খুড়াসাহেব অদু খ প্রেক খংই; মহাক্কী মমিং খড়গসিংহ কৌই হায়বা মহাক ইকাওবু কাওরুরে।

বিক্রমসিংহনা হায়রকই, "খড়গসিং, চহি য়ামশিল্লরুগা নং অমুক অঙাং ওল্লরুবরা!"

খুড়াসাহেব অদু মঙক নোম্বরদুনা তুমিন্না লৈখে।

বিক্রমসিংহ। খুড়াসাহেব, করিনো নংনা তৌরুরিবা থবকসিবো! নহাকথক্তা ঙসি বিজয়গড় চোপ্পা নংলবনিদকো!

খুড়াসাহেব অদু তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরে, মখুৎ অদু থক থক নিক্লক্লে। নিক্লবা মখুত্তুনা মরাইবক পায়রদুনা মথন্তা হায়জরকই, "ওন্থোকপগী লাইবক্তি!"

বিক্রমসিংহনা হায়রকই, "ঐগী লানবলদগী দিল্লীশ্বরগী য়েক্কবা চেনখ্রবা!—নং খংদ্রা, মসিনা ঐবু দিল্লীশ্বরগী মফমদা ইরাল লওজবা ওইহল্লে হায়বা!"

খুড়াসাহেবনা হায়রকই, "ঐ ইথন্তনি ইরাল লৈরিবা। মহারাজনা লাল্লি হায়বদি দিল্লীশ্বরনা খক থাজবিরোই।"

বিক্রমসিংহ মখোইদৌ শাওগৎলহুনা হায়রকই, "নহাকপু কনানো? নংবু দিল্লীশ্বরনা শক খবিরমগদ্রা! নংদি ঐগী মীনি। থৌদোক-সিদি ঐ ইশামক্সা বন্দীবু থাদোকখিবগা অনহানি।"

খুড়াসাহেব বা ওাদনা লৈখ্রে। মহাক মনিত্তগী মপি অমুক থাম্বা ওম্রকত্রে।

বিক্রমসিংহনা হায়বকই, "নহাক করি দাও পাম্মি?"

খুড়াসাহেব। মহাবাজনা অপাম্বতা পিবিয়ু।

বিক্রমসিংহ। নহাক অহল ওইরে, নঙোন্দা করি দণ্ডি অমুক পিরুখিগদগে—লৈবাক্সিদগী তানথোকপনা নংগীদি অতুম মতিক চারে

খুড়াসাহেবনা বিক্রমসিংহগী মখো দা কোল্লহুনা হায়রকই, "বিজয়-গড়দগী তানথোকপিবা! মতু তৌবিগনু মহারাজ, ঐদি হন্নুববা মীনি, ঐহাক রাখল চোইকরবনি। ঐবু বিজয়গড় অসিদা শিহনবিয়ু। ঐবু হাৎনবা যাথং পিনবিয়ু। চহি অহল ওইরবা গতমসিদা হুই-লমহুইদৌনা ঐবু বিজয়গড়দগী তানথোকপিগনু।"

রাজা জয়সিংহনা হায়রকই, "মহারাজ, ঐনা হায়জবি মাগী মরাল অসি ওাকপিরো। ঐহাক সম্রাটতা রারি রাখোং পুম্বা ওগাইনা হজ্জচগে।"

খুড়াসাহেবপু ঙাকপিরে। সভাদুদগী মপাল থোক্লকপদা খুড়াসাহেব মশা থক থক নিকখিদুনা তুথখ্রে। মুমিৎ অদুদগী হৌনা খুড়াসাহেবকী মশক পংউ-উখিদ্রে; মহাক য়ুমদগী মপাল থোকখিদ্রে। মহাক্কী য়াংলেন-শরু তেকখিবগুম্না তৌখ্রে।

কুনমঙাশুবা তাঙ্কক

গুজুরপাড়া হায়বসি ব্রহ্মপুত্রগী মপান্দা তাবা পিক্লবা খুঙ্গং অমনি। পিক্লবা জমিদার অমখক লৈ, মমিং পীতাম্বর রায় কৌই— মী থোইনা তাদে। পীতাম্বরনা মাগী মল্লবা চণ্ডীমণ্ডপতা ফম্লদুনা মহাক নিংথৌনি হায়দুনা লৈ। মহাক্কী প্রজাশিংনস্নু মাবু রাজা হায়না কৌই। মহাক্কী নিংথৌগী মঙালদি হৈনৌ-থৈবোংগী বন্না কোইশিল্লবা পিক্লবা খুল অসিগী মখুং অদুদতা ঙান্দুনা লৈ। মহাক্কী মিংচৎস্নু খুল অসিগী উমং-রামং মরক্তা খরা ঙংলগা খুন্দোনগী অদুরাইদা অদুম্মক শিথখি। জগতকী চাওর-চাওরবা নিংথৌ-নিংথৌরেলশিংগী য়াক্লবা মৈশাদু উরুম লাংলবা মকোল অসিদদি ফাওজিল্লকপা ঙমদে। তীর্থস্নান তৌনবগী দমক্তা তুরেল মপান্দা ত্রিপুরাগী নিংথৌশিংগী চাওরবা দলান অমা লৈ; অদুবু চহি মতম য়াম্না শাংনা নিংথৌ অমতস্নু স্নান তৌবা লাকখিদ্রে, মরম অদুনা ত্রিপুরাগী নিংথৌগী রাসি খুল অদুগী মীশিংদা চুম্নগী অদুক রারি ওইনা তাবদুতা মঙাইরে।

নোংমা থৌরাল থাদা, ত্রিপুরাগী নিংথৌ মচা অমা ৄরেল মপানগী অমনবা কোন্নুংদা লৈররগনি হায়না খুলদা পাও য়ৌরক্রে। মুমিৎ খরনিগী তুংদা কোইয়েৎ য়েৎপা মী ময়াম অমা লাক্কুনা কোন্নুংদু ইরাং-লাংলরে। অদুদগী চয়োলমুক লৈরগা শগোল-শামু মনাই-মশল ময়াম পুরদুনা নক্ষত্ররায় মশামক গুজুরপাড়া খুলদা থুংলরে। ঋঞ্জ ময়াম অদু উবদা খুলগী মীপুংবা ময়াদা হয়িং পাইশিনবা খংনখিদ্রে। পীতাম্বরবু অস্তুক কুইৰসি অচৌবা নিংথৌনি খন্নরম্বনি, অদুবু ঙসিদি মদুগী রাখলদু তোকখ্রে—নক্ষত্ররায়বু উবদা ময়াম্মক চপ মান্নন হায়নরক্রে, "হোয়নে, নিংথৌমচা হায়বদুদি অসিনিদনা।"

অস্তুন্না পীতাম্বর অদু মহাক্কী চেক্কী দলংনগা কেন্ননা চণ্ডীমণ্ডপকী মঙালফাওবা পুম্মাঙ মাঙখ্রেদি হাযববু, নুংঙাইবগী ঙনখৈদি লৈত্রে। নক্ষত্ররায়বু মহাক্না অস্তুক্কী মতিক লুনা নিংথৌনি হায়না খনখ্রে, মদুদি মহাক মশাগী পিক্কবা নিংথৌগী মঙাল অদু নক্ষত্ররায়গী খুবাদা মমি পুমশান-শামহনখিবদা মহাক নুংঙাইবা অমা ওইখ্রে। নক্ষত্ররায়না করিগুম্বা মতমদা শামু তোংদুনা মগাল থোরল্লবদি পীতাম্বরনা মাগী প্রজাশিংদা কোইরাও লাওই, "নিংথৌ উরবরা? য়েংউ অসে, নিংথৌ হায়বদু অসিনি।" ঙা-ইনশাং চান-থক্কবা পোৎচৈ অথেনপোৎ ওইনা পুরদুনা পীতাম্বরনা মুমিৎ খুদিংগী নক্ষত্ররায়গা উনবা লাকই— নক্ষত্ররায়গী নৌরবা ফজরবা মাইথোংদু উবদা পীতাম্বরগী থম্মোইপানা মুংশি-ইথক হৌরকই। নক্ষত্ররায়না খুলদুগী নিংথৌ ওইখ্রে। পীতাম্বরনা প্রজা মরক্তা তিনখ্রে।

মুমিৎ খুদিংগী তানফম অদুমদা পুং-শেল য়ৈবা হৌরক্রে, খুজং

লম্বীদা শগোল শামু চৎপা হৌরক্লে, স্নখোঙদা থাংশাংগী কুফেৎ-কাফেৎপা মঙালনা লৈত্তে লক্লে, কৈথেল চাওনা কাখৎলক্লে। পীতাম্বরস্নু মাগী প্রজাশিংস্নু মথরাই ঙম্না হবাওনবক্লে। নক্ষত্রবাযদু মবৈবাক্তগী তাম্নোক্লকপদগী নিংথৌ অমা ওইবকপদুদা অরাবাপুম্বা কাওখ্রে। মফম সিদদি লৈপাক ঙাকপগী অরাবা কবিমতা লৈতে, নিংথৌ ওইবগী মুংঙাইবদি মপুং ফানা ফই। মফমসিদদি মহাক মপুং যানা নিংতম্বা মীনি, মবৈবাক্তদি মহাক অস্নক চাওনা ৎতিক মঙাল লৈবমদে। অদুগী মথক্তা মফমসিদদি রঘুপতিগী মমি তাদে। মথরাই নুংঙাইনা নক্ষত্রবাযদু হবাওতযামদা লুপ্তনা লৈবে। ঢাকা শহরদগী জগোই শাবা-শাবী লাক্লে, জগোই ইশৈদা নক্ষত্রবাযগী মথরাই তাদবা কৈদৌনুংদা শুক্লে লৈতে।

নক্ষত্রবাযনা ত্রিপুরাগী নিংথৌগী চৎনবীপুম্বা মতৌ লোইনা তম্লে। মনাইশিংগী মনুংদা কনাবুনা মন্ত্রী কৌবে, কনাবুনা সেনাপতি কৌবে, পীতাম্বরবুনা দেওযানজি হাযবগা খনবে। হেনবী কাইদনা রাজদরবার ফম্লে। নক্ষত্রবাযনা থৌগল-লাঙ্গলগা লোযননা বিচার তৌই। নকুড়না লাক্নুনা রাকৎলে, "মথুরনা ঐবু 'হুই' হাযবে।" মদুগী হৌনবী বিচার তেবে। মথল মখা অশাম্বা প্রমাননচিবা লৌ-খেৎলবা তুংদা মধুবনা লানবা তাবদুনা নক্ষত্রবাযনা যাম্না চাং-লেম্না বিচারগী ফজকমদগী যাথং তাওথরকই— নকুড় মথুরবু মনা অনিরক লৈয়ু। অস্নুম্না নুংঙাইনা মতম লেনবা হৌরক্লে। করি করিগুম্বা মুমিত্তা থবক তৌনিংঙাই ইবৈ লৈরক্তুবদি পুনর্নো নৌবা মুংঙাইবা মওং অমা পুথোক্লরুবা মন্ত্রীদা যাথং পিরকই। মন্ত্রীনা অঙম অথোপুম্বা কৌরগা যাম্না খোইবাংবা অনপু লাংতক্লবগা লোয়ননা অনৌবা মশাম্না

পুথোক্লবা লাক্লে, মতুগীদমক রাখল মুন্না তৌথনবা অমস্মং রা তান্নবগী অরোই অখম লৈতে। নোংমদি খোংমী-লাম্মী ময়াম পুরতুনা পীতাম্বরগী চণ্ডীমণ্ডপতা লাল তারুই, অতুগা মাগী পুখ্রিদগী ডা, ইংখোন্দগী য়ুবী অমস্মং পালং শাক খোম্লতুনা লুঠকী পোংচৈ ওইনা য়াম্না ইরাং তৌনা পুং-শেল য়ৈরতুনা কোন্নং তান্না পুরকই। অসিগুম্বা মশান্না অসিদা নক্ষত্ররায়বু পীতাম্বরনা মুংশিবা থোইনা থোইনা হেনগৎলম্মি।

ডসিদি কোন্নু দা হৌদোং মচাগী লুহোংবা মুমিংনি। নক্ষত্ররায়গী হৌদোং অমোম মচা অমা লৈ মতু মণ্ডলগী হৌদোংগা লুহোংবিগদৌরিবনি। চুড়োমনি ঘটকনা মতুগী পাও পুথোক পুশিন তৌবগী লুপা চত্নমগা ফী শাল অমগা যংখ্রে। লুহোংগদবগী মশা মউ শেংদোকপা হৌনবা ডন্না লোইরে। ডসি পুংফম অফবদা য়াচংবদা লুহোংগদৌরিবনি। মুমিং কয়ানিমুকসি কোন্নু দা মী অমতা কোম্নবা হায়বতু লৈখিদ্রে।

য়াচংবা মতমদা লম্বেল শোরোকপুম্বা মৈনা পুমঙান ডানখ্রে, পুং-শেল য়ৈখৎলক্লে। মণ্ডলগী ময়ুমদগী দোলাই তোংলতুনা অরং-অরাক্কী ফীজেং শেংলতুনা বর অতু য়াম্না রারবা খোম্ফমদা ঙ্যাও ঙ্যাও খোংলতুনা খোংশাল্লক্লে। মণ্ডলগী ইমুংগী পিক্লবা অঙাংতুনা বর শেন্নবা ওইনা মডকশমগী থৌরি অতু পায়রতুনা বরগা লোয়ন-লোয়ননা লাক্লি। মঙ্গলগী খোম্থাং অমস্মং মোইবুং মখোল ময়ামলক্কা বর লুহোংফম য়ৌরক্লে।

পুরোহিতকী মমিং কেনারাম কৌই, অতুবু নক্ষত্ররায়না মাবু রঘুপতি হায়না থোল্লে। নক্ষত্ররায়দি থাঙ্গৈশেংবা রঘুপতিবু কি, অতুনা শাশিন্নবা রঘুপতিগা লোয়ননা শান্নমিন্নবদা মহাক য়াম্না মুংঙাইবা পোকই। অমুক করি হায়গনি, রাঙাং খুদিংদা মাবু ঙাংবি-চৈবা

পুন্নমকসি মরাইবক থীরবা কেনাবামনা তুমিন্না খাংজবদা তাখি। ওসিদি লাইগী নোংদম থীবদগী কেনারাম লুহোংফমদা য়ৌরকপা ওমদ্রে—মাগী মচাদু অরুম-লাইহৌনা শিবা চংবা খংদনা লৈরে।

নক্ষত্ররায়না খোইদৌ শাওগৎনা হংলকই, "কদাই রঘুপতিদি ?"

মনাইনা খুম্মি, "ময়ুমদা অনাবা অকনবা অমা য়াওরে।"

নক্ষত্ররায়মা শরুক অনি হেন্না লাওরদুনা হায়রকই, "মাবু হৌজিকমক কৌরু।"

মী চেন্নখ্রে। তাল্লক অসিদা কপ্লিং কপ্লিং তৌরবা হৌদোংদুগী মমাংদা জগোই ইশৈ লেপ্তুনা চৎথরি।

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "সানাই খোংগৎলু।" সানাই খোংগৎলে।

ওহাক লৈরগা মনাই অমা চেল্লক্তুনা হঙ্গৎলয়ে, "রঘুপতি লাক্লে।"

নক্ষত্ররায়মা শাওনা হায়রকই, "চংওকউ হায়ু।"

খুদক্তুমক্তদা পুরোহিত ইমুংদুদা চংলক্লে। পুরোহিতপু হেক উবমক্তদা নক্ষত্ররায়গী পিওম শুকপদু খংমাও মাওখ্রে, মাইথোংদু অনৌবা ফীভম অমদা পুমওম ওনখ্রে। মশক তাইফেৎ তাইখ্রে, মরাইবক্তা দুমাং মরিক কাররক্লে। সানাই সারঙ্গ পুং-শেল ওন্নমক খংহৌদনা পুমলেপ লেপখ্রে, হৌদোংগী ঙ্যাও ঙ্যাও হায়বা খোদাংদুতা চিক্রবা ইমুংদু শরুক অনি হেন্না হৌনা তাবতা ওাইরক্লে।

থঙ্গেশেংবা রঘুপতিমক্তি। চিংনফম করিমতা লৈত্রে। রাংই, কংই, মগুণ লৈ, কুইনা চয়া হেন্নক্রবা হুইওম মমিৎ অনিদু মৈওম্না লংলি। উফুল-রাইফুল তৈরবা মখোং অমিদু স্নরূপা হৎলবা গলিচা মথক্তা নেৎলদুনা মহাক মঙক হাইগৎনা লেপ্পি। অদুগা হায়রকই, "নক্ষত্ররায়!"

নক্ষত্ররায় তুমিন্না লৈখ্রে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "নহাক রঘুপতিবু কৌহল্লুবা নত্রা। ঐহাক লাক্রে।"

নক্ষত্ররায়না ফাইরবা খোনফমদা হায়রকই, "ঠাকুর—ঠাকুর!"

রঘুপতিনা হায়রকই, "হৌগৎলকউ লাও।"

নক্ষত্ররায় তপ্পা তপ্পা সভা অতুদগী হৌগৎল্তুনা চৎখ্রে। হৌদোং লুহোংবা সামাই সারঙ্গ লোইনমক পুমলেপ লেপখ্রে।

কুনতরুক শুবা তাঙক

রঘুপতিনা হংলকই, "করিনো তৌরম্মিবা পুম্বসে?"

নক্ষত্ররায়না মকোক হোৎলহুনা হায়রকই, "জগোই য়েংলম্মিবনি।"

রঘুপতিনা তুক্কচনা শুগৎলহুনা হায়রকই, "এঃ অতুম্বা থবকপু!"

নক্ষত্ররায়হু মরাল লৈরবা মীগুম লেপ্তুনা লৈরে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "হয়েং মফমসিদগী খোংশানবা তারে। মহুগী শীল-লাংলো।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "কদাইদা চৎকদৌরিবা?"

রঘুপতি। মহু কোম্না হায়গে। হৌজিকমক্তি ঐগী ইতুং অহুম্মক ইল্লকউ।

নক্ষত্ররায়না হাবরকই, "ঐ মফমনিদা ওম্থোক্লা মুংঙাইরি।"

রঘুপতি । 'মুংঙাইরি' ! নহাক নিংথৌ শাগৈদা পোকপনি, নংগী পারোন পুরোনপুম্বা নিংথৌ ওইরকপা ঙাক্তনি । অহুগা নংনা ঙসি পিক্লবা লরাই অসিদা লমহুই-নিংথৌ ওইনা লৈরগা নচিন্দুদা পল্লিবা 'মুংঙাইরি' হায়না !

রঘুপতিনা য়াক্লবা খোনফম অমসুং খারবা মিৎয়েং কয়ানা নক্ষত্ররায় অহু মুংঙাইনা লৈবা নত্তে হায়বা প্রমাণ তৌহুনা তাক্লে । নক্ষত্ররায়সু রঘুপতিগী হৈশিংলবা রাঙাংহু তাবদা হায়রিবহু অচুম্বা ওইনা খল্লক্লে । মহাক্না হায়রকই, "লৈরিবসিদা অসুম মুংঙাইবদা তারেদনা ! করিদি তৌরুনি ? করি উপায় লৈরি ?"

রঘুপতি । উপায় য়াম্না লৈ, উপায়গী অৱাৎপা লৈতে । ঐহাক নঙোন্দা উপায় তাক্কে— ঐগী ইতুংতা ইল্লকউ ।

নক্ষত্ররায় । দেওয়ানজিদা অমুক্তদি হংখিগে ।

রঘুপতি । হংগন্নু ।

নক্ষত্ররায় । ঐগী পোৎচৈ ময়ামসিদি—

রঘুপতি । কান্নফম লৈতে ।

নক্ষত্ররায় । মী ময়ামসিদি—

রঘুপতি । কান্নদে ।

নক্ষত্ররায় । হৌজিক ঐগী থুক্তা শেল পংলৈ লৈতে ।

রঘুপতি । ঐগী লৈ । অমুক হন্না মরৈ-মরা তৌরগন্নু ।— ঙসিদি তুম্মুরো, হয়েং শোইদনা খোংশাল্লগদবনি ।

অসি হায়রগা রঘুপতিনা করিগুম্বা পাওখুম অমত্তা ঙাইরম্বা তৌদনা চৎখ্রে ।

মতুং মুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা নক্ষত্ররায় হৌগৎলে। মতম অদু য়াকাইরোল শকপা থৌগল কাবুনা নিংথিরবা শৈহেক্তা মুংশিরবা ঈশৈ শক্লি। নক্ষত্ররায়না মপালগী কদা লাক্কুনা মিহুৎথোঙদা মপাল্লোমদা য়েলি। নোংপোক্কী তোর্ব্বানলোমদা মুমিৎ থোরক্লে, ঙাঙ্রবা মশেক ফাওরক্লে। তোর্ব্বান নাকল অনিমক্কী কুণ্ডলবা উপাল পরেংলক্তা, পিক্ল-পিক্লবা তুমখুম হুল্লিবা খুলগী থোঙয়াশিং নপ্পা, ব্রহ্মপুত্রনা মাগী চাওরবা ইশিং মপৈগা লোয়ননা অপনবা লৈতনা চেল্লি। কোন্নুংগী মিহুৎথোঙদগী তুরেল মপান্দা লৈবা পিক্লবা খাংপোক অমা উরি। মুপীমচা অমা মাঙ্গোলদু রাই শিংলি— নিপা অমনা মঙোন্দা রা অমা অনি হায়বল্লগা, মকোক্তা কোইয়েৎ য়েৎশিল্লদুনা, রাগী চাওরবা চৈশাং অমগী মঙোন্দা ফীময়োম অমা কিশিল্লদুনা, নিংঙাইবা লৈতনা মফম কৈদনো চৎথোকখি। চরোই অমসুং খোইনিংনা হু-ই খোংলি, তিংগোং-কাঙ্গোংনা চাওরবা থৈবোং পান্থীগী কুণ্ডলবা উনারক্তা তোংলদুনা ইশৈ শক্লি। মিহুৎথোঙ ময়াদা লেপ্লদুনা মপাললোমদা য়েংলগা নক্ষত্ররায় থম্মোই শোক্লা মুংশা-স্বর-মপী অমা হোল্লকই, খুদক অসিমক্তদা তু লোমদগী রঘুপতি চংলক্কুনা নক্ষত্ররায়গী মশা পায়ররে। নক্ষত্ররায় খংপ্রেক খংই। রঘুপতিনা তপ্পবা চীং-লেম্লবা খোন্থাংদা হায়রকই, "চৎনবা থৌরাংপুম্বা লোইরে।"

নক্ষত্ররায়না মখুৎ লোম্লরদুনা য়াম্না রাংরবা খোনফমদা হায়রকই,

"ঠাকুর, ঐবু ঙাকপিয়ু, ঠাকুর—ঐ মফম কৈদসু চৎচনিংদ্রে। ঐ গফম অসি য়াম্না মুংঙাইজে।"

রঘুপতিনা রা মচেৎ অমতা ঙাংদনা নক্ষত্ররায় তম্না খারবা

মিৎযেংনা চাকথেক্কদবগুম যে লক্লে। নক্ষত্রবাযনা মমাই লুকথবতুনা হাযরকই, "কদাইদা চৎকদৌবিবনো ?"

বঘুপতি। মতু হৌজিক হাযবা যাদে।

নক্ষত্র ! ইয়াম্বগী মথক্তা ঐহাক কবিগুম্বা ফত্তবা থবক অমতা তৌবা ঙম্লোই।

বঘুপতিনা মখোইদৌ শাওগলক্তুনা হাযবকই, "নযাম্বনা নংগী কান্ননবা ফবি তৌবিবে হাযু তাসি।"

নক্ষত্রনা মমাই লৈথোক্লগা, মিহুৎথোঙদা মখুজিন্না খোৎল-খোৎলহুনা হাযবকই, "ঐ খংই, মানা ঐবু য়াম্না নুংশি।"

বঘুপতিনা খাক্লা কংনোক নোক্লহুনা হাযবকই, "হরি হবি। ওস্থোক্লা নুংশিথ্রবোইদা। অহুনা ওইবে অপনবা লৈতনা ধ্রুববু যুববাজ হাপ্পনবগী দমক ওইদবা হাযজিন্দুনা নযাম্বনা নংবু নবৈবাক্তগী তান্থোক্রক্লিবসিদে— লৈপাক ডাকপগী অরাবা পোৎলুম্না নন্দুনা নোনিনা শাববা নুংশিববা মনাওনা কৈদৌনু দা অরাবা ফংদনবা। নবৈবাক অতুদবু নহাক মতু সিদা তবাই ংবাইনা হেক চবা যাখিনি খনব্রা? অপঙবা।"

নক্ষত্রবাযনা তফিং তফিংনা হাযবকই, "কৈস্থ লৈতবা রাফম অতুবু ঐ বংগী খলোইদদগে? ঐ লোইনমক খই— ভতুবু ঐহাক্লা তৌগদবসি কবিনো ঠাকুব, কবি উপাযদি লৈ ?"

বঘুপতি। উপাযতুনি হৌজিক তৌদৌরিবসি। মতুগী দমক্তনি ঐনা লাক্লিবসি। পাম্লগা ঐগা লোযননা চৎসি লাকও, পামদ্রগনা বানুং-উনু সিদা অস্থম্মক ফম্লহুনা নগী ফননবা তৌরিবা নয়াম্বহু নিংশিংতনা লৈগৌরো। ঐদি চৎলে।

রঘুপতি চৎকদবগী থৌরাং তৌরক্লে। নক্ষত্ররায়না তফিং তফিং মাগী মতুং ইন্নরদুনা হায়রকই, "ঐসু চৎকনি ঠাকুর, অদুগা দেওয়ানজিসু করিগুম্বা চৎচনিংলবদি মাবু ঐখোইগা লোয়নবদা করি অকায়বা লৈবগে ?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐ নত্তনা কনামতা নংগা লোয়নবা য়াদে।"

য়ুমদু থাদোক্তুনা নক্ষত্ররায়গী খোং থাংবা থোক্তে। নুংঙাইরবা মশান্ন পুম্নমকসি থাদোক্তুনা, দেওয়ানজিবু হুন্দোক্লমদুনা, রঘুপতিগা লোয়ননা মথন্তমক কদাইদনো চৎকদৌরিবা! অদুধু রঘুপতিনা মাগী মশম লাক্তুনা চিংদুনা পুবগুম তৌখ্রে। অদুদসু নত্তনা নক্ষত্ররায়গী মপুক্কিদা কিনা কিনা খোঙ্গরাংবা অমসু পোল্লক্লে। মদুগীসু কল্লবা লিচিং অমা লৈ।

হি লাওদুনা লৈরে। তুরেল মপাল য়োরকপদা নক্ষত্ররায়না উরক্লে, মরেংবান্দা খুদৈ য়াল্লদুনা পীতাম্বর ইরুজবা লাক্লি। নক্ষত্রবু হেক উবদা পীতাম্বরনা হরাও মিনোক্কা লোয়ননা হায়রকই, "জযোস্তু, মহারাজ। ঐনা তাববু ঙরাং কদাইদগীনো চোংলম চাদ্রবা অঙাওবা ব্রাহ্মণ অমা লাক্তুনা লুহোংবা কায়রে হায়না ?"

নক্ষত্ররায় মিহুন শুদ্রে। রঘুপতিনা চীংলেম্লবা খোম্থাংদা হায়রকই, "ঐনি চোংলম চাদ্রবা ব্রাহ্মণ অদু।"

পীতাম্বর হৌনা নোক্লক্লে; অদুদগী হায়রকই, "অদুদি নমাংমক্তদা নগুন থারুবসিদি চুমদ্রেদনা। খংলবদবু কনাগী মচানদি অসুম্না তৌগদগেদো। ব্বারৌবিরুন্নু ঠাকুর, মতুংদা ঙাংনদবা মীবু লৈবা

হৌনব্রা ? ঐগী ইমাংদা রাজা হায়বা মীশকশিংদু ইতুংদনা থিবোংজাও হেক মহায়। ইমাংদদা হায়দ্রগা লোইরে, মদোমদা খন্দোক্লে ঐদি। তশেংবমক হায়রুরবদি নংগী মাইথোংদু য়াম্না শাথীনা লাংশিনবগুম উপ্রে, কনাগুম্বা অমবু অদুগুম্বা শকওইদা উরুরবদি মীনা থীনা ঙাংনবা শোইদ্রে।—মহারাজ, অস্নুক ঙম্না তুরেলমপান্দদি কৈদৌবগী ?"

নক্ষত্ররায়না হাইফেৎ মথরাই মুংঙাইতনা হায়রকই, "ঐ চৎলবনি, দেওয়ানজি।"

পীতাম্বর। লেংলবা ? কদাইদা ? ন-পাড়াদা, মণ্ডলগী য়ুমদরা ?

নক্ষত্র। নত্তে দেওয়ানজি, মণ্ডলগীময়ুমদা নত্তে। য়াম্না থাপ্নবা লমদনি।

পীতাম্বর। অথাপ্পদা ? অদুদি পাইকঘাটাদা শিকার তৌবা লেংলিবরা ?

নক্ষত্ররায়না রঘুপতিরোমদা অমুক্তং লৈদুনা য়েংলক্লগা মাইথোং লাংশিন্না মঙক্লমক হাইরকই।

রঘুপতিনা হায়রকই, "মতমসি থেংজিল্লক্লে, হিদা কাখৎলসি।"

পীতাম্বরনা য়াম্না তুক্কচনা অমম্বুং শাওনা ব্রাহ্মন তম্না য়েংলক্লে ; অদুগা হায়রকই, "নংবু কনানোনে ঠাকুর ? ঐখোইগী মহারাজদা হুকুম তৌবা লাক্লিবরা !"

নক্ষত্রনা মুংশা থিরদুনা পীতাম্বরবু নাকল অমরোমদা চিংথোক্লগা হায়রকই, "মহাক অসি ঐখোইগী গুরুঠাকুরনি।"

পীতাম্বরনা হায়রকই, "ওইজসন্নুনা গুরুঠাকুরস্নু। ঐখোইগী চণ্ডীমণ্ডপতা লৈবা য়াই, চান-থক্লবা পুম্নমক ওক্লবা হুনগনি, সেবা সুনা তৌগনি— মহারাজবু মানা করি কাম্নক্ম লৈ ?"

রঘুপতি। অরেশ্বদা মতম য়াম্না হৌখ্রে— নত্রগনা ঐ চৎলগে।

পীতাম্বর। ফনি ঐঙ্জা, তপথত্না কাম্নদে, খুদকসিদা হেক্তমক লেংবিখ্রো। মহারাজবু পুরগা ঐহাক কোম্নুংলোমদা চৎখ্রগে।

নক্ষত্ররায়না রঘুপতি তম্না অমুক, পীতাম্বর তম্না অমুক য়েংলগা, তপ্নবা খোন্থাংনা হায়রকই, "নত্তে দেওয়ানজি, ঐ চৎলগে।"

পীতাম্বর। অত্তুদি ঐস্ত চৎকে, থৌগল লাঙ্গল পুসি। নিংথৌগী হৌনবীদা লেংউ। নিংথৌ লেংলগা, দেওয়ানজি তুং করিগী ইল্লোই?

নক্ষত্ররায়না রঘুপতিরোমদা মুম্না য়েত্না লৈরে। রঘুপতিনা হায়রকই, "কনামতা লোয়নত্না চৎপা য়াদে।"

পীতাম্বরনা মৈ-থোক্না শাওরক্লত্না হায়রকই, "য়েংউ ঠাকুর; নং—"

নক্ষত্ররায়না মাবু তফিং তফিংনা থাম্নত্না হায়রকই, "দেওয়ানজি, ঐ চৎলগে, থেংখ্রে।"

পীতাম্বরনা মাইথোং লাংশিন্না নক্ষত্রগী মথুদাং পায়রত্না হায়রকই, "য়েংউ ইবুঙো, ঐহাক নংবু নিংথৌ হায়না কৌই, অত্তুবু ঐহাক ইচাগুম্না নংবু নুংশি— ঐগী ইচা অমতা লৈতে। নঙোন্দা ঐগী করিগুম্বা হক অমতা লৈতে। নহাক্না চৎখিবদা ঐনা নমত্না ফাত্না থম্বা ঙমদে। অত্তুবু ঐনা নঙোন্দা নির্জারিবদি, চৎনিংবা মফমদা চৎলবস্থ ঐনা শিত্রিঙৈগী মমাংদা শোয়দনদি হল্লকউ। ঐহাক ইখুৎমক্না ঐগী লৈবাকপুম্বা নঙোন্দা শিন্নরমগে হায়রবা অসিমতং পুক্লিংদা কন্না লেপখ্রে।"

নক্ষত্ররায়গা রঘুপতিগা হিথক্তা কাখ্রে। হিত্ন খা-পাংনা হোনখ্রে। পীতাম্বরদি ইরুজগনি হায়বা কাওখিত্না, খুদৈ মরেংবান্দা য়াম্না য়াম্না

রাখল অমদা তাওহনা মযুমদা হল্লক্লে। গুজুরপাড়া ইহাং হাংবগুম তৌখ্রে; হরাও কুম্মপুম্বা মতোল লেমখ্রে। ম্নুমিৎ খুদিংগী মহৌশা লাইরেম্বীগী লেংদ্রবা কুম্মৈ অতুতা মঙাইবে; অমুক্তা উচেক্কী শৈশক, উনাগী মুকম-মুকম শোনবা খোম্মাং, অতুগা তুবেল-ইথক্কী খুবাক মখোল অতুতদি লেপ্পা লৈতে।

কুনতরেৎশুবা তাঙ্কক

শাংলবা লম্বীনি। কবিগুম্বা মফমদা তুবেল, কবিগুম্বা মফমদা শুক্লবা উমং, কবিগুম্বা মফমদা উকম লাদ্রবা লমহাং—কবিগুম্বা মতমদা হিদা, কবিগুম্বা মতমদা খোনা, কবিগুম্বা মতমদা শগোল থক্লা—কবিগুম্বদনা ম্নুংশা মৈশা, কবিগুম্বদনা নো, কবিগুম্বদনা ইবাংলাংবা ম্নুমিৎ, কবিগুম্বদনা খেংলবা অহিংগী ইচিক ভুল্লবা অমম্বা—অশুম্বা নক্ষত্রবায অরেপ অখম লৈতনা চৎলি। লৈবাক কয়া, ফজরবা শকলোন কয়া, ঙল্লবা মীওং কয়া—অতুবু নক্ষত্ররায়গী মনাক্তদি মমিগুম পিক্লা, ম্নুংশাগুম লংনা রঘুপতি অতুতংদদি থানবা লৈতনা ইল্লি। ম্নু থিলদা রঘুপতি, অহিংদা রঘুপতি, মঙদস্ত রঘুপতি, রঘুপতিদা ঙাম্মোইহনা লৈখ্রে। লম্বীদা লংফৈ চৎপশিংনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি, লম্বেল মপান্দা উফুল-লল্লা অঙাংশিংনা শান্নরি, কৈথেন্দা মী চাম-চামনা লৈবা-য়োনবগী থবক তৌরি, খুঙ্গংদা অহলশিংনা চৌবর শান্নরি, হিদেন তাফমদা নুপীশিংনা ইশিং শোক্লি, হিথক্তা হিহোনবশিংনা

ঈশৈ শক্ল-শক্লতুনা চৎলি—অতুবু নক্ষত্ররায়গী মনাক্তদি ময়াং-কংলবা রঘুপতিদমক শুক্লে লেংদনা লৈরি। জগতকী মাইকৈ মরিদা অঙকপা মশান্ন কয়া শান্নবি, অঙকপা থৌদোক কয়া থোক্লি—অতুবু অসিগুম্লবা কুম্মৈ-ফম্পাক্কী ঙক্লবা লীলা মরক্তা নক্ষত্ররায়গী তমথীরবা নোংদম্মা মাবু চিংতুনা পুরি—মরুপ্পা মঙোন্দা য়েক্লবা ঙনখ্রে, মী-তাবা-লম্মা হাংলবা লৈকংলাগুমখ্রে।

নক্ষত্ররায়না চোকথরক্লবদা মাগী মনাক্তগী মমিতুদা হংলকই, 'কয়া থান্না অমুক চৎথিগদগে?'

মমিতুনা খুন্নকই, 'য়াম্না ব্বাৎলি।'

'কদাইদা চৎকদৌরিবনো?'

মতুগী পাওখুনদি ফংদে। নক্ষত্ররায়না নুংশাশ্বর মপী হোল্লতুনা অমুক চৎলকই। উরক্তা উনানা কুপ্পা চিক্লবা থাংপোক উরক্লবদি মহাক্না খল্লকই, 'ঐহাক থাংপোক অসিদা লৈজবা মী অমা ওইজরম-লবদিকো।' যনগাবকপা মতমদা যনশেন্নহানা মরেংবান্দা চৈ থোলতুনা, লৌবুক শমতুনা, খুল্লকলম্বী তারক্তুনা, উফুল ব্বা রা হৌনা যনবী যন্না ও হোইগংলপতু উবদা নক্ষত্ররায়না খল্লকই, 'ঐহাক মাগা লোয়নবা ফংজতুনা য়াচবা মতমদ। যুমদা পোত্থাজবা ফংজরম্নবদিকো।' নুমিৎ-য়ুংবগী য়াক্লবা নু শারক্তা লৌমীনা লৌ খোইবি, মতুবু উরগা নক্ষত্ররায়না মপুক্লিংদা খল্লকই, 'ওস্তোকপনি, কয়াদা নুংঙাইরিগবা!'

লম্মেল চৎপগী রাবনা নক্ষত্ররায় অতু তাইফেৎ তাইরে কংত্রিক কংলে মশাপুম্বা ইমোৎ মোৎলে—রঘুপতিদা হায়রকই, 'ঠাকুর, ঐ অমুক হিংগনি নিংদ্রে।'

রঘুপতিনা হায়রকই, 'হৌজিক নহাক কৈদগী শিবা য়াগদগে?'

নক্ষত্ররায়না খল্লকই, রঘুপতিনা থাদোকত্রবদি মহাক শিজবা ফাওবা য়ারোইদৌরিমাল্লে। মুপী অমথক্না নক্ষত্ররায়বু উবদা হায়, "ওন্থোকপনি, কনাগী মচা ওইরিগবা? কনানস্মু লংযেদা থাদোক-পিরক্লিবা?" মসি তাবদা নক্ষত্ররায়গী থম্মোইদু পুমপেৎ পেৎখ্রে, মমিত্তা পিগী ইরা শিনথরক্লে; মহাক মুপীদুবু ইমা হায়না কৌবগা মতুং ইন্নদুনা মযুমদা চৎচনিংলে।

অদুবু নক্ষত্রবায় অদু রঘুপতিগী মখুত্তা হেন্না হেন্না অরাবা তারগা হেন্না হেন্না রঘুপতিগী খুদুম মনুংদা চল্লক্লে; রঘুপতিগী খুদোনবী মতোন্দা মহাক্কী মশাপুম্বা পুমলৈ—লৈদুনা পুখ্রে।

অস্নুম অস্নুম চৎলক্লগা তুরেলগী মশীং হন্থবক্লে। লৈমাইথকস্মু অস্নুন কনখৎলক্লে। লৈবাক্কী মচু ঙাংলক্লে, মুংত্রেংগী লম ওইনা তৌরক্লে; মী তাবা লমশিং থাপ্না থাপ্না লৈখ্রে; উ-রা থোইনা হৌখিদ্রে—য়ুবী পাম্বীগী লম লাম্থোরক্কুনা লংফৈ চৎপা। অনিদু খেজুব পাম্বীগী লমদা থুংলরে। মরক মরক্তা চাওর-চাওরবা পল লৈ; কংখ্রবা তুরেলগী খোংমুং লৈ; অথাপ্পদা নোংগুম্নবা চিং উবা ফংলি। অস্নুম্না মমৈথংদা শাস্নজাগী কোন্নুং রাজমহলগী মনাক য়ৌশিল্লক্লে।

কুননিপালগুবা তাঙ্কক

কাইনথংদা কোন্নুংদা থুংলরে। মাইথীরবা অমস্নুং লোম্না চেল্লক্রবগী মতুংদা স্নজানা লাম্মী খোমজিনবা কন্না লাক্লরি—অদুবু লনগৈদদি লল পংয়াম য়াম্না লৈত্রে। প্রজাপুম্বা খাজনানা লাকহৎলে। তাল্লক।

অসিদা দারাবু মাইংবা পিডুনা হাৎতোল্লগা ঔরংজেবনা দিল্লীগী সিংহাসন কাখে। সুজানা পাওসি তাবদা মথরাই য়াম্না লাংতক্লরে। অতুবু খোংগী লান্মীদি কবিমতা লাংহৌবা লৈতে—অতুনা তাঞ্জা খরদং ফংননবা হায়তুনা মহাক্না লৌশিং তৌতুনা ঔরংজেবকী মফমদা তুত অমা থারে। অসুম্না পাও থাখে মতুদি, মিংকি মঙাল, থম্মোইগী নুংঙাইজফম, নুংশিবা পুম্নমক্তগী নুংশিথোইরবা ইনাও ইবুঙো ঔরং-জেবনা সিংহাসন কারে তাবদা, সুজাগী শিরুরবা হকচাংদা থরাই অমুক ফংবগুম্রে—হৌজিক সুজানা বাংলা ঙাকপগী থবকসি অনৌবা সম্রাটনা য়াবিরক্লবদি নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈখরোই। ঔরংজেবনা য়াম্না তরাম তরাম্না তুত অতুবু ওক্লে। সুজাগী মশা-মঊ শাফবা অনম্নুং নাগী ইমুং মনুংগী য়াইফ-পাও তানিংবগী খৌরাংনা ঙাইরম্বা মতৌ উৎলকই অমসুং হায়রকই, সম্রাট শাজাহান মশামক্না সুজাবু বাংলা ঙাক্লবা হাপ্লম্লবদা অতোপ্পা য়াথং চে অমা পিবগী কান্নফম অমুক লৈতে।

তাঞ্জা অসিদা রঘুপতি লাক্লনা সুজাগী সভাদা থুংলরে।

সুজানা তৌবিমল খংবা উৎপগা লোয়ননা তরাম তরাম্না মাবু কনবিরকপা মীতুবু কৌরে। অতুগা হায়রকই, "করম তৌরি?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "বাদশাহগী মফমদা নিজনিংবা অমতং লৈ।"

সুজানা মপুক্লিংদা খল্লকই, 'করিনো নিজগদৌরিবসে? লন-থুমগী মরমদা নত্রবদি ফখ্রনিদা।'

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐহাক্না হায়জরিবদি অসিনি—"

সুজানা হায়রকই, "ব্রাহ্মণ, নংনা হায়জবহ ঐ শোইদনমক

ননিং থুংহনগনি। অদুবু মতম খবদংদি ঙাইখো। হৌজিক লনগৈদা লল পংযাম যান্না লৈত্রি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "শাহেনশা, শনা লুপা নত্রগা অতোপ্পা ধাতু অমতা ঐ পামজদে. ঐনা হৌজিক পামজরিবদি মযা থৌরবা ইস্পাতনি। ঐনা রাকৎচরিবসি তাবিয়ু, ঐহাক বিচার তৌবিনবা লাকচরিবনি।"

সুজানা হায়রকই "ওনথোকনা তাঙ্গা চাখিদ্রেদা। ঐহাক হৌজিক বিচার তৌনবা মতম লৈতে। ব্রাহ্মণ, নং ওনথোকপা তান-ফমদা লাকলে।"

রঘুপতিনা হায়রকই "শাহজাদা, মতম চানা চাদবা হায়রবসি মী পুন্নমক্তীমক লৈ। নহাক বাদশাহনি, নংগীসু লৈ, অদুগা লাইরবা ব্রাহ্মণি ঐদি অদুবু ঐগীসু লৈ। মহাক্কী তাঙ্গা রেংথুনা বিচার তৌবিবদা তাররবদি ঐগী তাঙ্গাদি ফদাইদগী চায়গদগে?"

সুজাহু তৌফম ংত্রথুনা হায়রকই, "ওনথোকপগী অম্মাবনিদা! রা অমুক ম্যাম্বসি তাগদবগী মহুত্তা নংগী রাকং তাবনা হেন্না ফরে। হায়রো তারসি।"

রঘুতিনা হায়রকই, "ত্রিপুরাগী নিংথৌ গোবিন্দমাণিক্যনা মাগী মনাও নক্ষত্ররায়বু মরাল লৈতনা মরৈবাক্তগী তানথোকপিরে—"

সুজানা মখোইদো শাওগৎলদুনা হায়রকই, "ব্রাহ্মণ, নহাক অতোপ্পা মীগী রাকং পুরক্তুনা করিগী ঐগী মতম মাওহল্লিবনো? হৌজিক মদু পুন্নমক্তু বিচার তৌনবা মতম নত্তে।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "রাকচ্চরিবা মশামক হৌজিক কৌনুং-সিদা লৈ।"

সুজানা হায়রকই, "মহাক মশা লাক্ত্রনা মচিনমক্না রাকৎলরবা মতমদুদা খন্নগনি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "মহাকপু কৈদৌঙৈ মফমসিদা থুংহনজৌ হায়বগে ?"

সুজানা হায়রকই, "ব্রাহ্মণসিদি তোক্লোইদৌরেদনা। ফরে, চয়োল অমা লৈরগা পুরকউ।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "বাদশাহনা য়াথং পিনবিরবদি ঐ হয়েং মাবু পুজরক্কে।"

সুজানা খোইশাগুননা হায়রকই, "ফরে ফরে, হয়েংমক পুরক্লো।" ঙসিগী দমক্তি উচিন্না নানথোকচহোরে। রঘুপতি চৎখ্রে।

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "নবাবকী নাক্তা চৎপদা তারি, অদুবু মিৎয়েংফম ওইনবদি করি পুগনি ?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "মদুগীদি নহাক করিস্থ ৱারুস্থ।" মিৎয়েং-ফম ওইনবা মহাক লুপা লাখ অমা মখাই লৌরুরে।

মথংগী নোংঙাল্লকপদা রঘুপতিনা মথল্লাই তনিক তনিক্লবা নক্ষত্র-রায়বু পুরদুনা সুজাগী সভাদা লাক্লে। লুপা লাখ অমা মখাইথক থোং ময়াদা থম্লরবদুদদি নবাবকী মাইথোংদু থোইনা মফমনবগী মতৌ তৌত্রে। নক্ষত্ররায়গী ৱাকৎ অদু ইকোম-কোম্না তাব তাবা ওয়ে। মহাক্না হায়রকই, "হৌজিক্তি নংনা পাল্লিববু করিনো ঐঙোন্দা হায়রো।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "গোবিন্দমাণিক্যবু মরৈবাক্তগী তানথোক-পিরগা মাগী মহুত্তা নক্ষত্ররায়বু নিংথৌ ওইহনবিবা অসিনি নিজরিবা।"

সুজা মশামক মনাওগী সিংহাসন মুন্নবা হোৎনবদা করিমতা নাচুংবা পোকত্রবসু, হন্দক্কী ১ক্কম সিদদি মহাক নিংজিং মাংজিংনবা অমা পোকপগুম তৌরে। তদুবু রঘুপতিনা হায়জবিবদু মপুক্লিং থুংহনবনা তাঞ্জাদুদা খ্বাইদগী হেন্না লুরবা থবক্কি হায়না খল্লে—নত্রবদি রঘুপতিনা ঙাংবগী লোইব-খম্বা লৈররোই মসিনি মহাক্না কিরিবা। মরু ওইনা লুপা লাখ অমা মখাইগী মিৎয়েংফম ওইরবা ব্রাফমদা পংয়েৎ য়েৎলুবসু ফজফম থোইনা লৈতে হায়না মানা খল্লকই। মহাক্না হায়রকই, "ফবে, গোবিন্দমাণিক্যবু লৈবাক্কগী তানথোক্লগা নক্ষত্রয়ায়না নিংথৌ ওইবগী হুকুম-চে অদু নখোইদা পিরগে, মদু পুদুনা চৎলো।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "বাদশাহগী লান্মী খরসু লোয়ননা থাবিয়ু।"

সুজানা খোল য়াক্লা হায়রকই, "য়াদে, য়াদে—মদুদি য়াদে, লাল-মুং শোক্লবা শুকওম ঙম্লোই।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "লালগী অচংবা ওইনা এহাক লুপা লিশিং কুনথ্রা অমসু থমজরমগে। অদুগা ত্রিপুরাদা নক্ষত্ররায়না নিংথৌ হেক ওইবগা চহি অমগী খাজানা সেনাপতিগী মখুত্তা থাজরক্লে।"

হায়রিবা রাফমসি সুজানা লৌবা য়াবা রাফম্নি হায়না কন্না খল্লে, অদুগা মন্ত্রীশিংসু মাগী রারেপ্তুদা য়ারে। মোগল লান্মী কাংবু অমা পুরদুনা রঘুপাতিগা নক্ষত্ররায়গা ত্রিপুরা পাংনা খোংশাল্লক্লে।

———

কুনমাপল শুবা তাঙ্কক

রাস্রি অসি হৌরকপদগী হৌজিক চহি অনি হৌখ্রে। ধ্রুবদি মতম অহুদা চহি অনিতগী অঙাং ওইরম্মি, হৌজিক্তি মহাক চহি মরি শুরে। হৌজিক মহাক ৰা য়াম্না ঙাংবা থোক্লে। মহাক মশাবু হৌজিক্তি য়াম্না চাওরবা মী অমনি খল্লক্লে; রা পুম্বা তশেংনা হায়বমক থোক্ত্রবস্তু, য়াম্না কন্না কন্না ঙাংখৎলক্লে। নিংথৌবু অয়াম্বা মতমদা মহাক্না 'শান্নপোৎ পিনি' হায়বত্তুনা অপাম্বা উত্তুনা থেমজিল্লি, অতুগা নিংথৌনা করিগুম্বা লমহেনবা শাক্তৎ চৎলক্লবদি ধ্রুবনা মাবু 'ইমুংদা ফাজিন্দুনা থমগনি' হায়না অকিবা পোকহল্লি। অসুম্না নিংথৌহু রারক চেৎনা লৈখ্রে— ধ্রুবনা য়ানিংদবা করিগুম্বা থবক অমতা মহাক তৌনিংবা লৈখিদ্রে।

তাল্লক অসিদা খংহৌদনা ধ্রুবগী মরুপ অমা ফংলে। নক্লবা অতুরাইদা লৈবা ইমুং অমগী মুপীমচানি, ধ্রুবদগী থা তরুক্লোম নৌই। মিনিট তয়ামুক্কী মনুংদা মবানিমক লেংদ্রবা মরুপকুম নিংনখ্রে। মরক্তা হাইফেৎ পুকচেল তিন্নরক্লবা মতৌসু তৌরকই। ধ্রুবগী মখুত্তা চাওরবা বাতাসা অমা পায়। অহানবা নুংশিনরকপগী নুংঙাইরবা মতাংদা ধ্রুবনা মাগী পিরুবা খুদোনবী অনিনা যাম্না চেক্শিন্না ওন্থোক্লা কুপথ্রবা মচেৎ অমা ফক্লগা পুল্লপ মাগী মরুপ্তগী য়ানুংদা ইনশিল্লে, অতুগা য়াম্না হরাওনা মঙক হাইরত্তুনা হায়, "চাও"; মরুপ্তনা থুম্লবা অত্তুদা হাওরত্তুনা হায়রকই, "খরসু চাখিগে।"

মতুদা ধ্রুবহু মথরাই মুংঙাইত্রে। মরুপকী মফমদা অসুক

য়াম্না তানবসি অচুম্বনি হায়না খনদ্রে ; ধ্রুবনা মাগী হৌনশা ওইবা চীং-লেম্বা অমসুং নাপলগা লোয়ননা মঙক হাইরদুনা মমিৎ লাওথোক্ল-দুনা হায়রকই, "হুঁম— অমুক চাবা য়াদে — নশা নাজরককনি, নখোই পাজীনা ফুজনি।" অসি হায়রগা অমুক পম্বা তৌদনা বাতাসা পুন্নমক্ত, য়াম্নুংদা পুল্লপ উমশিল্লগা চাথোকখ্রে। মতৌদুদা মুপীমচাদুগী মাইথোংদু ফীভম থংওন ওনখ্রে ; মচিনবান পেথোরক্রে, পিশুম শুকৎপা হৌরক্রে, থিন্দনা কপ্লককদবগী মতৌপুম্বা উৎলক্রে।

ধ্রুবদি মীনা কপ-লাওদুনা তৌবসি তাবা কয়া হৈনদে, মহাক্না থরাই শোক্না থেমজিনবগী মওংদা হায়রকই, "হয়েং পিগে।"

নিংথৌ হেক লাকপগা ধ্রুবনা য়াম্না অশিংবা শাদুনা মাগী অনৌবা মরুপ্তুদা থিল্লদুনা হায়রকই, "মঙোন্দা কম্নিমতা ঙাংবিরুম্লু, কপ্লককনি। ফুবি-লাকপিবা তৌমু।"

অওইবমক নিংথৌদি করিগুম্বা ফত্ত-নুংদগী থবক অমতা তৌগে খন্দবনি, অদুবু হায়জদুনা নিংথৌবু খামহৌবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক্কি হায়না ধ্রুবনা খল্লি। নিংথৌনা মুপীমচাদুবু ফুবিদ্রে, মতুদা ধ্রুবনা মাগী রাকমতু অরেম্বদদি তাদ্রে হায়বা তশেংনা উরে।

অদুগী তুংদা ধ্রুবনা অখং-অহৈগী মতৌ শারদুনা করিগুম্বা খুদোং থীবা অমতা থোকফম লৈত্রে হায়রদুনা মুপীমচাদুবু য়াম্না হকচিন্না থাজবা পোকহন্নবা হোৎনরক্রে।

মতুম তৌবগী থৌইনা কান্নরুফম্লু লৈতে। মরমদি, মুপীমচাদু মশানা অদুম্মক অকি-অখং লৈতনা নিংথৌগী মনাক্তা চংশিন্দুনা য়াম্না ঙকপগা মিহৌবগা লোয়নননা মাগী মখুত্তগী খুজি অদু লৈর-লৈরদুনা মুম্না য়েংদুনা লৈখ্রে।

অস্থুম্মা ধ্রুবনা মশামথন্তনা হোৎনজতুনা অমস্তুং নোমজতুনা পৃথিবীদা অইংবা অমম্নুং মুংশিবা পুরক্তুনা মপ্পুক্লিং মকা লাম্মা নিংথৌগী মাইথোং ময়াদা মাগী হৈখাগোক মপালগুম্নবা তবোব-তবোব তুম্বক্লবা থোৎলবা শেংলবা মাইথোং অতু নকশিল্লক্লে— নিংথৌগী থম্মোই ফুক্লবা মুংশিবগী মনা ফংলে ; নিংথৌনা চুপ্পিরে।

অতুদগী ধ্রুবনা মাগী মরুপ অতুগী মমাই অতু থাঙ্গৎতুনা পায়রগা নিংথৌদা য়াথং অমস্তুং হায়জবা অনিগী চয়েৎনবা খোনফমনা হায়রকই, "মাবুম্থু চুপ্পিয়ু।"

নিংথৌনা ধ্রুবগী য়াথংতু ইন্দবা ঙমদ্রে। মতম অতুদা মুপীমচাতুনা কৌরকপা অমুক ঙাইবা তৌদনা মহৌশা চৎলকপা শাজৎকুম্না অকি অখং য়াওদনা নিংথৌগী মতম্বাক্তা কাখত্তুনা ফম্লরে।

ঙসাইমখৈ জগতসিদা করিগুম্বা ইরাং হৌবা অমদি কাংখোং চাইবগী মওং অমতা লৈরমদে, অতুবু হন্দক্তি ধ্রুবগী সিংহাসনতু হেক মুল্লকপদা মাগী মপা লৈত্রবা মু শিবতু থক-খা শুল্লক্লে। নিংথৌগী তম্বাক অতু মহাক মথন্তগী হকনি হায়বসি উৎননবা কন্না হোৎনরক্লে। শকফম অতু শুকথরক্লে, মুপীমচাতুবু অমুক অনিরক লাক্তুনা চিংলক্লে, অতুদগী হেন্দোক্তুনা মাগী ফীভমতুনা য়ারক্তুবদগী পিক্লবী মুপীমচাতুবু ফুবা ফাওবদা থোইনা অরানবা ওইগনি খল্লক্লে।

মতমতুদা নিংথৌনা অনিমক তাইশিন্ননবা হায়তুনা ধ্রুববুম্থ মাগী মতম্বাক তংখাই অমদা চিংখত্তুনা ফমহল্লে। অতু ফাওবদা ধ্রুবগী মপুক্লিংদি পেনবা লৈত্রে। অতোপ্পা তংখাই অমতুম্থ লৌশিন্নবা নৌনা লাক্লরকপা হৌরক্লে। তাঙ্গা অসিদা অনৌবা রাজপুরোহিত বিল্বন ঠাকুর ইমুংতুদা চংলক্লে।

নিংথৌনা মবানিমকপু তম্বাক্তগী থাংথরগা মাবু খুরুম্লে। ধ্রুবদা হায়রকই, "ঠাকুরবু খুরম্মু" ধ্রুবদি হায়বিবতু থোইনা নাচুংবা তৌদ্রে -ময়াদা খুদোনবী চুপ্লহনা য়েক্লবগী মওংদা লেপ্পুনা লৈরে। নুপীমচাতুদি মশা মথন্তা অতুম্মক নিংথৌনা তৌবতু মতৌ তমতুনা পুরোহিতপু খুরুম্লে।

বিল্বন ঠাকুরনা ধ্রুববু মনাক্তা চিংশিল্লগা হংলকই, "নংগী মরুপ অসিদি কদাইদগী ফংলুই?"

ধ্রুবনা ওহাক খল্লগা হায়রকই, "ঐহাক টক্ টক্ তোংগনি।" টক্ টক্ হায়রিবসি শগোলবুনি।

পুরোহিতনা হায়রকই, "নুংভাইদা, রাহংগা পাওখুমগা ওস্থোক্লা নাতৈ চানরে!"

থংহৌদনা নুপীমচা অদোমদা ধ্রুবগী মিং-তাফম ওইরক্লে, মাগী মরমদা য়াম্না শম্না মহাক মশাগী মত অমত্তুং পুক্কিংগী র। ফোংদোক্লকই, "মহাক ফত্তে, ঐনা ফুনি।" অসি হায়বতুনা নোংথকলোমদা মাগী পিক্লবা খুতুমতু থাঙ্গৎলক্লে।

নিংথৌনা চীং-লেম্না হায়রকই, "অতুম তৌবা হৌনবরা ধ্রুব!"

স্ববনা অমুক্তুং কাম্বদা থাওমৈনা থংমুৎ মুৎখিবগুম খুদক্তু মক্তদা ধ্রুবগী মাইথোংতু থকনক মকশিনখ্রে। অহানবদা মানা পি খিংননবা খুতুম অনিতুনা মমিৎ অনিতু নোইবা হৌরক্লে; মমৈদদি উ-না উ-না ফন্দোকহল্লবা পিক্লবা থম্মোইতুনা অমুক ফাজিনবা ওম্মক্লে, কপথৎলক্লে।

বিল্বন ঠাকুরনা মাবু হাই-হুম্লতুনা, কোনথৎলতুনা, রাংনা থাঙ্গৎলতুনা অমুক লৈপাক্তা থম্লতুনা ওহাকতা লৈতাহন্ত্রে; খোঞ্জেল রাংনা অমত্তুং

য়াম্না থুজিন্না হায়থরকই, "ত্তাও ত্তাও ধ্রুব, তাও, শ্লোক অমা তাহনগে তাও—

কলহ কটকটাং কাঠ কাঠিন্য কাঠাং
কটন কিটন কীটং কুট্মলং খট্টমট্টং

হায়বদি অসিনি, অকপ্পা অঙাং অত্তুদি কলহ কটকটাঙগী মন্নুংদা থন্নগা য়াম্না কন্না কাঠ কাঠিন্য কাঠ্যং পিবা তায়, অত্তুদগী কটন কিটন কীটং ময়াম্না নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা কুট্মলং খট্টমট্টং তৌগনি।"

পুরোহিত ঠাকুরনা অস্নুম্না অরেপ অথম লৈতনা চোইদ্রং পাদ্রং ঙাংথরক্লে। ধ্রুবগী কপ্পত্তু লোইরন লোইফাত্তনা অত্তুম্মক তোকখ্রে। মহাক অহানবদা মরাং-চরাং তৌবত্তুদা চময়খিত্তুনা ঙক্লা বিল্বনঠাকুরগী মমাই তম্না পিগী-ইরা-চেল্লবা মনিত্তু থাঙ্গত্তুনা য়েংলকই। অত্তুদগী মাগী মথুৎ-মশা মঙক-মনা হাই-হুম্বত্ত উবদা য়াম্না নুংঙাইরবা কুম্মে অমা ওইনা থোকখ্রে।

মহাক য়াম্না নুংঙাইরত্তুনা হায়রকই, "অমুক্কা হায়খো।",

পুরোহিতনা অমুক চোইদ্রং-পাদ্রং লোন্তরক্লে। ধ্রুবনা পুক্লি তিংবমখে নোক্লত্তুনা হায়রকই, "অমুক্কা হায়খো।"

নিংথৌনা ধ্রুবগী পি-চোৎলবা খজাইদা অমস্নুং হরাও মিনোক্লা থল্লবা চিনবান্দা হন্না হন্না চুপ্লক্লে। অস্নুম্না নিংথৌ রাজপুরোহিত অত্তুগা অঙাং অনি পুন্না শান্নমিন্নরে।

বিল্বন ঠাকুরনা নিংথৌদা হায়রকই, "মহারাজ, মখোইসিগা লোয়নবিবসি ওস্থোক্লা ফগ্রবা পোৎনি। অহিং নুংখিল চুপ্পা য়াম্না শিংলবা মীতগা লোয়নত্তুনা লৈবসি বুদ্ধি মকশিল্লকই। ছুরিবু ময়া

তত্তনা থাংলবদি অসুম পিকশিল্লক্কুনা তুমশিনখি, খুৎপাইফম অত্নতমক চাওথোক চাওনা লৈহৌই ।"

নিংথৌনা নোক্লহুনা হায়রকই, "অত্নদি হৌজিক ফাওবদা ঐহাক বুদ্ধি কুপ্পগী মতৌদি ফোংদোক্লক্লিদনা ?"

বিল্বন । ফোংদোক্লি । বুদ্ধি কুপ্পগী মওং অমা হায়ববু, লায়রবা পোৎপু হেক্তা লুহল্লি । পৃথিবীসিদা লৌশিং শিংবা মী য়াম্না লৈরমদ্রবদি পৃথিবীগী থবক অসি অয়াম্বনা ইচম চম্বা ওাক্তা ওইরমগদবনি । মখল মথেল কয়াগী খুদোং চানবা হোৎনরকপদা মখল মথেল কয়াগী খুদোং চাদবা থোক্লকই । য়াম্না শিংলগা মীনা করি কান্নগদৌরিবনো হায়বসি খনফম থোক্তে ।

নিংথৌনা হায়রকই, "খুৎশা মঙাসিনা থবক অত্নম নিংথিজনা পাংথোকপা য়াই ; লাইবক থীহুনা খুৎশা তরেৎ শুরম্লবস্থ তৌননবা থবক অত্নম কোইথি-মথিগনি ।"

নিংথৌনা ধ্রুব কৌরকই । ধ্রুবদি মাগী মরুপ্পুগা অমুক তাইশিন্নহুনা শান্নমিন্নরি । নিংথৌনা কৌবহু তাবদা খুদক্তা শান্নরিবহু হুন্দোক্লম্লগা নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লে ।

নিংথৌনা মাবু মমাংদা ফমহল্লগা হায়রকই, "ধ্রুব, অনৌবা ইশৈহু ঠাকুরবু তাহল্লু ।" অত্নবু ধ্রুবদি য়াম্না ষানিংদবা মতৌ তৌরহুনা ঠাকুরগী মাইকৈরোমদা য়েংলক্লে ।

নিংথৌনা অপাম্বা উৎলহুনা হায়রকই, "নহাকপু টকটক্ তোংহনগনি ।"

ধ্রুবনা মাগী মতেক মতেক ওইরবা খোস্থাংদা হায়বা হৌরকই-
ঐবু মী কয়ানা লম্বী তাকপিবনি হায়তুনা
খোংথাং খুদিং লম্মাংনহল্লে ।

হৈরবা রাঙাং কয়াদা হায়রি মুনি কয়ানা,
অতুনা চমম্নবতা থোকহল্লে ।

ননাক্তা চৎচগে অসিনি খঞ্জবা,
নরা তারগা কোকচরুগে অমম্বা,
নাকোং ময়াদা চয়েৎনহল্লে ময়াম্না—
মী চামনা চিন চাম লোংখরে ।

থরাই রানা ঐনা নংবু থিজরকপদা
লুমতুনা ময়াম্না লেপ্লে অনকপদা,
মালেমগী উফুলতমক পক্লে ইশাদা—
নখুয়াগী উফুলদি ফংজদ্রেনে ।

চাম থোক্লা ইশাসি লম্ফাংখ্রে,
মখোই মশেল খৎনতুনতা লৈখ্রে
কনাবু খামজিনগনি খনফম থোক্তুরে—
ইথন্তনা মশীং য়ামথোকখ্রেনে ।

ঐবু পুলহনবিয়ু নংগী মুংশি লিচিংনা,
লম্বী অমতমক উহনবিয়ু তশেং তশেংনা,
কপ্তুনা লৈরে অমম্বদা তারতুনা—
খুয়া খাতুদা চিংশিনবিরোনে ।

ধ্রুবগী মচিন্দা মতেক মতেক ওইবা খোম্থাংনা শৈরেং অসি থীরকপা তাবদা বিল্বন ঠাকুর অদু থম্মোই পুমপেৎ পেৎখরে। মহাক্না হায়রকই, "আশীর্ব্বাদ তৌরি, নহাক পুন্সি তোলোইবা ওইসনু।" ধ্রুববু পমখৎলগা ঠাকুরনা য়াম্না নোনজনা হায়রকই, "অমুক্তগা হন্না তাহনখো।"

ধ্রুবনা য়াম্না তুম্নিন্না লৈখিতুনা য়ানিংদবা উৎলে। পুরোহিতনা মমিৎ খুমজিল্লগা হায়রকই, "অদুদি ঐ কপ্লগে।"

ধ্রুবনা হাইফেৎ লাংতক্লনা হায়রকই, "হযেং তাহনগে, কপকনু, হৌজিক্তি নযুমদা হল্লো। নংগী পাজীনা চৈরম্মনি।"

বিল্বননা নোক্নতুনা হাযবকই, "নুংশিরবা মতান্নি।" নিংথোগী মফমদগী বিদায় লৌরগা পুরোহিত ঠাকুর মপান্দা থোরক্লে।

লম্বীদা লংফৈ চৎপা অনিখক চৎলম্মি। মখোই মশেল রারি শারম্মি, "নুমিৎ হুম্নি মাগী থোওজিন্দা তুতুনা লৈরুরবনি, পাই নাতৎপী অমা ফাওবা পিরক্তে— হন্দক্তি লমজাও হেক থোক্লকপদা মকোক থুগাইগে, মানা কৈদৌবগে য়েংগে।"

তুংলোমদগী বিল্বননা হায়রকই, "মতুনসু করিমতা কান্নরোই। উরেদনা নখোই, কোকসিদা করি থোইদোকপা অমতা লৈতে, ফত্ত লৌশিংতমক লৈ। অদুগী শরুকপুদি নশাগী কোক্তু থুগাইজবনা হেন্না ফৈ, মতুদি কনাদসু অমুক তাক্লগদবা লৈত্রে।"

লংফৈ চৎপা অনিদু পাখৎপোই মুংঙাইতবোই ঠাকুরবু খুরুম্নক্লে। বিল্বননা হায়রকই, "অতো, নখোইনা ঙাংনখিবা রাহু অফবা রাফম নত্তে।"

লংথৈ চৎপা অনিহুনা হায়রকই, "খংজরে ঠাকুর, মতুংমনাও অমুক অসিগুম্বা রা ঙাংজররোই।"

পুরোহিত ঠাকুরবু লম্বেলদা অঙাংশিংনা পুমকোই কোইশিল্লরে। মহাক্না হায়রকই, "ঙসি মুংথিল ঐগী য়ুমদা লাকউ, ঐনা রারি লিবগনি।" মসি তাবদা অঙাংশিংদু হরাওখিবনা চোং-ফনবা লাও খোংবা হৌরক্লে। বিল্বন ঠাকুরনা করি করিগুম্বা নুমিত্তা মুংথিল লৈবাক্তুগী অঙাং পুম্বা কৌরগা অরায়বা লোন্দা রামায়ণ মহাভারত অমসুং পুরানগী রারিশিং হেক হেক লিহুনা তাহল্লি। মরক মরক্তা তাবা মুংঙাইতবা রাফম অমা অনিসু মুংঙাইনবা ঙম্বা মথৈ হোৎনহুনা হায়নবা মহোৎনৈ, অদুবু অঙাংশিং অদুনা হাকাম তোয়না চনবা উরক্লবদি মন্দিরগী লৈকোলদা মখোইবু হেক থাদোকই। লৈকোলমুংদা উহৈ পাম্বী মশীং নাইদনা হৌরি। অঙাংশিং অদুনা ঙমজবা মখৈ হৌনা লাওরহুনা য়োংগুম উশা খুদিং তুম্না হেকতোকই— মদু বিল্বননা মুংঙাইনা য়েংহুনা লৈ।

বিল্বন অসি করম্বা লৈপাক্কী মীনো হায়বা কনামতা খংনদ্রে। ব্রাহ্মণদি ব্রাহ্মণনি, অদুবু লুগুন থাংদ্রে। বলি কৎপনচিংবা অসি তোকহল্লগা অনৌবা মঙং অমদা দেবী পুজা তৌই— অহানবদদি মাগী মতৌদু মী ময়াম্না চিংনবা অমসুং য়ানিংদবা উৎলম্মি, অদুবু হৌজিক্তি নেমথনখ্রে। মরু ওইনা বিল্বনগী রাদা ময়ামদু শুমহৎখ্রে। বিল্বননা মী পুম্বগী ময়ুম ময়ুমদা চত্তুনা রারি রাতাই শামিন্নৈ, ময়ামগী ঈ-পাও লৌই, অদুগা অনাবাশিংদা পিবা হিদাকসু য়াম্না কান্নবা ওইনা তৌই। অরা-অনা তারক্লবদা মীপুম্বনা মাগী রা

লৌতুনা থবক তৌই— কনা-কনাগুম্বনা খৎন-চৈনরকপদা মানা তাই-শিন্নরবা নত্রগা করিগুম্বা ব্বারেপ অমা তারবা, অতু ওইরবদি মতুদা য়েৎলুবা কনানস্থ ওন্নদে ।

কুম্ব্রাগুবা তাঙ্কক

কুমতুদা ত্রিপুরাদা অঙকপা থৌদোক অমা থোক্লে । অরাংলোম-দগী মফম মরাং খংহৌদনা উচি শঙ্গু শঙ্গু লাক্তুনা ত্রিপুবাগী লৌবুক্তা তাররে । মহৈ মরোংপুম্বা মাঙহল্লে, করি অমুক হায়গনি লৌমীশিংগী কোৎতা খজিক খজিক্তুং পৈজবা মহৈ-মরোং ফাওবা অয়াম্বা চাথোকখ্রে— লৈবাকপুম্বা অরাবা ইপাক্তা তানরে । খংন-উন চাক তাংখৎলক্লে । উমংদগী উহৈ-রাহৈ থিনরুতুনা মীপুম্বা মথরাই হিংননবা হোৎনরক্লে । উমংদি রাৎপা লৈতে, অতুগা চান-থরুবা পাম্বী কয়া স্তু মরাং ফায়না ফংই । শিকারদা ফংলকপা শা কৈথেন্দা মমল য়াম্না হাইগৎনা য়োম্নরক্লে । মী অয়াম্বনা লম ইরোই, শজি, থেবা, শভাই, খৈরোই, ওক, অচৌ অচৌবা কংফাল-থেঙ্গু শিকার তৌতুনা চানবা হৌরক্লে । শামু ফংলবদি শামুস্থ চাই । লীল অচৌবা ফাতুনা চানরক্লে ।' উমংদা চাবা য়াবা উচেক য়াম্না লৈ ; উক্রোংদা খোইরা অমস্তুং খোইহিস্থ ফংই । তুরেলগী ইশিং মতুপ মতুপ থিঙ্গৎলগা য়াই থারবদি ভাশিং অতু ব্বাস্থতুনা তাওখৎলকই ; অস্থম্না ভাশিং অতু ফারগা ময়ামতু চানবা হৌরক্লে অতুগা কংহন্দুনা থম্নরক্লে । হৌজিক ফাওবা চাবদি

অঙস্বা পাম্বে অমা তৌত্নুনা মফংইদি হায়ববু, লৈবাক্তি কাং-খোং চাইরে। মফম অয়াম্বদা হুরান-চিম্থি তৌনরক্লে ; প্রজাপুম্বা ইরাং হৌরকপগী ফীভম তৌরক্লে।

মখোইনা হায়নরকই, ইমাগী বলি থিংখিবদগী ইমাগী শাপনা অব্বাবা পুম্নমকসি থোক্লক্লিবনি। ব্রাফম অসি বিল্বন ঠাকুরনা খোইনা নাচুংবা লৈতনা লৈথোকই। মহাক্না ফাগীওই করিওই হায়রকই, কৈলাসতা কার্তিক গনেশ মচিন মনাও খৎনরে, কার্তিক্কী ব্রাহোংগী মথক্তা গনেশকী উচিশিংনা ত্রিপুরাগী ত্রিপুরেশ্বরীগী মফমদা ব্রাকৎপা লাক্লিবনি। প্রজাপুম্বনা ব্রাফম অসি করিম্ব থৌ-ব্রা শানা লৌবিদ্রে। অত্নুবু মখোইনা উরে, বিল্বন ঠাকুবনা হায়বগুম্না উচিগী ইচাও অত্নু তহা তহানা লাকপগুম তহা তহানা অমুক মহৈ মরোং পুম্বা মাঙহল্লম্মগা খংমাঙ মাঙখ্রে— হুমিৎ হুম্নি শুরকপদা মখোইগী মশক অমা ফাওবা উখিদ্রে। বিল্বন ঠাকুর হায়বসি য়াম্না খং-হৈবা মীনি হায়বদা কনাম্ব চিংনবা পোক্লদ্রে। কৈলাসতা মচিন মনাও খৎনবগী মরমদা ইশৈ শৈরেং লেংনরক্লে ; নুপীমচা নিপামচা চাক্লিবা লোইনমক ইশৈ অত্নু শক্লরক্লে, লম্বী লমখাংদা ইশৈ অত্নুতা ঙাইনখ্রে।

অত্নুবু নিংথৌগী মফমদা হুংঙাইতবা পুকচেল-চেনবত্নুদি নিংথিজনা কোক্তে। বিল্বন ঠাকুরনা তাকপা মতুংইন্না গোবিন্দমাণিক্যনা চাক তাংবা নংলবা প্রজাশিংগী চহি অমগী খাজনা কোকপিরে। মহুনা খরা মথৈদি শাফরে। অত্নমকপু অয়াম্বনা ইমাগী শাপ ফংদনবা হায়ত্নুনা চট্টগ্রামগী চিংগী লমদা চেন্নখ্রে। অত্নুদম্ব নত্তনা নিংথৌগী পুক্লিংদম্ব চিংনবা পোক্লক্লে।

মহারাজা বিল্বনবু কৌরগা হায়রকই, "ঠাকুর, নিংথৌগী পাপ্পা প্রজাশিং অরাবা নংই । ঐনা ইমাগী বলি থিংলুবসিবু পাপকী থবক্তা তারব্রা ? মতুগী শাস্তিরা পূন্নমকসে ?"

হায়রিবা পুন্নমকসি বিল্বননা ইরাই লাইবা ৱাফম তাহল্লে । মহারাজা হাযরকই, "ইমাগী মফমদা মী লিশিং অমা বলি তৌবা তারম্লবদি নংগী প্রজা মাঙবসি চাক তাঙবসিগা কনানা হেনগনি ?"

নিংথৌদু রা ঙাংদনা লৈখ্রে, অতুবু মাগী থম্মোইনুংদগী চিংনবতুদি মপুং ফানা কোকহনবা ঙমদ্রে । প্রজাশিংনা মাবু নুংশিদ্রে, মাবু চিংনবে, মসি খল্লুবদা মহাক মথরাই ওন্থোক্লা শোক্লে, মশামকপুম্ন মশানা চিংনজরক্লে ! মহারাজা স্বর মপী হোল্লতুনা হায়রকই, "ঐ করিমতা ভাব তাদ্রে ।"

বিল্বননা হাযবকই, "ভাব থোইনা তাকপগীবু করি কান্নফম লৈবগে ! উচি খবা লাক্তুনা মহৈ-মবোং চাথোকখ্রে মসি মঙাই ভাব তাদ্রবদা । ঐহাক চুমদবা চৎলোই, মযাম্মকী ফনবা শীনগনি, মসিমতং তশেংনা ভাব তাবগা লোইরে । অতুদগীদি বিধাতাগী থবক্ত বিধাতানা অতুম্মক তৌজগনি, মহারাজা ঐখোইদা অতৈ তকখৎলক্কদবা করিসু লৈতে ।"

নিংথৌনা হায়রকই' "ঠাকুর, নহাক্তি য়ুমথোঙ খুদিং চত্তুনা পোম্খাদনা থবক তৌরি, পৃথিবী য়াইফনবা ঙমজবা খরদং হোৎনরিবতুগী মতিক চাবা মনা ফংলি— মতুগী নুংঙাইবনা নঙোন্দদি চিংনবা খক পোকপা লৈতে । ঐদি অহিং নুংথিল চুপ্পদা লুহুপ্ অসি উপ্পগা

সিংহাসন্দা ফমতুনতা লৈ, রাখল খরা খন্দুনতা মরৈ— নংগী নতৌসি উঁবদা ঐহাক মিহৌবা পোকই ।"

বিল্বননা হায়রকই, "মহারাজ, ঐসু নহাক্কী শরুক অমদি ওইরিবনি; নহাক্না সিংহাসন অসিদা ফম্লমদ্রবদি ঐহাক থবক তৌবা ঙম্লমগদ্রা ? নংগা ঐগা পুল্লগা ইবানিগী মপুং ফারিবনি ।"

অসি হায়রগা বিল্বন বিদায় লৌতুনা চৎখ্রে, নিংথৌদি লুহুপ্তুনা উপ্লতুনা রাখল তৌরি । মিথন্তা শোনজরকই, 'ঐগী ইথৌ য়াম্না লৈ, অমতসু পাংথোকপদি ঙমদ্রি । ঐহাক ঐগী রাখলতদা তাওতুনা নিংঙাইদনা লৈথোক্লে । অতুনা ঐহাক প্রজাশিংগী মপুক্লিংদা থাজবা পোকহনবা ঙমদ্রবনি । লৈপাক ঙাকপদা ঐহাক মতিক চাদ্রে ।

কুন্থ্রামাথোইশুবা তাঙ্কক

মোগল লান্মীগী মপু ওইতুনা লাক্লগা নক্ষত্ররায়না লমখাংদা তেঁতুলে হায়না কৌবা পিক্লবা খুল অমদা পোখারম্মি । অয়ুক্তা রঘুপতি লাক্তুনা হায়রৈ, "খোংশানবা তারে, মহারাজ, শেমশাবিরো ।"

খংহৌদনা রঘুপতিগী মচিন্দা মহারাজ হায়বা রাহৈসি তাবদা ওন্থোক্না থোইথুম্মনা থোক্লে । নক্ষত্ররায় হরাওবনা লুতোন কাখ্রে । মহাক ভাবনা শাহ্নুনা পৃথিবীপুম্বগী মীনা মহাকপু মহারাজ হায়না

কৌবত্থ তাবা ফংলক্লে—মপুক্লিংদা অস্সুম্মক ত্রিপুরাগী রাংলবা সিংহাসন্দা সভা ঙালহন্দুনা ফম্বগুম খল্লক্লে। মথন্নাই হরাওনা হায়রকই, "ঠাকুর, নহাকপু কৈদৌমুংদস্থ থাদোকপা তৌজরোই। নহাক সভাদা লৈবিগদবনি। নংনা করি পাম্বিবা মত্থ ঐঙোন্দা তাকপিয়ু।"

নক্ষত্ররায়গী মপুক্লিংদা খুদক্কুদা চাওরবা লম অমা করিস্থ নিংঙাইবা লৈতনা রঘুপতিদা দান তৌথোক্লে।

রঘুপতিনা হায়রকই, 'ঐ করিমতা পামদে।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "করিন্নানো অত্থুদে! মত্থ য়াদে ঠাকুর। খরদংদি শুকসোই সোইদনা লৌবিগদবনি। কয়লাসর পরগনাত্থুমা ঐনা নঙোন্দা পিজরবনি, লাইরিক-লাইশু ইত্থুনা লৌবিয়ু।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "পুম্নমক্কু কোন্না অত্থুম খন্নসি।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, 'করিগী কোন্ননো, ঐ হৌজিকমক পিরগনি। কয়লাসর পরগনা পুম্বা নংগী ওইরবনি, ঐ মত্থগী খাজনা পৈশা অমা ফাওবা লৌরোই।" অসি হায়রত্থুনা নক্ষত্ররায়না মঙক হাইগৎলত্থুনা তিংনা ফম্লক্লে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "মোংফম ওইনবা লম খুত্থপ অত্থুমদং পাকপা অমা ফংলগা লোইরে। ঐ অতৈ অতোপ্পা করিমতা পামদে।" অসি হায়রগা রঘুপতি চংখ্রে। মহাক্কী জয়সিংহবু মহাক নিংশিংলক্লে। জয়সিংহ লৈরম্বা থোক্লবদি মনাগী মশক ওইনা খরদংদস্থ লৌরমগদবনি; হৌজিক্তি জয়সিংহ লৈত্রবনিনা ত্রিপুরাগী লমপুম্বত্থ চুম্নগী লৈত্থুম মপৈ অমা নত্তনা অতৈ থোইনা খল্লুবা তৌদ্রে।

হৌজিক রঘুপতিনা নক্ষত্ররায়বু নিংথৌগী নাপজনা ময়াই কাহন্নবা লাক্নরি। মহাক্কী মপুক্লিংদা অকিবা অমা পোকই, অস্থুক য়াম্না চাওনা

লাংশৎলুরগা অরেম্বদা তাখিগদ্রা, মপুকচেন শোল্লবা নক্ষত্ররায়না ত্রিপুরা য়ৌরগা লাল ইতৌ তৌদনা নিংথৌগী মফমদা চংখিগদ্রা হায়না। অদুবু শোল্লবা থম্মোইদা অমুক্তং নিংথৌগী ময়াইকাবা পোকহনগ্রবদি কিফম করিমতা লৈত্রে। রঘুপতিনা নক্ষত্ররায়গী মফমদা থৌ-রা শাদবা অমুক উৎত্রে, রাঙাং খুদিংদা মাবু ইকাইখুম্নবা উৎলক্রে। হিরম খুদিংমক্তা মাগী ময়াথং লৌরে। মোগল লান্মীশিংনা মাবু মহারাজা সাহেব হায়না মিঙ্গৌই, মাবু উবদা তফিং-তফিং চেকশিন-খোমজিল্লি— নুংশিৎ শিৎলক্লগা মহৈ মরোংগী লৌবুকপুম্বা মণ্ডক নোম্নবগুম নক্ষত্ররায় লাক্লবদি মোগল-লান্মী পরেং পরেং চপমান্নবা মণ্ডক নোন্দুনা সেলাম তৌই। সেনাপতিনা মাবু য়াম্না ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা খুকম্মি। শত্রোক্লবা থাংশ্রাং চাম চামগী মণ্ডাল মরক্তা চাওরবা শাম্নথক্তা নিংথৌগী খুদম বেক্লবা শনা থাম্লবা শেম্বাংমহুমদা তোংদুনা মহাক চৎলি; অদুগা লোয়ন-লোয়ননা পুক্লিং ইথক হৌহল্লবা পুং-শেল য়ৈ, ফীরান পায়বাশিংনা নিংথৌগী ফীরান পুরদুনা মদুগা লোয়ননা চৎলি। মহাক্লা চৎখি চৎখিবা মফমদুগী মী পুম্নমক্লা লান্মীশিংবু কিদুনা ম্নুম থাদোক্তুনা চেন্নখি। মখোইনা মিহুন শুদবদু উবদা নক্ষত্ররায়গী মপুক্লিংদা নাপল কারকই। মহাক্লা খল্লি, 'ঐ দিগ্বিজয় তৌবা চৎলিবনি।' পিক্ল পিক্লবা জমিদারশিংনা মখল মথেলগী খুদোলপোৎ পুরক্তুনা মাবু খুরুম্মে; মখোইশিং অদুবু মাইথীবা পিরবা নিংথৌগুম্না খল্লকই, মহাভারতকী দিগ্বিজয় তৌবা পাণ্ডবশিংগী রা নিংশিংলকই।

নোংমদি লান্মীশিংনা লাক্লগা সেলাম তৌরদুনা হায়রকই, "মহারাজা-সাহেব!" নক্ষত্ররায়না ময়াংলেং তিংথক্তুনা ফম্লকই?

"ঐখোই মহারাজগী দমক্তা থরাই থাবা লাক্লিবনি, খরাইবু ঐখোই থোইনা পাম্মুকবা লৈতে । ঐখোইগী কুইনা চৎনরকপা অমা লৈ— লাল চৎলবদি লম্বী লমখাংদা থেংনবা খুল পুম্বা লুঠ তৌ-তৌদুনা চৎলি, মদুবু করিগুম্বা শাস্ত্রদা দোষকী থবক্লি হায়না ইদে ।"

নক্ষত্ররায়না মঙক হাইরদুনা হায়বকই, "অচুম্বনি অচুম্বনি।"

লাম্মীশিংনা হায়বকই, "ব্রাহ্মন ঠাকুরনা ঐখোইবু লুঠ তৌবা থিংই । ঐখোই থরাই থাবা চৎলগা লুঠ খবদং ফাওবা তৌহনদবসিদি য়াম্না চুমদবা থবক্লি ।"

নক্ষত্ররায়না অমুক হন্না মঙক হাইরদুনা হায়রকই, "অচুম্বনি, অচুম্বনি ।"

"মহারাজগী য়াথং ফংজরবদি ঐখোই ব্রাহ্মন ঠাকুরগী ম-ন্না লৌদনা লুঠ তৌজবগে ।"

নক্ষত্ররায়না নাপল য়াম্না তৌনা হায়বকই, "কনানো ব্রাহ্মন ঠাকুর হায়ববো ? ব্রাহ্মন-ঠাকুরনবু করি খংগনি ? ঐনা নখোইদা হুকুম পিরিবসিনি. নখোই লুঠ-পাট তৌবা য়াগনি ।" অসি হায়রগা অমুক্তং কোইরৈ লৈদুনা যেংলকই— অদুরাইদা রঘুপতিগী মশক উদবদুদা মপুক্লিং লৈতারে ।

অদুবু রঘুপতিবু অসুম্না নিংঙাইবা লৈতনা থৌ-ন্না শাদবসিদা মহাক মপুক্লিংদা মুংঙাইবা অমা ফাওপ্রে । মতিক মগুণগী ময়াইনা মুগী মতৌগুম মাগী শিংলি থুদিংদা চেনবা হৌরক্লে । পৃথিবী অসিবু অনৌবা মওং অমা ওইনা উরক্লে । ভাবকী বেলুনদা তোংলদুনা

পৃথিবীসিবু য়াম্না নেম্না নোংগুম্না উখ্রে। করি অমুক হায়নি, মরক মরক্তা করিগুম্বা তানফমদা রঘুপতিবু করিস্থ লৈতবা অমা ওইনা খনবা হৌরক্লে। খংহৌদনা নমত্নুনা গোবিন্দমাণিক্যবু য়াম্না শার্থীনা শাওবস্থ হৌরক্লে। মপুক্লিংদা হন্না হন্না খন্থরক্লে, 'ঐবু তাম্থোকপা! করিস্থ লৈত্রবা প্রজা অমগুম্না ঐবু বিচারসভাদা লেপহনবা! হন্দক্তি য়েংসি কনানা কনাবু তাম্থোকপগে হায়বা। হন্দক্তি ত্রিপুরাপুম্বগী মীনা। নক্ষত্ররায়গী মতিক মগুন খংজরগনি।' নক্ষত্ররায় অত্থু মথন্নাই য়াম্না হরাওরে অমস্থং ময়াই কন্না কারে।

মরাল লৈজদ্রবা খুলগী মীশিংদা অবেম্বদা নৈবিবা অমস্থং লুঠ-পাট তৌবিবসি রঘুপতি ওন্থোক্লা পংমদে। মত্থু থিংনবা মহাক য়াম্না কন্না হোৎনরম্মি। অত্থুবু লাম্নীশিংনা নক্ষত্ররায়গী য়াথং ফংবদগী মাগী ম-ব্রা তাবিদ্রে। মহাক্লা নক্ষত্ররায়দা চংলত্নুনা হায়রকই, "পাম্বে লৈজদ্রবা খুলগী মীশিংদা করিগী দমক্তা নৈবিরিবনো!"

নক্ষত্রবায়না হায়রকই, "ঠাকুর, হিরম অসোমদদি নহাক থোইনা নিংথিনা খংলোই। শা-লালগী মতমদা লাম্নীশিংবু লুঠ-পাট তৌবা থিংত্নুনা মথরাই মুংঙাইহন্দবসি ফত্রে।"

নক্ষত্ররায়গী ম-ব্রা তাবদা রঘুপতিত্থু হাইফেৎ ঙকখ্রে। খংহৌদনা নক্ষত্ররায়গী লুত্তোন কাবকপা শাজত্থু উবদা মহাক মথন্তা মপুক্লিংদা নোকচরক্লে। মহাক্লা হায়রকই, "হৌজিক মখে'ইবু লুঠ পাট তৌহল্লবদি মতুংদা লা-কপা য়াম্না রারগনি। ত্রিপুরা পুম্বা লুঠ তৌগ্রগনি।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, 'মত্থদা করি মাঙবা লৈ? ঐনা পাম্নিবদি মত্থমক্কি— নি থিনা খজসনু ত্রিপুরা, নক্ষত্ররায়বু তাম্থোকপগী

মহৈ করিনো হায়বা। ঠাকুর, মসিগী মরমদা নং করিমতা থংলোই, নংদি লাল অমুক্তা থেংনরক্কবা মীনি।"

রঘুপতিহু মপুরিংদা মুংঙাইবা অমা পোক্লক্লে। করিগুম্বা পাওখুম অমতা পিরমদনা অহুম্মক চংখ্রে। নক্ষত্ররায়না চুম্নগী লাইফদিবী অমগুম্না লৈতহুনা হাইফেৎ মরিংজেল খাবা মী অমা ওইরকপহুনি, মানা পাম্লিবা।

কুহ্রানিথোইশুবা তাঙ্কক

ত্রিপুরাদা উচিনা নৈবা হৌরকপা মতমহু ইঙেল থানি। মতম অহুদা লৌবুক্তা চুজাক্তমক পাল্লক্লি, অহুগা চিংগী পামদনা ফো মুল্লকপদমক ঙাইরি। থা অহুমদি পাং-শানা অহুম্মক লেনখ্রে—হিয়াংগৈ থাদা তমদা লো খাওবগী মতম য়োরকপদদি লৈপাকপুম্বা হরাও মথোই কানরক্লে। লৌমীশিংনা (১) মুপী অঙাং নহা অহল খাক্তনা থাজোল পায়রহুনা লৌবুক তম্বরক্লে। হো হা হায়বা খোম্থাংনা অমনা অমবু কৌনরক্লে, জুমিয়ানিংঙোলশিংগী ইশৈনা লৌবুক লমহাং পুম্বা পুমনিন নিনখ্রে। নিংথৌবু শাওনরম্বহু পুমকাও কাওখে, লৈপাক

---

১ থাঙ্গৈশেংনমক্তি মথোইবু লৌমী কৌবা য়াদে। মরমদি, মথোইসি লৌতমক উহুনা লৈবা মী নত্তে। জঙ্গল মৈ থারগা নোংজুথা লাকপদা মক্ত মরাং অহুক হনবতনি। অসিগুম্বা লৌকমবু জুম কৌই, অহুনা লৌউবশিং অসিবু জুমিয়া হায়না থংনৈ।

মরা-তপা লৈনরক্লে। অসিগুম্বা মতমসিদা পাও লাক্লে, নক্ষত্ররায়না লৈবাক্তদা লান্দারক্লবা লান্মী মপৈ অমা পুরহুনা ত্রিপুরাগী ভমখৈ তাম্না লাক্লে অহুগা ওৎ-নৈবা লুঠপাটনচিংবা হায়ভমদনা তৌখৎলক্লে— পাওসি তাবদা লৈপাকপুম্বা মিপাইনরক্লে।

পাও অসিনা নিংথৌগী থবাক্তা থাংনা থিনবগুম থোকখ্রে। মুমিংচুপ্পা মাবু চৈনাখোল ফংহন্দুনতা লৈরে। লেপ্পা নাইদনা অমুক অমুক নৌহৌনা মানা রাখলসিতমক খল্লক্লে, নক্ষত্ররায়না মাগী মথক্তা লান্দাবা লাক্লবনিদকো। নক্ষত্ররায়গী চম্নবা নিংথিরবা মাইথোংহু মাগী মুংশি মিৎলমদা মশীং-নাইদনা তারক্লে অমসুং মহুগা লোয়ন-লোয়নন। মহাক্না খল্লকই, অসুম্বা নক্ষত্ররায় অসিনা লান্মী খরা খোম্লহুনা থাংশাং পায়রহুনা মাগা লাম্থেংনবা লাক্লবনি। অমুক অমুক মহাক মথন্তা অসুম খগুবকই — লান্মী অমা ফাওবা পুদনা নক্ষত্ররায়গী মমাংদা পাক্লবা লানফমদা মথন্তমক লেপ্লগা থবাক লোংনা নক্ষত্ররায়গী লান্মী লিশিং লিশিংগী থাংয়ান অহু পুল্লপ মথন্তুনা খাংলুরসিরা।

মহাক্না ধ্রুববু মনাক্তা চিংশিল্লগা হায়রকই, "ধ্রুব, নংসু লুহুপ অসিগী দমক্তা ঐগা য়েংথিনবা ভমগদ্রা ?" অসি হায়রহুনা লৈমাই-থক্তা লুহুপ্পু লংথোরক্লে, মহুদা চাওরবা মুক্তা অমা তত্তুনা তাখ্রে।

ধ্রুবনা মিহৌবগা লোয়নননা মখুৎ তিংথোক্লক্তুনা হায়রকই, "ঐ লৌগে।"

নিংথৌনা ধ্রুবগী মকোক্তা লুহুপ অহু উপশিনবিরগা মতম্বাক্তা পমখত্তুনা হায়রকই, "লৌরো, ঐদি কনামতগা য়েংথিনবা পামদে।"

অসি হায়রদুনা য়াম্না লাংতক্কবগা লোয়ননা ধ্রুববু চেৎনা মথান্নুংদা কোনশিল্লে ।

অদুগী তুংদা নুমিৎ চুপ্পদুমা 'পুম্নমকসি ঐনা তৌবা পাপকী শাস্তিনি' হায়রদুনা নিংথৌনা মশা মথন্তমক নৈনজবা হৌরক্লে । নত্রবদি মনাওনা ময়াম্ববু কৈদৌনুংদা লান্দারকপা হৌনদে । মসি খনবদা মহাক খবদ দি অইংবা ফংলে । মহাক্না খল্লকই, মসি ঈশ্বরগী খুজিন্নি । জগৎ-মপুগী দববারদগী হুকুম তাওথবক্লবনি, করিস্সু লৈত্রবা নক্ষত্ররাযনা মীওই-পুকচেন-হৌনশা ইন্দবা ওমদবতনি । অস্নুম্না খন্দুনা মাগী নিংবা-কাযরবা নু শিবদু অইংবা খরদং ফংজরে । পাপপুম্বা মানা কোকথোং য়াগে থৌবা লে ; মদুনা নক্ষত্ররাযগী পাপকী পোৎলুম অদু খরদং ময়েং তাথরক্কবা ।

বিল্বননা লাক্কুনা হায়রৈ, "মহারাজ, হৌজিকপু নোংথকলোমদা য়েংখত্তুনা রাখল তৌদুনা লৈনবা মতমলা ?"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঠাকুব, পুম্নমকসি ঐগী পাপকী মহৈনি ।"

বিল্বননা হাইরপ মখোংদৌ শাওগৎনা হায়রকই, "মহারাজ, অসিগুম্বা রাফমশিংসি ঐহাক তাবদা রানা থোকই । অরাববু পাপতগী মহৈনি হায়বসি কনানা হায়রিবনো, পুণ্যগী মহৈস্নু ওইবা য়াই । ধর্ম চেল্লবা কয়া পুন্সিচুপ্পা অরাবা নংখিবস্নু য়াওই ।"

নিংথৌ অদু তুমিন্না লৈখে ।

বিল্বননা হংলকই, "মহারাজনা করি পাপ তৌখিদুনা মদুগী মহৈনা থৌদোক অসি থোক্লরিবনো ।"

নিংথৌনা হায়রকই, "হেক পোকমিন্নবা ইনাও লৈবাক্কগী তাম্থোকখি ।"

বিস্বননা হায়রকই, "নহাক্না ননাওবু তাম্থোকপা নত্তে। মরাল লৈবা মীবু তাম্থোকপনি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "মরাল লৈরবস্থু মনাওবু তাম্থোকপগী পাপতি শোয়দনা লৈফম থোকই। মতুগী মহৈত্নদি ফংদফম শুক্লে লৈতে। কৌরবশিংনা মরমচৎ ফত্রবস্থু পাণ্ডবশিংনা মখোইবু হাৎলগা মপুক্লিং লৈতানা নিংথৌ ওইবগী নুংঙাইবা ফংখিদে। যজ্ঞ তৌত্নুনা প্রায়শ্চিত তৌখি। পাণ্ডবনা কৌববতগী লৈপাক লৌহৌই, কৌরবনা মথরাই থারগা পাণ্ডবকী লৈবাক হুত্নুনা পুখি। ঐনা নক্ষত্রবু তাম্থোকখি, নক্ষত্রনা ঐবু তাম্থোকপা লাক্লি।"

বিস্বননা হায়বকই, "পাণ্ডবশিংনা পাপকী চৈরাক পিনবা কৌরব-শিংগা লাল শোক্নখিবা নত্তে, লৈবাক ফংনবগী দমক্তা শোক্নবনি। অত্নুগা মহারাজদি পাপকী চৈরাক পিত্নুনা নশাগী অন্না-নুংঙাই খল্লুবা তৌদনা ধর্ম ঙাকপনি। মসিদা ঐদি পাপ মচেৎ অমা ফাওবা উবা ফংদে। অত্নুমকপু প্রায়শ্চিত তৌনবা হিবম তাকপদা ঐ চিংনবা করিমতা লৈতে। ঐহাক ব্রাহ্মননি নমাংদা লৈরি, ঐবু পেল্লহল্লগা নংগী প্রায়শ্চিত হায়বত্নু ওইগনি।"

নিংথৌনা হাইকেৎ নোক্লগা তুমিন্না লৈ।

বিল্বননা হায়রকই, "অমবু শুইরবস্থু অমবু ওইরবস্থু, হৌজিক্তি লালগী থৌরাং তৌবিরো। অমুক থিস্থবিরগনু।"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঐহাক লাল তৌররোই।"

বিল্বননা হায়রকই, "মত্নুদি করিমতা য়াদে। মহারাজ অত্নুমক ফমত্নুনা য়াখল তৌত্নুনা লৈবিয়ু। ঐহাক অল্লকসিদা লাম্মী খোমজিনবা

হোৎনরুখিগে। ময়াম্মক হৌজিক্তি জুমদা চৎনখ্রে, মতিক চানা লাম্মা ফংবা য়ানা থোক্রে।”

অসি হায়রগা পাওখুমকা অমুক ভাইবা তৌদনা বিল্বন চৎখ্রে।

ধ্রুবদু য়াখল অমা খংলাক লাক্রে; মহাক মিংথৌগী মনাক তান্না চংলক্কুনা নিংথৌদা য়েংলগা হংলকই, “কাকা কদায়দা লৈ?” নক্ষত্ররায়বু ধ্রুবনা কাকা কৌই।

নিংথৌনা হায়রকই, “কাকা লাক্লগনি, ধ্রুব।” য়াহৈসিগা লোয়ননা মাগী মমিত্তু হাইফৈৎ পিগী ইরা চেল্লকই।

কুহু৷ছুমদোইশুবা তাঙ্কক

বিল্বন ঠাকুরদু তৌগদবা থবক্লা চনাং-খনাংনরে। মহাক্লা চট্টগ্রামগী চিংগী লমদা খুদোলপোৎ কয়ামুক্লা লোয়ননা মখোং-য়াংবা ছুত থাখ্রে। মফম অদুদা কুকি খুল্লাকপশিংগী মফমদা কুকি-লাম্মী তেংবাংবিনবা হায়জরে। লালগী মমিং তাবদা মখোইদু হরাওবনা জগোই শাখ্রে। কুকি খুল্লাকপশিং অদুনা লালবাও ওইনা অভাংবা ফীজেৎ কিরবা থাংজৌ অমা ছুতকী মখুত্তা পিদুনা খুল খুল খুদিংদা থারে। উ-না উ-না কুকিগী চাওরবা ইচেল অমা চট্টগ্রামগী চিংদোন্দগী ত্রিপুরাগী চিংদোন্দা লাক্কুনা খুংলরে। মখোইদুবু করিগুম্বা নিয়ম অমগী মখাদা পুল্লপ থম্বদি ওইথোক্তবনি। বিল্বন মশামক্লা ত্রিপুরাগী

খুঙ্গং খুদিং চগুনা জুমদগী মথৌনা লৈবা পাখংশিংবু খল্ল-খল্লতুনা লাম্মী মরক্তা য়াওহল্লে। মাংজৌননা চংশিল্লগা মোগোল লাম্মাশিংগী মথক্তা লান্দাবসি বিল্বন ঠাকুরনা খুদো চাবা ওইগনি হায়না খন্দে। মখোইনা লৈতেম মান্নবা লমদম লাম্থোরক্তুনা হায়ডমদনা শাথীরবা চিংদোন কাররুবা মতমদা শুরুবা চিংনুং অতুগা খুদোং থিরবা অরোনবা মফম কয়াদগী ইখং খংহৌদনা লান্দাতুনা পাখৎহনগে হায়না লেপ্লে। চাওর-চাওরবা মুংলম কয়ানা গোমতী তুরেলগী ইশিং থিঙ্গৎলে— মাইথীদা মাইশিবা তাররুবদি পল অতু নমখাইরগা ইশিং ইচাও থোকহন্দুনা মোগল লাম্মীশিংবু তাওথোকহনখিনবনি।

অসোমদা নক্ষত্ররায়না লৈবাক কয়া লুঠ তৌ তৌতুনা লাকপনা ত্রিপুরাগী চিংগী লম য়ৌশিল্লক্লে। মতম অতু জুম খাওবা লোইনখ্রে। জুমিয়া পুম্নমক থাং অমসুং লিরুংতেন পায়রতুনা লালগী শেম শাতুনা লৈনখ্রে। কুকিগী কাংবু অতু পাথোরক্লবা ইশিং-চাইবীগুম ফান-লাক্লবা অমুক য়াশিল্লক্করে।

মতমসিদা গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, "ঐ লাল তৌরোই।"

বিল্বন ঠাকুরনা হায়রকই, "মতু চৎনবা য়াবা রা নত্তে।"

নিংথৌনা হায়বকই, "ঐহাক লৈপাক ডাকপদা মতিক চাদ্রে হায়বসিগী খুদম কয়া তশেংনা উরে। মতুগী মরম্না ঐবু প্রজানা থাজনরক্কবনি, মতুগী মরম্না চাকতাংবা থোকখিবনি, মতুগী মরমমক্তনা লাল অসি থোক্লরিবনি। লৈপাক থাদোক্লবা পুম্নমকসি ঈশ্বরগী য়াথং ডাক্তনি।"

বিল্বননা হায়রকই, "মসি কৈদৌমুংদসু ঈশ্বরগী য়াথং নত্তে। ঈশ্বরনা নংগী নথক্তা লৈপাক ডাক্লবা শিন্নবিরক্লে ; নিংথৌগী থবক্তুনা

খুদোংথীবা থোক্লক্তিমখৈদি কোম্লবা নথৌত্থ ইরাই লাইনা পাংথোক্কনা লৈরকই, অদুগা লৈবাকপুবগী থবক্লা খুদোং চাশিল্লক্কবা মতমদা নথৌ থাদোক্কনা নিং-তম্লবা মী অমগুম্না লৈবা পাম্লক্লে, ঈশ্বরগী য়াথংনি হায়না নশানা নশাবু মিনমজত্থনা মুংঙাইনা লৈথোক্লবা হোৎনরে।”

রাফমসি গোবিন্দমাণিক্যগী থম্মোইদা থুক পানখ্রে। মহাক রা ঙাদনা ঙহাক ফমত্থনা লৈখ্রে, মমৈথংদা য়াম্না থরাই শোক্লা হায়রকই, “অসুম্না খনবিরো ঠাকুব, ঐহাক মাইথীরবনি, নক্ষত্রনা ঐবু হাৎলগা নিংথৌ ওইখ্রবনি।”

বিল্বননা হায়রকই, “মত্থবু অওইবমক ওইনা থোক্লবদি ঐহাক মহারাজগী দমক্তা ক'রমতা অরাবা পোক্লোই। অদুগা মহারাজনা করিগুম্বা নথৌ ল'শেক্কনা চেনখিবদা তাববদি ঐগী অরাবা হায়বত্থ ওইগনি।”

নিংথৌনা হাইফেৎ পাখৎলপ তৌনা হাযরকই, “হেক শোকমিন্নবা ইনাওগী ঈ তাহল্লগদবা!”

বিল্বননা হাযরকই, “ইথৌগী মফমদদি ইচিন ইনাও মরুপ-মপাং হায়বা অমুক লৈতে। কুরুক্ষেত্রগী লালদা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা করি পাওতাক পিখিবগে হায়বত্থ অত্থক নিংশিংত্থনা য়েংবিয়ু।”

নিংথৌনা হায়রকই, “ঠাকুর, নহাক্লা হায়রিবসিবু ঐগী ইখুৎমক্লা থাংশাং অসি পায়রত্থনা নক্ষত্ররায়বু য়াম্লো অসিরা?”

বিল্বননা হায়রকই, “মানি, মত্থমক্তি।”

খঙহৌদনা ধ্রুব লাক্কনা য়াম্না চীং-লেম্না হায়রৈ, “হুঁম, অত্থগুম্বা রাত্থ হায়হৈদে।”

ধ্রুবদি ঙসাইনখৈ শান্নতুনা লৈ, মখোই অনি অমগা অমগা লাওনরকপতু তাবদা মহাক্না তনখন-খল্লকই, মখোই অনিসি লমহেন্বা থবক অমা শোয়দনা তৌরম্বা তারে — মরম অতুনা হান্না মাংজোননা মবানিমক হাইফেৎ ব্রারকপদা তাই। অসুম্না খল্লতুনা মহাক শংহৌদনা লাক্তুনা মঙক হাইরতুনা হায়রৈ, "হুঁম, অতুগুম্বা ব্রাতু হায়হৈদে।"

মতৌতু পুরোহিত ঠাকুরদা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইনা থোক্লে। মহাক্না নোক্লতুনা ধ্রুববু মতম্বাক্তা কোল্লগা চুপ্পিবা হৌরক্লে। অতুগা নিংথৌদি নোক্লে। মহাক্কী মপুক্নিংদা, অঙাংগী মচিন্দগী ওইনা লাইগী য়াথং অমা তাবগুম্না খনখ্রে।

মহাক্না করিমতা নাচুংবা পোক্তুবা খোনদমনা হায়রকই, "ঠাকুর, ঐ থাঙ্গশেংনা লেপ্লে, ঈ তাবগী থবকসি থোকল্লরোই লাল তৌররোই।"

বিল্বন ঠাকুর ঙহাক তুমিন্না লৈখ্রে। কাইনথংদা হায়রকই, "মহারাজনা লাল তৌবসি শুকপাম মপাম্বিদ্রবদি থবক অমতংদি তৌবিয়ু। নহাক নক্ষত্ররায়গা উনবিতুনা মাবু লাল থেংনদনবা খামজিনবিয়ু।"

গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, "রাফমতু ঐ য়ারে।"

বিল্বননা হায়রকই, "অতুদদি রাফমসি হায়তুনা নক্ষত্ররায়দা চিঠি থারসি।"

মমৈথংদা মতুম তৌবদা লেপ্পরে।

কুম্থ্রামরিগুবা তাঙ্কক

নক্ষত্ররায়না লান্মী পুরহুনা চংশিল্লক্লে, মফম কৈদম্ভ খিংলম্বা লৈত্রে। ত্রিপুরাদা মহাক্না অহানবা হেক খোংদাবা খুল অহুমক্না মাবু নিংথৌনি হায়না তবাম তঙ্গম ওক্লে। খোংথাং খুদিংগী মহাক নিংথৌ ওইবগী মহাও খংলক্লে, লা-ম্বম্ভ অম্ভুম্মক হেনগৎলক্লে ; মাইকৈ মরিমক্কী পাক্লবা লৌবুক, খুল, চিংশাং, তুরেল, পুম্নমক 'ঐগীনি' হায়বা রাখল্লোমদা পূরক্লে অহুগা মাগী ফংফম থোকপহু পাকথোক্লকপগা লোয়ন-লোয়ননা মহাক মশাম্ভ য়াম্না থাগ্নাও অম্ভুম শন্দোরকগুম তৌহুনা য়াম্না পাক-চাওবা হায়বহু ওইরক্লে। মোগলগী লান্মীশিংনা অপাম্বা অহুতা লৌজবা য়ানি হায়না মহাক্না লেংদ্রবা হুকুম পিথোরক্লে। মানা খল্লকই, পুম্নমকসি ঐগী ভাক্তনি, অহুগা মখোইশিংসিনা ঐগী লৈবাক্তা লাকচরিবনি। মখোইবু নুংঙাইহন্দবা শুকয়া য়াদে ; মরৈবাক্তা হনগ্রগা মোগলশিংসিনা মাগী পিজ-পিথক ফজবা, নিংথৌ অমগী হৌনবা পুকচেল চাওবা অমম্ভং লিকপা লৈতবগী মরমদা য়াম্না থাগৎলুগনি ; মখোইনা হায়রুনি, 'ত্রিপুরাগী নিংথৌদি থাথা য়াবা নিংথৌ নত্তে।' অম্ভুম্না মোগল লান্মীশিংগী মফমদগী মিংচৎ ফংনন ৮গী দমক মহাক মতম চুপ্পদা লাংতক্নহুনতা লৈখ্রে। মখোইনা মহাকপু করিগুম্বা তাবদা ফজরবা মিঙ্গৌ কৌরক্লবদি মহাক্কী থম্মোইহু পুমশেৎ হেক্তা পেৎখি। মতম চুপ্পদা করিগুম্বা খিনা ঙাংনখিগদবা থৌদোক থোকখিগদ্রা হায়বসিগী চিংনহুনতা লৈ

রঘুপতিনা চংলক্তুনা হায়রৈ, "লাল শোক্লনবা করিগুম্বা থৌরাং অমতা তৌবা উদে।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "উদে ঠাকুর, কিহুনা তৌররিনি।", অসি হায়রহুনা শীথনা নোক্লক্লে।

রঘুপতিদি নোকপা য়াবা মরম থোইনা উদে, অহুবু মাম্ন নোক্তি নোক্লক্লে।

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "নক্ষত্ররায়না নবাবকী লান্মী পুহুনা লাক্লিবনি। হেক তরাই তরাইবা থবক নত্তে।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "য়েংসি হন্দক্তি কনানা কনাবু মরৈবাক্তগী তাম্থোকপা। করি হায়বগে?"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "ঐহাক্না নিংবু নিংলবদি লৈবাক্তগী তাম্থোকপা ওম্মি· কৈশুমশঙদা থম্বস্নু ওম্মি— হাৎনবা হুকুম পিবস্নু ওম্মি। হৌজিক ফাওবা করি তৌসিগে হায়বদি লেপত্রি।" অসি হায়রহুনা য়াম্না অশিংবা শারহুনা রাখল তৌবা হৌরকই।

রঘুপতিনা হায়রকই, "অহুক য়াম্না পংখন-খনবিরুস্নু মহারাজ। হৌজিকস্নু মতম য়াম্না লৈরি। অহুবু ঐনা কিরিবদি, গোবিন্দমাণিক্যনা লাল শুঙ্কো তৌদনা নংবু মাইথীবা শিখিগদ্রা অসিনি।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "মহুবু করম্না ওইগদৌরিবনো?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "গোবিন্দমাণিক্যনা লান্মীশিংবু নাথৈহুনা থম্লগা মনাও মুংশিবগী মত্তৌ য়াম্না উৎলরকনি। ওক্তা কোম্লহুনা হায়রগনি, 'ইনাও ইবুঙো মুংশিবা, লাকও, য়ুমদা চৎসি, শঙ্গোম মাখোন চারুরসি।' মহুদা মহারাজনা কপ্ল-কপ্লহুনা হায়গনি য়াম্না ফনি, ঐ হৌজিকমক চৎচরগনি। অম্নুক পম্বজররোই।' অসি হায়রহুনা নাগরা খোংউপ-জুড়াহু তোংশিল্লগা নয়াম্বগী মতুংদা ওক

নোম্বরহুনা শগোল মচাদৌনা অম্নম ইম্নখিনি। কুম্মৈহু উবদা বাদশাহগী মোগল লান্মীনা নোক্ক-নোক্ক মযুমদা হনখিনি ;”

নক্ষত্ররায়হু রঘুপতিগী মফমদগী তমথীনা করেম্নবা ৱাঙাংসি তাবদা মথরাই য়াম্না মুংঙাইত্রে। হাইফেৎ নোক্লবা অরেম্বদা হোৎনরহুনা হায়বকই, “ঐবু অঙাং ওইনা খল্লবরা অহুম তৌবগা হেক পঙথনি হাযনা! মাগী মতিক লৈতে। মহু কৈদৌম্নুংদসু ওইরোই, ঠাকুর। য়েংতমক যেংউ।”

মুমিৎ অসিদা গোবিন্দমাণিক্যগী চিঠি থুংলরে। চিঠিহু রঘুপতিনা ফাক্তোক্লে। নিংথৌনা যাম্না মু’শিবা উৎলহুনা উননবা হাযজরক্লি। চিঠীহু নক্ষত্ররাযবু উহনদ্রে। হুততা হাযরক্কই, ‘অমুক ৱানা গোবিন্দ-মাণিক্যনা অসি ফাওবা লাকপগী থোইনা কান্নফম লৈতে। লান্মীগা থাংগা কোম্ননা মহাবাজ নক্ষত্রমাণিক্যনা থিন্দনমক মাবু উনররগনি। গোবিন্দমাণিক্যহু মতম খজিক্তুং অসি মুংশিববা মনাও কায়নবগী মৈচাক্লা থোইনা হেন্না প’ৱা ৱাবিরুমু হায়ু। চহি নিপাল তাম্হোক্তুনা লৈবা তারম্লবদি মসিদগী অমুক হেন্না য়াম্না কুইনা কায়নহুনা লৈৱমগদবনি।’

রঘুপতিনা নক্ষত্ররায়গী মনাক্তা অমুক লাক্লগা হায়রকই, “গোবিন্দমাণিক্যনা তাম্হোকপ্রবা মনাওনিপাদা য়াম্না মুংশিরবা চিঠি অমা পিরকই।”

নক্ষত্ররায়না য়াম্না থৌশাদবা মতৌ তৌশিন্নরহুনা নোক্লহুনা হায়রকই, “অঙইবরা? করি চিঠিনো? কদাই য়েংসি।” অসি হায়রহুনা মথুৎ তিংথোক্লক্লে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "চিঠিত্ত মহারাজদা উৎলুবপী থোইনা কান্নফম লৈতে হায়না খল্লি। অদুনা খুদক্তদা অদুম্মক শেগাইখ্রে। হায়রিবসিনি, লাল নত্তনা মতুগী পাওখুম করিমতা লৈতে।"

নক্ষত্ররায়না নোক্ল-নোক্লদুনা হায়রকই, "মদুনা য়াম্না ফরে, ঠাকুর। নহাক হায়খ্রবনিদনা লাল নত্তনা মতুগী পাওখুম অতৈ অমা লৈতে হায়না? মতিক চপ চাবা পাওখুম পিখ্রে।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "গোবিন্দমাণিক্যনা পাওখুমসি তাবদা শোয়দনা খনগনি, তাম্মোকখিবা মতমদদি ঐগী ইনাওদু ইকোম কোম্না চৎখি, অদুবু অমুক হল্লকপা মতমদদি তরাই তরাইনা পাক হল্লক্লে।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "মানা মসিম্ থু খনগনি, ইনাওসি ইচম চম্বা মীদি নওবোইরে, তাম্মোকনিংলকপা মতমদা কোক তাম্মোকপা কৌশিন্নিংলকপা মতমদা কোক কৌশিনবা য়াবা মীতাদি নত্তেদনা।" অসি হায়রদুনা মপুক্লিং য়াম্না হরাওনা অমুকসু হন্না নোক্লক্লে।

কুম্থ্রামগাশুবা তাঙ্কক

নক্ষত্ররায়গী পাওখুমদু তাবদা গোবিন্দমাণিক্যগী থম্মোইদু ওম্মোক্লা শোক্লে। বিল্বননা খল্লকই, হন্দক্তি মহারাজনা থোইনা য়ানিংদবা মতৌ উৎলক্তবসু য়ারে। অদুবু গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, "রা অসি নক্ষত্ররায়গী রা শুকনৎ নত্তে। পুরোহিতদুনা হায়রক্লিবা রানি। নক্ষত্রগী মচিন্দগী অসিগুম্বা রাসি কৈদৌমুংদম্ হায়দোরক্লোই।"

বিল্বননা হায়রকই, "মহারাজ, হৌজিক্তি করি উপায় তৌবিবদা তারবগে ?"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঐহাক নক্ষত্রগা করিগুম্বা অমা তৌহুনা উনবা ফংলবদি, পুম্নমকসি লায়না তাইশিন্নবা ঙমগনি।"

বিল্বননা হায়রকই, "অদুগা, উনবা ইফং মফংদ্রবদি ?"

নিংথৌ। অদু ওইরবদি ঐহাক লৈবাকসি থাদোকহুনা চৎথ্রগনি।

বিল্বননা হায়রকই. "ফরে, ঐ অমুক্তং হোৎনহুনা য়েংগে।"

চিংথক্তা নক্ষত্ররায়গী লানশঙ শাই। শুক্লবা জঙ্গলনি। ৱা, লী, শীঙনাংনা থন্না হৌরি। মখল মখলগী উরি-ৱারিনা লৈমাই থন্না কুপ্লি। লান্মীশিংনা শামু-লমশাগী খোঙ্গুল লীরহুনা চিংদোন য়োৌনা কানৈ। মতম অদু নুমিদাংৱাইনি। নুমিৎনা চিংগী মরুমদা লৈথরক্লে। নোংপোক মাইকৈদি মমশিল্লক্লে। নুমিদাংৱাইরমগী মমথ-রকপনে উগী উরুমনে অনিমক্কা পুনখিহুনা উমং মন্নুংহু মতম চাদনা য়াচংবা মতম ওইহল্লক্লে। নিংথমথাগী নুমিৎ তারমদাই ওইবনা লৈমাই-থক্তগী লৈচিনগুম মনিল কাখৎলি। হরি-নোংনাংগী খোঞ্জেলনা চিক্লবা উমংহু পুমনিন নিনথ্রে। বিশ্বননা লামশঙ য়োৌরকপা মতমদদি নুমিৎ পুমতা তাখ্রে, অদুবু নোংচুপ থংবা আতিয়াদা শনাগী মশেক পকপহুদি পুংমুৎ মুৎখিদ্রি। নোংচুপ মাইকৈদা লৈবা লৈতেম মাম্নবা লমদমগী শনাগী মচুনা লৈতেংলবা শুক্লবা উমংতু ইপোম লাংদ্রবা শংবাম্নরবা সমুদ্রগুম উরি। লাম্মীপুম্বা হয়েং অয়ুক খোংশাল্লগনি। রঘুপতিনা লাম্মী কাংবু অমগা সেনাপতিগা লোয়ননা লম্বী থিবা চৎথোকখ্রি, হৌজিক কাওবা হল্লক্ত্রি। রঘুপতি থংদনা নক্ষত্ররায়গী

মনাক্তা কনাগুম্বা মী অমতা চংবা য়াদে হায়না খিংবা লৈরবস্থ সন্ন্যাসীগী ফীজেং শেৎপা বিল্বনবুদি কনানস্থ থিংদ্রে।

বিল্বননা নক্ষত্ররায়গী মনাক্তা চংলগা হায়রৈ, "মহারাজ গোবিন্দ-মাণিক্যনা নংগী মিংদা চিঠি অসি থারক্লি।" অসি হায়রতুনা চিঠি অমা নক্ষত্ররায়গী মখুত্তা পিরে। নক্ষত্ররায়না মথুং নিক্না নিক্না চিঠিত্থু লৌরে। চিঠি অদু ফাক্তে'কপদা মহাক ইকাইবা অমস্থং কিবা পোক্লে। রঘুপতিনা—গোবিন্দমাণিক্য অমস্থং মাগী মরক্তা খনজিন্দুনা লৈরিবমখৈ নক্ষত্ররায়দু নিংডাইদনা লৈথোকপা ঙম্মি। মহাক করিগুম্ব-দস্থ গোবিন্দমাণিক্যগী মশক উনিংদবগুম্না তৌই। গোবিন্দমাণিক্যগী দুত অসিনা নক্ষত্ররায়গী মমাংমক্তদা হেক লেপ্লরবতুদদি নক্ষত্ররায়দু ইশি-শিথখিবগুম্বা অমা তৌরে অদুগা মপুক্লিং হাইফেৎ খোইশাওবা অমস্থ পোক্লে। মহাক্কী মপুক্লিংদা, রঘুপতি লৈরম্বা থোক্তুনা দুত অসিবু মনাক্তা চংডকহল্লমদ্রবদি ফখ্রনিদা হায়না খল্লক্লে। মপুক্লিংদা অস্থুম্না মণ্ডল মণ্ডল খন্না চিঠিত্থু ফাক্তোক্লে।

মতুগী মতুংদা মীচৈগী রা অমতা য়াওদে। গোবিন্দমাণিক্যনা মাবু ইকাইবা পিবগী রাফম অমতস্থ ইরক্তে। মনাওগী মফমদা রারৌ-পুকচেন মচেৎ অমা ফাওবা উৎলক্তে। নক্ষত্ররায়না খোংমী-লাম্মী পুরক্তুনা মাগী মথক্তা লান্দাবা লাকই হায়বগী রারোল ফাওবা পল্লক্তে। মবানিগী মরক্তা মমাংঙৈদা লৈনবা মুংশিনবগী ভাব অদু হৌজিকস্থ লেংদনা অতুম্মক লৈরিবগী মওংদা ইরকই। অতুম্নদি ওইরগা চিঠি পুম্বতুগী মতুংদা য়াম্না হকচিন্না মুংশিবা অমস্থং অরাবগী ইচেল অমদি থুপ্তুনা লৈ—মতু তশেংবা রাফম্না ফোংদোক্লক্তবদগী নক্ষত্ররায়গী থম্মোইদা হেন্না হেন্না শোকপা অমা ওইখ্রে।

চিঠি পানা পানা মাগী মাইথোংগী ফীভমতু খরা খরা অসুম হোংলক্লে। থম্মোইমুংগী মুংগী-কাখল অতু খংহৌদনা চেকখাইরক্লে। চিঠিতু মাগী নিক্লবা খত্তা তনিক তনিকপা হৌরক্লে। মহাক্না চিঠি অতু ঙহাক কোকথক্তা পায়তুনা থম্লক্লে। চিঠিতুগী মমুংদা ময়াম্বগী আশীর্ব্বাদ য়াওরিবতুনা ইংলবা ইফুংকুম মাগী চাক্লবা থম্মোইদা চাইথরকপগুম তৌরে। ফনা য়াম্না কুইনা লেংদনা লৈহুনা থাপ্লবা নোংচুপ মাইকৈগী য় চংবগী ৩. [illegible] বো-মশেক্লা-য়ৈরবা শংবান্নববা পাক্লবা উমংলোমদা মিৎ কুপ্তনা য়েংতুনা লৈরে। মাইকৈ মরিদা চিক্লবা য়াচংবনা লৈখা তান্না ইচিক হুল্লবা মপুক তপ্লবা সমুদ্রগুম লেদনা লৈরি। মমৈথ দা মাগী মিৎলুদা ইরা চেল্লক্লে, থিন্দনা খোংথাং য়াংনা পি শিন্থবক্লে। তফিং তফিংনা ইকাইবকপা অমসুং মুংঙাইরক্তবদগী নক্ষত্ররাযতু মখুৎ অনিনা মমাই খুমজিন্দুনা লৈখ্রে।

মানা কপ্লতুনা হায়রকই, "ঐহাক লৈপাকসি পামদে। য়াম্মুং, ঐগী ইরালপুম্বা ঙামাপিতুনা নংগী খুযাদা ঐবু চংজফম পিনবিয়ু, ঐবু নংগী ননাক্তা থম্বিয়ু, ঐবু থাপ্না তাম্থোকপিগনু।"

বিল্বনতু রা মচেৎ অমতা ঙাংদে—তুমিন্না ফম্লতুনা মতৌতু য়েংলি। মতুংদা নক্ষত্ররায়না খরা তপথরক্লবদা বিল্বননা হায়রকই, "যুবরাজ, নংনা লাকপা মাইকৈ য়েংতুনা গোবিন্দমাণিক্যনা ঙাই-হৌরি, অমুক থিম্ববা তৌবিরগনু।"

নক্ষত্ররায়না হংলকই, "ঐবু মানা ঙাক্তি ঙাকপিগদ্রা?"

বিল্বননা হায়, "মহাক্তি যুবরাজবু করিগুম্বা শাওবা অমত্তা লৈতে। অহিং থেংজিল্লক্লবদি লম্বীদা অরাবা নংগনি। থিন্দনা শগোল অমা তোংখৎপিরো। চিংখাদা মহারাজগী মীনা ঙাইতুনা লৈরি।"

নক্ষত্ররায়না হায়রকই, "ঐহাক তুমিন্না চেন্নগে, লাম্মীশিংদা খন্থন্নবগী করিস্তু কান্নদে। অমুক মিকুপ কামা পম্থবগী কান্নফম লৈত্তে ওম্মিবমখৈ থুনা মফম অসিদগী চৎথোকহৌনবা হোৎনুবনা খ্যাইদগী হেন্না ফৈ।"

বিল্বননা হায়রকই, "অচুম্বা য়ানি।"

তিনমুড়া চিংদা সন্ন্যাসীগা লোয়ননা শিবলিঙ্গ পুজা তৌবা চৎলিবনি হায়রম্লুনা নক্ষত্ররায়না বিল্বনগা লোয়ননা শগোল তোংলম্লুনা খোংশাল্লক্রে। মনাই-মশলনা তুংইন্নবা তৌরকপদা অমতা ইলহম্রে।

থোক্লকপদা ঙাইরিঙৈনা শগোলগী খোংথাং মখোল অমম্নুং লাম্মীশিংগী নিল-খোংবা তারক্রে। নক্ষত্ররায় খংতুক তুকথখ্রে। হায়না হায়মা রঘুপতি লাম্মী ময়ামগা লোয়ননা হল্লক্রে—মানা ঙক্লা হংঙকই, "মহারাজ, কদাইদা লেংগদৌরিবনো ?"

নক্ষত্ররায় পাওথুম অমতা পিবা ঙমদ্রে।

নক্ষত্ররাযনা থুমদবা অত্তু উবদা বিল্বননা হায়রকই, "মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যগা উনবা লেংলিবনি "

রঘুপতিনা বিল্বনগী খোংদগী-তৌনফাওবা মুন্না য়েংলকই। অত্তুদগী পিশুম শুকতোক্লকই, অত্তুগী তুদা শাওনিংবা পুম্বা ফাথরম্লুনা হায়রকই, "ঙসি অম্বুম্বা তাঞ্জা চাদবা মতমদা ঐখোইনা ঐখোইগী মহারাজবু থাদোকপা পামদে। হয়েং অয়ুক লেংবস্তু ময়াই। করি তাকপিবগে, মহারাজ ?"

নক্ষত্ররায়না তপ্পবা খোংগংদা হায়রকই, "হয়েং অয়ুক ওইনা চৎজগে, ঙসিদি .প থে "

বিল্বন অদু নিংবা কাররদুনা অহিং অদুমা লানশঙ্দা লেপ্লে। থংনবগী অয়ুক্তা নক্ষত্ররায়গী মনাক্তা চংনবা হোৎনরকই, লাম্নীশিংনা থিংলে। মানা উরে, মাইকৈ মরিমক শস্ত্রী তৌখ্রে, অহোবা মচেৎ অমতা লৈখিদ্রে। মমৈথংদা রঘুপতিগী মনাক্তা চৎলদুনা হায়রকই, "চৎপা মতম ওইরক্লে, যুবরাজদা পাও থংহনবিখ্রো।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "মহারাজদি লেংদবদা লেপ্লে।"

বিল্বননা হায়রকই, "ঐহাক অমুক্তং মাগা উনজনিংই।"

রঘুপতি। উনররোই হায়না তাকপিরক্লে।

বিল্বননা হায়রকই, "মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যগী চিঠিগী পাউখুম অমতং পাম্মি।"

রঘুপতি। চিঠিগী পাউখুমদি মসিগী মমাংদা অমুক পিখ্রে।

বিল্বন। ঐহাক মাগী মচিনমক্তগী পাউখুম তানিংই।

রঘুপতি। মদু থোক্লবা করিগুম্বা উপায় অমতা লৈত্রে।

বিল্বননা খংলে, হোৎনবা পুম্বা কান্নররোই; মতম মাঙবগা খদাং চোকপগদমক থোক্লগনি। চৎলমদাইদা রঘুপতিদা হায়রম্মি, "ব্রাহ্মণ, নংনা শীল্লিবা তুমথীরবা থবক অসিবু করি কৌবগে? মসিদি ব্রাহ্মণগী মথৌ নত্তে।"

কুহ্রাতরুকগুবা তাঙ্কক

বিল্বননা হনখিবদা উরে, তাল্লকসিদা নিংথৌনা কুকিশিংবু বিদায় তৌখ্রে। মখোইদুনা লৈবাক প্রজাদা ওৎ-নৈবা হৌরক্লাম্ম। লাম্নী-

অয়াম্বা মচোই মচোই তাহনখ্রে। লালগী থৌরাংনি হায়বা থোইনা করিস্থ লাওবা তৌদ্রে। বিল্বন লাক্লগা নিংথৌদা ৱারোল পুম্নমক তম্লে।

নিংথৌনা হায়রকই, "অত্তু ওইরবদি ঠাকুর, ঐ চৎখ্রগে। নক্ষত্রগী দমক লৈপাক লন-থুম পুম্নমক থনম্লগে।"

বিল্বননা হায়রকই, "পাম্বৈ লৈজত্রবা প্রজাশিংবু মীথুত্তা লান-থোক্লম্লগা নহাক চেনখিগদৌরিবনি হায়বসি খল্লুবদা ঐহাক পুক্নিং হরাওনা বিদায় পিবা ঙমদ্রে, মহারাজ। পোক্তবী মমাগী মথুত্তা মচাবু শীম্নরম্লগা অরাবা কোক্লবী মমানা মপুক্নিং লৈতাবা ফংই—হায়বস্‌িবু থাজবা য়াবা ৱাফম্না?"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঠাকুর, নংগী ৱাসি ঐগী থম্মোইদা হেক হেক পাল্লি। অত্তুবু হন্দক্তি ঐবু ঙাকপিরো, ঐঙোন্দা অতৈ মখা অমুক তাকথবিরগনু। ঐবু ৱাখল চোইনবা হোৎনবিরগনু। নহাক্তি খংবিরবনি ঠাকুর, ঐহাক ইশা ইথক্তা ৱাশকচখ্রবনি ঈ তাবগী থবকসি অমুক থোকহনগ্ররোই হায়না; ৱাশক্তু ঐ থুগাইবা ঙমজররোই।"

বিল্বননা হায়রকই, "অত্তুদি হৌজিক মহারাজ করি তৌবিবদা লেপ্লে?"

নিংথৌনা হায়রকই, "মত্তু খংবিনিংলবদি ঐহাক লোইনমক হায়রগে। ঐহাক ধ্রুববু পুত্তুনা বন্দা চৎলগনি। ঠাকুর, ঐগী পুন্সিস ওম্হোক্লা মপুং ফাদবা হায়বত্তুমা ওইত্তুনা লৈরে। ঐনা খঙ্গরম্বত্তুগী মচেৎ অমা ফাওবা পাংথোকপা ঙমদ্রে—পুন্সিগী হৌগ্রবা শরুককশিং অসি অমুক হন্না লাক্তুনা নৌনা শেমগৎপা হায়বত্তুদি ওইথোক্তবা থবক্তি—ঐনা খল্লি, ঠাকুব, লাইমক্লা ঐথোইবু তেঙ্গৈ কাপ্ল-শুম কাপ্লকপসিদা, পানফমদগী খজিক্তং হেক লৈথোকখিবা থোক্লবদি

ম্রিশিং কয়ারক হোৎনহুনস্থ পানফম-লোমদা লৈশিংকপা অমুক ওম্বা লৈত্রে। পুন্সি হৌরকপদা ঐ অসি অহুমা লৈথোক্কুনা চৎথিবা অমা ওইরবনা পুন্সি লোইরমদাইদা পানফম অমুক থিবা ফংস্ত্রবনি। অনিংবা অদো ওইবা ওমদ্রে। ইশা কপ্পনবা য়াহৌগদবা মতমহুদা ঐহাক মিকপ থোক্কহৌদ্রে, লুপ্পবা মতমদা অান তারক্লে। সমুদ্রদা তারবা মীনা উতুপ কোন্দুনা খাওবগুম. ঐস্থ পিক্লিবা ঞ্রবনু কোন্দুনা খাওলবনি। ঐহাক ঞ্রবগী মন্নুংদা ইশা কৎথোক্লগা ঞ্রবগী মন্নুংদা অমুক অনৌবা মপোক ফংনবা হোৎনগনি। ঐহাক শৈহৌদগী ঞ্রবনু মী ওইনবা শেমগৎকনি। ঞ্রবগা লোয়ননা ঐ ইশাস্থ থজিক থজিক্কুং চাওখৎনবা লাক্লগনি। ঐগী মীওই-মপোক মপুং ফাহনগনি। ঠাকুব, ঐ মী অমা হায়বহু নত্রবনি, ঐনা নিংথৌ ওইরগবু কারি কাম্নফম লৈগদগে।"

অরোইবগী রাহে অসিমদি নিংথৌনা য়াম্না লাংতক্লবগী খোন-ফমদা হাযবকই। মহু তাবদা ঞ্রবনা নিংথৌগী থুকউ মথক্তা মকোক্কু, নোইব-নোইরহুনা হাযবকই, "ঐহাক নিংথৌনি।"

বিল্বননা নোক্লহুনা ঞ্রবনু মতম্বাক্তা কোনখৎলে। মতম ফনা কুইনা মাগী মশক্কু যেংলুবগা মমৈথংদা নিংথৌদা হাযবকই, "বন্দবু মী শেমগৎপা কবম্না যাগদগে? বন্দদি লৈপাক্তগী ম্রৌবা পাম্বী-দমক শেমগত্তুনা চাওহনবা যাগনি। মীদি মীওইবা সমাজগী মবক্তা শেমগৎকদবনি।"

নিংথৌনা হাযরকই, "ঐহাক বন্দা পুমলৈ হেক লৈবমক্তি তৌরোই—মীওইবগী সমাজদগী থরদং থাপ্তক লৈগদবতনি, অহুমকস্থ

সমাজগা লৈনবা-মরী পুম্নমক থদংপদি তৌরোই। হায়রিবসি মতম থরদংগী দমক্তনি।"

অসোমদা নক্ষত্ররায়না লাম্মীগা লোয়ননা কোম্নুংগী মনাক নকশিল্লক্লে। প্রজাশিংগী মরল-মথুম লুঠ তৌবা হৌরক্লে। প্রজাশিংনা গোবিন্দমাণিক্যবু শাপ তৌবতমক থংলক্লে। মখোইনা হায়, "পুম্নমকসি নিংথৌগী পাপতনা থোক্লিবনি।"

নিংথৌনা রঘুপতিবু অমুক্তং উনসি হায়না কৌরে। রঘুপতি লাক্লবদা মঙোন্দা হায়, "করিগী দমক্তা অমুক প্রজাশিংদা অরাবা পিরিবনো? ঐহাক নক্ষত্ররায়দা লৈপাক শিন্নরম্নগা চৎলগদবনি। নখোইগী মোগল লাম্মীপুম্বা বিদায় তৌথোকখ্রো।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "য়াম্না ফনি, নহাক্না হেক বিদায় তৌখিবগা ঐহাক মোগল লাম্মীশিংবুসু বিদায় তৌখিগনি; ত্রিপুরাবু লুঠ তৌবসিদি ঐহাক করিমতা পামদে।"

নিংথৌনা হুমিৎতুমক্তদা লৈপাক থাদোক্তুনা চৎনবা শেম শারে, নিংথৌগী ফীজোন হোংদোক্লে, গেরুয়া শঙবা ফী শেৎলে। নক্ষত্ররায়দা নিংথৌগী চৎকদবা লীচৎ পুম্বা তাকতুনা শাংলবা আশীর্বাদকী চিঠি অমা ইরম্মে।

মমৈথংদা নিংথৌনা ধ্রুববু মতম্বাক্তা পমখৎলগা হায়রকই, "ধ্রুব, নহাক ঐগা লোয়ননা বন্দা চৎনিংব্রা ইবুঙো?"

ধ্রুবনা খুদকতুমক্তদা নিংথৌগী ওক্তা কোল্লগা হায়রকই, "চৎকনি।"

তাঙ্গা অসিদা নিংথৌছু থংনিং-নিংশিংজক্লে, ধ্রুবা পুতুমা চৎপা তারবাদি মাম্নী মথুড়া কেদারেশ্বরগী ম-রা অমা লৌবা তাই; অতুনা কেদারেশ্বরবু

কৌরগা নিংথৌনা হায়রকই, "কেদারেশ্বর, নহাক্না য়ারবদি ঐ ধ্রুববু পুখিগে।"

নিংথৌগী ৱাহ্নু তাবদা কেদারেশ্বরনা হায়রকই, "মহু ঐ ওমজরোই, মহারাজ।"

মসি হেক তাবদা নিংথৌগী মঙল্লান-ফুরা নিংখাইখ্রে। খংহৌদনা কোকথক্তা বজ্র তারকপগুম্না থোকখ্রে। ওাহাক তুমিন্না লৈরুরগা হায়রকই, "কেদারেশ্বর, নংসু ঐগা ল্লোয়ননা চৎসি।"

কেদারেশ্বর। ঐহাক বন্দা চৎপা ওমজরোই মহারাজ।

নিংথৌনা মথৱাই ৱানা হায়রকই, "ঐহাক বন্দা চৎলোই, ইনাই-ইশল লন-থুম পুরগা মী তাবা লমদা লৈগনি।"

কেদারেশ্বরনা হায়রকই, "ঐহাক ইরৈবাক থাদোকতুনা চৎচবা ওম্মোই।"

নিংথৌহু ৱা মচেৎ অমতা ওাংদনা শাংলবা স্বর মপী অমা হোল্লক্লে। মাগী আশাপুম্বা মমি শামখ্রে। মিৎন-কুপ্পগী মনুংদা তেংবান পুম্বগী শক্তমসি খংহোং হোংখিবগুম তৌরে। ধ্রুবদি নিংঙাইবা লৈতনা শান্নরি—মতম য়াম্না শাংনা মঙোনলোমদা ওন্দুনা য়েংলক্লে, অহুবু মাগী মশকতু উদবগুম্না তৌখ্রে। ধ্রুবনা মাগী ফীজিহু লাকতুনা চিংলগা হায়রকই, "শান্নসি।

নিংথৌগী থম্মোইহু মহি ওইনা চেনখিহুনা পি ওইনা মিৎপান তান্না লাক্লে, য়াম্না ৱানা পি অহু খাম্বা লাক্লরে। মমাই লৈথোক্লহুনা থম্মোই শোক্না হায়রকই, "অহুদি ধ্রুব লৈহৌরসমু! ঐ ইথত্তমক চৎলগে।" লেমহৌরিবা পুল্লিগী শাংলবা লৈকংলাগুম্বা লম্বী অহু ম্রিকুপ অমগী মনুংদা নোংথাং মঙাল্লক্তা মাগী মিৎ-নহাদা মমি তারক-পগুম তৌখ্রে।

কেদারেশ্বরনা ধ্রুবগী শান্নবত্থ তোকহন্দুনা হায়রকই, "লাও, ঐগী ইতুং ইল্লকউ।" অসি হায়রত্থনা মখুৎ পায়ত্থনা চিংলে।

ধ্রুবনা কপ্লিং কপ্লিং তৌনা হায়রকই, "ঙম্মোই।"

নিংথৌত্থ ঙক্না ব তম্না য়েংলকই। ধ্রুবনা চেনশিল্লকতুনা নিংথৌবু কোনশিল্লগা তফিং তফিং মাগী খুকউ অনিগী কারক্তা মমাই লোৎখ্রে। নিংথৌনা ধ্রুববু মতম্বাক্তা কোনখৎলগা মথান্নুংদা কোনশিনবিরে। মাগী পাক-চাওরবা থম্মোইত্থ মচেৎ মচেৎ তারক্কদগুম তৌরম্মী, পিক্লবা ধ্রুববু মথবাক্তা চেৎনা কোনশিল্লগা থম্মোইত্থ ফাজিনখ্রে। ধ্রুববু ফীভম অত্থদা কোল্লত্থনা শাংলবা কান্নুংত্থদা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈরক্লে। ধ্রুবস্থ লেংবান্দা মঙক হাইথরত্থনা মপুক্লিং য়াম্না তপথনা লৈখ্রে।

মমৈথংদা যাত্রা তৌনবা মতম য়ৌরক্লে। ধ্রুবদি নিংথৌগী মতম্বাক্তা তুমথখ্রে। তুম্লিবা ধ্রুববু তপ্না তপ্না কেদারেশ্বরগী মখুত্তা শিন্নরম্লগা নিংথৌ যাত্রা তৌখ্রে।

কুম্ব্রাতরেৎশুবা তাঙ্কক

নোংপোক্কী স্নথোঙলোমদা খোংমী-লান্মী পুরত্থনা নক্ষত্ররায়না কোন্নুংদা চংলক্লে, লন-থুম খজিক্তুংগা মনাই-মশল খরদংগা লোয়ননা নোংচুপ থোঙলোমদা গোবিন্দমাণিক্য যাত্রা তৌখ্রে। সহরগী মীশিংনা বাঁশি খোংলত্থনা পুং-শেল মৈরত্থনা, মঙ্গল-খোল্লাও অমস্থং মোইবুং

মখোলগা লোয়ননা নক্কএরায়বু ওক্লে। গোবিন্দমাণিক্যনা শগোল তোংলহুনা চৎখিবা লম্বেল অদোমদদি কনানসু মাবু ইকাই খুম্নবা উৎলুবা চুম্মি হায়না খল্লবা তৌদ্রে। নাকল অনিমক্কী খাংপোক্তা লৈরিবী মুপীশিংনা মহাক তানা তানা চৈবা হৌরক্লে; অরাম্বা মৈচাক্লা অমদি লাম্লবা মচাশিংগী মীকপ খোলনা মখোইগী লৈতোনশিং অহু ময়া থাংখ্রে। হৌখিবা শাথীনা চাক্তাংবা মতমদা নিংথৌগী মফমদা চংজহুনা মচিঙ্গাক ফংখিবা অহুগা নিংথৌমরুসু তরাম তরাম লুনা চান্না তৌখিবা হন্নবী অহুনসু কংলবা মখুক্তু থাঙ্গৎতুনা নিংথৌবু শাপ তৌবা হৌরক্লে। অঙাংশিংনা মমাগী মতৌ তন্নহুনা লাও-খোংলহুনা লঙন-লঙননা নিংথৌগী মতুং কোইন-ইন্নরক্লে।

য়েৎলোম ওইরোমদা করিমত্তা য়েংথোকলুবা তৌদনা, চুমত্রিং মাংলোমদা য়েংহুনা, নিংথৌহু তপ্পা তপ্পা চৎপা হৌরকই। জুমিয়া অমখক্তি লৌবুকলোমদগী লাকপদা নিংথৌবু উহুনা ভক্তিগা লোয়ননা খুরুম্নকই। নিংথৌগী থম্মোইহু খংনুং মুংশিবা অমা পোকখ্রে। মহাক্লা নিপাহুগী মফমদগী থম্মোই শোক্লবা খোনফম্না বিদায় নিরকই। জুমিয়া অসিমতংদনা মহাক্কী মচা প্রজা পুন্নমক্কী মহুৎ শিন্দুনা মানা নিংথৌ খুভম থাদোক্লকপা মতমদা ভক্তিগা লোয়ননা মথরাই শোক্লা মাবু বিদায় তৌরকই। নিংথৌগী তুংদা অঙাংগী শঙুনা লাওর-লাওরহুনা ইন্নরকপহু উবদা মহাক য়াম্না শাওনিংবা অমা পোকখ্রুনা তানখাই-রকই। অহুবু নিংথৌনা মাবু খামজিল্লে।

মমৈথংদা নিংথৌহু লম্বেল মপান্দা কেদারেশ্বরনা লৈরাক্তা খাংলোক্তু য়ৌশিল্লক্লে। মতমহুংদি মহাক য়েংলোমদা অমুত্তং য়েংলকই।

নিংথম থাগী অয়ুক্কি। লৈচিন ভামখিল্লুনা জুমিংকী মঙাল ফাওঃ রকপদা মঙাইরি। খাংপোকপণ্ড অদোমদা ওন্নহুনা নিংথৌনা ওনখিবা চহিগী ইঙা থাগী অয়ুক অমা নিংশিংলক্রে। হুমিং অহু নোংগুন্না শংই, নোংখোং ফুইনা তাই। নিনি পানথংলকপগী পিল্লবা থাওম সুপীমচা হাসিনা মীরোল তাদনা ফমুং চিদাই অমদা গ্রাম্ফক তানা হিপ্তুনা লৈ। পিল্লবা তাতানা তৌরিবা মতৌহুদি ভাব শুক্তা তাদনা করিগুম্বদা মচেগী ফীজি মতোন অহু য়াল্লংদা উল্লহুনা মচেবু মুল্লা য়েংহুনা লৈ, করিগুম্বদনা মাগী তবং তবংবা পিল্লবা তুম্বক তুম্বল্লবা মথুংনা তপ্পা তপ্পা মচেগী মখজাইদা য়ৈ। ঙসিগী হিয়াঙ্গৈ থাগী লিক্লা ফুরবা লংলবা অযুক অসি অহুডৈ ইঙা থাগী নোং-কুওনা মংলবা অয়ুক্কুগী মনুংদা অহুম্মক লোক্তুনা য়াওখ্রবনি। নিংথৌনা অসুম্নসু খল্লকই, ঙসি মাবু নিংথৌ খুফম থাদোকহল্লিবা অহুগা ইকাইবা নংহন্দুনা ময়ুমদগী তাম্হোক্লক্লিবা মাগী মবাইবক অসি অহুডৈ ইঙাথাগী মল্লবা অয়ুক্তা পিল্লবা খাংপোকসিগী থোঙজিন্দা মাবু ঙাইহুনা লৈরম্বগুম তৌখিব্রা? মফম অসিমক্তদা মাগা ইহান হানবা শকথংনবা হায়বক্তু ওইখি। নিংথৌহু রাখল লক্ষ্ফে অমনা পুহুনা খাংপোকপণ্ডসিগী মমাংদা ঙহাক তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরে। মাগী মনাই মশল নত্তনা মতমত্তুদা লম্বীদা মী অমতা চত্তে। জুমিয়াহুনা তানখাইরকপদগী অঙাংশিংহু চেন্নরুরে, অহুবু জুমিয়ানা খরা থাপ্পা হেক চংখিবগা অমুক হল্লক্তুনা পুল্লরে, মখোইনা লাও-খোংলকপদা জ্ঞান তারক্তুনা সুংশাঙ্গর মপী হোল্লগা নিংথৌহু তপ্পা তপ্পা অমুক চংপা হৌরক্লে।

খংহৌদনা অঙাংশিংনা লাওরিবহুগী মরক্তা সুংশিরবা অখংক্তা খোম্মাং অমা অহাক খংতা-তাম্না কংলক্লে। মহাক্না উরক্লে, পিল্লবা

ধ্রুবনা মাগী পিক্লবা মখোং অতু কুপ্ন কুপ্ন থাংলত্বনা মখুৎ থাঙৎলগা নোক্লা নোক্লা মাগী মনাক তান্না চেনশিল্লক্লি। কেদারেশ্বরদি অনৌবা নিংথৌবু খ্বাইদগী মাংজৌননা থুরুমহৌনবা চৎখি্র, খাংপোক্কু্দা ধ্রুবগা হন্নুরবী য়ুমগোইবী অমতংদগা লৈহৌই। গোবিন্দমাণিক্যনা শগোল খান্নত্বনা কুমথরক্লে। ধ্রুবনা চেনশিল্লক্কুনা ইশি-শিনা নোক্লত্বনা মাগী মথক্তা তুম্বক ওইনা পুল্লপ চোংশিল্লক্লে। ধ্রুবনা মাগী মফী লাক-তুনা অমুক চিং, মখুউ অনিগী মরক্তা মমাই অমুক লোৎ, অম্নুম্না মাগী অহানবা খংন্নুং-ন্নুংঙাইবগী চাওরবা ইথক অতু নেমথখ্রবতুংদা শকফম হনজিন্না নিংথৌদা হায়রকই, "ঐহাক টক্‌টক্ তোংগনি।"

নিংথৌনা মাবু শগোলথক্তা থাঙৎপিরে। শগোল তোংন-তোংন মহাক্লা নিংথৌগী মঙক্তা কোনশিল্লক্লে, অমসুং মহাক্কী থোৎলবা মখজাই অতু নিংথৌগী খজাইথক্তা ঙাথরক্লে। ধ্রুবনা মাগী থেল্লবা রাখলদা নিংথৌত্থ মহৌশাগী মতৌদগী হোংবগুম্বা অমা ফাওরক্লে। কন্না তুমখুন তানখ্রবা মীবু হৌদোকপদা মীনা মখল কয়া থোক্লা লাক্লবগুম, ধ্রুবসু মাবু চিং-খোৎলত্বনা, কোনশিল্লত্বনা, চুপ্লত্বনা, করিগুম্বা মওং অমদা মাগী হান্নগী ফীভমত্থ হঞ্জিলহল্লক্লবা ঙম্বা মখৈ হোৎনরক্লে। মমৈথংদা কান্নরক্ক্র্ত্বনা য়ান্নুংদা মখুদোনবী অমা অনি উমশিল্লগা ফমত্বনা লৈখ্রে। নিংথৌনা ধ্রুবগী মপুক্লিংগী রা খংলত্বনা মাবু হন্না হন্না চুপ্লক্লে।

মমৈথংদা হায়রকই, "ধ্রুব, ঐ চৎলগেদনা।"

ধ্রুবনা নিংথৌদা য়েংলত্বনা হায়রকই, "ঐসু চৎকনি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "নংদি কৈদা চৎলুনি, নখুড়াগী মনাক্তা অত্থুম্নক লৈয়ু।"

ধ্রুবনা হায়রকই, "হুঁম লৈরোই, ঐসু চৎকনি।"

তাঙ্গাসিদা খাংপোক মহুংদগী হন্নবী য়ুমগোইবী অহু মুরুম মুরুম তৌনা চৈর-চৈরহুনা লাক্লে, মানা ধ্রুবগী মখুত্তু কন্না লাক্তুনা চিংলগা হায়রকই, "চৎসি চৎলো!।"

খুদক্তুমক্তদা ধ্রুবনা কিবগা লোয়ননা মখুৎ অনিনা নিংথৌবু চেৎনা কোনশিল্লগা মথান্নুংদা মমাই সোৎশিনখ্রে। নিংথৌনা মথরাই রানা খল্লকই, থবাক্কী শিংলিশিংদি থদৎলগা লাকতুনা লংথোকখিবা মগুমগনি, অহুবু খুৎ অনিসিগী কিশিসিদি করম্না থদৎপা গুমগনি। অহুমকপু থদৎপদা মতাখ্রে। তপ্না তপ্না ধ্রুবগী মখুৎ অনিহু চিংথোক্লগা নমহুনা ধ্রুববু য়ুমগোইবীগী মখুত্তা শিন্নরে। ধ্রুবনা মথরাই শোক্না কপ্লকই, মখুৎ থাঙ্গৎলহুনা লাওরকই, "বাবা, ঐসু চৎকনি।" নিংথৌনা তুংহন্না অমুক য়েংলম্বা তৌদনা শগোল তনতোং-তোংথৎলগা কন্না থৌখ্রে। ফনা য়াম্না থাপ্না চৎলবমক্তদসু ধ্রুবগী থরাই শোক্না কপ্পগী খোঞ্জেল অহুতা তাহুনা লৈখ্রে; ধ্রুবনা মখুৎ অনি থাঙ্গৎ-লহুনা হায়হুনতা লৈখ্রে, "বাবা, ঐসু চৎকনি।" মমৈথংদা নিংথৌগী কোইরাওনরবা মিত্তগী পি শিন্থরক্লে। মহাক লম্বেল অচুম্বা নিংথিনা উবা ঙম্লক্তে। মনিনগী লাংনা হুমিৎকী মঙাল অমম্নং জগৎপুম্বা পুমকুপ কুপথিবগুম তৌখ্রে। শগোলনা চেন্নিংবা যাইকৈদা চেনবা হোৌরক্লে।

অসুম্না লাকপদা লমখাংদা অমুক মোগল লাম্মী কাংবু অমা লাকতুনা নিংথৌবু য়েংলহুনা নোক্নবা হৌরক্লে, অমুক ফরি হায়গনি মাগী থৌগল্লোইশিং অহুবুসু হাইকেৎ শাথীনা করেন্নবিবা হৌরক্লে। নিংথৌগী কম্নাইবা অমা শগোল তোংলহুনা তাঙ্গাক্লা চৎলম্মি, মহাক্না তৌরিবা মতৌহু উহুনা নিংথৌগী মনাক অম্না শগোল-থৌজিনরক্লে।

মহাক্না হায়, "মহারাজ, অম্মা ইকাইবা শিবসিদি খাঙহনা লৈবা ওইরক্রে। মহারাজনা খোল্লিবা তোল্লবগী ফীজেৎসি উবদা মখোইনা খোওই-উশিৎত্রিবনি। থাং অসি লৌবিয়ু, কোইয়েৎ অসি খোনবিয়ু। মহারাজ, ওহাক্তুংদগা ভাইবিরমখো, ঐহাক ঐগী মী পুরক্তুনা হোনবা -খংত্রবশিং অসিবু মতিক চানা খংহল্লগে।"

নিংথৌনা হায়রকই, "নক্তে নয়নরায়, ঐহাক থাং-কোইয়েৎকী কান্নবা অমুক লৈত্রে। মখোইনবু ঐঙোন্দা করি তৌরগদগে? ঐহাক হৌজিক মসিদগী য়াম্না হেন্না শাথীনা ইকাইবা নংবা খাংবা ওয়গনি। শত্রোক্লবা থাংশাং থাঙৎলহুনা ঐহাক পৃথিবীসিগী মীওইবশিংগী মফমদগী ইকাই-খুম্নবা অমুক তানবা পামদ্রে। পৃথিবীগী মীপুম্বনা য়াইফরিঙৈদা অরাবা নংলিঙৈদা চোপ্পা-লেম্বা অরা-মুংঙাই খাঙনহুনা লৈবগুম ঐস্নু লৈশেম্বা মপুবু নিংশিংজহুনা খাঙহুনা অহুম্মক লৈগনি। মরুপশিংনা য়েরুবা ওনখ্রে, ইপাল তাংথিবশিংনা তৌবিমল খংথিদ্রে, খুরুম্নবশিংনা মঙক হাইগৎখ্রে, পুম্নমকসি মতম অমদা খাংওমদ্রবা ওইনা থোরুম্বা য়াই, অহুবু হৌজিক্তি মসি পুম্নমকসি খাঙলগত। ঐগী থম্মোইদা মুংঙাইবা পোক্লে। ঐগী মরুপ কনানো হায়বহু ঐহাক মীশক খংলে। চৎলো নয়নরায়, হল্লো, নক্ষত্রবু তরাম-তন্নাম্না কৌশিল্লু, ঐবু ইকাই খুম্নবা অহুগুম্না নক্ষত্রবুস্নু ইকাই খুম্নবা লোইনৌ। নখোই পুম্নমক ।ভম্নহুনা মতম চুপ্পদা নক্ষত্রবু অফবা লম্বীদা চৎনবা অহুগা প্রজাগী য়াইফবা তৌনবা ভাক শেনবিয়ু, নখোইগী নফমদা ঐনা চৎলমদাইদা অসিভানি নিজন্নিবা। অহুগা মসিমগা কাওগন্নু, বাখল শোরাজনিমদগী কৈকৌমুংদহু ঐগী বা শন্দুনা অমদি ঐগা চাদেম-নহুনা মাদু শন্না মকে অমা কাওবা মুংঙাইতবা উংকহু। ঐহাক

হৌজিক্কি বিদায় লৌরগে।" অসি হায়রদুনা নিংথৌনা মাগী কয়াইবা অদুগা লেঙোম্বরম্বগা খোংপানবা হৌখ্রে, কয়াইবা অদুস্থ মাবু খুরুম্‌গা মমিত্তগী মপি তৈথোক-তৈথোক্লা চৎখ্রে।

গোমতীগী রাংলবা তোর্ব্বান মনাক য়োরক্লবদা বিল্বন ঠাকুরনা উমংলোমদগী থোক্লক্ক্‌না মমাং তাম্না লাক্লগা মখুৎ থাঙৎলদুনা হায়রকই, "জয় ওইবা ওইসনু।"

নিংথৌনা শগোলথক্কগী কুমথরদুনা মাবু খুরুম্নে।

বিল্বননা হায়রকই, "ঐহাক মহারাজগী মফমদগী বিদায় লৌগে লাকচরিবনি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঠাকুর, নহাক নক্ষত্রগী মনাক্তা লৈবিদুনা মাবু পাওতাক পিবিয়ু। লৈপাক্কী ফনবা শীনবিয়ু।"

বিল্বননা হায়রকই, "মদু ঐ ঙমজরোই। নহাক্না নিংথৌ ওইদবা মফমদুদদি ঐহাকসি কাম্নদ্রবা মীশক্নি। মফম অসিদা লৈদুনা ঐনা করিগুম্বা থবক অমতা পাংথোকপা ঙম্মোই।"

নিংথৌনা হায়রকই, "অদুদি কদাইদা চৎকে হায়রিবনো ঠাকুর? নত্রগা ঐবু থৌজানবিরো, নহাক্না লোয়নজরবদি ঐগী শোল্লবা থম্মোইসি পাঙ্গল য়াম্না ফংই।"

বিল্বননা হায়রকই, "কদাইদা ঐগী থবক লৈবগে হায়বদু থিনা চৎথোরক্লবনি। ঐহাক মনাক্তবু লৈরবসু থাপ্পবু লৈরবসু ঐনা নংবু লুংশিজবদি কৈদৌম্নুংদসু তৎপা লৈররোইদ্দবনি হায়বসিমদি থংবিয়ু। অদুবু ঐনা মহারাজগা লোয়ননা বন্দা চৎলগা করিবু তৌরুগদগে?"

নিংথৌনা তপ্পবা খোন্থাংদা হায়রকই, "অহুদি ঐহাক বিদায় লৌরগে।" অসি হায়রহুনা অমুকস্তু হন্না খুরুম্রে। বিম্বননা মাইকৈ অমরোমদা চংখ্রে, নিংথৌসু মাইকৈ অমরোমদা চংখ্রে।

কুহ।নিপালশুবা তাঙ্কক

নক্ষত্ররায়না ছত্রমাণিক্য হায়বা মিংথোল লৌহুনা চাওনা ইরাং তৌরহুনা নিংথৌ খুভম কারে। নিংথৌগী লনগৈদা শেল পংয়াম য়াম্না লৈতে। প্রজাশিংগী লৈজবা মরল-মথুম পুম্নমক নমহুনা লৌরগা রাশকখিবা পৈশা পিহুনা মোগল-লাম্মীশিং বিদায় তৌখিবদা তাখি। শাথীনা চাক্তাংবা অমস্তুং লৈত-লাইর মরক্তা ছত্রমাণিক্য নিংথৌ ওইহুনা পাল্লকই। মাইকৈ মরিমক্তগী শাপকী মীচৈগা কপ্পগনা মাগী মথক্তা লেপ্তুনা নোংগুম চুথরক্লে।

গোবিন্দমাণিক্যনা ফম্লম্বা ফমফম, গোবিন্দমাণিক্যনা তুম্লম্বা ফমুং, গোবিন্দমাণিক্যনা চাম্ন-লোইনরম্বা মনাই-মশল পুম্বনা অহিং তুংখিল নাইদনা লোম্না ছত্রমাণিক্যবু চৈহুনা লৈবগুম্নতা তৌখ্রে। পুম্নমকসি ছত্রমাণিক্যনা অস্তুম অস্তুম খাওবা ঙমশিল্লক্তরে। মহাক্না মাগী মিংফমদগী গোবিন্দমাণিক্যগী খুদমপুম্বা মুংথংপা হৌরক্লে। গোবিন্দমাণিক্যনা শিজিন্নরম্বা পোৎচৈমখৈ মাঙহনখ্রে অহুগা মাগী চাল্লবা মনাইপুম্বা থাপ্না তাম্থোকখ্রে। গোবিন্দমাণিক্যগী না-শোল অম্না কাওবা মহাক তাবা ঙমশিল্লক্তরে। গোবিন্দমাণিক্যবু করিগুম্বা পাল্লকপা

হেক তাবদা, পুন্নমক্না মহাকপু খংসন্নু হায়রবগুম ঙাংলক্লিবনি হায়না মপুক্লিংদা হেক্ত। লৌই। মতম চুপ্পদা, মাবু ময়াম্মকনা নিংথৌ ওইনা মতিক চাবা ইকাইখুম্নবা উত্রে হায়বসি মপুক্লিংদা খল্লি— মরম অসিদগী খংহৌদনা মরম চাদনা হেক হেক শাওগৎলকই অত্তুনা অঙম অথৌপুম্বা খোয়দাবা খক ঙম্নদ্রে।

মহাক নিংথৌগী থবক হায়বত্তু শুকখং-খংদে, অত্তুবু কনাগুম্বনা নিংশিংলকপা য়াওরবস্তু শাওনা হেক্তা ঙাংলকই, "মসিবু ঐনা করিগী খংঙোইদৌরিবনো! ঐবু অপংবনি হায়না খনব্রা!"

মহাক্কী মপুক্লিংদা, ময়াম্মকনা মাবু কাফম থোক্তনা সিংহাসন কাবা লৈপাক মুন্দুনা লৌবা মীনি হায়না শনবদগী থৌওই-উৎশিত্রে হায়বসি তত্তনা খল্লি, মরম অসিনা মানা নিংথৌগী চাওফম থোকপদগী হেন্না হেন্না নমত্তুনা চাওশিল্লক্লে। তৌনিংবা থবক্তা তৌত্তুনা মফম পুন্নমক্তা মহাক্না খ্বাইগী মপুনি হায়বসি খংহল্লক্লে। মহাক্না ঙাকপি-নিংলবদি ঙাকপিবা ওম্মি, হাত্তোকনিংলবদ হাত্তোকপা ওম্মি হায়বসি ময়েক লানা উৎনবগী দমক ঙাকপিফম থোক্তবা মীবু ঙাকপিরে, হাৎফম থোক্তবা মীবুনা হাত্তোক্লক্লে। প্রজাশিংনা চাবা ফংনদত্তুনা মথব্রাই থানরক্লে, অত্তুগা মহাক্কীদি হরাও-কুম্মৈগী লোইবা খম্বা লৈতে— অহিং মুংথিল চুপ্পদা জগোই ইশৈ পুং-শেপ চাকচা-হৈজানবা। মসিগী মমাংদা কনাগুম্বা নিংথৌ অমতনা সিংহাসন্দা ফম্নগা নিংথৌগী ফজরবা শাংলবা মমৈ অরৈবা মখৈ ফন্দোক্তুনা অস্তুম্না অঙকপা জগোই অমুক্তম্তু শাখিদ্রি।

প্রজাশিংনা মাইকৈ মরিদা মংল্বাই মুংঙাইতবা উৎনরক্লে— মত্তুদা ছত্রমাণিক্য শাওবগী ওমখৈ লৈখিদ্রে; মহাক্না খল্লকই, মসিদি নিংথৌদা

মোওই উৎশিন্নবা উৎপতনি। অহুনা মহারাজা মুংঙাইতনবা মরম শরুক অনি হেনগৎহন্দুন', য়েত্নুনা, নৈত্নুনা, কিত্নহন্দুনা, ময়াম পুম্নমক্না মচিন কাংহনখিদ্রে— লৈপাকপুম্বা তূমখুন তানখ্রবা থেংলবা অহিংগুম ইচিক হুনখ্র। মপুকচেল তপ্লবা নক্ষত্ররায় অহুনা ছত্রমাণিক্য ওইখ্রবা তুংদা খংহৌদনা অসিগুম্বা শাজৎ চৎলকনি হায়বসিদি থোইনা ওক্লূফম লৈতে। মতম অয়াম্বদা থম্মোই শোনবা মীশিংনা মপু ওইবা ফংলক্লবদি অসিগুম্বা তমথীরবা অমগুং নিংতম্বা শাজৎ হেক হেক চৎকল্লি।

রঘুপতিগী থবক লোইরে! পোলোই ফাওবা মাগী লম্মন খুম্নিংবগী পুকচেন অহু লেংদনা থম্মোইমুংদা অতুম্মক লৈবদি নত্তে। লম্মন খুম্নিংবগী রাখলহু মুংখ্রবস্থু পায়থংলুবা থবক অতুমদি মপুং ফানবা লাক্লবসি মাগী অরেপ্পা রাখল ওইনা তৌই। লৌশিং কয়ানা য়েখাই থিনগাই পুম্নমক লাম্থোক্কূনা অহিং মুংথিল্ল চুপ্পদা পাঙথোক্লিংবা থবক অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবসি মড়োন্দা ময়াইকাবা মুংঙাইবা অমা ওইনা থোকই। হৌজিক্তি পাঙথোক্লিংবহু পাঙথোকখে। পৃথিবীগী মফম কৈদস্থু মাগী মুংঙাইফম লৈত্রে।

রঘুপতিনা মাগী মন্দিরদা লাকপদা উরে, মফম অহুদা কনাগুম্বা অমতা লৈতে। রঘুপতিনা জয়সিংহ লৈত্রে হায়বসি য়াম্না মুম্না খংলবস্থু, মন্দিরদা হেক চংলক্পদা অমুক নৌহৌনা খংলকপগুম তৌরে, জয়সিংহ লৈত্রে হায়বা। অমুক অমুক লৈরিবগুম খল্লকই, অহুদগী খংনিং অমুক নিংশিংলকই লৈত্রে হায়বসি। খংহৌদনা মুংশিংনা থোঙনাও হাংদোক্লকই; মহাক খংবোই-লাকপোই লৈ-হুনা য়েংই, জয়সিংহদি লাক্তে। জয়সিংহনা লৈরম্বা য়ুমহুদা জয়সিংহ

লৈরম্বস্ন য়াই খল্লকই— অদুবু ইমুংদুদা ফনা কুইনা চংবদি ঙমদ্রে ; মপুক্লিংদা অকিবা পোকই, চংউরগা জয়সিংহ লৈরমদ্রবদি হায়না।

মৈথংদা য়াচংবগী হাইফেৎ মম্লকপনা উমংগী মরুমদু অমুক্কা হেন্না মম্লবা মরুমলক্কা তিনখ্রবদা রঘুপতিনা তপ্পা তপ্পা জয়সিংহগী ইমুংদা চংলক্রে— হাঙলবা মী লৈত্রবা ইমুংদু মোংফমগুম্না চিকখ্রে। ইমুংদুগী কাচিন অমদা উগী উপু অমা অমসুং উপুদুগী নাকন্দা জয়সিংহগী খুরুম জোড়া অমা উফুল রাইফুল তৈরদুনা লৈ। লৈমাইথক্কনা জয়সিংহগী মখুৎমক্কা য়েকপা কালী মুর্ত্তি। ইমুংগী নোংপোক-কাচিন্দা পোদোন অমা যোৎকী থাওমৈ মখোংদা হাপ্লদুনা লৈরি, হাকুমদগী কনামতনা থাওমৈদু থাল্লক্রবনি— নিরাংনা পুমমৈ য়েংশিন্দুনা লৈখ্রে। মনাক্কী ফক্লাংদুদা থাওমৈ মৈরিগী মৈখু চুরি। ইমুংদুদা হায়খ্রিবা পোৎচৈশিংসি নত্তনা অতৈ করিমতা লৈতে। রঘুপতিদু থম্মোই শোক্লা মুংশাস্বর মপী হোল্লক্রে। মদুগী মখোল অদু হাংলবা ইমুংদুদা হৌনা তারক্রে। অদুদগী মমশিল্লকপনা করিমতা অমুক উখিদ্রে। চুম অমখক্তুং মরক মরক্তা চিক চিক হায়না খোংলকই। হাংদোক্লবা থোঙলোমদগী নিংথম থাগী মুংশিৎনা ইমুংদুদা হুমজিল্লক্রে। রঘুপতিনা উপুগী মথক্তা ফম্লদুনা মশা থক থক নিক্লা লৈরক্রে।

অস্নুম্না থা অমা চিক্লবা মন্দিরসিদা লেল্লক্রে, অদুবু অশুম্না লৈবদি অমুক ঙমশিল্লক্তরে। পুরোহিতকী থবক থাদোক্রে। রাজ-সভাদা চংলে। লৈশাক-ভাকপগী থবক্তা য়াওরুরে। মহাক্না উরে, বিচার চুম্মদবা, ওৎনৈবা, অমসুং কাং-খোং চাইবনা ছত্রমাণিক্য হায়না মিজৌ জৌরদুনা লৈপাক-ভাগি। মহাক্না লৈপাক্কু মম্না তপ্পা পাল্লবা হোৎনরক্রে। ছত্রমাণিক্যনা অফবা থাওতাক পিরক্রে।

মতুদা ছত্রমাণিক্যনা শাওনা হায়রকই, "ঠাকুর, মৈপাক ঙাকপগী থবক্তা নংনা করি খংবগে ? মসিদা নং করিমতা খংফম লৈতে।"

রঘুপতিদু নিংথৌগী মথৌনা উবদা পুমঙক ঙকখ্রে। মহাক্না খংলে, মমাংঙৈগী নক্ষত্ররায়দু অমুক নত্রে। রঘুপতিগা নিংথৌগা অসুম অসুম মুক্নবা হৌরক্লে। ছত্রমাণিক্যগী মপুক্নিংদা, রঘুপতিনা মাবু নিংথৌ হাপ্পিবনি হায়বা ৱাফমসি রঘুপতিনা মতম পুম্নমক্তা খন্দুনতা লৈরে হায়না খল্লকই। মরম অসিনা রঘুপতিবু উবদা মহাক মখোইদো শাওগৎপা তত্তনা পোকই।

মমৈথংদা নোংমা তশেং তশেংনা হায়রে, "ঠাকুর, নহাক নংগী মন্দিরগী থবক অদুম তৌরু। রাজসভাদা নংগী নথৌ করিমতা লৈতে।"

মসি তাবদা রঘুপতিনা ছত্রনাণিক্যগী মফমদা মৈহৌবগুম খারবা মিৎয়েংনা য়েংলকই। ছত্রনাণিক্যনা হাইফেৎ মথরাই মুংঙাইতনা মমাই লৈথোক্তুনা চৎখ্রে।

কুহ্ৰামাপলগুবা তাঙ্কক

নক্ষত্ররায়না নগরদা চংলকপা তুমিত্তু মতুদা কেদারেশ্বরনা মাগা উনবা চৎলি ; অদুবু ফনা য়াম্না কন্না হোৎনজনসু মাগী মশক্ত উহনবা ঙমথিত্রে। লাম্বী অমসুং শত্রীশিংনা মহাকপু ইনবনে-খোৎপনে, তাম্বোকপনে, চিংখোকপনে মতা অমা ওইনা লাক্নবিরে। মমৈথংদা

মহাক মথৱাইতং হিংজনবা চেল্লক্লে। গোবিন্দমাণিক্যনা পাল্লিভৈদদি মহাক নিংথৌগী মঙাল ফংতুনা মুংঙাইনা কোন্নুংদা লৈরম্মী— যুবরাজ নক্ষত্ররায়গসু য়াম্না চান্নরবা অমা ওইরম্মি। মতম খরা কোন্নুংদা লৈফম ফংদবদগী মহাক হিংনবা হোৎনবদা ৱানা থোক্লে; নিংথৌগী মরুমদা লৈবা ফংলিভৈতুদদি মীপুম্নমক্তা মাবু কিনা হঙ্গোইনা লোয়নরম্মি, অতুবু হৌজিক্তি কনানসু মাবু থোঁওই-উৎশিৎপিদ্রে। মমাংভৈদদি রাজসভাদা কনাগুম্বগী করিগুম্বা অমতং থোকপদা মাগী মখোং-মখুৎ পায়তুনা ৱানোম্নরম্মি, হৌজিক্তি লম্বেল চৎপদা ফাওবা কনানসু মাগা ৱারি শামিন্ননিংদ্রে। মতুগী মথক্তা চানিংঙাইশু লৈরক্রে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মহাক কোন্নুংদা অমুক চংফম ফংলবদি ওন্থোক্লা খুদোংচাবা হায়বতু ওইগদৌরিবনি। নোংমদি মহাক তাঙ্গা য়েংতুনা খুদোলপোৎ ওইনবা শেল খরা খোম্লগা ফোংনা রাজ-দরবারদা ছত্রমাণিক্যগা উনবা লাক্লে। য়াম্না মপুক্লিং হরাওবা উৎলতুনা চিরোলগী মিনোক নোক্ল-নোক্লতুনা নিংথৌগী মাংদা চংঙক্কুনা লেপ্লরে।

নিংথৌদি মাবু হেক উবদা মখোইদৌ শাওগৎখ্রে। অতুনা হায়রকই, "করিগী নোক্লিবনো! নং ঐবু করেম্নরিব্রা! মফমসিদা ফাগী তৌবা লাক্লিবরা!"

মসি হেক তাবদা শন্ত্রী-মুংদ্রি থৌগল-লাঙ্গল অওম-অথৌ পুম্বা ভুং ভুং ভংনরক্লে। খুদক্কু মতম্দা কেদারেশ্বরগী মকালাম্না শাকাইরম্বা য়াপরেংথক্তা অরোইবা ফীজং খনখ্রে।

ছত্রমাণিক্যনা হায়রকই. "নং করি হায়নিংবা লৈ থুনমক হায়রগা চৎখ্রো।"

কেদারেশ্বরনা হায়গে নিংলম্বা পুম্নমক্কু পুমকাও কাওখ্রে।

য়াম্না রানা মানা মপুক্লিংদা শাগৎচরম্বা রারেং অদু পুক্ল্‌ংদা অতূম্মক উৎফুল থোক্না মাঙখ্রে ।

মমৈথংদা নিংথৌনা "নংগী হায়গদবা রা লৈত্রবদি চৎখ্রো চৎলো" হায়রক্লবদা কেদারেশ্বরনা করিনো অথোকপা অমা হেক্তা হায়হৌবনা চুমগদমাল্লে খল্লক্লে !

মিত্তা মায়দা খোঞ্জেলদা খংহৌদনা নুংশিবগী মওং মতৌ কয়া পুথোক্ত্‌না হায়রকই, "মহারাজ, ধ্রুববু কাওথোকপিখ্রবরা ?"

ছত্রমাণিক্যদি হেন্না হেন্না মৈ চুখৎলক্লে । পঙলবা কেদারেশ্বরনা মসি পুন্নমকসি করিমতা খংবা তৌদনা হায়রকই, "মহাক্তি মহারাজবু উজনিংবনা 'কাকা কাকা' কৌরদুনা কপ্পুনতা লৈখ্রে ।"

ছত্রমাণিক্যনা হাযবকই, "নংসি ওস্থোক্না তৌ-ঙমখ্রবা মীতানি । নংগী ননাওনা পোকপনা ঐবু কাকা কৌবা ! নহাক্না মতুম তৌ হায়না তাকপিববা !"

কেদাবেশ্বরনা য়াম্না মথক্লাই রানা মখুৎ লোম্নরদুনা হাযরকই, "মহারাজ—"

ছত্রমাণিক্যনা হায়রকই, "কনা লৈবগে—হাই ! মসিগা অঙাং অদুগবু লৈপাকসিদগী তাম্থোকখো চৎলো ।"

খংহৌদনা মরেংবানথক্তুদা অসুক য়ামখ্রবা শত্রীশিংগী মখুৎনা পায়রক্লে মতুদি, কেদারেশ্বর অদু তেনজৈমুক রাংনা মপান্দা অতূম্মক পাইথোকখ্রে। মখুত্তুগী শেল ময়োম অদু মুল্লদুনা শত্রীশিংনা রেন্নথোকখ্রে। ধ্রুববু পুরদুনা কেদারেশ্বর ত্রিপুরা থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

মিফুশুবা তাক্কক

রঘুপতি অমুক মন্দিরলোমদা হল্লক্লে। মহাক্কা মফমদু য়োরকপদা কনাগুম্বা মুংশিবনা থল্লবা থম্মোই অমতনা ফীরোম্নচিংবা পুথোক্তুনা মাবু ঙাইরম্বা লৈত্রে। মুংগী মন্দিরদু চপ লেপ্তুনা অদুম্মক লৈ, মদুগী মফম কৈ... থম্মোই পানবগী খুদম মচেৎ অমা ফাওবা লৈতে। মহাক গোমতী মপালগী অ.ঙৌবা মুংগী সিড়িথক্তা চত্তুনা ফম্মুরে। সিড়িগী ওইথংবা নাকন্দা জয়সিংহগী মখুৎনা থারম্বা শেফালিকা পাম্বীদা মশীং-লাকওমদ্রবা লৈ শাৎলি। লৈশিং অসি উরগা জয়সিংহগী ফজরবা মাইথোং, তিংলবা থম্মোই, চন্নবা পুন্সি অমসুং য়াম্না চন্না শেংলবা পুকচেল চাওবগী মতৌ প... মহাক তশেংনা থম্মোইমুন্দা ফাওরক্লে। নোংশাগুম কন-থৌরবা অমসুং শক্তি মচাগুম থোৎ-নৌরবা জয়সিংহনা রঘুপতিগী থম্মোইমুং শীম্না লৈখ্রে, মাগী থম্মোইপুম্বা ফাখ্রে। মসিগী মমাংদদি জয়সিংহদগী মহাক্কা য়াম্না হেল্লি হায়না খল্লম্মি, অদুবু হৌজিক্তি জয়সিংহনা মঙোন্দগী য়াম্না হেল্লি হায়না খল্লক্লে। মাগী মফমদা লৈথিবা জয়সিংহগী তিংলবা ভক্তি অদু নিংশিংলুবদা জয়সিংহগী মফমদা মহাক হাইওমদবা ভক্তি পোল্লক্লে, অদুগা মহাক মশাবুদি মশানা ভক্তি তৌজনি-লক্ত্রে। জয়সিংহবু মরম চাদনা চৈ-থাংখিবা পুন্নমক্তু নিংশিংলুবদা মাগী থম্মোইদু পুবা ওম্মক্লে। মহাক মথক্তা শোগ্গরকই, জয়সিংহবু চৈ-থাংনবা ঐগী কবিগুম্বা হৌজিক অমতা লৈতে; জয়সিংহগা মিঙ্কুপ অমতং করিগুম্বা অমুক্তং উনবা ফংলবাদি ঐহাক ঐগী অতোপ্পবা পুকচেল অসি তিংথোকচদুনী

মঙোন্দা ঙাকপিযু হায়না নিজনিংই।' জয়সিংহনা হায়খিবা তৌখিবা থবক পুম্নমক মহাক চিথদনা নিংশিংলক্রে। জয়সিংহগী পুন্সি পুম্বা তৎন-থানবা লৈতনা মাগী মশাদা ঙাম্থোইহনা লৈরক্রে। মহাক অস্থম তৌনা রাংখ্রবা-থাক্কী মরমচৎ অমগী মমুংদা মশা মথন্তবু কাওজবমখে লুপ্ত্ুনা লৈখিবনা খৎন-চৈনবা কল্লক-য়েংখিবা পুম্নমক পুমকাও কাওখ্রে। মাইকৈ মরিমক্কী লূম্নবা সংসার অসি য়াংখৎখিহনা মহাকপু ওৎপা অমুক তৌখিদ্রে। মহাক্না নিংথৌ ওইহনখিবা নক্ষত্রমাণিক্য অহুমক্না নিংথৌ ওইরবা মতমদা মহাকপু ইকাইবা পিরক্রে হায়বসি খল্লুবদা মহাক করিমতা শাওনিংবা পোকখিদ্রে। অসিগুম্বা চোঙ্গা লেম্বা পুম্নমকসি করিস্থ লৈতবনি হায়বগী রাখন্দা মহাক হাইফেৎ নোক্লিংবা পোক্লক্রে। মহাক্কী মপুক্লিংদা, জয়সিংহনা থাজৈমক শেংনা হেক গেনগদবা থবক অমতং তৌগে হায়বসি কন্না নিংলক্রে। অহুবু মাইকৈ মরিমক্তা থবক্তি করিমতা থিফম খংদ্রে— মাইক্রে মারিদা অহাংবনা কপ-লাওরহনা লৈরি। চিক্লবা মন্দির অসিনা মাবু চেক্তেংনা কোনশিল্লক্তুনা মুংশাশ্বর থিংহনগদৌগুম তৌরক্রে। করিগুম্বা য়াম্না ফখ্রবা থবক অমা তৌহনা মহাক্কী মথরাই শোক্লা মুংঙাইখ্রিবহ ইংহনগে হায়না খল্লি, অহুবু অসিগুম্নবা চিক্লবা তৌফম খংত্রবা মী লৈত্রবা মন্দিরসি য়েংলুবদা পোনম্নুংদা লৈরবা চেক্লাগুম মাগী থ্লম্মোইদা লাংতক্লহনতা লৈরে। মহাক হৌগৎলগা উমং মমুংদা খোইরাও-খোইশাওনন কোইচৎ চৎলক্রে। মন্দির মমুংদা লৈরিবা ভক্তবা, জ্ঞান লৈত্রবা কান্নত্রবা লেং-খোৎপা, শুমত্রবা মুর্ত্তিশিং অহুবু মহাক য়াম্না তুক্কচন্না থ্রমা পোক্লক্রে। থম্মোইমুংদা অকনবা ইহৌ অমা ল্যাক্লবদা হৈনিংবা, মৈত্রবা চাও-শাংবা মুংগী মূর্ত্তি খরগা হৈনিংবা

পোক্তনা পুন্সিচুপ্পা লেনমিন্নবা হায়বসি মহাক্ তোনখ্রবা শাজৎনি হান্ননা খল্লক্লে। অহিংগী য়ুথক অনি য়ৌশিল্লক্লবদা রঘুপতিনা মৈহৌমুং তক্লহুনা থাওমৈ অমা থাঙ্গৎলে। থাওমৈদু পায়রগা চতুর্দশ দেবতাগী মন্দির মন্নুংদা চংলক্লে। মহাক্ উরক্লে, চতুর্দশ দেবতা অহুম্মক লেংদনা লেপ্তুনা লৈরি; হৌখিবা চহিগী ইঙাথাগী শুক্ল মম্লবা অহিংদা পিক্লবা থাওমৈ মঙালদা ভক্তগী অশিবা মশাগী মমাংদা ঈগী ঈখোংলক্তা রাখল লৈতবা মীমুংশি খংদবা অমগুম লেপ্তুনা লৈবহু, ঙসিসু অহুম্মক মতৌ অহুম্মা লেপ্তুনা লৈরি। রঘুপতিনা খোঞ্জেল রাংনা লাওরকই, "মীনম্বা তারবা! পুম্নমক মীনম্বা ওইরবা! ইবুঙো জয়সিংহ, নংগী মমল য়াম্লবা থর্ম্মোইগী ঈ অহু কনাদনো কৎলুরিবা! মকমসিদা লাই অমতা লৈতে, করিগুম্বা লাই অমতা লৈতে! হিংচাবা রঘুপতিনা নংগী ঈ অহু থকখ্রবনি!" অসি হায়রহুনা কালীগী মূর্ত্তি অহু রঘুপতিনা ফম্পাক্তগী চিংথহুনা রাংনা থাঙ্গৎলক্লে। মন্দিরগী থোঙজিন্দা লেপ্লহুনা ঙমজবমখৈ থাপ্না লংখাইরক্লে। অমম্বা মরক্তা মুংগী সিড়িথক্তা মুংগী মূর্ত্তি অহু মখোল থোক্লা অস্থম ওম্থখিহুনা গোমতীগী লাইজমুংদা তাখ্রে অপওবী হিংচাবীনা মুংগী শক্তম লৌহুনা মতম অস্থক কুইনা ঈ থক্লবহু, ঙসিদি গোমতীগী ইরোম্নুংদা মুং লিশিং লিশিংগী মরক্তা মাঙখ্রে, অহুবু মীওইবগী কল্লবা থম্মোই-ফম্পাকপুদি কৈদৌমুংদা থাদোকপা লৈত্রে। রঘুপতিনা থাওমৈ মুথৎলম্নগা লম্বেলদা থোরক্লে, অহিং অহুম্মক কোম্মুং থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

নিফুমাখোইগুবা ভাস্কক

নোয়াখালিগী নিজামৎপুরদা বিম্বন ঠাকুরনা মুমিং কয়ানিমুক্কী মমাংদগী লৈরক্নে। মফমত্তুদা অকিবা ফংলবা অনা-চৌবা অমা খোল্লক্নে।

কাইরেল থা লোইরমদাইগী নোংমা মুমিৎচুপ্পা অমদি নোং মংত্তুনতা লৈথ্রে, মরক মরক্তা নোং কাবক কাবকস্নু তাই। সন্ধ্যা য়ৌশিল্লকপা অত্তুরাইদদি অকনবা নোং-মুংশিং হোৌরক্নে। অহানবদা নোংপোকলোমদগী মুংশিং শিংকংলকই। অহিং য়ুথক অনি য়ৌরকপদদি অরাং অমস্নুং চিংখৈরোমদগী অকনবা নোং-মুংশিং হৌগংলক্নে। মমৈথংদা নোংখোং ফুইনা নোং তারক্কুনা মুংশিংতি খরা খরা নেমথরক্নে। তাঙ্গাসিদা 'ইচাও লাক্নে' হায়না রা রা লাওনরক্নে। কনানা য়ুমথক্তা কানখ্রে, কনানা পুখ্রিগী মপান্দা লাক্কুনা লেপ্পরে, কনানা উথক্তা, কনানা মন্দির মতোন্দা চংকম ওইনরক্নে। মসিবা অহিংনি, নোংস্নু লেপ্পা লৈতনা তারি— ইচাওগী মখোল অত্তু অস্নুম অস্নুম নকশিল্লক্নে, কিবনা খুলগী মীপুম্বা মাইকৈ শন্নাই থংনত্রে। হায়রিডৈমক্তদা ইচাও ফাওরক্নে। থংন-থংননা ইথক অমিরক লাকই, অকোনবগী ইথক্তা খুল অত্তু খুত্তুপ মিপালজোম-সুনা ইশিংনা খুমখ্রে। মথংগী মুমিত্তা মুমিৎ খোরক্লবা অমস্নুং ইশিংনা মরেং তাথ্রবা মতমদুদা য়েংব-দদি—খুলত্তু য়ুম থজিক্তা মগাইরন্দে, মীদি লৈত্রে; অতোপ্পা খুলদগী মী মন ইরোই-হামেং অমস্নুং হুই-লমহুইগী অশিবা মশা তাওথরক্কুনা পৈরয়ে। মুপারি পাম্বীশিং তেক্কুনা তাওখোকখ্রে, মরূপী অত্তুরাইদা

খজিক্কুং লেমহৌবদা মণ্ডাইরে। চাওর চাওরবা হৈনৌ থৈবোং পাম্বীনা মরা ফুক্কা তুহুনা ইশাং শাংনা তাহুনা লৈরি। অতোপ্পা খুল্লগী য়ুমথক তাওরকতুনা য়ুমকমগী খাইনা মৈচাক্কা ভাওহুনা ইচাই চাইনা থরোথরো ওন্দুনা তারি। চক্-চনাই কোল-লিক কয়া তেক-কায়রহুনা পুমচাই চাইরি। খাংপোক অয়াম্বা রাপল উপল, হৈনৌ থৈবোং ক্যামলৈনচিংবা চাওর চাওরবা উপালশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈনৈ, অহুনা মী অয়াম্বদি পংতাও-তাওথরক্তুনা উদা পন্দুনা খাংকম ওইথি। কনা অমনা অহিং চুপ্পা ইচাওগী ইচেন্না হাই-হুম্নবা রাপললক্কা য়াংল্লি, কনা অমনা ক্যামলৈগী তিংখংনা ইখোৎ-খোৎবাৎলি, কনা অমনা মরা ফুকখ্রবা উগা কোম্লনা তাওহুনা চৎখি। ইশিং কংথখ্রবা তুংদা হিংহৌরিবা কাংবুনা কুমথনরক্তুনা অশিবা ময়ামগী মরক্তা কোইচৎ চত্তুনা মাগী মাগী মী থিনরি। অয়াম্বা অশিবদি মশক খংদ্রে, অতোপ্পা খুলদগী লাকপ্নি। কনানসু মখোইবু পোৎলোইবিদ্রে। লাংজা শঙ্গু শঙ্গু পাইরক্তুনা অশিবশিং অহু চাবা হৌরক্রে। হুই-লমহুইগা মখোইগা অমুক লাক্রবা লৈত্রে, মরমদি হুই-লমহুইসু ওম্না শিখ্রে। পাঠান ইমুং তরানিথোইখক খুল অহুদা লৈ; মখোইদি রাম্না ভোংলবা লমদা লৈখিবনা, করিমতা শোকপা-লাকপা তৌদে। হিংহৌরিবা মীশিংগী মক্লুংদা য়ুম লৈরম্বা কাংবুনা ময়ুমদা হুজিন্দুনা লৈনখ্রে, লৈরমদ্রবা কাংবুনা লৈফম থিবা কোইচৎ চৎনখ্রে। লংফৈদা লৈরম্বা কাংবুনা মরৈবাক্তা হক্তুনা ময়ুম মতৈ অমুক নৌনা শাগৎনররে। [illegible] ভগ্না তগ্না অমুকহন্না মী শুন্দাবা হৌরক্রে। তাঙ্গা অমিনা অশিনা য়রামহুনা পুম্বীগী ইশিং মংহন্দবগা মতৈ মরম কয়া কয়াগনা [illegible] অনা-চৌবা হৌরক্রে। পাঠানশিংগী লৈকাইদা অনাবসি ইহান

হান্না হৌরকই। অশিবা ফুম্নবা অমদি অমনা অমগী সেবা তৌনবা কনাস্নু শংলখিদ্রে। হিন্দুশিংনা হায়নৈ, মুসলমানশিংনা ষণ হাৎপগী পাপ ফংলবনি। জাতি মশেল মুংঙাইনদবনে অহুগা জাৎ তাগনি হায়না কিনবনে কনাগুম্বা হিন্দু অমতনা মখোইদা ইশিং পিবিদ্রে অমদি করিগুম্বা মতেং অমতা পাংবিদ্রে। বিল্বন ঠাকুরনা খুলদু য়ৌরকপদা হায়রিবা খুলগী ফীভমসি ওইরম্মি। বিল্বনগী পড়ুয়া খবা লোয়নরক্লাম্ম, মখোইদু অনা-চৌবসি কিবদগী চেনগে তৌরক্লে। বিল্বননা অকিবা উত্তুনা মখোইদু খাম্লে। মহাক্না অনাবা পাঠানশিং অদুবু সেবা তৌবা হৌরক্লে। মখোইগী চানবা চিঙ্গাক, থক্লবা ইশিং, হিদাক পিরে অমসুং অশিবশিং অদুবু ফুম্বা হৌরক্লে। হিন্দুশিংনা হিন্দু সন্ন্যাসীগী লমচৎ নাইদবদু উবদা ইঙক ঙক্লখ্রে। বিল্বননা হায়রকই, 'ঐদি সন্ন্যাসীনি, ঐগী জাত হায়বমুক লৈতে। ঐগী জাতি মীওইবনি। মীনা শিবা তʼরগবু জাত অমুক লৈখিগদ্রা ?—ভগবাননা শেম্বা মীনা মীগী মুংশিবা থিরক্লবদা করিগী জাত অমুক লৈফম থোকপগে ?' হিন্দুশিং অদু বিল্বনগী করিস্নু নাচুংদনা মীগী কান্নবতা তৌরিবা মতৌদু উবদা মাবু তুক্কচবা অমদি থীনা ঙাংনবা ঙম্মদ্রে। বিল্বনগী থবক্তু অফবরা ফত্তবরা হায়বা মখোই লেপ্পা ঙমদ্রে। শাস্ত্রগী জ্ঞান কয়া য়ৌদবা কাংবুশিংদুনা চিংনবা লৈতনা হায়রকই, 'কত্তে', অদুগা থম্মোইদুংদা মীওই-পুকচেন চেনবা কাংবুদুনা হায়রকই 'কৈ'। অদু-অদা ওইদুনসু, বিল্বনমা মী অতৈগী অক-কত্ত ঙাংনবয়োমদা থক্লুবা তৌদনা থবক চখবা হৌরকই। শিবগী থাম্মান্তা তারক্লবা পাঠানশিংবো মহাকপু লাইনি হায়না থম্মরক্লে। পাঠানগী শিক্স-শিক্লবা অতাংশিং অদুবু মহাক্না অনীবা অদুগী কন্নবা হিন্দুশিংগী মনাক্তা পুরক্লেং

হিন্দুশিং অদু ইপা-পাখংনরক্লে, কনানসু মখোইবু চংজফম পিবিদ্রে। অদুদগি বিল্বননা মীনা হুন্দোক্লবা চাওরবা অকায়বা মন্দির অমদা চংজফম ওইরে। মাগী অঙাং শঙ্গু অদু মফমদুদা থম্রে। অয়ুক্তা হৌগত্তুনা বিল্বননা মাগী অঙাংশিং অদুগী ভিক্ষা তৌবা কোয়না চৎলি। অদুখু, ভিক্ষা হাপ্লিগদবসি কনানো? লৈপাক্তদা মহৈ মরোংদি কদাই? চাবা ফংদবনা মী কয়া মথল্লাই থানরক্কদৌরে! খুলদুগী মুসলমান জমিদারদি য়াম্না থাপ্পা লৈ। বিল্বননা মাগী মনাক তাম্না লাক্রে। য়াম্না রানা মাবু য়াহন্দুনা মহাক্না ঢাকাদগী চেং পুরকপা হৌরক্লে। মহাক্না অনাবশিং অদু সেবা তৌই অদুগা পড়ুয়াশিং অদুনা চেং যেল্লি। মরক মরক্তা বিল্বননা অঙাংশিং অদুগা শান্নমিন্নে। মখোইনা মাবু উবদা ওন্থোক্লা শাথীনা লাওবা হেক্তা হৌই— য়াচংবা মতমদা মন্দিরদুগী মনাক ওইনা চংলুরবদি মন্দির মনুংদুদা তেনন্না লিশিং লিশিং লৈবগুম্না খল্লি। বিল্বনগী এস্রাজগী মওং মানবা যন্ত্র অমথক লৈ; য়াম্না চোকথরক্লবা মতমদা মহাক্না মদু খোংদুনা ইশৈ হেক হেক শকই। অঙাংশিং অদুনা মাবু কে'য়শিন্দুনা কনানা ইশৈ তায়, কনানা যন্ত্রগী মরী চিংই, কনা অমনা মাগী মতৌ তমদুনা ইশৈ শক্লবা হোৎনদুনা হায়ফম খংদনা নিল-খোংই।

মমৈথংদা অনা-অচৌবদু মুসলমান পাড়াদগী হিন্দুপাড়ারোমদা লাক্লে। খুলদু মখোং-মরাং খংদবা অমা তৌরে— হুরান চিন্থিগী অরোই অখম লৈত্রে, অফংবা অমা লুঠ পংতৌদা তৌনরে। মুসলমান-লিন্না খুৎ লিন্দুনা পোৎ যুনবা হৌরক্লে। মখোইনা অনাবশিং অদুবু কমুলগী ল্যাক্তনা চিংখরগা কাংথোল কক কৈখ্রুপ মাইথা কাওবা নমদুনা লৌরক্লে। বিল্বননা মথল্লাই খুবাক্তা হাপ্তনা মখোইবু থিমবা

কন্না হোৎনরকই। বিল্বনগী রাদি মখোই য়াম্না লৌই, ইন্দবা ওমদে। অদুম্মা বিল্বননা ওস্মখে হোৎনদুনা খুল অদু ইংনা পালহল্লক্লে।

নোংমা অয়ুক বিল্বনগী পড়ুয়া অমনা মণ্ডোন্দা, অণাং অমখক্তা লোয়ননা অতোপ্পা লমদগী নিপা অমা খুলগী খোংনাং মখোংদা থুংদুনা লৈররে; মহাক অনা-অচৌবনা পায়রে, অমুক হিংগনি হায়বা থাজদ্রে হায়না পাও তম্লরে। বিল্বননা চত্তুনা য়েংবদা উরে, কেদারেশ্বরনা জ্ঞান তাদনা হিপ্তুনা লৈরি, ধ্রুবনা উফুলথক্তা তুম্লি। কেদারেশ্বরদি শিবা য়ারবা ফীভম য়ৌরক্লে— লম্বেল চৎপগী রাবনে চাবা ফংদবনে মহাক শোন্থখিদুনা অনাবানা লাকহৎখ্রে. ক'বিগুম্বা হিদাক অমতা মণ্ডোন্দা কাম্লবা লৈত্রে। উখাদুদা মহাক অদুম্মক মথরাই লাল্লে। ধ্রুবগী মশক্তু য়েংবদা মতম কুইনা চাবা ফংলক্তুনা লাম্বনা কপ্পা কপ্পা তুমথখিবগুম উই। বিল্বননা মাবু চোকশিন্না মতম্বাক্তা পমখৎলগা মাগী অণাং ময়াম লৈফম তান্না পুখ্রে।

নিফুনিখোইশুবা তাকক

চট্টগ্রামদি হৌজিক আরাকানগী মখা পোল্লি। মরৈবাক্তগী অম্লোক্লক্তুনা গোবিন্দমাণিক্যনা চট্টগ্রামদা লাক্লে তাবদা আরাকানগী নিংথৌনা য়াম্না ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা মাগী মফমদা তুংইনবা থারক্লে। অদুম্মা হায়রকই, সিংহাসন অমুক ত্রৌজিনিংলবদি আরাকানগী নিংথৌনা লৌকাগনি।

গোবিমাণিকান। হায়রকই, "নত্তে, ঐ সিংহাসন অমুক পামত্রে।"

তুতনা হাগরকই, "অতুদি আরাকানগী রাজসভাদা পুজা তৌফমগী মশক ওইরব। অতিথি অমা ওইবিতুনা মহারাজনা মতম খরদং লৈবিয়ু।"

নিংথৌনা হায়রকই, "ঐহাক রাজসভাদদি লৈজরোই। চট্টগ্রামগী মচি অমদা ঐগী লৈফম পিনবিরবদি ঐহাক আরাকান নিংথৌগী মফমদা লমন তোনবা হায়বতু ওইজগনি।"

তুতনা হায়রকই, "মহারাজনা হেক পাম্বিবা মফমদতা লৈবিবা য়াগনি। পুন্নমকসি নরৈবাক্লি হায়না খনবিয়ু।"

আরাকান নিংথৌগী মনাই খরা নিংথৌগা লোয়ননা লৈররে। গোবিন্দমাণিক্যনা মখোইতুবু থিংলুবা তৌত্রে; মহাক্না খল্লি, আরাকান নিংথৌনা মাবু চিংনতুনা মাগী মনাক্তা মী থম্নিংঙম্বা ওইরম্বসু য়াই

ময়ানি তুরেলগী মপান্দা মহারাজগী খাংপোক শারে। নুরবা লাইজ চেল্লবা পিল্লবা তুরেল অতুনা মুংতুম মচা অচৌবা কয়াগী মথক্তা ইচেন কন্না চেল্লি। নাকল অনিদা মুশিন মুরবা চিংতুমনা রাংনা লৈরি, অমুবা চিংমাইদা মচু মথেল কয়াগী নাপী-শিংবি য়াম্থরি, মরক মরক্তা পিল্ল-পিল্লবা মুঙ্গাই অহোবসু লৈ, মতুগী মনুংদা উচেক্কী রাতাকম ওইরি। করি করিগুম্বা মফমদা নাকল অনিমক্কী চিং অতু অসুক্কী মতিক খাংই মতুদি, য়াম্না থিম্বনা মুমিংকী মশেক অমা অনিদং তুরেলগী ইশিংদা অতুক তারকই। চাওর-চাওরবা উরিনা শত্রোন কয়াগী উনা শন্দোক্লতুনা চিংগী মশাদা য়াম্থরি। মরক মরক্তা তুরেলগী তোর্বান অনিগী শুরবা জজলগী মপাম্বোয়া তাল্লবা লমলম তাম্না তিংথোকখ্রি। রাংলবা মশা-মরেং য়াওরবা মতু পক্লবা বক্লমা থারবা উ অমা চিংথক্তা ওাম্রথনা লৈরি, মথাদা তুরেলগী তর্থক-

তথল্লবা ইশিংদা মাগী মমিনা জগোই শারি, শাংল-শাংলবা উরিনা মাবু পুময়েৎ য়েৎশিল্লহনা য়াম্বরি। হকচিন্না শংলবা জল্লগী মরক মরক্তা মেংনা শংবান্নরবা লফুগী বন লৈরি। মরক মরক্তা তোর্বান অনি হোংগাইহনা পিক্ল পিক্লবা ইফুৎনা অঙাং-নৌরাগী মতৌগুম মিপাইরবা পাম্বোম, তথল্লবা শাজৎ অমসুং ইশি-শিনা হরাওনা নোল্লবা মিনোক্না লোয়ননা তুরেলদা লাক্কুনা তিল্লরি। তুরেলনা খরা থাপ্লপ লৈতেম মান্নন। চেল্লম্লগা করি করিগুম্বা মফমদা মুংগী সিড়ি লাম্বোক্কুনা কোঙ্গোলনা থন্না মখাতম্না চাইথখ্রি। অতুগুম্বা লেপ্পা নাইত্রবা রা রা লাওবা খোঞ্জেলনা চিল্লবা চিংগী পলমুংদা খোম্থাং তত্তনা যৈবি।

অসিগুম্বা উরুম লাংলবা ইচেলগী মুংশিরবা রা রা খোঞ্জেলল্তা চিল্লবা চিংখোংদা গোবিন্দমাণিক্য লৈবা হৌরক্লে। থম্মোই পাল্লা শন্দোক্কুনা থম্মোইমুংদা ইচিক লাংহনবা হৌরক্লে—চিল্লবা মহৌশা খুৎশেমগী পুক্লিং নেম্নবগী মশক ওইরবা হল্লবা মুংশিবনা মাইকৈ কয়াদগী ইফুৎ লিশিং লিশিংগুম মাগী থম্মোইমুংদা চেনশিল্লকপা হৌরক্লে। মহাক্লা মহাক মশাগী থম্মোই কোম্মুংদা কুম্লহনা মকমহুদা লৈরম্বা পিক্লবা রাম্নৌ-পুকচেল পুম্বা মুথৎপা হৌরক্লে—মখুম লাওনা হাংদোক্-তুনা মশাগী মহুংদা মকুবা মঙাল অমসুং মুংশিৎ চংহল্লক্লে। কনানা মফাকপু অরাবা নংহল্লবা, মুংঙাইতবা পোকহল্লবা, কনানা মালা মুংশিবগী খুৎল্লুং পিত্রবা, কনানা মঙোন্দগী খুৎ নামনা মতেং লৌখ্রগা খুৎ থামনা তৌবিমল থঙ্গদা লাম্থোরক্লবা, কনানা মাগী মকমদা ইকাই-খুম্নবা কংলগা মাবু ইকাইরা পিরক্লবা, 'পুম্নমকসি মহাক কাওখ্রে'। অসিগুম্নবী চিংলক্তা য়াতাহনা লৈরবী য়াম্না কুইরবী মহৌশা লাইরেম্বী অতং-অগম বৈত্রবা খৌশ্লীলশরেং অহুরুদ্রি ওইরম্না লেংদনা অহুনাক

লৈরবা পাক্লবা নৌহৌরবা শক্তমতু উবদা মহাক মশাস্থ অতুম্না লিরবা, অতুম্না চাওরবা, অতুম্না পাক্লবা ফীভম অমা ওইরক্লে। মহাক লাপ্লবা জগৎ তাম্না মহাক্কী অপাম্বা পক্তবা মুংশিবতু শন্দোকহল্লকপগুম তৌরক্লে— মিহৌবা পুম্নমক থাপ্লা তাম্বোকখিতুনা মখুৎ লোম্নরতুনা হায়রকই, 'হে ঈশ্বর কিম্বরক্লবা কনগৈথক্তগী নংগী নতস্বাক্তা ওকপিতুনা হন্দক ঐবু কনবিহৌরে। ঐ শিবদা তারুরবনি, অতুবু হিংলে। নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদদি ঐহাক ইপুকচেল কয়ামুক চাঙবা খংজরমদে, ঙসিদি পৃথিবী শিন্থুংবগুম তৌরবা ইপুকচেল চাওবতু থম্মোইম্নুংদা ফাওরক্লে।' মমৈথংদা মমিৎ অনিদগী পি শিন্থরক্লে ; অতুগা হায়রকই, 'ইবুঙো, নংনা ঐগী মুংশিজরবা ধ্রুববু মুন্দুনা লৌবিখি, মতুগী অন্নাবতু হৌজিক ফাওবা থম্মোইম্নুংসিদগী পুমকোক কোক্তি। অতুবু ঙসিদি ঐহাক খংজরে, নংনা তৌবিখ্রিবতু ওস্থোক্লা অকবনি। ঐহাক অঙাং অতুবু ইশাগী ওইজবা থিবা মুংশিবনা কুপখিতুনা ঐগী ইথৌপুম্বা ইপুক্সিগা কোম্ননা মাঙহল্লুরবনি। নংনা ঐবু খুদোংথীবা অতুদগী কনবিরে। ঐনা ধ্রুববু ঐগী পুণ্য পুম্নমক্কী মনানি হায়না লৌজরম্মি— নংনা মাবু মুনবিখিতুনা ঐঙোন্দা তাকপিরে, পুণ্যগী মনাদি পুণ্যনি। অতুনা ঙসি অতুগুম্বা ধ্রুবগী শেংলবা থাইন-মৈচাকপু মুংঙাইবা ওইনা, নংগী থৌজালনি হায়তুনা ইপুক্লিংদা লৌজরে। ঐহাক তলব লৌতুনা মীনাই-গুম থবক তৌজরোই প্রভু, ঐহাক নংগী মুংশিবগী মনাই ওইতুনা নংগী সেবা ভোজগে।'

গোবিন্দমাণিক্যনা উরক্লে, অচিকপদা থ্যানদা লুম্লিবী মহৌশা লাইরেম্বীম্না শৈশিন্নিবা মুংশিবগী ইচেল অতু অকোংবা মীতাবা লমদা তুরেলগী মখাদা ওইনা থাবিরি— মতু লৌক্লবা মীতুনা অরাম থৌম্নাংবা

কোক্করি, লৌদবা মীহুবুস্থ মহৌশা-লাইরেম্বীনা মুংঙাইতবা থক পোক-লুদে। গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রবই, 'ঐস্থ ঐনা মী তাত্রবা লমদা তুঙাশিল্লিবা মুংশিবসি মী তাবা লমদা য়েঙ্খোকপা চৎকনি।" অসি হায়রতুনা মহাক্কী চিংগী আশ্রমতু থাদোক্তুনা মহাক মপাল থোক্লক্লে।

খংহৌদনা নিংথৌ খুভম থাদোক্লগা লম্বোইবা অমা হেক ওইবা হাযবসি, ইথোরকপদা ইকোম কোম্না উরবস্থ থবক্তুদি অতুক হাক্লা অরাইবা নত্তে। নিংথৌগী ফীজোন থাদোক্তুনা গেরুয়াগী ফী শেৎপা হায়বসি হেক তরাই তরাইবা থবক নত্তে। নিংথৌ খুভম থাদোকপদি লায়বু লায়রি, ঐখোইনা পোকপদগী হৈনরক্লবা পিক্ল পিক্লবা শাজং অতুনি থাদোকপদা লুরিবদি; মখোই অতু তমথীরবা অরাম খৌরাংবগা লোয়ননা ঐখোইগী লু-তোং মরক্তা য়ানখাইনতুনা লৈ, মখোইতুবু চাং নাইনা মচিঙ্গাক হুনবিত্রবদি মখোইনা ঐখোইগী ঈ অসি চুপ্পা হোত্রকই। কনানস্থ মস্থম্না থক খনবা চুমদে মতুদি, গোবিন্দমাণিক্যনা মহাক্কী চিক্লবা খাংপোকস্থদা লৈরিঙৈগী মতমচুপ্পতু লম্ফে-রাখল-পোক্তুনা যুম্বীগুম লেংদনা অতুম্মক লৈ হায়না। মহাক খোংথাং খুদিংদা মশাগী পিক্লবা শাজং লিশিংগা ভস্তুনা লাম্লেং-নরিবনি। করিগুম্বা অমতং রাংলক্তুনা মথম্লাই হেক মুংঙাইরক্লবদা মহাক্লা মথম্লাইবু শাথীনা চৈজরিবনি। মহাক্লা মাগী মপুক্লিংগী মচিন লিশিং লোংলবা অরাম-খৌরাংববু কন্নিমন্তা পিজ-পিথক্তুনা তুম্না মাঙহনখ্রিবনি। থেলহৌ খুদিং অসিগুম্বা অরাংপা চাম-চাজবু ওন্নক-তুনা মহাক মুংঙাইবা ফংলক্লিমনি। মচিন কল্লবা শগোলবু ভিংথৎতুনা বৌদোক্লগা লাকপগুম, 'মহাক্লা মাগী অরাংপা মৈচোক্লা ওাঙরবা থম্বোইবু অরাংপগী লৈকংলাগুম্বা লমহাংদা লোক্লা মাইলমা জেলহক্লা



লাক্লব্রিবনি। মতম য়ামনা শাংনা মিকুপ অমা ফাওবা মহাক পোখাবা ফংখিব্রিবনি।

চিংগী লমদম অদু থাদোক্লক্কুনা গোবিন্দমাণিক্যনা খা পাংনা সমুদ্রতম্না চৎলকলে। অপাম্বা-মিহৌবা পোৎ পুম্নমক থাদোকখিদুনা মহাক থম্মোইমুংদা অণ্ডকপা নিং-তম্বগী মুংণ্ডাইবা অমা পোক্লক্লে। কনানসু মাবু পুনবা ঙমদ্রে, চংশিনবা মতমদা কনানা মাবু পনহনবা ঙমদ্রে। মহৌশাবু য়াম্না চাওনা উরক্লে অমসুং মশাবুসু মদুগা অমতনি হায়না থল্লক্লে। মহাক, উ।র-রা।রগী অতোপ্পা শংবাম্লরবা মচু অমা, মুমিংকী অতোপ্পা শনাগী মশেক অমা, মহৌশাগী অতোপ্পা নিংথিরবা শকলোন অমা উবা ফংলক্লে। খুল্লক্তা চংলক্লগা মীওইবগী থবক খুদিংমক্কী মসুংদা মহাক ইতোপ তোপ্পা নিংথিবা অমা উরক্লে। মীওইবগী নোকপা খেবা, লেপ্পা ফম্বা চৎথোক-চৎশিন পুম্নমক্তা মহাক অণ্ডকপা ফংলবা জগোই-ঈশৈগী ফজরবা অমা উবা ফংলক্লে।

উনরুবা অদুমা নাক্তা কৌশিল্লগা রারি শাবদা মুংণ্ডাইবা পোক্লে — মহাকপু থৌওইদবা মীদুগী মফমদগী মহাক্কী থম্মোইদু থক থাপ্পা চৎথোক্লে। মফম পুম্নমক্তা অশোন অনাবু তেংবাংবিবা অমসুং অন্নাবা তারবা মীবু মপুক ফাবিনিংবা রাথল অমা পোক্লক্লে। মহাক্কী মপুক্লিংদা থল্লক্লে, 'ঐগী লৈঙ্কবা ইপাঙ্গল অমসুং মুংণ্ডাইবা পুম্বা অতোপ্পগী দমক্তা কৎথোক্লবনি, মরমদি ঐ ইশাগী দমক তৌনিংঙাই থবক অমতা লৈতে, অপাম্বসু করিমতা লৈতে।' মহৌশাদগী মীনা কয়া থৌশানরুদবা থৌরমশিং অদু মাগী মমিত্তদি অতোপ্পা শক্তম অমা ওইনা উবা হৌরক্লে। অঙাং অনি লমজাওদা কমদুনা শাম্লমিন্নবা উরুরবা — মচিনু মনাও অনি, মপা মচা, মমাগা পিক্লিবা মচাগা পুন্না

উক্নরবা— মখোইহক্ উফুল-রাইফুলশু তৈসনু, শাম্নরবশু ওইসনু, অধীবশু ওইসনু, মহাক্না মখোইহক্গী মহুংদা অরোই-অথম নাইদ্রবা মীওইবগী খঙ্মোই-ইপাকী পল্লেপকম লৈতনা লুথ্রবা মুংশিবহ্ হেক্তা উবা ফংই। মচা-থাদ-কোক্লিবী মম। অমগী মহুংদা মহাক্না হৌথ্রবা অমহুং ভুংদা লাক্কদবা মচা ওইবা পুন্নমকী মমাবু হেক্কমক উবা ফংই। মরূপ অনি পুন্না লৈমিন্নবা উবদা মহাক্না মীওইব পুন্নমকসি মরূপকী মুংশিনবনা তেংবাংনবগুম খল্লকই। মমাংডৈদা পৃথিবী অসিবু মরক মরক্তা মমা লৈতবী ওইনা খল্লম্বহ্ হৌজিক্তি মিৎকম-লুক্রবী মতমপুম্বদা শেম্নহুনতা লৈরবী মমাগী মতম্বাক্তা লৈবগুম্না উরক্নে। পৃথিবীগী অরা-অনা অনং খৎন-য়েংথিবা উরবশু মহাকী মপুক্নিংদা নিংবা কায়বা অমুক পোক্নে। মঙ্গলগী খুদম মচেৎ অমতং উবদা মহাকী রাখলহ্ খুদোংথীবা লিশিং ফাওদোকখিহনা লাইরৈবাক তম্না শাৎকাইরকই। খংহৌদনা অসিগুম্নবা নোকপগা কপ্পগনা থল্লবা জগৎ অসি থোংনা মৌরবা অভাংনৌরাগুম চাংদমফম লৈতনা ফজরবা মুংশিবা অমসুং রাইকবগী তম্বাক্তা হয়াওনা লৈবা উরুবা করি করিগুম্বা হুমিত্তা ঐখোই পুন্নমকী পুন্সিদা অডকপা ফংলবা অনৌবা মুংশিবা অমসুং অনৌবা নিংতম্বগী রাখল অমা পোক্লক্ত্রা ?— অহুগুম্বা হুমিত্তদি কনানশু ঐখোইবু অরাবা পোকহনবা ঙমদে, কনানশু ঐখোইবু জগতকী মুংঙাইবা অমতদগী লিংথোকহনবা ঙমদে, কনানশু ঐখোইবু করিগুম্বা চেকপল অমতগী মহুংদা কাজিন্দুনা থম্বা ঙমদে—অহুগুম্বা হুমিত্তদি হায়ফম খংদনা মুংশিন্নবা বাঁশি অমা খোংগৎলকই, চাংদাম্নিংঙাই লৈত্রবা বসন্ত অমা ফাওরকই, তেংবানসি নৌহনতা লৈবগী মুংঙাইবনা শিক থল্লকই— অহুগুম্বা হুমিত্তদি অরা-অনং পুম্বা করিমতা থল্লুবা লৈতে। অনৌবা

নিংতম্বগী চুংঙাইবনা থম্মোই শীনখ্রবা গোবিন্দমাণিক্যগী পুন্সিদা অহুঙবা চুমিত্তু ফাওরক্রে ।

থা থংবা চট্টগ্রামগী রামু শহর মৌগদবা হৌজিকন্ত ক্রোশ তরা রাংলি । য়াচংগদবা হাইরূপ রাংলিভৈদা গোবিন্দমাণিক্যনা আলমগাল কৌবা পিক্লবা খুল অমা য়ৌরকপদা খুন্দোন্দা লৈবা খাংপোকশঙ অমদগী খোঞ্জেল পিক্লা অঙাংগী মিকপখোল অমা তাবা ফংলকই । গোবিন্দমাণিক্যগী মপুক্লিং অহু খংহৌদনা তথুক তথুকপা অমা পোকখ্রে । মহাক খুদক্কু মক্কুদা খাংপোক অহু তান্না লাক্রে ; মহাক্না উরক্রে, নহা ওইরিবা খাংপোক মপুহুনা ময়াং কংলবা নিপামচা অমবু পমখৎলহুনা ইমুংহুদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি । অঙাং অহু মশা থক থক নিক্লি অমসুং ঙহাক ঙহাক লৈরগা পিক্লবা খোম্থাংনা কপ্লক্লি । খাংপোক মপুহুনা মাবু থাদা কোনশিল্লহুনা তুম্বা থেম্বা লাক্লরি । সন্ন্যাসকী ফীজেৎ শেৎপা গোবিন্দমাণিক্যবু উবদা মহাক মপুক্লিং ইরাং লাংলক্রে । রারবা খোনফম্না হায়রকই, "ঠাকুর, অঙাংসিবু আশীর্ব্বাদ পিনবিয়ু ।" গোবিন্দমাণিক্যনা মহাক্কী কম্বল লোংোক্লহুনা নিক্লিবা অঙাং অহুগী মশাদা পুময়োম য়োমশিনবিরে । অঙাং অহুনা মাগী কংলবা মমাই অহু থাঙ্গত্তুনা গোবিন্দমাণিক্যদা অমুক্কং য়েংলকই । মাগী মমিৎ মিৎথাহু মুনা থাম্লে , মহাক্কী কংলবা মাই-থোংহুদা মমিৎ অনিহু নত্তনা অতৈ লৈতবগুম তৌখ্রে । গোবিন্দমাণিক্যবু হেক উবদা তাইফেৎ তাইরবা পারবা মচিনবান অনিহু কাংলহুনা পিক্লবা লৌফম খংদবা রারোল অমা হায়রকই । অহুগা অমুক খুদক্কু মক্কুদা মপাগী মরেংবানখক্কা মঙক হাইথরহুনা তুমিন্না অহুম্মক লৈগ্রে । মাগী মপানা মাবু কম্বলগা কোয়না লৈবাক্তা থম্নগা নিংগ্নোবু

খুন্নক্রে অহুগা নিংথৌগী থুম্না উফুল লৌরহুনা মচাগী মশাদা মকোক্তা নানবিরে। নিংথৌনা অঙাংহুবু কোনথংলগ হংলকই, "অঙাংসিবু পোকপা মপাগী মমিং করি কৌই?" খাংপোক মপুহুনা খুম্মকই, "ঐহাক মাগী মপানি, ঐগী ইমিং যাদব কৌজে। ভগবাননা অমমম ওইনা ঐগীনি হায়বা পুম্নমক লৌশিনবিখ্রে, মসিমতং হৌজিক ফাওবা লৈহৌরিবসি মঙাইরে।" অসি হায়রহুনা থন্মাই শোক্লবা মুংশাম্বর মপী অমা হোল্লকই। নিংথৌনা খাংপোক মপুহুদা হায়রকই, "ঙসি অহিং ঐহাক নংগীসিদা অতিথি ওইরগনি। ঐহাক করিমতা চারোই, অহুনা ঐগী দমক চান-থক্লবা অমুক লাওবা তৌরুগনু। অহিং অসিদং মক্কম অসিদা অহুক লেনগদবতনি।" অসি হায়রহুনা অহিং অহু মক্কমহুদা লৈরে। মনাইশিং অহুনা খুলগী ইনাক খনগা কায়স্থ অমগী ময়ুমদা অতিথি ওইনা লৈখ্রে। অহুদগীদি সন্ধ্যা ওইশিল্লক্রে মনাক অহুন্নাইদা কওনা কুপ্পবা পুখ্রী অমা লৈ, মহুগী মশক্তা মনিল কাবা হৌরক্রে। শঙ্গোলদা চরু অমস্তা উনা অকংবা থাবগী কুণ্ডলবা মৈথুনা আভিরারোমদা পাইথংপা ঙমদবদগী পাকথরহুনা মাংদা পাকনা লৈখ্রিবা ইশিং-থুম্বা লমহাংহু পুম্নকুপ কুপখ্রে। কেওয়া পাম্বগী শম্বলনাক্তগী য়াক্লবা খোঞ্জেলনা হরি-নোংনাং খোংবা হৌরক্রে। মুংশিং পুম্নলেপ লেপখ্রে, উনা অমা ফাওবা লেংখিদ্রে। পুখ্রী য়াংমদা কুণ্ডলবা য়াপল্লক্তগী উচেক অমথক্লা চেক চেক হায়না খোংলক্রি। মন্ত্রি-মন্ত্রিরবা মরক্তুদা গোবি-ন্দমাণিক্যনা য়াম্ফক তারবা অঙাংহুগী ভাইবেং-ভাইনবা কংলবা মশক্ত্রেংলি। মহাক্লা অঙাং অহুবু নিংখিজনা কম্বলনা তপচিনবিরগা মাগী নুং মনাক্তা কম্নহুনা মখল মখলগী য়ারি সিরহুনা তাহল্লি। সন্ধ্যা হৌখ্রে, অয়াম্বদা লমহই খোংগংলক্রে। অঙাং অহু য়ারি তানা তানা

অমাবগী মৈচাক কাওখিহনা তুমথখ্রে। নিংথৌনা মাগী থংনবা কা অহনা লাক্লনা তুম্নরে। অহিংহু মহাক তুম্বা য়াত্রে। ধ্রুবতবু নিংশিংহনা লৈরক্লে। নিংথৌনা হায়রকই, 'ধ্রুব কায়নখিবদগী অঙাং পুম্নমকপু ঐগী ধ্রুবনি হায়না খল্লে।'

অহিং খরা থেংজিল্লক্রবদা নিংথৌনা তারক্লে, থংনবা কাদা অঙাং অহু মিকপ থোক্লক্লহনা মপাদা হংলি, 'বাবা, খোংলিবসি করিনো?'

মপানা হায়রকই, "বাঁশি খোংলিবনি।"

অঙাং। করিগী বাঁশি খোংলিবনো?

মপা। হয়েং পুজানিদনা, ইপাগী ইবুঙো।

অঙাং। হয়েং পুজা ওইরবা? পুজাদা ঐবু করিমতা পিররোইত্রা?

মপা। করি পিগদগে ইবুঙো?

অঙাং। ঐগী অঙাংবা শাল অমা লৈবিরোইত্রনে?

মপা। ঐদি শাল কদাইদগী লৌরনি? ঐদি করিসু লৈত্রে ইপাগী ইবুঙো।

অঙাং। বাবা, নংবু করিমতা লৈত্রবরনে বাবা?

মপা। করিমতা লৈত্রে ইবুঙো, নহাক্তং লৈরিবসি মঙাইরে।

থম্মোই কায়রবা মপাগী রাববা মুংশাস্বরমগী অহু থংনবা কাদগী তাবা ফংলক্লে।

অঙাং অহু রা মখা অমুক তাখিত্রে। মপাবু কোনশিল্লগা অমুক হল্লা তুমথল্লমাল্লে।

নোং ঙাল্লম-ঙানকাংথত্রিঙৈনা গোবিন্দমাণিক্যনা মখু অহু তারবা তৌদনা শগোল তোংলহনা রামু শহর মাইকৈ পাংলক্লে। চাবা থকপা তৌদে, পোথাকা লৈত্তে। অদীদা পিরবা তুরেল অমা নৈবগী

শগোল তোংনা তোংনা অসুম্মক লাম্বোক্লে। সুংশা কল্লা হাইগংলবা মতমদা রামুদা থুংলরে। মরুম অদুদসু থোইনা পাংতপ তপথবা তৌরে। য়াচংগদবা গুহাক রাংলিতৈগী মরাংদা যাদবকী থাংপোক্তা অমুক য়োরক্লে। যাদবপু মরুম অমদা কৌথোকলুরে। মহাকী ঝুলি মচুংদগী অঙাংবা শাল অমা লৌথোরক্লগা যাদবতা পিরদুনা হায়রকই, "গুসি পুজাগী হুমিংসিদা শাল অসি নচাদা পিয়ু।"

যাদবনা গোবিন্দমাণিক্যগী মখোংদা কোল্লদুনা কপ্লে। অদুগা হায়রকই, "প্রভু, নংনা পুবিরকপনি, নহাক পিবিয়ু।"

নিংথৌনা হায়রকই. "হয়, ঐ পিরোই, নহাক পিয়ু। ঐনা পিরবদি করিসু কান্নবা লৈরোই। ঐনা পুরকপনি হায়রম্মু। ঐহাক নংগী নচাগী মাইথোংদা হুরাও মিনোক নোকচবদুদং উরগা চৎখিগে।"

মশা ভমদদুনা লৈরিবা অঙাং অদুগী য়াম্না কংলবা মকশিল্লবা মাইথোংদু মকা লামজরকপা উরবা তুংদা নিংথৌদু চৎথ্রে। নিংথৌনা মথরাই মুংঙাইতনা অসুম্মক খল্লকই, 'ঐহাক করিগুম্বা থবক অমতা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। ঐহাক চহি খরদং নিংথৌ ওইরবদুনা লোইরে, করিমতা খংবা-হৈবা লৈত্রে। করম তৌরগা পিক্লিবা অঙাং অমগী অনাবা মৈচাক খজিক্কুং ফাওবা কোকহনগদগে হায়বা খংদ্রে। ঐহাক্তি চুম্না পাম্বৈ লৈত্রবা থৌরম খংদ্রবা অমা ওইনা থম্মোইদুদা রাজবতা মঙাইরে। বিল্বন ঠাকুর করিগুম্বা লৈরবা থোক্রবদি মখোইগী মতেং খরদংদসু পাংবিরম্বা ঙমগদবনি। ঐহাক অসি বিল্বন ঠাকুরগুম্বা অমা ওইরম্লবদি ফগদবনি।'

গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, 'ঐহাক অমুক কোইচং চৎলী

নৈরম্লি তৌররোই, মী তাবা মরম্মদা চৈতুনা থবক তৌবা ত্যাগে।"

রামুগী খা রোমদা রাজকুলগী মনাক্তা মগম্লিংগী লানবল অমা লৈবহুদা আরাকান নিংথৌগী রাখং লৈকহুনা মহাক লৈবা হৌরক্লে।

থুলগী লৈরিবা অঙাং পুন্নমক গোবিন্দমাণিক্যগী মনাক্তা লানবল-হুদা লাক্নুনা তিল্লরে। গোবিন্দমাণিক্যনা মখোযগী দমক চাওরবা লাইরিক তম্ফমশঙ অমা লিংখৎলে। মহাক্না মখোইশিংহুবু লাইরিক তম্বি, মখোইগা শান্নমিন্নে, মখোইগী ময়ুমদা চত্নুনা লৈমিন্নে, অনা-অয়েক য়াওবক্লগ মখোইবু লাইকন্নবা চৎলি। অঙাংশিং অসি মহৌশানা স্বর্গদগী হেক্তা লাক্পনি অহুগা লাইগী মচা-মগুশিংনি হায়বহু অচম্বা নত্তে— মপোইগী মরক্তসু মী অমসুং হিংচাবগী রাথল অতুম্মক চেনবা যাওই। ওইজবথিবা অশাওবা অপাম্বা কল্লক য়েংথিবা মখোইদসু চপ চানা অতুম্মক লৈ, মহুগী মথক্তা ময়ুমদা মপা মমাগী মফমদগী মতম পুন্নমক্তা অক্কবা লমচং তম্মি হায়বসু লৈতে। মরম অসিনা মগকী লানবলদ' মগনা অমুক পানবা হৌরক্লে— লানবল মতুংদা তুংশিৎ নিফুমাপল ভুত হুম্ফমরিনা পুল্লপ থুন্দাবগুন তৌগ্রে। গোবিন্দমাণিক্যনা পোৎশক পুষমকসিগা লোয়ননা মপুক্লিং ফাথরক্নুনা মী অমা ওইনবা শেম্বা হোৎনরক্লে। মী অমগী মপুন্সি হাক্তবসি কয়ামুক রাম্না চাওখ্রবা অমসুং মসি কয়ামুক চেকশিন্না য়োকখৎকনবা অহুগা ভাকদবা পোৎশক্লো হায়বসি গোবিন্দমাণিক্যগী মপুক্লিংদা থক কাওবা লৈতে। মহাকী মাইকৈ মরিদা লোইবা খন্বা মীউক্রবা মচৈনা-থল্লবা মীওই মপোক্না মহৈ য়ানবা, মহুবু উরগা অমসুং মনাম্না হোৎনজহুনা মহুবু পাংথোক্লগা গোবিন্দমাণিক্যনা মাখী মপুং ফানিবা পুন্সি অহু লোম্বহুনবা পাম্মি। মরম অসিনা মহাক অরাবা অমাপি

ওং-নৈবা পুম্বা থাওবা ওাম্ম। মরক মরক্তা নিংবা অমুক অমুক কায়রক্কনা হুংঙাইতনা শোল্লকই, 'ঐগী ইথৌ ঐহাক চংথোন্না পাংথোকপা ওমজে। বিল্বন লৈরম্লবদি ফগদবনি।'

অ'ম্মা গোবিন্দমাণিক্যনা ধ্রুব চামগা লোয়ননা মতম লেনবা হৌরক্লে।

নিফুন্থমদোইশুবা তাক্লক

ইণ্ডুয়ার্টনা লেংবা বাংলাগী ইতিহাসতগী মতাং অসি লৌথোকপনি

অসোমদা শাহ্সুজাহ্ মাগী মনাও ঔরংজীবকী লাম্মীনা তানথাই-রক্কনা চেল্লক্লে। এলাহাবাদ মনাক্কী লানফমদা মহাক মায়থিবা ফংই। য়েক্লবগী মপাঙ্গল কল্লি, অহুগা অরাবা তারবা মতমসিদা শুজানা মাগী মাচং ওইরিবশিং অহুবুস্থ থাজবা পোক্লে। মহাক ইকাইবগা কিবগা মশক লোংলহুনা মীচম অমগুম মথস্তা চেনবা হৌরক্লে। মহাক্না চেনবা মফম খুদিংমক্তা য়েক্লবা লাম্মীশিংগী নোংমদোন পকপা উফুল মপৈনা অমস্তুং মথোইগী শগোল থোংথাং মথোলনা মাগী মতুং হেক্তমক ইম্নরকই। কাইনথংদা পাটনাদা লাক্কনা অমুকহন্না নবাব অমা ওইনা মাগী ইমুং মহুং অমস্তং প্রজাশিংগী মফমদা মহাক খুংলবগী পাও শন্দোরক্লে। মহাক্না পাটনাদা হেক খুংলবগা উকুই কুইদনা ঔরংজীবকী মচা কুমার মহম্মদন্থ লাম্মী পুরক্কনা পাটনাগী থোঙাঙ্গীন লৌরক্লে। শুজানা পাটনা থাদোক্কনা মুঙ্গেরদা চেল্লে।

মুঙ্গেরদা মাগী মচোই মচোই তাথ্রবা মীশিং অহু কাংবু খরা লাক্তুনা মাগা উনররে অহুগা মফমহুদা মহাক অনোবা লাম্মীশু খোমগৎপা লাক্লরে। তেরিয়াগিড়ি অমসুং শিকৃশিগলিসী লানবল শেমগত্তুনা অমসুং তুরেল মপান্দা চিংথক্তা চেকপল শাগত্তুনা মহাক চেকশিন্না লৈতানা লৈগ্রে।

অসোমদা ঔরংজীবনা মাগী হৈ-শিংলবা সেনাপতি মীরজুমলাবু কুমার মহম্মদকী মতেং পাংনবা থারক্লে। কুমার মহম্মদনা ইফোং ফোংনা মুঙ্গেরগী লানবনদগী থোইনা পংথাপ থাপ্তুনা লানশঙ শাররে, অহুগা মীরজুমলানা অতোপ্পা অরোনবা লম্বী অমরোমদা মুঙ্গের তম্না যাত্রা তৌরক্লে। সুজানা কুমার মহম্মদকা কাবক কাবক অহুক লানথেং-ননবা হোৎনরিঙৈগী তাঙ্গাদা খংহোঁদনা মীরজুমলানা লাম্মী মপৈ অমা পুরহুনা বসন্তপুর য়ৌরক্লে হায়বা পাও তারে। সুজানা মিপাইরহুনা খুদক্তুমক্তদা মাগী লাম্মী পুম্নমক পুরহুনা মুঙ্গের থাদোক্লগা রাজ-মহলদা চেল্লে। মফম অহুদা মাগী ইমুং মনুংগী মী লৈরম্মী। সম্রাটকী লাম্মীনা খিন্দনা মফম অহুদসু মাগী মতুং ইন্নরক্লে। সুজানা হুমিৎ তরুক্লি খক মথরাই খুবাক্তা হাপ্তুনা কন্না লাম্থেংনহুনা য়েক্লবগী লাম্মীশিংবু খুমাংদি চাওশিনহন্দ্রে। অহুবু অমুক খিংবা ওমগনি হায়বা উরক্তুহুনা নোংমা মন্নবা নোং-সুংশিৎ তৌবা অহিংদা মাগী ইমুং মনুংগী মীশিংগা অওম্বা লনথুম খরগা লোয়ননা তুরেল লাম্হোক্তুনা তোঙা তান্না চেল্লক্লে, অমসুং খিন্দনা মফম অহুদা লৈবা লানবলহু শেমগৎলক্রে।

মতম অসি খমথেংবা নোংজুথা য়ৌরক্লে, তুরেল যাম্না চাওক্লে অমসুং লম্বী খোংসু খুদোং ওম্মোক্লা চাদ্রে। সম্রাটকী লাম্মীশিং অহু তক্লশিনবা অমুক ওমদ্রে।

মাদ অসি থোক্লিদৈঙৈগী মমাংদা কুমার মহম্মদকা সুজাগী মচা-নুপীগা লুহোংনবগী বাক্কম অমা লেপনখি। অদুবু, লাল অসিগী ইরাংদা বাক্কম অদু মাইকৈ অনিমক কাওথোক্লম্রে।

নোংজুথা ওইরনা লাল লৈপ্লিদৈঙ অদুগা মীরজুমলানা রাজ-মহলদগী খরা থাপ্লপ লানশও হোংদুনা লৈখ্রিদৈঙ, তাল্লক অসিদা সুজাগী লাম্নী অমথক তোগ্গাগী লানশওদগী লাক্তুনা লোম্না কুমার মহম্মদকী মখুত্তা চিঠি অমা পিররে। কুমারনা ফাক্তোক্তুনা য়েংবদা উরে সুজাগী মচানুপীনা ইরক্লি, 'কুমার, মসিবু ঐগী লাইবক্তা তম্লরবা হায়বদুরা! মহাকপু থম্মোইনুংদা ইপুরোইবনি হায়না লেপচদুনা ঐগী থল্লাইপুম্বা কৎথোকচরবা, মহাক্লসু খুদোপক। খুদোপকা শিন্নদুনা ঐবু মনাই ওইবিগনি হায়না ব্রাশকপিখ্রবা, মহাক অদুনা ঙসি তমথীরবা থাংশাং পায়রদুনা ঐগী ইপাগী মথল্লাই লৌবা লাক্লে, মসিবু ঐহাক য়েংদুনা লৈবদা তাখ্রবরা! কুমার, মসিরা ঐখোইগী লুহোংবগী কুম্মৈ। মদুগীদমক্তা অমুক চাওনা লাওলিবরা! মদুগীদমক্তা ঙসি ঐখোইগী রাজমহল ঈনা লৈতেংলিবরা! মদুগী দমক্তা কুমারনা দিল্লিদগী য়োংকী য়োংহিলং পুদুনা লাকপিরিব্রা? মসিরা মুংশিংগী য়োংহিলং হায়বদো!'

চিঠি অসি হেক পাবদা থংহৌদনা অকনবা য়ুহারাবা অমনা কুমার মহম্মদকী থম্মোইদু চিংথাইখিবগুম তোখ্রে। মহাক মিকুপ অমা ফাওবা অমুক তপথনা লৈবা ঙমদ্রে। থুদক্তুমক্তদা মহাক লৈপাক ফংবগী রাখল, বাদশাহগী থৌজাল, পুম্নমক করিসু লৈতরা থল্লক্রে। অহানবা মথোক কারকপগী কল্লবা মৈরিরক্তা মহাক অমাং অতোংগী রাখল মাওহনখে। মাগী মপানা তৌরিবা থবক পুম্বা মহাক য়াম্না চুমদবা অমসুং মুংশিহৈজবনি হায়না থল্লক্রে। মপাগী

যক্ত-লৌশিংনা-য়োম্নবা মুংশিহৈত্রবা শাক্লংকী মরমদা মহাক অসিগী মমাংদন্থ মপাগী মমাংমক্তদা মপুক্লিংগী রা কয়া ফোংদোকখি, অহুনা মরক মরক্তা মহাকসি সম্রাটকী মুংঙাইতবা মীশক অমা হেক হেক ওই। ঙসিস্থ মহাক্লা মাগী লান্মী লুচিংবশিংগী মরক্তা মকোক ওইবা মীশক খরবু কৌরগা সম্রাটকী মুংশিহৈতবা, লৌনম চাওবা অমস্তুং ওৎ-নৈবগী মরমদা মপুক্লিং মুংঙাইতবা উৎলহুনা হায়রকই, "ঐহাক তোঙাদা খুড়াগা মিচং ওইরুনবা চংলগনি। নখোইগী নরক্তগী ঐবু মুংশিবা মীশিংনা ঐগী ইতুং ইল্লকউ।" মখোয়হুনা য়াম্না নোঞ্জুকপগী মওংদা সেলাম তৌরহুনা খুদক্তু মক্তদা হায়রকই, "শাহজাদানা তাক-পিরিবহু ওন্থোক্লা চুমখ্রবা ঙাক্তনি, হয়েংমক লাম্মী তংখাই অমা তোঙাগী লানশঙদা শাহজাদাগী নাক্তা শোয়দনা য়ৌরকপা থেংন-বিগনি।" মহম্মদতি হুমিত্তু মক্তদা তুরেল লাম্থোক্তুনা সুজাগী লানশঙ য়ৌখ্রে।

তোঙাদা মুংঙাইবগী মপাল নাইত্রে। লাল-মুংগী রা ময়াম্মক পুমকাও কাওনখ্রে। অমুক কুইবসি নিপা মখৈতনা থৌ চিল্লম্মি, হৌজিক্তি সুজাগী ইমুংগী মুপী-নহাশিংগী মথৌ লোই-খম্বা লৈত্রে। সুজানা য়াম্না মুংশিনা অমস্তুং হরাওনা মহম্মদপু ওক্লে। অতৎপা লৈতনা ঙ্ক তানরবগী মতুংদা ঈগী মরীহু অমুক্তা হেন্না কন্না চিংশিন্নবগুম তৌরক্লে। জগোই ঈশৈ পুং-শেলগা লোয়ননা লুহোংবহু লোইখ্রে। কুম্মৈ লোইফাত্রিঠৈনা সম্রাটকী লাম্মা নক্তশিল্লক্লে হায়বা পাও থুংলক্লে।

মহম্মদনা সুজাগী লানশঙদা হেক চংথিরগা লাম্মীশিংনা মীরক্তুম-লাগী মরুমদা পাও তম্মা-থারে। লাম্মী অমা কাওরা মহম্মদকী মমুক

ইনবিদ্রে ; মখোইনা থংই, মহম্মদতি মশানা পামজনা অরাবা ইপাক্তা চোংথজগ্রবনি, মতুদা মাগী মীচং ওইরুনবা চৎপদি অঙাওবগী থবক্নি।

সুজা অমসুং মহম্মদনা, সম্রাটকী লাশ্মাগী অয়াম্বদি লানফমদা কুমার মহম্মদকী মীচংদা লেপ্পগনি হায়না কন্না থাজরম্মি। রাখল অতুদা মহম্মদনা মশাগী ফীরাল পুথোক্তুনা লানফমদা লাক্লে। সম্রাটকী লাশ্মীগী চাওরবা কাংলুপ অমা মাগী মাইকৈরোমদা চংশিল্লক্লে। মহম্মদ মুংঙাইবনা লুতোন কারে। নাক য়োশিল্লক্লগাদি, মখোইনা মহম্মদকী লাশ্মীশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে। মতমতুদা মহম্মদনা ফীভম পুম্নমক ভাব তারক্লে। অতুবু তাঙ্গাতুদা মতমদি অমুক লৈত্রে। লাশ্মীশিং অতু মমাই লৈ-তুনা চেন্নরক্লে। সুজাগী মচা অহল লানফমতুদা মথরাই থাখ্রে।

অহিং অত্তমক্তদা মরাইবক থীবরা সুজানা মঙ্গাক নিপাগা ইমুং মনুংগী মীপুম্বগা পুবতুনা অয়াংবা হি অমদা ঢাকা তান্না চেল্লক্লে। মীরজুমলানা ঢাকা ফাওবা সুজাগী মতুং ইন্নবতু খোইনা কান্নগনি হায়না খল্লে। মহাক লোই চল্লবা লৈপাক্তু মর তপ্না থম্নবা হোৎনখ্রে।

খুদোং থীরবা অরাবা তারবা মতমদা, মরুপ-মপাং পুম্নমক অমমন ওইনা মমাই লৈনখ্রবদা মহম্মদনা থরাই লল ইজ্জৎ পুম্নমক করিমতা থোঁশাবা তৌদনা সুজাগী মীচংদা লেপ্তুনা লৈবতুদা সুজাগী থম্মোইতু পুমপেৎ পেৎখ্রে। মহাক্না মথরাইমক য়াওনা মহম্মদপু মুংশিরক্লে। তাঙ্গাসিদা ঢাকা শহরদা ঔরংজীবকী চিঠি পুবা লাঙ্গাবা মী অমা ফারে। সুজাগী মফমদা মাগী চিঠিগু য়োরক্লে। ঔরংজীবনা মহম্মদতা ইরক্নি, 'তুশি পৌইরবা ইপাগী ইবুঙো মহম্মদ, নহাক নথৌ হন্দোক্তুনা

নপাগী য়েক্লবা ওইরে, অমসুং নংগী অমকপা পক্তুবা মিংচৎতা কাদী তৈহল্লে। মুপীগী লৌনম মিনোক্তা শুমহৎখিদুনা নশাগী ধর্ম মাঙহল্লে। তুংদা মোগলগী লৈপাকপুম্বগী রায়েন খুৰ্দী পায়রগদবা মহাক অদুনা ওসি মুপী অমগী মিনাই ওইদুনা লৈরে। অদুম অদুম ওইদুনসু, ঈশ্বরগী মিং পন্দুনা মহম্মদনা রাশক্তুনা মশানা লঙজখিবা মরালগী মুংঙাইতবা ফোংদোক্লক্লবনিনা মহাকপু ঙাকপিরবনি। অদুবু পাংথোক্কনি হায়না চৎখিব। থবক্তু পাংথোক্লম্লগা লাক্লবতদা মহাক ঐখোইগী চান্নরবা মীশক হায়বদুমা ওইগনি।’

সুজানা চিঠি অসি পাবদা বক্স তাবগুম রাখ্রে। মহম্মদনা হন্না হন্না হায়জরকই, মহাক কৈদৌমুংদসু মপাগী মফমদা মথন্নাই মুংঙাইতবা উৎপা লৈখিদে। পুন্নমকসি মপাগী লৌশিং ঙাক্তনি। অদুবু সুজাগী চিংনবদুদি কোকপা শুকলৈ লৈখিব্রে। সুজানা মুমিৎ হুম্নি চুপ্পা রাখল তৌরকই। মতুংদা মরিনিশুবা মুমিত্তা হায়রকই, “ইবুঙো, ঐখোইবু পুল্লিবা থাজনবগী লিপুন অসি কোমখোকখ্রে। অদুনা ঐনা হায়জরি, নহাক নংগী মুপীগা লোয়ননা চৎখ্রো, নত্রবদি ঐগী পুক্লিংদা অইংবা হায়বদু অমুক লৈররোই। ঐগী লনগৈগী থোঙ হাংলবনি, নকুগী খুদোলগী মশক ওইনা নংনা পুনিংবা লল-থুম মনি-মুক্তা অদুম্মক পুখো।”

মহম্মদ অদু মমিত্তা মপি তানা-তানা বিদায় লৌরে, মাগী মুপীসু মাগা লোয়ননা চৎখ্রে।

সুজানা হায়রকই, “অমুক লাল তৌররোই। চট্টগ্রামগী হিথাংফমদগী জাহাজ তোংদুনা মকাদা চৎখ্রগে।” অসি হায়রদুনা ঢাকা থাদোক্তুনা অরোনবা ফীজেৎ শেত্তুনা চংখ্রে।

শিঙ্ মরিতবা তাইক

গোবিন্দমাণিক্যনা লৈরিবা লামবদা অত্তুগী লখীদা নোংমা লোঙ্জু থাগী মুখিদাংদাই ফকির অমনা মিপামচা অহুমগা থর লিয়প তৌরবা পোৎপুবা মিপা অমগা লোয়নয়হুনা চৎলি। মিপামচাশিং অহু মায়া চোকথনা উরে। মুংশিংম্ব কয়া শিং-লি অহুগা লেপ্পা লৈতনা নোংম্ব চুরি। খ্বাইদগী পিকপা মিপামচাহুগী চহি তরামরিদগী থোইনা পংহেল-হেল্লোঙ, মহাক নিংথম্বনা নিক্ল-মিক্লহুনা য়ারবা খোনফম্না হায়রকই, "বাবা, অমুক চৎপা ঙমজ্রে।" অসি হায়রহুনা মথল্লাই শেঙ্কা কপ্পক্রে।

ফকিরহুনা য়া মচেৎ অমতা ঙাংদমা মুংশাম্বর মপী হোল্লহুনা অঙাংহুবু মথাজুংদা চেৎনা কোনশিল্লে।

খ্বাইগী অহল ওইবা নিপামচাহুনা পিশক্কুদা চৈরহুনা হাযরকই, "লখীদা অংঙ্গা কপ্পনা করি ফাল্লগদৌরিবনো। তুমিন লৈয়ু। অরেম্বদা বাবাবু য়াহনগনু।"

মহু তাবদা পিক্লবা নিপামচাহু মাগী থাংওমজ্রবা কপ্পিংবহু য়ানা থিংলহুনা তুমিন্না লৈখ্রে।

মল্লাই ওইবা নিপামচাহুনা ফকিরদা হংলকই, "বাবা, ঐখোইনা চৎলিবসি কদাইদনো ?"

ফকিরনা হায়রকই, "আদা দানবলগী মতোল উরিবসে মসি তাম্না চৎলিবনি।"

"মকম অশিরাদি কদা লৈ, বাবা ?"

"অসুম তাব-ী, কদাইরাইদগীনো নিংথৌ অমা সন্ন্যাসী ওইরগনি। মকখয়দা লৈ হায়।"

"নিংথৌনা সন্ন্যাসী ওইরিবদি করিগীনো, বাবা ?"

ফকিরনা হায়রকই, "মচুদি খ দে ইবুঙো। মাগী পোকমিন্নবা মনাওনা লাম্মী খোমচুনা মহাকপু থুম্লকী ছুইগুম মরৈবাক্কী অসুম অসুম থাপ্না তাম্থোকপিরকপা ওইরম্বসু য়াই। নিংথৌ ওইচুনা মুংঙাই য়াইফনা পাল্লম্বদগী মহাকপু লম্বেল লমহাংদা তাম্থোকপিরক্লবনি। হৌজিক্তি লাইরবগী মম্লবা খুরবা লৈকুৎকা সন্ন্যাসীগী গেরু শংবা ফীজেত্তগনা পৃথিবীগী মনুংসিদা মহাকী অমতা ঙাইরবা লোৎফম ওইরম্সু য়াই। পোকমিন্নবা মনাওগী কল্লক পুকচেন অচুগা চু পুরবা য়ারক্কী লিংফম হায়বসিমদি অমুক লৈত্রবনি।" অসি হায়রচুনা ফকির অচু ময়া ক্রক ক্রক চিক্কনা থম্মোইমুংগী মুংঙাইতবা ইহৌ ফাথরক্লে।

নিশা মচা অহল অচুনা হংলকই, "বাবা, সন্ন্যাসী আসে করি লৈপাকী নিংথৌ ওইরম্মি ?"

ফকিরনা খুম্নকই, "মচুদি খংদে, ইবুঙো।"

"ঐগোইবু চংজফম পিবিরক্কবদি ?"

"অচু ওইরবদি এখোই উখাদা লেনগনি।— অচুনত্তনা ঐখোইগী লৈফম কদাইদনো ?"

সন্ধ্যা ওইগদবা ওহাক য়ালিংঙৈদা লানবল মনুংদা সন্ন্যাসীগা ফকিরগা উনরে। অনিমক অমনা অমবু উনবদা ইঁওক ওক্লম্রে। গোবিন্দমাণিক্যনা অসুম য়েংলকপদা ফকিরচুবু ফকিরনি হায়না থাজবা ওক্লম্রে। পিক্ল-পিক্লবা ওইজবা পাম্বা য়াখলদগী থম্মোইবু মমাই

লৈখোকহল্লগা চাওরবা থৌরম অমতগী মহুদা। নুংহল্লুনা থমবদি মাইথোংদা মৈশা য়াওদবা নুরবা মগাল অমা হেক হেক পোক্লকপহু ককিরহুগী মাইথোংদদি উবা ফংদে। ফকির অহু মতম চুমদা মশা চেকশিল্লি, তথক তথকই। মাগী থম্মোইহুংগী ইথৌ লাংলবা মিহৌবা পুমহু মাগী মৈ হৌরবা মিত্তগী মৈরি চিংশিনবগুম্মা তৌরি। থৌইরাঙ-নরবা হিংসানা মাগী কম্মা ফাজিল্লবা চিনবান অমস্তুং কম্মা চিকশিল্লবা য়াদা অরেম্বদা থেঙ্গাইরুরগা অমুকহন্না থম্মোইহুংগী মল্লবা লোকহুংদা চংলক্ত্না মশা মথন্তবু চিকথৎচরকপগুম্মা তৌরি। লোয়নরক্লিবা নিপা মচা অহুম অহুগী য়াম্না নৌরবা ফজরবা চোকথরবা কংলবা শাবান অমস্তুং নাপলগা ইরোয়নরবা ইহৈ-হৈনদবা মতৌ অমা তৌরকপহু উবদা, মখোই অহু হেক পোকপদগী য়াম্না চেকশিন্না ইকাই খুম্নবগী 'সিকাদা থাঙ্গত্না থম্লরুবা, হন্দকী অসিনা মখোইগী ইহানহানবা লৈমাইথক্তা খোংদারকপা হায়বহু ওইরমাল্লে হায়না নিংই। খোংনা চৎলবদি খোংশাদা উফুল তৈ হায়বসি মখোই হান্নদি তশেংনা থংগক্তবগুম্না তৌই। পৃথিবীগী অসিগুল্লবা উফুল-রাইফুল তৈরবা চমোৎনরবা লাইরবা মতৌসিদা খোংথাং খুদিংগী মখোই পৃথিবীবু তুকচবা অমা পোক্লকপগুম তৌরি, মোল্লবা গালিচাগা লৈপাক্না থেম্নবা উবদা খোংথাং খুদিংগী মখোইনা পৃথিবীবু চৈরকপগুমহু তৌরি। পৃথিবীনা মখোইবু শাথীনা হুংঙাইতবা অমা পোক্ত্না মাগী পাক চাওরবা গালিচা অহু কোনশিন্দুনা থমখ্রমাল্লে হায়না নিংলি। পুম্নমক্না মখোইদা ময়াল লংজরবগুম থল্লি। লাইরবনা ভিক্না নিনবগী দমক মোৎলুবা মফী শেত্না মখোইগা হেক হুকথেংনরবা ওল্লরিবসি মতিক নত্তনা মগুল হাপ্পনি হায়না নিংলি; তুকচরবা হুইবু নাক্তা চেনশিল্লকগনি

হায়না মিপাইবদগী মীনা অচা-পোৎ মচেৎ অমা লাপ্লিভৈদগী লংথোক-রকপগুম, মখোইস্থ চরাম্নরবা মোৎলবা চাক্লিবা উরগা লাপ্লিভৈদগী মমাই লৈথোক্কুনা শেল খুবাম অমা লংথোরকপা ওস্বা মীতা ওইনা তৌই। মখোইগী মমিত্তুদি পৃথিবীগী অয়াম্বা শরুক্কী ওমজব খরদং হায়বা মতৌ অমস্থং শেগাইরবা ফীজোনগী লৈত-লাইরগী মওং অসি য়াম্না হৌনবা খংদ্রবা অমনি হ য়না উবগুম তৌরি। মখোইদদি পৃথিবী অসিদা নুংঙাইবা অমস্থং ইকাইখুম্নবা ফংদ্রিবসি, পৃথিবীগী মরালনি হায়না লৌবি।

গোবিন্দমাণিক্যনা পুম্নমকসি হেক্তা খনগ্রবরা -হায়বতুদি নত্তে। মহাক্না মতৌতু উবদতা খংবা ওম্মি মতুদি, ফকির অসি, মশাগী অপাম্বা পুম্বা থাদোক্কুনা মনিং মখা তম্নবা অমস্থং মপুকচেন চাওবা অমা ওইরক্কুনা জগৎকী থবক তোনবা থোক্লকপদি নত্তে, মহাক অসি মশাগী নিংবা থুংলক্তবদগী শাওতুনা জগতপুম্ববু নুংঙাইতবা পোক্কুনা থোক্লকপনি। ফকিরসিগী মপুক্লিংদা, মহাক্না হেক পাম্বতুমা মহাক শোইদনা ফংফম থোকই অতুগা জগৎনা মাগী মফমদগী পাম্বতুদি মানা পিনিংলগা পিবা য়াই পিদ্রবস্থ থোইনা কায়বা লৈতে হায়না কন্না থাজবা অমা পোকই। থাজরিবা অসিগী মওং চপ চানা থবক থোক্তে হায়তুনা মহাক জগৎপু লংথোক্লম্নগা চৎথোরক্লিবনি।

গোবিন্দমাণিক্যবু উবদা ফকিরনা নিংথৌনি হায়নস্থ খল্লি, সন্ন্যাসী অমনি হায়নস্থ নিংই। মহাক অস্থম্না তৌরমগনি হায়বসি খক খল্লুদে। মহাক্না খল্লম্বদি, পুক-চোনবা কোইয়েং-চাও য়েৎপা কামথৎলবা শম্নম-গুম্বা অমা উবা য়াই, নত্রগনা তোল্লবা ফীজেৎ শেৎলবা চমোৎলরবা

সন্ন্যাসী অমা হায়বদি উৎ-তৈবা উফুলথক্তা য়াহিপ্পা নাপলনা লুতোন কাবা অমা উবা ফংগনি অসিনি। অদুবু অনিগী মরক্তা অমতা ফাওবা উবা ফংদ্রে। গোবিন্দমানিবু উবদা মহাক্না খল্লকই, মহাক অসি পুম্নমক থাদোক্লবগুম্নদি তৌরে, অদুবু পুম্নমকসি মহাক্না ওইবগুম্না তৌরি। মহাক্না করিগুম্বা অমতা পাম্নবা লৈতবদগী পুংফং ফংবগুমখ্রে। মহাক্না মশা কখোকচবগুম জগৎ পুম্বা পামজবগা লোয়ননা মাগী মফমদা লাপ্থোরক্লে। করিগুম্বা উজোম অচৌবা অমতা লাওদবদগী মহাক নিংথৌনি, অদুগা সংসার পুম্বগা খ্বাইদগী নকুবা অমা ওইবদগী মহাক সন্ন্যাসীনি। মরম অসিনা মহাক নিংথৌশু শারুফম লৈতে, সন্ন্যাসীশু শারুফম লৈতে।

নিংথৌনা মাগী অতিথিশিং অদুবু কশিন্না লুনা সেবা তৌরক্লে। মখোইনদি মহাক্কী সেবাদু য়াম্না খোইদাদনা লৌই। মদুম তৌবদু মখোইগী তৌফম থোকপগুম্না তৌই। মখোইগী পোত্থানবা করি করি পোৎ চংগদগে হায়বদুস্তু নিংথৌদা খংহল্লে। নিংথৌনা নিপা মচা অহল অদুদা হুংশিনা হংলকই, "লম্বেল চৎপা যাম্না চোকখরবরা?"

নিপা মচাদুনা হংলিবদু নিংথিনা খুম্বদি তৌদনা ফকিরগী মনাক্তা নপশিন্দুনা ফমখ্রে। নিংথৌনা মখোইদুবু য়েংলগা মোলোন তৌবদুনা হায়রকই, "নখোইগী থোৎলবা নশাসিদি লম্বেল চৎননবা নত্তে। নখোই ঐগী লানবলসিদা অম্নুম্মক লৈয়ু. ঐহাক নখোইবু চেকশিন্না লুনা থমগে।"

নিংথৌনা হায়রিবা রাসিদা খুম্বা হৌনবরা হৌনদবরা অদুগা অসিগুম্বা মীতাশিং অসিগা করম্বা লোনচৎ চৎপা হৌনৈ হায়বসি অঙাংশিংদুনা খনবদা খনফম থোক্তে--- মখোই ফকিরগী মনাক্তা অমুক্তা

হেন্না নপশিন্না ফমখ্রে, মখোইগী মপুক্লিংদা, মফম মরাং খংদবা নিপা-সিনা মোংলবা মখুৎ তিংথোক্লক্কনা মখোইবু খুদক্কুদা হাংখিগদৌগুম খল্লক্রে।

ফকিরনা চীং-লেম্না হায়রকই, "ফ্ন, ঐখোই মতম খরা নংগী লানবলসিদা লৈরগে।" নিংথৌবু থৌজানবিরকপত্তমঙাই। মপুক্লিংদদি খল্লকই, "ঐ অসি কনানো হায়বত্তু খংলবদি থৌজানবিরিবসিদা নহাক মুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈররোইদবনি।"

অঙাং অমুন অদুবুদি নিংথৌনা থেমজিনবা ইঙম ঙমদ্রে। অদুগা ফকির অদুস্তু করিমতা থৌশাদবগুম্না লৈরে।

ফকিরনা গোবিন্দমাণিক্যদা হংলকই, "নহাক মতম অমদা নিংথৌ ওইরম্মি হায়না তায়. করি লৈপাক্কীনো ?"

গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, "ত্রিপুরাগীনি।"

মসি তাবদা অঙাংশিং অদুনা মাবু য়াম্না পিকখ্রবা মীশক্কি হায়না খল্লক্রে। মখোইদি কৈদৌনুংদস্তু ত্রিপুরাগী মিং ফাওবা তাখিদ্রি। অদুবু ফকিরদুদি হাইরপ মপুক্লিং লাংতক্লবগুম তৌরক্রে। অমুক হন্না হংলকই, "নংগী লৈপাক মাঙখ্রিবদি কৈদৌবদগীনো ?"

গোবিন্দমাণিক্যদু ঙহাক তুমিন্না লৈখ্রে। অদুদগী কাইনথংদা হায়রকই, "বাংলাগী নবাব শা সুজানা ঐবু ইরৈবাক্তগী তাম্থোকপিবনি।" নক্ষত্ররায়গী মরমদা রা মচেৎ অমা ফাওবা পন্দ্রে।

রা অসি তাবদা অঙাংশিং অদু ইঙক ঙক্লা ফকিরগী মাইকৈরোম্দা য়েংলক্রে। ফকিরগী মাইথোংদু তাইফেৎ তাইবগুম তৌখ্রে। মহাক্না খংহৌদনা হায়রকই, "পুন্নমকসি নংগী ননাওনা শীনবা ওইরিনি ? ননাওনা নংব নরৈবাক্তগী তাম্থোক্লক্কনা সন্ন্যাসী ওইহল্লকপা নত্রা ?"

নিংথৌদু পুমঙক ঙকখ্রে; মানা হায়রকই, "নহাক্তি পাও পুম্বসি কদাইদগী ফংলুই, সাহেব?" অদুদগী অমুক খল্লকই, ঙকফমদি খোইনা লৈতে, কনাগুম্বা অমগী মচিন্দগী তারকপা ওইরম্বসু য়াই।

ফকিরনা তফিং তফিং হায়রকই, "ঐ করিমতা খংদে। চুম্না ভাবনা শাদুনা হায়বনি।"

অহিং ওইরক্লবদা ময়াম্মক তুমথনবক্লে। অহিং অদু ফকির-দুদি তুম্বা য়াদ্রে। মিকপ থোক্লা থোক্লা ফত্তবা মঙ মঙদুনা লৈরে। অদুগা কবিগুম্বা মখোল অমতং হেক তাবকপদা শাখী শাখীনা খংলক্লে।

মথংগী নুমিত্তা ফকিরনা গোবিন্দমাণিক্যদা হায়রকই, 'কবিগুম্বা অকুব, েক অমদগী মফমসিদা অমুক লৈথবা যাদ্রে। ঐখোই ঙসি চৎলগে।"

গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, "অঙাংশিং অসি লম্বেল চৎপগী রাবনা ঙম্না চোকথবে, মখোইবু মতম খরদংগা পোত্থাহল্লবদি ফগনি নিংই।"

মসি তাবদা অঙাংশিং অদু হাইরপ মখোইদো শাগৎলক্লে। মখোইগী মরক্তগী খ্বাইগী অহল অদুনা ফকিরলোমদা ওনশিল্লক্লদুনা হায়রকই, "ঐখোই পিশক পিল্লিবা অঙাংমক্তি নত্তে, তাঙানা যারক্ত-খদি ইরায লায়না অরাবা পুম্বা খাঙবা ঙমগনি।" মখোই গোবিন্দ-মাণিক্যগী মফমদগী নুংশিবা শুকফং ফংনিংদে। গোবিন্দমাণিক্যদু রা মথা অমুক তাথদ্রে।

ফকিরনা চৎনবা থৌরাং তৌরক্লবা মতমদুদা লানবলদা অতিথি অমসু থুংলরে। মহাকপু উবদা নিংথৌ অমসুং ফকির অনিমক পুমঙক

ঙকখ্রে। ফকির শহু করম তৌসিগে হায়বা থনফম থোকখিদ্রে। নিংথৌনা মাগী অতিথি অহুবু খুরুম্লক্লে। অতিথি অহু অতে কনা অমা নস্তে, রঘুপতিনি। নিংথৌনা খুরুম্লিবহু ওক্লগা হায়রকই, "জয় ওইসন্নু।"

নিংথৌনা হায়রপ লাংতক্লনা হংলকই, 'নক্ষত্রগী মনাক্তগী লাকপিরিব্রা, ঠাকুর? করিগুম্বা অরুবা পাওককা লৈব্রা?"

রঘুপতিনা হায়রকই, "নক্ষত্ররায় মুংঙাই য়াইফরি, মাগী দমক থোইনা রাবিরুগন্নু।" নোংথকলোমদা মখুৎ থিঙ্গৎলগা হায়রকই, "ঐহাকপু জয়সিংহনা নংগী ননাক্তা থারক্লিবনি। মহাক লৈত্রে। মহাক্তা পামজরম্বহু ঐহাক পাংথোক্লবা হোৎনরগে. নত্রবদি ঐগী অহংবা অমুক লৈত্রে। নংগী ননাক্তা লৈহনা নংগা লোয়নহনা নংগী থাক পুম্নমক্তা ঐহাক য়াওরগনি।"

নিংথৌহু অহানবদা রঘুপতিনা হায়রিবহু করিমতা ভাব তাবা ঙমদ্রে। মহাক অসুম্না খল্লকই, রঘুপতিসি শোইদনা ঙাওরম্বা তারে। অহুনা মহাক তুমিন্না লৈরে।

রঘুপতিনা হায়রকই, "ঐহাক পুম্নমক য়েংলে, করিগুম্বা অমতদা মুংঙাইবা লৈতে। হিংসা তৌবসু মুংঙাইবা লৈতে, মপু ওইবসু মুংঙাইবা লৈতে, নংনা চৎলিবা লম্বী অসিতমা মুংঙাইবনি। ঐহাকসি নহাক্কী তমথীনা য়েক্লবা হায়বহু ওইরুরবনি, ঐহাক্না নংবু হিংসা তৌরুরবনি, নংবু ঐগী ইফমদা বলি তৌননবা লাক্লরুরবনি, অহুবু ঙসিদি ঐহাক নংগী নফমদা পুম্নমক থাদোক্লগে হায়না লাক্লবনি।"

গোবিন্দমাণিক্যনা হায়রকই, "ঠাকুর, নহাক্না ঐগী ওস্থোক্না

কান্নবা তৌবিরবনি ; ঐগী য়েক্লবনা ইমিগুম ইতুং কোইন-ইম্নহনা লৈরম্নবনি, মহাক্কী মখুত্তগী নংনা ঐবু কনবিরক্লবনি।"

রঘুপতিনা হায়রিবা রাফমহুদা থোইনা খোয়জংলুবা তৌদনা হায়রকঈ, "মহাবাজ, ঐনা জগতকী ঈ তাহন্দুনা মতম অসুক কুইনা সেবা তৌরক্লবা হিংচাবী অহুমক্লা মমৈথংদদি ঈশাগী থম্মোইমক্কী ঈ পুম্বা চুপ্পূনা থক্লক্লে। অহুগুম্বা ঈ থক্লিংলবা অশিবা অপংবহুবু ঐহাক লংথোক্লম্নগা লাক্লবনি, মহাক হৌজিক মহারাজগী লৈবাক্তা লাইগী মন্দিরদা লৈত্রে, হৌজিক্তি মহাক রাজসভাদা চংখিহনা সিংহাসন্দা ফমহনা লৈখ্রে।"

নিথৌনা হায়রকই, "লাইগী মন্দিরদগী মহাক চৎথোকখ্রবদি মতুংদা মীওইবগী থম্মোইদগীসু চৎথোকহনখিবা ওন্নগনি।"

তুংলোমদগী অখওবা খোনফম অমনা লাওরকই, "নত্তে মহারাজ, মীওইবগী থম্মোইতনা থাঙ্গেশেংবা মন্দিরনি, মফম অহুদতা থাংগী ময়া থাংই অহুগা মী লিশিং লিশিংগী বলি তৌই। লাইগী মন্দিরদদি মহুগী মতৌ অহুক তমজবতনি।"

নিংথৌনা খংবগা লোয়ননা লৈ-হনা য়েংলকপদা হরাও মিনোক নোক্লবা নিংখিরবা শক্তম ওইরবা বিল্বনবু উরক্লে। মহাকপ্ খুরুম্নগা হরাও তুজুংলবা খোনফম্না হায়রকই, "ওসি ঐগী কয়াদা হুঙাইখ্রবা সুমিৎনো!"

বিল্বনা হায়রকই, "মহারাজ, নশানা নশাবু জয় তৌজবদগী পুম্নমকপুম্ন জয় তৌরবনি। অহুনা ওসি নহাক্কী থোওজিন্দা য়েক্লবা মরুপ পুম্নমক পুল্লরবনি।"

ফকিরনা চংশিল্লক্তুনা হায়রকই, "মহারাজ, ঐস্থু নংগী য়েক্লবনি, ঐস্থু নংগী নখুত্তা ইশা লাম্থোক্লরবনি।" রঘুপতিনা মখুদোনবীনা থল্লহুনা হায়রকই, "ব্রাহ্মনঠাকুর অসিনদি ঐবু শক খংই। ঐনি বাংলাগী নবাব সুজা হায়বদো, ঐমক্না নংবু নরাল লৈতনা নরৈবাক্তগী তাম্থোকখিবনি, হৌজিক্তি পাপ অদুগী শাস্তিস্থু ফংলে—ঐগী ইনাওগী হিংনা ওসি ঐগী ইতুং কোইন-ইন্নহুনা লৈরে, ঐগী ইরৈবাক্তা শেপফম অমূক লৈত্রে। ইশক লোত্তুনা ঐ অমুক লৈবা ওম্মক্তে, ঐগী নফমদা ইশাপুম্বা পুমলান লাম্থোকপনা ঐহাক্কী মুংঙাইবা থবহু ওইরে।"

মহু তাবদগী নিংথৌগা নবাবক্কা চেৎনা লেঙ্গোন্নরক্লে। নিংথৌনা অসিতনক্ক হায়, "ঐগী ইরাইবক ওম্থোক্লা ফখ্রে!"

রঘুপতিনা হায়বকই, 'মহারাজ, নহাক্কা য়েক্লবসিস্থু তোংজবদি ফংই। নহাক্কা য়েক্লরুবদগী নঙোন্দা ইশা লাম্থোক্লবনি, নত্রবদি কৈদৌনুংদা নংবু নশক খংলম্মোই।"

বিল্বননা নোক্লহুনা হায়রকই, "লাংলক্তা তারবদা লাং থদংকে হাৎনরুবদগী ওক্তা থোইনা কন্না য়েৎশিল্লকপগুম্বনি।"

রঘুপতিনা হায়রকই, "এগী অমূক অরাবা লৈত্রে, ঐহাক অইংবা হয়াবহু ফংলে।"

বিল্বননা হায়রকই, "অইংবা মুংঙাইবা হায়বসিদি ইশা ইশাদা অহুম্মক লৈবনি, ঐখোইনা মশক খংউদবতনি। মসিদি ভগবাননা চন্নবা চফুদা অমৃত থম্বিরম্বগুম্বনি, কনানস্থু মহুদা অমৃত থাওরমগনি হায়বসি থাজদে। ইম্থহুনা চফুহু কায়রক্লবা মতমদতা অয়াম্বনা অমৃতগী মহাও ফংনরকই। ওম্থোকপনি, থাজদবা পোত্তাস্থু থাজদবা মফমদা লৈরম্বা ময়াওই।"

তাঙ্গাসিদা নোংমদোন থক থক নিকপমখৈ হো হো হায়বা খোঞ্জেল অমা তারক্লে। খংহৌদনা লানবল মনুংদু অঙাং-অচৌ'মচা মখল কযা লাক্কুনা পিক থল্লরে। নিংথৌনা বিল্বনদা হায়রকই, "য়েংউ অসে ঠাকুর ঐগী ধ্রুব!" অসি হাযরদুনা অঙাংশিং অদুবু মশক তাক্লক্লে।

বিল্বননা হায়রকই, "মহাক্কী মপান্না নংনা অঙাং অমুক য়াম্না ফংজরিবা মহাক অদুনসু ন'বু কাওবা লৈতে, মহাকপু ননাক্তা পুশিল্লদে," অসি হায়রগা মপান্দা থোকখে। ওহাক্তুং লৈরগা ধ্রুববু পদু পুরক্লগা নিংথৌগী তম্পাক্তা শিন্নবে।

নিংথৌনা মাবু চেৎনা মথানুংদা কোনশিল্লগা কৌবকই, "ধ্রুব

ধ্রুবদু রা অমতা ঙাংখিদ্রে, তপ্না চিক্লা নিংথৌগী মবেংবান্দা মঙক ঙাথরদুনা লৈবে। মতম শাংনা কান্নরুরগা অহানবা ওইনা উনরকপদুদা পিল্লবা অঙাংদুগী পিক্লবা থম্মোইনুংদা হায়দোকফম খংদ্রবা ওইনবগী পুকচেন অমসুং ইকাইবা মতৌ অমা ফাওরকপগুম তৌখ্রে। নিংথৌবু কোনশিল্লগা মমাই লোংলদুনা লৈখ্রে।

নিংথৌনা হায়রকই, "পুন্নমক্তি নিংবা থুংলে, অদুবু নক্ষত্রদনদি ঐবু য়াম্বুং হায়না কৌরদ্রে।"

সুজানা মথরাই চাক্লা হায়রকই, "মহারাজ, অতৈ পুন্নমকসিদি ইকোম কোম্না মচিন মনাওগী লোনচৎ চংনবা ঙম্মি, হেক পোকমিন্নবা মনাওতনদি মদু ঙম্বা লৈত্রে।"

সুজাগী থম্মোইনুংদগী হৌজিক ফাওবা তা-জিন শত্তোকখিবা লৈত্রি।

অরোইবা শরুক

মতাংসিদা হায়হৌবা চুম্মি, নিপা মচা অহুম অসি সুজাগী শক লোৎলিবী মচানুপী অহুম্মি। সুজানা মকা চৎলগে হায়দুনা চট্টগ্রামগী হিথাংফম তাম্না চৎলুরবনি। অদুবু, মরাইবক থীবদগী নোংজুথা কম্না ওইরকপা মরম্না জাহাজ অমতসু ফংদ্রে। অদুদগী নিংবা কায়রদুনা অমুক হল্লকপদা লম্বীদা, গোবিন্দমাণিক্যগা লানবলদা থেংনরবনি। মতম খরা লানবলদা লৈরক্লবদা সুজানা, হৌজিক ফাওবা সম্রাটকী লাম্মীনা মাবু থিরি হায়বা পাও ফংলে। গোবিন্দমাণিক্যনা গাড়িনচিংবা অমসুং মনাই মশল ময়ামগা লোয়ননা মহাকপু মহাকী মরুপ আরাকান নিংথৌগী মনাক্তা থারক্লে। চৎলমদাইদা সুজানা মমল য়াম্লবা থাংশাং অমা মঙোন্দা খুদোলপোৎ ওইনা পিরম্মি।

তাল্লক অসিদা নিংথৌ রঘুপতি অমসুং বিল্বন অহুম্মক পুল্লদুনা খুঙ্গংশিংবু মিকপ থোকহন্নবা লাক্লরক্লে। নিংথৌগী লানবলদু খুঁল পুম্নমক্কী মথরাই হায়বদু ওইরক্লে।

অসুম্না চহি তরুক হৌখ্রবা তুংদা ছত্রমাণিক্য নোঙ্গাখ্রে। গোবিন্দমাণিক্যবু নিংথৌ খুভম অমুক হন্জিনবিরনবা হায়দুনা ত্রিপুরাদগী দুত লাক্লে।

গোবিন্দমাণিক্যনা অহানবদা হায়, "এহাক নিংথৌ অমুক ওইররোই।"

বিল্বননা হায়রকই

লেপ্পদুনা কৌররবদ

নিং

অমুক কুইনা নিংজরকপসি থুংদনা, অমুক কুইনা লাওজরকপাদ্‌ মপুং ফাদনা তোক্লগদবা ?"

বিল্বননা হায়রকই, "মফম অসিগী থবক পুন্নমক এনা তৌগনি।"

নিংথৌনা হায়রকই, "নহাক্না মফমসিদা লৈহৌরবদি অসোমদা এগী থবক অমুক মপুং ফাববোই।"

বিল্বননা হায়রকই, "রাখলদু লাল্লে মহারাজ, হৌজিক্তি এহাক্না নঙোন্দা কান্নফম অমুক লৈত্রে। নহাক হৌজিক নশাদা নশানা লোয়নমক শিন্নজবা য়ারগনি। এহাক্না করিগুম্বা শংলকপদা মরক মরক্তা নহাক্না উনবা লাক্কনি।"

নিংথৌনা ধ্রুববু পুরদুনা মরৈবাক্তা হল্লক্লে। ধ্রুব হৌজিক য়াম্না পিল্লিবা অঙাং হায়বদু নত্রে। মহাক বিল্বনগী থৌজান্দগী সংস্কৃত হৈরদুনা শাস্ত্র তম্ববোমদা মপুক্লিং চংলক্লে। রঘুপতিনা অমুক হন্না পুরোহিতকী থবক তৌবে। হন্দকমুক মন্দিরদা লাকপদদি লৈখিদ্রবা জগ্ন্নসিংহর্নু অমুক হন্না হিংলিবগুম মপুক্লিংদা খল্লক্লে।

অসোমদনা লৌনম চাওববা আরাকান নিংথৌনা সুজাবু হাত্তোক্লগা মাগী মচানুপী অতোনবীবু লুহোংদুনা লৌরে।

'মরাইবক থীরবা সুজাগী মফমদা আরাকান নিংথৌনা চৎখিবা মুংশিহৈত্রবা শাজত্তু খল্লুবদা গোবিন্দমাণিক্যগী মথরাই য়াম্না মুংঙাই-খিদ্রে। সুজাগী মমিং মতম কুইনা নিংশিংনহৌবগী দমক মহাক্না

সুজান। [illegible] চংনা কুমিল্লা শহরদা ফজরবা মসজিদ ইকোম কোম্না মচিন মনাও[illegible] [illegible]দ হায়না লেংদনা লৈরি। মনাওতনদি মদু ঙম্বা লৈত্রে।" নিংথিনা শেমখি।

সুজাগী থম্মোইমুংদগী হৌজিক ফাও[illegible]নশিংদা লম লৈত্রি।

না চাও দান তৌখি। মহারাজ গোবিন্দমাণিক্যনা কুমিল্লাগী -রোমদা তিসা খুলদা চাওরবা পুখ্রি অমা তৌখি। মহাক অফবা ক কয়া ক তৌনবা পায়খৎলম্মি, অত্তবু নিংথিনা পাংথোকপদি দ্রে। রম অসিদগী মথরাই মুংঙাইতনা ১৬৬৯ খৃঃ অব্দদা ওইবগী মাক মতোল লোমখি।'

অরাইবগী প্যারাগ্রাফ অনি অসি শ্রীযুক্ত কৈলাসচন্দ্র সিংহনা লেংবা ত্রিপুরাগী ইতিহাসতগী লৌথোকপনি।
